বঙ্কিমচন্দ্রগী

# আনন্দমঠ

শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ



ডি মণিপুর কো-ওপরেটিভ পব্লিশিং সোসাইটি লিমিটেড
পাওনা রোড ইম্ফাল।

ফোংবা :—
শ্রীপাওনম অচৌ সিংহ বি, এ
চীফ ইডিটর
মণিপুর কে-ওপরেটিভ পব্লিশিং সোসাইটি লিমিটেড
পাউন রোড, ইম্ফাল।


*First Edition, July 1964.*
মমল লু: ৩·০০

নম্বা ঃ—
ডি মণিপুর কো-ওপারেটিভ পব্লিশিং সোসাইট লিমিটেডকী প্রেস সেক্সন্দা
শ্রীএস, ইরাবত সিংহনা ছাপা তৌবা।

বঙ্কিমচন্দ্রগী

# আনন্দমঠ

শ্রীঅরেকপম শ্যামসুন্দর সিংহ

© মনিপুর কো-ওপরেটিভ পব্লিশিং সোসাইটি লিমিটেড
পাওনা রোড, ইম্ফাল।

# হায়জনিংবা খরদং

লাইবিক অসি থা অনি থুদিংগী ফোংলবা মনিপুরী লোনগী চেফোং 'ঋতু' দা ফোংবদগী কপ মশীং থরথর হেল্ল লৌহোবদগী লাইরিক ওইনা ফোংবা ঙমজবনি। ফোংবা অসিগী অধিকার ঋতু ফোংলিবা ডি কলচবেল ফোবম, মনিপুরনা ডি মনিপুর কো-ওপরেটিভ পব্লিশিং সোসাইটিদা পীখিবগীদমক সংস্থান অসিদা তৌবিমল থংবা উৎসর। অদুগা লাইবিক অসিগী অয়াম্বা লাইরিকদা য়াওবিবা অরান অহুই ময়াম অসি থুদোং চাদব 'ফবম থবদগী য়াওখ্রবনি হায়না লৌবিদুনা পাঠকশিংনা ঙাকপিগনি নিংজে; মথংগী সংস্করনদদি অরান অহুই পূম্নমক চুমথোকপগী থৌরাং তৌজরে।

পব্লিসার

# জাতীয় সঙ্গীত

"বন্দে মাতরম্ ।
সুজলাং সুফলাং মলয়জশীতলাম
শস্যশ্যামলাং মাতরম্ ।
শুভ্র—জ্যোৎস্না—পুলকিত যামিনীম্,
ফুল্লকুসুমিত—দ্রুমদলশোভিনীম্,
সুহাসিনীং সুমধুর ভাষিণীম্,
সুখদাং বরদাং মাতরম্ ॥
সপ্তকোটিকণ্ঠ—কল—কল--নিনাদকরালে,
দ্বিসপ্তকোটি ভূজৈর্ধৃত খর করবালে,
অবলা কেন মা এত বলে ।
বহুবলধারিণীম্ নমামি তারিণীম
রিপুদলবারিণীং মাতরম ॥
তুমি বিদ্যা তুমি ধর্ম্ম,
তুমি হৃদি তুমি মর্ম্ম,
ত্বং হি প্রাণাঃ শরীরে ।
বাহুতে তুমি মা শক্তি
হৃদয়ে তুমি মা ভক্তি,
তোমারই প্রতিমা গড়ি মন্দিরে মন্দিরে ।
ত্বং হি দুর্গা দশপ্রহরণধারিণী
কমলা কমল-দল বিহারিণী
বাণী বিদ্যাদায়িনী নমামি ত্বাং
নমামি কমলাং অমলাং অতুলাম্,
সুজলাং সুফলাং মাতরম্,
বন্দে মাতরম্
শ্যামলাং সরলাং সুস্মিতাং ভূষিতাম
ধরণীং ভরণীং মাতরম ॥"

# FEEL

......Feel from the heart. What is in the intellect or reason ? It goes a few steps and there it stops. But through the heart comes inspiration. Love opens the most impossible gates. Love is the gate to all the secrets of the universe. Feel, therefore, my would-be reformers, my would-be patriots ! Do you feel ? Do you feel that millions and millions of the descendants of gods and of sages have become next door neighbours to brutes ? Do you feel that millions are starving today, and millions have been starving for ages ? Do you feel that ignorance has come over the land as a dark cloud ? Does it make you restless ? Does it make you sleep-less ? Has it gone into your blood, coursing through your veins, becoming constant with your heart-beats ? Has it made you almost mad ? Are you seized with that one idea of the misery of ruin, and have you forgotten all about your name, your fame, your wives, your chilren, your property, even your own bodies ? Have you done that ? That is the first step to become a patriot, the very first step.

Come out of your narrow holes and have a look abroad. See how nations are on the march ! Do you love man ? Do you love your country ? Then come, let us struggle for higher and better things; look not back; no, not even if you see the dearest and nearest cry. Look not back, but forward !

Men; men,—these are wanted : everything else will be ready, but strong, vigorous, believing young men, sincere to the backbone are wanted. A hundred such and the world becomes revolu-tionized.

Expand your hearts and hopes, as wide as the world. I want the intensity of the fanatic Plus the extensity of the materialist. Deep as the ocean, broad as the infinite sky, that is the sort of heart we want.......

**Swami Vivekananda**

---

বঙ্কিমচন্দ্রগী

# আনন্দমঠ

——( ০ )——

## মহৌদোক

য়াম্না পাক-চাওরবা উমংনি। উন্নুংহুগী অংাম্বা উপালদি শাল ঙাক্লি, অহবু অহু নত্তবা অতৈ মখল কয়াগী উস্নু হৌরি। উপালশিংস্থু মতোনগা মতোনগা মনাগা মনাগা য়েৎশিন্নদুনা অয়োই অথম নাইদনা লৈপ্রি। কারক নাইত্রবা, অতোবা লৈত্রবা মঙান-চংফম শুকলৈ লৈত্রবা, অসিগুম্বা উনাগী মপাল নাইত্রবা, সমুদ্রসি ক্রোশকী মথংদা ক্রোশ, ক্রোশকী মথংদা ক্রোশ, অস্থুম অস্থুম নুংশিংকী ইপোমলক্তা ইথক চৌব হৌবদুনা তাম্না শনদোকপ্রি। মথাহু শুক্লা মম্মি। নুমিৎ চপ-য়ংবা মতমদফাও মঙাল ফাওদে, অকিবগী মশক্লি। মনুংহুদা কৈদৌন্নুংদা মী অমত্তা চঙদে। উনাগী লোইনাইত্রবা হাই-হুম্বগী মখোলগা লন্নকী শা-উচেক্কী লাও-খোংবগী মখোলগা নত্তনা মনুংহুদা অতৈ অমা তাবা লৈতে।

অস্থুম্না পাক-চাওববা শাথীনা শুক্লা মন্নবা উমং ওইবগী মথক্তা, নুমিদাংস্থু ওইরি। অহিং যুথক অনি য়োরকপা মতম্নি। অহিংদু য়াম্না মম্মি; উমংগী রাংমদস্থু মম্মি; করিমত্তা উবা ফংদে। উনুংগী অমম্বত্থ লৈনুংগী অমম্বগা অমহা ওইরি।

শা উচেক পুম্বা ইচিক ঙম্না হুনখ্রে। শা-উচেক, কৌঙ্গং, হারৌ লক্ষা-লক্ষা, কোটি-কোটি কয়া উনুংহুদা লৈ। কনামত্তা চেক-মোক ফাওবা লাওখিদ্রে। অমম্বংদি ভাবনা শাবা মঙম্মি-অহুবু পুমানন নিনবী মালেমগী অমম্বা ঈচিক হুনবা মতোম্ভদি

ভাবনা লাকশিনবা ইঙম ঙমদে। অদুগুম্বা পল্লেপকম চৈত্রবা উনুংহুদা, হকচিন্না, শাথিনা, মমবা অহিংহুদা, ভাবনা লাকঙমদ্রবা ঈচিক হুনবা মুরুকতুদা খোঞ্জেল অমা তারক্লে—“ঐনা নিংজরিবসিবু থুংলরোইদ্রা ?”

খোঞ্জেলদু তাখ্রবা তুংদা অমুক উমংদু তন্না ইচিক হুনখ্রে; মতৌদুদা কনানা হাযবা ঙমগনি, উনুংদুদা মীগী খোঞ্জেল তাবা থংখি হায়বা ঙহাক লৈবগা অমুকম্ খোঞ্জেল তাবক্লে; অমুক ঈচিক হুনবদু থুগাযদুনা মীগী খোঞ্জেল ফাওবক্লে,—“ঐনা নিংজরিবসিবু থুংলরোইদ্রা ?”

অম্মুম্না অহুমলক অমম্ব ইপাকতু ইপোম লাংহল্লক্লে। অদুদগী পাউখুম ফংলকই, “নংগী পোন্থাদি করিনো ?”

মদুগী পাওখুমদা হায়, “পোন্থাদি থরাই হকচাং ঙম্নমক।”

অমুক খোম্থং অমা লৈবকই, “থরাই হকচাংদি অরাযবনি, মন্নাম্মকম্ থাদোরবা মঙম্মি।”

“অতৈ কবি লৈবি ? অতৈ কবি পিখিনি ?”

মতমদুদা খুমল্লকই, “ভক্তি !”

অহানবা শকক

## অহানবা মতাং

সাল ১১৭৬গী কালেন থাগী নোংমদি পর্দাচঙ্ক হাযবা খুলহ নুংশানা য়ক লাউনা শাবম্মী। খুলদু য়াম্না কুক কুক ইম্ম, অদুবু মীদি অমত্তা উদে। কথেন্দা দুক নগী পরেং, পোৎকমদা ঘুমটিগী পরেং; লৈকায় লৈকায়দা মাপং লাবঙমদ্রবা লৈরং তাখৎপা ফুম, মত্তুগী মরক্তনা অনেস্বা-অরাংবা দোলাল কয়া লৈ। ঙসিদি লোইনমক ঈচিক চিকই। বৈথেন্দা দুকান থোং লোল্লি, দুকান্দার

কঙ্গারদগীনা চেনখরে, মরূম থঙলে। অদুদি কৈথেলসু নুমিৎনি। কৈথেল্দা মী তাঙ্দে। ভিক্ষা নুমিৎনি, ভিক্ষারী অমত্তসু চত্তে। কী শাবনা যোংখম থাদোক্লুনা লমদোন্দা কমহনা কপতুনা লৈরে লমলোন্নবনা লম্মোনবা তোকতনা অন্ডাং মথাদা কোন্দুনা কপখ্রে, দান তৌবা কাংগু দান সেপখ্রে, ওখানা চৌল খিংখ্রে। অন্ডাং কাওবা মশোন্ন থোয়া কপ্পা ওমদবশুম তৌখ্রে। লমজাও-শোবাক্তা মী চংখিদ্রে, পৃথ্বিনা ঈকঙ্বা মী উখিদরে, খোঙজিন্দা মী লেপখিদরে, উপালনা উচেক তাখিদ্রে, মস্থাবুংদা যন সৈখিদ্রে, মেংক্ষমদা হুই-লমহুই নৈবতা মডাইরে। চাওবনা দোলান অমখক্রি। মতুংগী চাউন চাউনা হৃক্রবা সিডি পারেংগু অবাগ্নিগীসু উখি। মতুন কুডলা গুমলকতুনা উনগী চাংদানগুম নিংথিজরে। নিংথিক্ত হাযবসি খোঙতদি লেস্লি, মমতুদা মী কনামতা চংখাক চংশিন তৌদে, পুমচিক চিকই নুংশিং চংবক্ষাও অপনবা ওইবগুম তৌই। মতুগী মনুংগী কাত্ন নুংথিলদসু মমখাব. অমম্বতুদা অহিংদা শাৎপা নৈবাং থাত্রাগুম মতৈ-মনাও অনি ক্ষমলত্রুনা রাখল তৌরি। মখোয শংথীনা চাক-তাংবা ময়োক্লবে।

সাল ১১৭৪ দা মই-মবে" নিংথিনা থোক্তে, মরূম অতুনা সাল ১১৭৬ দা ফৌ ইংলাক-সাকত্রে। মযাম্মক রানরে, অতুব নিংথৌনদি চপখৎতুনা খাজনা অমতা তোনবা য়াদবমখৈ লৌখৎ-খাব। খাজনা লোইনমক থিদোকখিবনা লাইববশিংদি চাক্লা নামতা মচারে। সাল ১১৭৫গী নোংহু থাদা নোং নিংথিনা তারে। মী পুম্নমক ঈশ্বরনা থৌজাল নিবিরে হায়না থম্লে। হবাওবনা অমুক মাঞ্জনহৌশিংনা লৌগুক্ত। ইশ শকৎলরে, লৌমী নিঙোলশিংনা নুপাগী খ্বা লাক নৈবিনবা মগয়োইবদা ঙংঙং ঙংনরক্লে। থংহোদনা লা বল থাদ- লাইগী নোংদম তাইয়োম্মখরে। লবলগা মেরাগা থা অনিহু নোং মরিক অমতা তাখিদরে,

লৌবুক্কী লৌশিংনা কপিন্না চক [illegible] ওনখে। [illegible] অমা অনিগা অহৌক খোকচয় মীয়ামগী নিংথৌশী মীশিংনা শিথাই পিজনবা লোইনমক বানশিনখে। মীপুম্না চাবা কনখ্রে। অমানমদা চক নামতা চারে, অমদগী চাগা নামহুস্ন চারুক অথাইতা মচাব্রক্লে, অমুনী তুংজদি চরা পুমহেল হেন্নরক্লে। লমদাদা থরদং ল্যোকপা কৌহুস্নু, চাবা কনামতা ওরক্রে। অহুবু খাজনা খোম-গৎপগী মকোক ওইরিবা মহম্মদ রেজা খাঁদি, তাঙ্গা অহুদা ভগ্নিমথৈ চাওহোৌরগে হায়বসি থনখ্রে। মহাক্না খাজনাহু চামদা তরাগী হিংদা হেনগৎহনখ্রে। বাঙ্গালা লৈবাক শীন্না কপ্না লাওনবভনা থনখ্রে।

মীপুম্না ভিক্ষা তৌবা হৌনরক্লে, অহুবু ভিক্ষা হাপ্পিগদবসিবু কনানো? চবা হেন্নরক্লে। অহুদগীদি অনাবনা শরা-শল্লক্লে। যন যোম্থোক্লরে, লাঙ্গল-য়োৎপাক যোম্থোক্লরে, লৌহনগী কৌ চাখোক্লখ্রে, মযুম-মকৈ য়োম্থোক্লরে, লৌ-ইংথোল যোম্থোক্লবে। মতুংহুদা মচানুপী য়োম্থোক্লবা হৌবক্লে। অহুদগীদি মচানিপা য়োম্থোরক্লে। মমৈথংদা মতূ কাওবা যোম্থোরক্লে। অহুবু মচানুপী, মচানিপা, মতূ, লৈবিগদবসি কনানো? লৈবিনবাদি লৈত্রে, লোইনমক অয়োনবা ভাক ভাইখ্রে। চানিংভাই লৈতদনা উ-না রা-না চানরক্লে। নাপি-শিংবি চানরক্লে। চাহৈদবা মনা-মশীং চাবা হৌরক্লে। অতোনবা অমসুং জঙ্গলগী মীশিংনা, হুই, হৌদোং, উচি চানরক্লে। মী অয়াম্বনা চেন্নখ্রে, চেনখিবাশিংহু মীরপাক্তা চাবা কংদহুনা শিনরে, চেন্দবশিংহুনা চাহৈদবা চাহুনা, চাবা কংদহুনা, অনাবনা লাকথুহুনা মথরাই থারে।

[illegible] অনাবস্থ তাঙ্গা যংলে—অরূম, পুকচৎপা, লোকথুবা, লাই-খোকপা য়াওরক্লে। মরু ওইনা লাইথোকপনা তোরা তুনরক্লে। [illegible] লাইথোকপনা শিনরক্লে। কনানা কনাবু ইশিং পি[illegible], কনানা কনাবু শোর-শম্নগনি? কনানশু কনানু লাইয়েংনক্রে,

কনানসু কনাবু লাইক্কদ্রে; শিরবনু কনামতনা হুন্দোকপিদ্রে; কজরবা হকচাংঃ দোলাল মনুংদা তাহনা অংম্মক পুমহনা লৈরে। লাইখোকপা হেক য়াওনরকপা ইমুং, অনাববু হুন্দোক্লগা কিবনা হেক্তমক চেন্নখ্রে।

মহেন্দ্রসিংহ, হায়বসি পদচিহ্ন খুদংদা য়াম্না ইনাকখুনবা মীনি—অ বু ঙসিদি ইনাকপুনবা লাইরবা চপ মান্নব্রে। তমথীনা রাবা মতমসিদা লাইথুং করানা পাল্লংনা মাগী শাঙ্গনাত, মীনাই নুপী নিপাসুম্বা কনামতা লৈত্রে। কনানা শিখ্রে, কনানা চেনখ্রে। মীনা থম্না লৈখ্রবা ইমুংসিদা হৌজিক্তি মাগী নুপীনে, মহাক মশানে, অদুগা মচানুপী পিশক অমখক্তে, মখোইতমক ঙাইরে। মখোইগী রানি মথক্তা পনখ্রিবহু।

মাগী নুপী কল্যাণীর রাখলনা লুংবংনবা তোক্তুনা মঙ্গালদা চংলগা মশামক্তা শঙ্গোম শুম্মুরে। অদুদগী শঙ্গোমহু ঙৌহনা মচানুপীবু পিথক্লগা মনগী শজিকন চংবা হনখিরে। মানা হল্লকপা মতমদা মহেন্দ্রনা হায়রকই, "অমম্না লুংৎ কয়ানি লৈখিদগে ?"

কল্যাণীনা হায়রকই "থোইনা পংহই দুইংদবা নত্রে। মতম থরা ঐনা অদুক ঙাল্লিবমখ লেনখিবা হায়বহুনি, অদুদগীদি নহাক নুপীমচাসিবু পুংনা সহর তাম্না চংলু।"

মহেন্দ্র—সংহরদা চংকদবা লৈবদি, নংবু অচক শথীনা রাজল্লুবগী কাথি কাম্নকন লবগে ? চংলসিদনা হৌজিক অদুম্মক ?

মতুদগীদি মবানি মতুগী মরমদা কন্না নৈন। হৌরক্লে।

ক—সহৎদা, চংলগা ঝরদং শাফগনি চাব মা উত্রা ?

ম—মক্কম অদুদসু অম্মুম্না মী ইতাক-তাক, পংনবা পাদে লৈতবা কীভম ওইরম্লগনি নিংই।

ক—মুরশিদাবাদ, কাশিমবাজার নত্রগা কলকতাদা চংলবদি থব্যাই হিংগত্রা থল্লি। মক্কম অসি থাদেওনা চপা চায়বদি ইচুম চুম্নবনি।

মহেন্দ্রনা হায়রকই,—"থুম অসি থাইনদগী অহল-সম্বগা ত্তানশিল্লকপা লম্না পুমথন থম্না লৈরবনি, মসি পুম্নমকসি ক্ষয়ান-বশিংনা লুট তৌগ্রগনি।"

ক—লুট তৌবা লাক্লগব ঐখোই অনিতনা কনবা ঙমগদ্রা? হিংবু হিংত্রবদা কনানা লন্দু শিজিন্নরগদৌরিনো? চৎলসি, হৌজিকমক নিংখিনা লোইশিন-খোৎচিল্লগা চৎনবা তৌবসি। থরাইবু হিংসবদি, হল্লক্লগা অমুক লন-থুমদু শিজিন্নববা য়াই।

মহেন্দ্রনা হংলকই, "নংবু খোঙনা লমশাংসি চৎপা ঙমগদ্রা? দোসাইরেং পুম্নমকস্মু শিঙ্খ্রে, মন লৈববস্মু গাড়ী ওয়ালা লৈতে, গাড়ী ওয়ালা লৈরবস্মু মন লৈতে।

ক—ঐহাক খোঙনা অদুম্মক চৎকনি, নহাক মদুগী থোইনা খল্লুনু।

কল্যাণীনা মপুক্লিংদা খঞ্জবকই, ঙস্মকত্রগনা লম্বীদা অদুম্মক শিখিগে; অদুবু মবানিদি মহিংলগনি।

মখংগী নোংঙাল্লকপদা মবানিদু শেল খরতমক পুরগা খোঙ পুম্নমক শো। লোনশিল্লমহুনা মনশিংহ থাদোক্লম্নহনা, মচানুপীন্থ মখাদা কোল্লহনা কোন্নুং মাইকৈ তম্না খোঙশাল্লক্লে। চংপা হৌরকপদা মহেন্দ্রনা হায়রকই, "য়াম্না খুদোংথিবা লম্বীনি। হয়নবা লুট তৌবা কাংবুনা খুরক হাংদনা কোইচৎ চৎতুনা লৈরবনি, খুলাই অমতা য়াওদনা চৎপসি চুমদে।" অসি হায়রহুনা মহেন্দ্রহু ইমুংদা অমুক হণ্ডিন্দুনা নোংমৈ, গুলী, নোংমৈ হিদাক জোরক্লে।

মহু উবদা কল্যাণীনা হায়রকই, "খুৎসাইগী রা হৌদোরক-প্রাদি, নহাক অমুক্তং সুকুমারীবু পল্লম্মু, ঐস্মু খুৎলাই লৌথোক-কৃমিগে।" অসি হায়রহুনা কল্যাণীনা মচানুপীন্থ মহেন্দ্রদা শিন্নরম্লগা পীনা চংল্লে।

মহেন্দ্রনা হায়রকই, "নংনবু করি খুৎসাই অমুক পুরক্লদৌ-রিবনো?"

কল্যাণীদু লাক্লগা হ হাল্লা পিক্লবা কৌটা অমথক মখি মখুংদা য়োৎশিনখ্রে। খুদেং থিরবা মতমদা লাইবক্তা করি য়োকলকপা থওবা ভমদে হায়রদুনা কল্যাণীদু হায়রা মাংজোননা হ লাওদুনা খমগ্রবনি।

কাল্লেন থানি, য়াক্লবা নুংশানা মালেমদি মৈ-হৌবগুমহে, নুংশি সু মৈনিন-ডাক শিংখ্রে, অতিয়াদু মৈ ইক্লবা কোরিগী চাঁদোয়াগী মতৌগুমখ্রে, লম্বেলগী উফুল মরিকশিংদু মৈরিক্কী পাংথক ওইখ্রে। কল্যাণী হুমাংনা পুংসুপ লুপ্লক্লে, করিগুম্বদা থোংনাং পান্থীগী মরুমদা, করিগুম্বদা কোনা পান্থীগী মরুমদা অমুক অমুক পোখারতনা, কংসবা পুখ্রিগী লৈনাং ওইরবা ঈশিং থক্লতনা য়াম্না রানা লন্থী চংপা হৌরক্লে। নুপী মচাদু মহেন্দ্রনা পল্লি—মরক মরক্তা মহেন্দ্রনা মচানুপীবু হুমাই হুম্বরি। করি করিগুম্বা মতমদা কুডসবা অশংবা মনারক্তা মনম নুংশিবা লৈরাং থম্না শাৎলবা, উরি রারিনা মেৎশিল্লবা উপালগী মরুমদা কম্লংনা মবানিমক পোখারি। মহেন্দ্রদু কল্যাণীগী অরাবা থাওম্বা মতৌদু উবদা পুমওক ভকখ্রে। ফিজিনা লুপ্তুনা মহেন্দ্রনা মনাক অতুরাইদা লৈবা। পুখ্রিদগী ঈশিং পুরক্লগা মশাগী অমসু কল্যাণীগী মমাই মখিৎ, মখো-মখুত্তা, থিক্লে।

কল্যাণীদু থজিক্কু ইথরেদি হায়রবু, মবানিমক চাক লাংবা মমিত্তা তন্দন পাইরক্লে। মতুম থাডবা মওন্থি, অদুবু মচানুপীদগী অরাম থৌরাংবদুদি লেংডমদ্রে। হুম্বনা মখোই হুমুক লন্থী চংপা হৌরক্লে। মৈগী ইথক্কু ইরোই-ইরোই অম্তম লাকপনা মখোই য়াচংবা মমাংদা মী-খুংকম শঙ অমদা থুংলরে। মহেন্দ্রদু মপুক্লিংদা য়াম্না কম্না থাজবা পোক্লম্মি, মী-খুংকমদু য়োরম্না মতু, মচা অনিমক অইংবা ঈশিং পিথকপা ওমগনি হায়রদা, অংবু কদাই? মী খুংকমদুদা মী অমতম্ব লৈতে। চাওরা চাওরবা কা কয়া লৈ, মীদ ওম্না চেম্যাখ্রে। মহেন্দ্রনা মাইকৈ মখি

কোয়েং য়েংঙ্গগা মতুগা মচাগবু কা অমগী মনুংদা তিপহল্লে। অহুদগী মপান থোক্লক্কুনা খোঙ্গেল হানা কোইকৌ কৌবা হৌরক্লে। কনামতম্থু খুম্লক্তে। মতৌগদা মহেন্দ্রনা কল্যাণীদা হায়রকই, "নহাক নথম্তা হোক্কং অকি-অখং লৈতনা লৈরম্মু, শ্রীকৃষ্ণনা কৃপা তৌবিহনা যন ককা লৈবম্নবদি, ঐ শঙ্গোম অহুক লৌরুগে।" অসি হায়বহনা চৎ অমা পুবহনা মহেন্দ্রনা মপাল থোকখ্রে।

চফুদি য়াম্না তাহনা লৈ।

## অনিশুবা মতাং

মহেন্দ্র চৎখ্রে। কল্যাণীহু নথম্তা মচানুপী পিশক্তুনা কোল্লহনা মী লৈত্রবা হাফেং মম্নবা খাংপোক মনুংহু কোনেং লেংবা হৌবক্লে। মপুক্লিংদা যাম্না অকিবা পোক্লম্লই। কনানত্তা লৈ'ত, মীখোল হাযবহু মচেৎ অমা ফাওবা তাদে, হুই লংহুইসা খোংবদমক তাই। মহাক্না খন্নকই, 'কচিগীদমক্তা খাবু চংহনখ্রিবা, ডহা কুন্দম্থু অবাম খৌবাংবসি খাডহনা মনৈজরমগদবনি।' অতকম্থু খন্নকই, 'মাইকৈ পুম্বগী থোঙশিনহু লোনশিন্নগা কমগ।' অহুবু থোঙ অমতম্থু থোঙপাক অমদি পোলোল যাওখ্রে। অম্থুম্না মাইকৈ মবি কোইরৈ লৈদুনা অম্থুন লেলকদা ...গী থোঙহুদা মমিগুম্বা অমা উরক্লে। মীগী মতৌগুম্নম্থু তৌই, অহুবু মী নত্তবা হাযনম্থু খল্লি। যাম্না কংলবা পাববা—যাম্না মুরবা, মক্কীমরোল যাওদবা, অকিবা শক্তম ওইবা নীংবা মতৌ মানবা অনৌবকী চংঙক্তুনা থোঙজিন্দুদা লেপ্লে। ডহাক লৈবগা মমিহু মথুং নাম থাঙ্গৎলক্কুনা শরু-শয়াং তাক্তা ...ইববা শাংলবা কংলবা মখুত্তুগী শাংলবা তুম্নবা খুৎশাহু হংলহনা নহাকপু কৌরকপগুম তৌরি। কল্যাণী কোকচাওবী কাখ্রে। অ দগী

অমুকস্তু অহুগুম্বা—কংলবা, মুরবা, রাংলবা, মকী মরোল য়াওদবা মমি অমা—অহানবা মমিহুগী মনাক্তা চংভকতুনা লেপ্লরে। অহুদগী অমস্তু লাক্লে, অহুগী তুংদা অমস্তু অমুক লাক্লে। অস্তুম্না কবামুক লাক্লে, তপ্পা তপ্পা মখোল থোকহন্দনা মখোইহু ইমুং অহুদা চংলক্লে। মম্নি মম্নিবনা কাহু অতিংগী মোংফমগুম অকিবা শক্তম অমা লৌথ্রে। অহুদগী প্রেতকুম্নবা মুর্ত্তি শংহনা কল্যাণীগা মাগী মচানুপীহুগবু ইকোই-কোইশিনখ্রে। কল্যাণী জ্ঞান মাঙশিল্লক্লে। মুশিন মুরবা কংলবা নিপাশিংহুনা অহুদগী কল্যাণীগা মাগী মচানুপীগবু ফাহুনা পুবগা, ইমুংহুদগী থোকখিহনা, লৌবুক লাম্হোক্লগা জঙ্গল অমগী মনুংদা চংখ্রে।

ঙহাক লৈরগা মহেন্দ্রহু চফুদা শংঙ্গাম পুরক্পনা মকমদা থৌরক্লে। অহুবু কনামতস্তু উবা ফংদ্রে। কোইচৎ চৎতুনা থিবক্লে, মচানুপীগী মমিং পন্দুনা, মমৈথংদা মতূগী মমিং পন্দুনা কযা হন্না হন্না কৌরক্লে, কবিগুম্বা পাওখুম অমতা ফংদ্রে, থিবা শুকখঙ খঙদ্রে।

## অহুমশুবা মতাং

ডাকুশিংহুনা কল্যাণীবু পুবকতুনা থম্লরিবা উমং অহু য়াম্না নিংথিজ্জে। মঙাল লৈতে, নিংথিবহু য়েংননবা মিংস্তু যাওদে, লাইরবগী থম্মোইনুংদা লৈবা ফজবগুম উমংহুগী ফজবহু য়েংবিনবা লৈতে। লৈপাকতুদা চানিংঙাইবু লৈববস্থ লেবু লৈত্রবস্তু—উমংহুদা লৈ শাংলি, নুংশিববা লৈনম্না অমস্বা মবকতূদস্তু মঙাল ফংবগুম তৌরি। মনুংহুদা লুরবা থোংলবা লৈ-না শম্না কুপ্লবা লম মচেৎ অমথক্তা ডাকুশিংহুনা কল্যাণীগা মাগা মচানুপীহুগবু থম্লে। মখোই ময়াম্না মবানিবু কোইশিন্দুনা ফম্লরে। অহুদগী মখোই পুমশেল, রক্লিবা মখোইসি করি তৌনগদৌরিবনো হায়না

কন্না য়েং নবক্লে। কল্যাণীনা খরদং লোইনজরকপা লিক-কোল-শিংহুদি মখোইনা হান্না লৌশিনগ্রবনি। কাংবু অমনা মহু কন্না য়েন্থোকপা লাক্লবি। লিক-কোলশিংহু য়েন্নবা লোইরগা ডাকু অমনা হায়রকই, "ঐখোই সনা-লুপাসিনা কৈদৌনগদৌরিবনো, কনানো লিক অমা লৌজৌ, অহুগা ঐঙোন্দা চেং খুজোক অমতং পিয়ু, চাক লাম্বনা থরাই লানগদৌরে, ঙসিসি উনাতমক চাহুনা লেল্লক্লবনি।" অমতংনা রা অসি হেক হৌদোকপদা ময়াম্মকতু হায়রিবা রাকমাস চপ মান্নবা হায়রহুনা ইবাং লাংনরক্লে, "চেং পিয়ু, চেং পিয়ু, লাম্বনা থরাই থাগদৌরে, সনা-লুপা পামদে।" লুচিংবহুনা মখোইবু খামজিনবা লাক্লরক্লে, অহুবু কনামতা য়াদে, হেন্নহুম রা লাও-লাওনা ঙাংবা হৌনরক্লে, চৈ-থাংনরক্লে, য়েন-রক্কদৌরে। মখোই মখোইদা থুংবা লিক-কোলাশং অহু, শাওবনা মখোইগী লুচিংবহুগী মশা তম্না লংশিন্নরক্লে। লুচিংবহুনা মী অমা অনি ফুরে। মতৌহুদা মখোই ময়াম হৌহুনা লুচিংবহু চিংথুরগা ফুরক্লে। লুচিংবহুদি চাদ-থক্তবনা ময়াং য়াম্না কংলবান অমসু শোল্লবনি, অকনবা চৈথা অমুক অনিরক্তং যংবদা লৈমাইথক্তা ওন-থোইহুনা মথরাই অহুম্মক লানখ্রে। অহুদগী লাম্নবা, শাওরবা, ময়াই কারবা, জ্ঞান মাঙলবা ডাকু কাংবুহুগী মবক্তগী অমথক্লা হায়রকই, "হুই-লমহুগী মশা কাওবা চাবে, লাম্বনা থরাই লানগদৌরে, লাও ইচিন ইনাওশা! ঙসিদি লুচিংবগী মশাসিংহম চাবসি।" মহু তাবদা ময়ামহু 'জয় কালী!' হায়হুনা কন্না লাওরক্লে। 'বম কালী! ঙসিদ মাশা চাবগনি।" অসি হায়রহুনা শরু শয়াংতমক ঙাইরবা, মুশিন মুববা, প্রেত মাল্লবা মুর্ত্তিশিং অহু অমম্বহুদা খাক্লা খাক্লা নোক্লহুনা খুবাক খুরহুনা জগোই শাগৎলক্লে। লুচিংবগী মশাহু লৌ-ননবা মী অমথক্লা মৈ হৌগৎনবা থৌরাং তৌবক্লে। অকংবা উনা, উতুপ অমম্নং নাপি-শিংবী খোমজিল্লহুনা মৈহৌ-সুংখেত্তনা মৈ চুখৎলে।

মৈ থর থর অমুম্বক চাকথৎলকপগা লোইননা মনাক অরোইগী হৈনৌ, হৈখা, থৈবোং, তাল, মঙ্গে খর্জুর অসিনচিংবগী শংবান্নবা উনাশিংহু হাইকেৎ হাইকেৎ মীশক উরক্লে, কবিগুম্বা মকমদনা মৈঙান্দুদা উনাশিংনা তরং-তবংলংক্লে, করিগুম্বা মকমদনা নাপীশিংনা ঙাল্লক্লে; করিগুম্বা মকমদনা অমম্বগু গুক্লা অমুক্লা হেন্না মমখ্রে। মৈ চাকথৎলক্লবদা নিপা অমনা আশবহুগী মখোংহু পায়হুনা শ্রো শ্রো চংলক্লগা মৈনুংদা লংশিন্নবা ভোরক্লে। তাঙ্গাহুদা অতোপ্পা নিপা অমখক্লা হায়রকই, "ঙাইখো, লেপখো, মীশামক চাহুনা ঙসিদি থব্লাই হিংহনবদা। তারবদি, হনুবসিগী খুইরবা মশাসি কৈদৌদনা চারুদগে? ঙসি ঐখোইনা ফারকপহু অহুম্বক চারগনি; লাও নৌরিবী নুপীমচাসিংবু লৌরগা চানবা তৌসি।" অতোপ্পা অমনা অমুক হায়রকই. "লৌগে হায়বা অমা হেক্লা লৌ-রো, লাম্বাসি খাঙবা ঙমাশল্লক্করে।" অহুদগীদ ময়ামক্ত মিহৌবা মিৎয়েংনা কল্যাণীনা মচা কোন্দুনা হিপ্লিবা মাইকৈদোমদা য়েংশিল্লক্লে। খুদকতুদা মখোইনা উরক্লে, মকমহু ইহাঙহাঙলে, নুপীমচাম্বু লৈত্রে. মমাম্বু লৈত্রে। ডাকুশিংহুনা খৎনরিঙে মতমদা তাঙ্গা চারে হায়না কল্যাণীদি মচানুপীহুবু পমখৎলগা মচিন্দা খোম ইনশিনহুনা উমংদা লোন্না চেনখ্রবনি। অফাবা শা চেনখ্রে হায়হুনা 'হাৎলো হাৎলে' হায়বা খোল্লাওগা লোইননা প্রেতকী শক্তম ওইরবা ডাকুগী কাংবুহু মাইকৈ মরিদা তান্নরক্লে। ফীভমগী মতুংইন্না মীওইবম্বু শাহিং চাবা শা অহুম্বক ওই।

## মরিশুবা মতাং

উমুংহু য়ান্না মম্বি, কল্যাণীদি লম্বী চৎকম খংদ্রে। উপাল-উরি তিংখংনা কুওনা য়েৎশিন্নখিবনা লম্বীম্বু লৈতে, অহুগী মথক্তা

শাথীনা শুরুস্থ মম্মি। তিংখং নমখাইদনা কল্যাণীহ উনুংদা অগ্নম অস্থম চংশিল্লকই। নুপীমচাহগী মশাদা তিংখংনা য়ুরে। অহনা মহাক মবক মবক্তা হেক কপ্লকই, মহু তাবদা ডাকুশিংহু হেন্না হেন্না লাও-খোংলকই। কল্যাণীহু অস্থমা ঈনা মশ পুম্বা ইতৈ-তৈনা য়াম্না থাপ্না উনুংদা চংলক্লে। ওহাক লৈবগা থা থোক্লক্লে, ওসাই মখৈ কল্যাণীহু হাইফেৎ আশা অমা লৈজবম্মি, অমম্বদা ডাকুশিংনা মাবু উবা ফংলোই, ওহাক থিবগা অহুম তোকচখিনি হাযনা। অহুবু হৌজিক থা থোক্লকপসিদা মাগী নিংবহু কায়রে। থানা নোংমদোনথক্তগী উমংগী কোকতোন্দা মঙাল তৈথবক্লে—উনুং মনুংগী অমম্বহু মঙালনা চামথোবক্লে। অমম্বা লংখৎলক্লে। মবক মবক্ত কাবক কাবক্তা মঙালনা উনুংদা লিৎসিল্লক্তুনা মূনা মূনা যেংবা হৌবক্লে। থানা অস্থম হাইগৎ-হাইগৎলক্লগা উনুংদা মঙাল অহুক্কী মতিক হেন্না চংলক্লে। কল্যা-ণীনা মচানুপী অহু কোল্লহুনা উনুংদা অমুকস্থ চংশিন্না লোৎপা হৌবক্লে। মতমহুদা ডাকুশিংহু হেন্না কন্না লাও-খোংলহুনা মাইকৈ মরিদগী চেনশিল্লক্লে—নুপীমচাহ কিবহুনা অমুক্কা হেন্না মখোল হৌনা কপখৎলক্লে। মতৌহুদা কল্যাণীহু উপায় লৈত্রহুনা চেন্নবা থৌবাং তৌদ্রে, চাওববা উপাল অমগী মখাদা তিংখং লৈতবা নাপীথক্তা ফম্লহুনা মচানুপীহুবু মথাদা চেৎনা কোল্লগা চুম্নতা কৌরক্লে, "কদাইদনো নহাকপু! ঐনা নিতিগী পুজা কর্চ্চবা নিতিগী খুকমজবা, মাগী থৌজালদা নন্দুনা উমং মনুংসিদফাও চংবা ঙমজখিবা, কদাইদনো নহাকপু হে মধুসুদন!" তাঙ্গাসিদা কিবদগী ভক্তিনা থুমহৎখিবদগী, অবাম খৌবাংবনা চোকথরক-পদগী কল্যাণীহু অস্থম অস্থম মপাল থোংগী জ্ঞান মাঙখিহুনা থম্মোইনুংগী রাথল মঙাল্লক্তা তাওবকতুনা তাবা ফংলকই, মাসং-দগী শুমহৎনিঙাই ওইবা থোনফম্না শরুক্লি—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে!
গোপাল গোবিন্দ মুকুন্দ শৌরে!
হরে মুরারে মধুকৈটভারে!"

কল্যাণীদি অঙাং ওইরিঙৈদগী পুরাণগী রারিদ ভারকই, দেবর্ষীনা আতিয়াগী লম্বেলদা বীণাগা লোইননা হরিনাম শোল্ল শোল্লহনা মালেমসিবু কোইয়েং য়েংই, হৌজিক মহাক মহুগুম্বা ভাবকী রাকমহু মপুক্লিংদা কাওরক্লে। মপুক্লিংদা অম্বুম্বক উরক্লে কুচু ভৌরবা, মশম ভৌরবা, মকোই ভৌরবা, কীজোন অঙৌবা শেংপা, নিংথিরবা মহামুণিনা বীনা পায়রহনা থাজ মঙালনা লৈতেংলবা শংবাল্লবা অতিয়াদা চৎলহনা শক্লি—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে!"

মতুংদা ইশৈহু অশুম নকাশিল্লক্লে, অমুকা হেন্না ভশেংনা তারক্লে,—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে!"

অহুদগী অমুকসু হেন্না নকশিন্না—অমুকসু হেন্না শেংনা—

"হরে মুরারে মধু কটভারে!"

মমৈথংদদি কল্যাণীগী কোকতোন মপাদা উমং খুম্বা খোম্বাং য়ৈহল্লহনা ইশৈহু শক্লক্লে,—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে!"

মতমহুদা কল্যাণী মমিৎ পাংথোক্লক্লে। ভানফুং ভানফুং তৌবা উমংগী অমম্বগা তোৎশিন্নরবা থাজ মঙালক্তা মহাক্লা উরক্লে, মমাংমক্তদা কুচু পাল্লবা, মশম ভৌরবা, মকোই ভৌরবা, কীজোন অঙৌবা ঋষিগী শকমহু। মঙলানগুম হান্নগী রাখলহুদা অহুম্বক তাওহনা কল্যাণীনা খল্লকই, খুরুমগে, অহুবু খুরুমহু উমক্রে, মঙক হেক নোম্বরকপদা অমান অহুম্বক মাঙাখহনা লৈমাইথক্তা তুথক্রে।

## মঙাশুবা মতাং

উমং অহুগী মনুংদা পাল্লবা লম্বাং অমদা গুংচুম অতেক অকাই ময়াম্না ক্রোয়শিল্লহুনা চাউববা লাইশঙ অমা লৈ। পুরান খঙবা অহৈ-অশিংশিংনা যেংলবদি হায়বা উমগনি, মসি থায়না মমাংঙৈদা বৌদ্ধশিংগী মন্দির ওইবম্নী। অহুদগী হিন্দুশিংগী লাই লিংকম ওইরে, দোলান পরেংচু মথোল অনিনি। মরক্তা মথল কয়াগী মন্দির অংগা মমাংদনা মাঙোব লৈ, ময়াম্মক্ চেক-পলনা ইখা খাজিনবগুম তৌই অহুগ মপান্দা হৌরুবা উমংগী উপালশিংগুনা অসুক্কী মতিক কুওনা কুপশিল্লি মহুদি, নুংথিলদকাও থোইনা পাংলাপ লাপ্তুনা মকম সদা চেক্কী যুম লৈ হাযবসি খওবা ওমদে। দোলানশিংহু মকম অয়াম্বদা নিঙথারবে, অহুম নুমিৎ লৈরিঙৈদদি মকমশিংহ নৌনা শমজিল্লে হাযবসি খঙই। অহংগা যেংশিল্লগত অশ্বা চংবা ওমদ্রব উন্নুংসদম্নু মী লৈ হায়বসি খঙবা ওম্মী। লাইশঙ অসিগী কা অমদা চাউরবা উতুপ অমথক মৈ চাকতুনা লৈ, মহুগী মনুংদা কল্যাণীনা অহানবা জ্ঞান হেক তাবকপদা উবা ফংঙকই, মমাংদা কুচু ঙৌবা, ফিজোন অঙৌবা শেৎপা মহাপুরুষত্তু, কল্যাণীনা ওক্লুবা মিৎয়েংনা অমুকস্তু য়েংলকই, হৌজিক ফাওবা মহাক নিংথনা নিংশংবা উনদ্রে। মতমমহুদা মহাপুরুষনা হায়রকই, "ইমা। ঈশ্বরগী মন্দিরনি, চংনরা তৌগম্নু, শঙ্গোম্ খাজক্কুং লৌ, হান্না অংক থকংখা, অহুগা কোয়া রাগী শাসি।"

-কল্যাণীহু মহানব্রদা ফরিনতা ভাস্র তাবা ওমদ্রে, অহুদগী মথং মথং মপুন্নিংহু খরদং নেমথবক্রবদা মডক্তা মফি য়েংলহুনা মহাত্মা অস্তব খুরুম্নে, মহাক্না মঙ্গলগী আশীর্বাদ পিরগা অতোপ্পা কা অমদগী মনম নুংশিরবা লৈপাক্কা পাত্র অমা লৌরগদা চাক্লিবা

মৈথক্তুদা শঙ্গোম ঙৌরে। শঙ্গোমছু শৌরবা তুংদা কল্যাণীদা লানশিন্নগা হায়রকই, "ইমা নচানুপীদসু থবা পিথকউ, নংসু থবা থকউ। অহুগা মতুংদা রা-সাং ঙাংনরি।" কল্যাণীনা মথরাই হরাওনা মচানুপীহবু শঙ্গোম পিথকপা হৌরক্লে। মতমছুদা নিপাত্তনা "ঐ অমুক লাক্কে, নহাক করিমতা চিংনদনা লৈরম্মু" হাংদম্লগা মন্দির অত্তুদগী থোকখ্রে। ঙহাক লৈরগা মহাক্না অমুক হন্নকখদা। উরে, কল্যাণীহ মচাবু শঙ্গোম পিথকপা লোইরেদি হায়ববু মহাক মশাদি করিমতা থক্ত্রু, হান্নগী শঙ্গোমছু থোইনা ইরেং লেংদনা অহম্মক লৈবম্লে, থঙ্ক্রমক মপ্নেং তাই। মছু উবদা নিপাদুনা হায়রকই, "ঈমা! নহাক শঙ্গোম থক্ত্রুবোম্রে, ঐ অমুক মপান্দা চত্থোকলুখিগে, নহাক শঙ্গোম থক্ত্রুবদি ঐ হন্নরক্লোয়।"

ঋষিগা মান্নবা নিপাত্তু অসি হায়বত্তুনা মপান্দা চৎকে থোব্নুংসারে, মতমছুদা কল্যাণীনা অমুক হন্না মাবু থুরুম্লহুনা মখুং লোম্নরকই।

বন্দা লৈবত্তুনা হায়রকই, "করি হায়নিংই?"

মছু তাবদা কল্যাণীনা হায়রকই, "ঐবু শঙ্গোম থকউ হায়না নযাথং তাকপিগনু। মছু য়াদবা মরম থবদং লৈ। ঐহাক থকচরোই"

মতৌহদা বন্দা লৈবত্তুনা য়াম্না মেঙলবা খোঙ্হাংদা হায়রকই, "করম্বা য়াদবা লৈবগে, ঐঙোন্দা হায়য়ু, ঐদি বন্দা লৈবা ব্রহ্মচারিনি, নং ঐগী ইচানুপীনি, ঐঙোন্দা হায়দোকপা য়াদবা নংগী করম্বা রাকম অমুক লৈ? ঐনা উমং মন্নুংদগী নংবু রাম্থরিঙৈদা পুরকপা মতমহুদা, নহাক অরাম থোম্নাংবনা নশাহু যাম্না চোকথনা উই, নহাক করিগুম্বা অমত্তা চান্নবদি করম্না হিংনি?"

মতু তাবদা কল্যাণীনা মমিত্তা পিগী ঈয়া চেক্লনা হায়রকই, "নহাক্তি লাইনি, নঙোন্দা হায়দোকচগনি—ঐগী ইপুরোই-বতু হৌজিক কাওবা করিমত্তা চাদ-থক্তনা লৈরমখিনি, মহাকী মশক্তু উদনা অমদি চায়ে হায়বা পাউ কংদনা, ঐ করম্না চারুগদগে ?"

ব্রহ্মচারীনা হংলকঈ, "নংগী নপুরোয়বদি মকম কৈদা লৈ ?"

কল্যাণীনা হায়রকঈ, "মতু ঐ খঙজদ্রে—মহাক্না শঙ্গোম থিবা চখোকখ্রিঙৈদা ডাকুশিংনা ঐবু হুরান্দুনা পুরকপনি।" অতুদগী ব্রহ্মচারী অতুনা মথং মথং অমুম হংখরক্তুনা কল্যাণীগা মাগী মপুরোইবগী য়ারী য়াখোং পুম্নমক খঙলে। কল্যাণীদি মপু-রোইবগী মিং পন্দে, পনবস্থু ওমদে, অতুবু অতৈ অতৈ মরম অমুম হংথরকপদা ব্রহ্মচারীতু মশক খঙলে। মানা হংলকই, "নহাক মহেন্দ্রগী মুপী ওইরে।" কল্যাণীতু মতুগী পাউথুম করিমতা পিবা তৌদনা শঙ্গোম ডৌখিবা মৈ অতুদা মমাই নুকথ-রতুনা শীং অমুম ইমশিন্দুনা লৈরে। অতুদগী ব্রহ্মচারীনা অমুক হায়রকই, "নহাক ঐনা হায়রিবসি ইল্লু, শঙ্গোমতু থকউ, ঐহাক নংগী নপুরোইবগী ঈ-পাও লৌরুগে। নংনা শঙ্গোম থক্তুবদি ঐ চংলোই।" কল্যাণীনা হায়রকই, "ঈশিং খজিক্তং অতুক লৈ-লাক্তব্রা ?" ব্রহ্মচারীনা ঈশিং পুন লৈকমতু তাক্লে। কল্যাণীনা মখুবাক য়ারে, ব্রহ্মচারীনা খুজোক থম্না ঈশিং হৈথবিরে। অতুদগী কল্যাণীনা ঈশিং খুজোক্তু ব্রহ্মচারীগী মখোং ময়া তম্না পুশিন্নগা হায়রকই, "ঈশিংসিদা নংগী খুয়াগী উফুল পিনবিয়ু।" ব্রহ্মচারীনা মখোংবী-তুনা ঈশিংতু শোক্লবদা কল্যাণীনা ঈশিং খুজোক্তু থক্লে, অতুগা হায়রকই, "ঐহাক অমৃত থকচরবনি—অতৈ অমুক চানবা তাকপি-রকনু, ইপুরোইবগী পাও কংব্রিবথৈ ঐ করিগুম্বা অমতা চাজরোই।"

নৈথক্কুদা শঙ্গোম ঙৌরে। শঙ্গোমছু শৌরবা তুংদা কল্যাণীদা লানশিন্নগা হায়রকই, "ইমা নচানুপীদসু থবা পিথকউ, অমসু থবা থকউ। অহুগা মতুংদা বাংলাং ঙাংনরসি।" কল্যাণীনা মপল্লাই হরাওনা মচানুপীদবু শঙ্গোম পিথকপা হৌরক্লে। মতমদুদা নিপ তুনা "ঐ অমুক লাকে, নহাক করিমতা চংনদনা লৈরম্মু" হায়বন্নগা নান্দর অহুবগী থোকত্রে। ঙহাক লৈরগা মহাক্না অমুক হন্নকপদা উরে, কল্যাণীহ মচাবু শঙ্গোম পিথকপা লোইরেদি হায়রবু মহাক মশাদি করিমতা থক্কু, হান্নগী শঙ্গোমছু থোইনা ইবেং লেংদনা অহম্মক লৈবম্লে, খরিক্কমক মল্লেং তাই। মহু উবদা নিপান্না হায়রকই, 'ঈমা! নহাক শঙ্গোম থক্কুবোয়রে, ঐ অমুক মপান্দা চংথোকলুবিগে; নহাক শঙ্গোম থক্কুবদি ঐ হল্লরোগ।"

ঋষিগা মাম্নবা নিপাহু অসি হায়বহুনা মপান্দা চৎকে থোবাংলক্লে, মতমহুদা কল্যাণীনা অমুক হন্না মাবু থুরম্নহুনা মথুং লোম্নরকই।

বন্দা লৈবহুনা হায়রকই, "করি ঙায়নিংই?"

মহু ভাবদা কল্যাণীনা হায়রকই, "ঐবু শঙ্গোম থকউ হায়না নযাথং তাকপিগনু। মহু য়াদবা মরম থরদং লৈ। ঐহাক থকচরাই।"

মতৌঙদা বন্দা লৈবহুনা য়াম্না মেওলবা খোঙ্‌দো হায়রকই, "করম্বা যাদবা লৈবগে, ঐঙোন্দা হায়বু, ঐদি বন্দা লৈবা ব্রহ্মচারিনি, মং ঐগী ইচানুপীনি, ঐঙোন্দা হায়দোকপা য়াদবা নংগী করম্বা য়াকম অমুক লৈ? ঐনা উমং মনুংদগী নংবু য়াম্বরিঙৈদা পুরকপা। মতমহুদা, নহাক অরাম থৌমাংবনা নশাহু য়াম্না চোকথনা উই, নহাক করিগুম্বা অমম্বা চাম্নবদি করম্না হিংনি?"

মহু ভাবদা কল্যাণীনা মমিত্তা পিগী ঈয়া চেল্লহনা হায়রকই, "নহাক্তি লাইনি, মঙোন্দা হাযদোকচগনি—ঐগী ইপুরোইবু হৌজিক কাওবা কবিমত্তা চাদ-থক্তনা লৈরমখিনি, মহাক্কী মশক্তু উদনা অমদি চারে হায়বা পাউ ফংদনা, ঐ করম্না চারুগদগে ?"

ব্রহ্মচারীনা হংলকঈ, "নংগী নপুরোয়বদি মকম কৈদা লৈ ?"

কল্যাণীনা হায়রকঈ, "মহু ঐ খঙঙ্গদ্রে—মহাক্না শঙ্গোম পিবা চখোকখ্রিবৈদা ডাকুশিংনা ঐবু হুবান্দুনা পুরকপনি।" অহুদগী ব্রহ্মচারী অহুনা মথং মথং অম্তুম হংথরক্তুনা কল্যাণীগা মাগী মপুরোইবগী রারী রাখোং পুম্নমক খঙলে। কল্যাণীদি মপুরোইবগী মিং পন্দে, পনবস্থু ওমদে, অহুবু অতৈ অতৈ মরম অম্তুম হংথরকপদা ব্রহ্মচারীহু মশক খঙলে। মানা হংলকই, "নহাক মহেন্দ্রগী মুপী ওইরে।" কল্যাণীহু মহুগী পাউথুম করিমত্তা পিবা তৌদনা শঙ্গোম ঙৌখিবা মৈ অহুদা মমাই লুকথরহুনা শীং অম্তুম ইমশিন্দুনা লৈরে। অহুদগী ব্রহ্মচারীনা অমুক হায়রকই, "নহাক ঐনা হায়রিবসি ইল্লু, শঙ্গোমহু থকউ, ঐহাক নংগী নপুরোইবগী ঈ-পাও লৌরুগে। নংনা শঙ্গোম থক্তবদি ঐ চংলোই।" কল্যাণীনা হায়রকই, "ঈশিং খজিক্তং অহুক লৈ-লাক্তব্রা ?" ব্রহ্মচারীনা ঈশিং পুন লৈকমহু তাক্লে। কল্যাণীনা মথুবাক য়ারে, ব্রহ্মচারীনা খুজোক থম্না ঈশিং হৈথবিরে। অহুদগী কল্যাণীনা ঈশিং খুজোক্তু ব্রহ্মচারীগী মখোং ময়া তম্না পুশিন্নগা হায়রকই, "ঈশিংসিদা নংগী খুয়াগী উফুল পিনবিয়ু।" ব্রহ্মচারীনা মখোংবী-হুনা ঈশিংহু শোক্লবদা কল্যাণীনা ঈশিং খুজোক্তু থক্লে, অহুগা হায়রকই, "ঐহাক অমৃত থকচরবনি—অতৈ অমুক চানবা ভাকপিরগসু, ইপুরোইবগী পাও ফংজ্রিবথৈ ঐ করিগুম্বা অমত্তা চাজরোই।"

মত্তু তাবদা ব্রহ্মচারীনা হায়রকই, "নহাক নিংঙাইবা মৈতনা মন্দির মনুংসিদা অমুম্মক লৈয়ু, ঐ হৌজিক নপুরোইবা থিবা চৎলগে।"

## তরুকশুবা মতাং

অহিং ফনা থেং জল্লক্লে। থাজনা কোক্কোন্দা থোক্লি। পুণিমা নত্তে, মঙাল পংশেং শেংদে। পাক্লবা লমহাং অমদা অমম অঙান য়েৎশিন্নবা শেংকাশুবা মঙালদু তারি। মঙাল অহুনা লমহাংগী মতাই অমদগী মতাই অমা উবা ফংদে। লমহাংদা করি লৈবা, কনা লৈবা, করিমতা উদে। লমহাংদু মপাল নাইদ্রবা মীখোন তাদ্রবা অকিবগী তুঙনফম ওইনা তৌই। লমহাংদুগী ময়াইদা মুরশিদাবাদ অমসুং কলিকাতা চৎনবা লম্বী লৈ। লম্বীগী নাকন্দা পীক্রবা চীং অমম্ব লৈ। চীংথক্কুদা হৈনৌনচিংবা উ কয়া হৌরি। উশিংদুগী মতোন্দু থাজ-মঙালদা ইরং-লংনা ফর-ফর হাইরি, মত্তুগী মমিনা অমুবা নুংথক্তা অমুবা মুনা তনিক তনিক তারি। ব্রহ্মচারীদু চীংদুগী মতোন্দা লেপ্লহুনা চিক্লা মনা থাঙৎতুনা তারি,— করিনো তারিবহ, মত্তদি হায়বা ঙমদ্রে। মপাল নায়দ্রবগুম্বা লমহাংদুদসু করিগুম্বা মখোল অমত্তা তাদে— উপালশিংগী শ্রো শ্রো হায়বা মখোল নত্তনা। মায়কৈ অমদা চীংখোং ময়াদা চাওরবা উমং লৈ। মখত্তনা চীং, মখাদনা শোরোক, মরক্তনা উমং অসিনি। মকম অদুদা করি খোঞ্জেল থোকখিবা,- মত্তদি খঙদ্রে— ব্রহ্মচারীদু মায়কৈ অদোমদা চৎখ্রে। শুম্লবা উনুংথুদা চংলক্লে, অদুগা উমঙ্গ উনুংদুগী উপালশিংগী মল্লবা উখাদুদা মী পঙেং পক্কে কমলি

মীপুম্বু য়াং চাওই, মুশিন মুই, খুৎলাই পায়, উগী কারক্তা তারকপা থাবল মঙাঙদা। মখোয়গী ফেংদোক্লবা খুৎলায়শিংতু ঈয়ং লংলি। অঙম্বা মওংগী মী চনিথক ফম্লি— য়া মচেৎ অমকাও ঙাংদে। ব্রহ্মচারীহু তপ্পা তপ্পা মখোয়গী মরক্তা চংখ-ত্থনা ঈঙ্গিত অমথক তৌই— কনামত্তা হোৌগত্তে, কনামতা য়া ঙাংদে, মখোল অমা কাওবা থোক্কে। মহাক ময়ামত্তুগী মমাংদা ময়ামতু য়েংল-য়েংলহুনা অম্বম চৎলি, অমম্বদা মমায়তু মুম্না মুম্না য়েংলি, কনাগুম্বা অমা খিবদা থেংনদবগুম তৌরি। অম্বম থিরকপদা মী অমা খঙসক্লহুনা মশাত্থু পায়রগা ইঙ্গিত তৌরকই। ইঙ্গিত হেক ফংবদা নিপাত্থু হোৌগৎলক্লে। ব্রহ্মচারীনা মাবু পুত্থনা খরা থাপ্পা চৎথোরক্লে; নিপাত্থু পাখংনি—কুঙনা মুরবা কোই ময়াম্না মাইথোংত্থু ইকুপ কুপশিল্লি—মহাক্ত মশা-মউ ফয়বা নিংথিজরবা মীশক্লি। মহাক গেরুয়া শঙবা ফি শেংল্লি —ময়াইবক্তনা চন্দম্না লৈজেংলি। ব্রহ্মচারীনা মঙোন্দা হায়রকই, "ভবানন্দ, মহেন্দ্রসিংহগী মরা-মপাও তাব্রা ?"

মত্তুদা ভবানন্দনা হায়রকই, "মহেন্দ্রসিংহত্থ ওসি অয়ুক মত্থু মচা পুগহুনা ময়ুম থাদোকতুনা লাকপদা মী-থুংকমশঙদা—"

মতাং অসি য়োৗরক্লপদা ব্রহ্মচারীনা হায়রকই, "মী-থুংকম-শঙদা থোকখিবনা থৌ-রাক্ত ঐ খঙলে। কনানা তৌখিবনো ?"

ভবা। লরাইগী লৌমীশিংনা ওইরমগত্রা খল্লি। হৌজিক্তি লরাই-থরাই পুম্বগী লৌউ-শিংউবা পুম্নমক চাবা ফংনদত্থনা ডাকু ওয়া ওনগ্রে। তৌজিক্কী মতমদবু ডাকু ওইদবা কনা লৈরিবগে ? ঐখোয়না ওসি লুট তৌহনা চাই—কোতওয়াল সাহেবকী চেং [illegible] অনিমক পুত্থনা চৎখি—মত্থু লৌরগা বৈষ্ণবশিংবু পিজ্ঞ পিথক তৌরবনি।

ব্রহ্মচারীনা নোঙ্গ্রহুনা হায়রকই, "হুরানবাশিংগী মখুওগী ঐ মাগী মতু মচাম্লুদি কল্লে। মখোইবু লাইশঙদা থনম্লবনি। হৌজিক নঙোন্দা শিন্নম্লিবদি, মহেন্দ্রবু থিরগা মাগী মতু মচাসি মঙোন্দা শিন্নবিয়ু। মফম অসিদা জীবানন্দ থনম্লগা থবক পাঙ্থোকপা অহুম্মক লাগনি।"

ভবানন্দহ লারে। অহুদনিদি ব্রহ্মচারীহ্ন আতোপ্পা মফম অমা তাম্লা চৎখ্রে।

## অরেৎ শুবা মতাং

মী-থুংফম-শঙদা ফমহুনা রাখল নুংবংননা লৈরগা করিমতা কমুররাবাই থঙ্গুহুনা মহেন্দ্র হৌগৎলক্লে। সহরদা চৎলগা অঙম-অথৌশিংগী মতেং লৌহুনা মতু-মচাবু থিগে হায়না রাখল তৌহুনা মায়কৈ অদোমদা চৎলক্লে। থরদং চৎলগা লম্বীদা, ম্বণগাড়ী থরবু কোইশিল্লহুনা সিপাই ময়াম অমা চৎপহ্ উবক্লে।

১১৭৬ সালদা বাঙ্গালা দেশতি ইংরেজগী মখা পোন্দ্রি ; মতমহুদা ইংরেজনা বাঙ্গালাগী দেওয়ান্নি। মখোয়না খাজনা খোমগৎলি, অহুবু মতমহ্ ফাওবা বাঙ্গালীগী থম্মাই, লন-থুম পুম্নমক কম্ননবা মখোয়গী মথৌদাং ওইনদি করিমতা লৌদ্রি। লুপা লৌথৎনবগী থবক্না ইংরেজশিংগী—অহুগা থরায়, লন-থুম কম্ননবগী থবক্না তোল্লবা, পাপী, থাঞ্জকম লৈত্রবা, তুকচফম ওইরবা মীরজাফরগা। মীরজাফরদি মশা ফাওবা কনজবা ঙমদ্রবা মীশক্নি, করম্না মানা বাঙ্গালাবু কনগনি ? মীরজাফরদি কানিগী নেশাদা তাওই অহুগা তূম্মি। ইংরেজনা লুপা খোমগৎলি অহুগা ডেসপ্যাচ ই। বাঙ্গালীনা কপ্পি অহুগা মরু কনা মাঙভি।

মরম অত্তুন। ব'ঙ্গলাগী খাজনাদি ইংরেজগী শেঙ্গাওদা। অত্তুবু লৈবাক ঙাকং মা নবাবকী মথুক্তা। ইংরেজশিংনা, মখোয়না কংক্রম থোক্তনা মখোয়না খাজনা খোমগৎপা লমশিংহুদা, মখোয়গী কালেক্টর অমমম হাপ্লি। খাজনাশিংহু খোমগৎলগা কলিকাতাদা পুথ। চানিংঙাই লৈতহুনা মী শিনিংলগা শিজ্জো, খাজনাদি খোমগত্তবা য়াদে। অত্তুবু অত্তুক হাক্লা পংথোক্তি থোক্তে,— মরমদি, ইমা পৃথিবীনা লল পিথোকপিরক্তবদি কনানস্থ লল খোমজিনবা ঙমদে। অত্তুম ওইনমক, খরদং থোকপত, গাড়ীদা হাপচিল্লগা সিপাইশিংনা ঙাক্লহুনা কলিকাতাদা কোম্পানীগী লনগৈ তাল্লা পুরি। হৌজিক্কী মতমসিদি ডাকু ডরোংগী য়াম্ন। কিনবা মতমনি, মরম অসিনা খুৎলাই পায়বা সিক্কাই য়াশ্নেন। গাড়ীগী মাং-তুং পূমকোয় কোয়শিল্লহুনা সঙ্গীন থেৎলহুনা চংলি। মখোয়গী মকোক্ত গোরানি। গোরাহু খ্বাইগী তুংদা শংগোল তোংলহনা চংলি। নুংশা কনমম্দুনা অয়ুক নুংথিন্দা সিপাইশিংহু চস্ত্রে, সুম্মিদাংতদা চংলি। অস্তুম লাকপদা খাজনাগী গাড়ীগা সিপাই-শিংগনা মহেন্দ্রগী লম্বী থৎলরে। মহেন্দ্রনা সিপাইগা ষণগাড়ীগনা লম্বী থিংখিবহু উবদা, নাকন্দা থৈদোক্তনা স্নেপ্লে, অহুমক্তদা সিপাইশিংহু মঙোন্দা ঙাথু-থেংথুরহুনা চংলি—মহু খংল-উরবা কাওবদা মহাক্লা হৌজিকমক খৎনরুরবদি মতম চাত্রি থল্লহুনা লম্বেল ময়াহুদা লৈবা উমংগী মচি তাল্লা চথোক্তনা লেপ্লে।

মতমহুদা সিপাই অমনা হায়রকই, "এহি একঠো ডাকু ভাগতা হৈ।" মহেন্দ্রগী মথুক্তা নোংমৈ পায়বহু উবদা রাক্ষমহু অমুকা হেন্না থাজবা পোক্লে। মহাক্লা তাল্লরক্তনা মহেন্দ্রগী মথৌরি চরম পায়ররে অহুগা "শালা চোর"—হায়রহুনা খঙহৌদনা খুত্বুম্না তম্বরে, নোংমৈহুস্ম মুল্লে। মহেন্দ্রহু খুৎলাইকা করিমতা মাঙ্জিনা খুত্বুম অমা তিংখত্তনা হল্লে। মহেন্দ্র কা খরা হেন্না

শংগনিংবা পোক্কপ্রমাগ্নে। থুংমহ চংবদা সিপাইশু উক্ক উক্ক লৈতনা রাম্ভুনা লৈমাগখক্কা তুপ্রে। অহুদগীদি সিপাই অহুম মরি চেনশিল্লকুনা মহেন্দ্রবু কারগা কম্না চিংলতুনা সেনাপতি সাহেবকী মনাক্ত তাম্না পুরক্লে অহুগা সাহেবতা. ন্িপাসিনা সিপাই অম্না হাংনে হায়না কায়রক্লে। সাহেবতু কাহুপ থরুম্মী। য়ুগী লেপ্পানা খরদংশু ডাওত্রং কৈত্রকাম্মী, হায়রকই, "শালাকো পাক্কাড় লেকে হ্যাদি করো।" সিপাইশিংত্ব ডাক তাক্লে; নোংমৈ পায়বা ডাকুু মখোয়না করমনা নুংহোংগদৌরিব্নো?" অহুবু নেপা কোক্কগা সাহেব জ্ঞান তাররকসিনি, নুংহোংগদবা লৈতেহায়না খল্লহুনা সিপাই অহুম মক্কিবা মণগাড়ীগী খোঙ্গীনা মহেন্দ্রবু মখোং মখুক্ক পুন্নশিল্লগা মণগাড়ী মথক্কা থাকংলে। মহেন্দ্রনা উই, অস্নুক য়াম্বা মীয়ামসিগা পাঙ্গল মুরুক্কবদি অমেম্বনি, মুরুহুনা নাম্মোক্লগবু করি কাম্নকম লৈ? মতু-মচাগীদমক্তা মহেন্দ্রদি মতমগুদা মপন্নাই ওস্মোক্লা নুংঙাইতনা লৈপ্রে, হিংনিংবা করিমতা পোকখিদ্রে। সিপাইশিংনা মহেন্দ্রবু চেকশিল্লা গাড়ীগী চাকাগা পুনশিল্লে। অহুদগী সিপাইশিংত্ব শাজানা পুহুনা হাম্না চৎপা খোংচৎতুদা অহুম্মক য়াম্না তপ্পা তপ্পা চৎলক্লে।

---

## নিপাললুবা মতাং

ব্রহ্মচারীগী য়াথং ফংলহুনা ভবানন্দনা তপ্পা তপ্পা হরিনাম শোল্ল-শোল্লহুনা, মহেন্দ্রনা ফম্লম্বা মী-থুংকম-শঙ অহুগী মারকৈ তম্না লাক্লে। মক্কম অহুদা মহেন্দ্র খিবা ফংবস্থ য়াই হায়না মানা খল্লি।

মতম অহুদদি ইংরেজনা শেৱা হৌজিক মতমগী লম্বী-শোমোকশিজদি লৈমক্লে। নগর পুন্নমক্কগী কলিকাত্তা তাম্না

লাকপা ভারবর্ষি মুসলমান সম্রাটনা শেষ ওক্লবা লম্বীদা লাকপা তাই। মহেন্দ্রগী পদচিহ্নদগী নগর তাম্না লাকপদা খারোমদগী অরাং মাইকৈ পাংলকই। মরম অসিনা লম্বীদা সিপাইশিংগা মাগা থেংনবনি। তালপাহাড়দগী মী-থুংকমশঙগী মাইকৈরোমদা লাকপা ভবানন্দসু খা মাইকৈদগী অরাং অমুম পাংলকপনিনা খিন্দনমক লনস্তাকপা সিপাই কাংবুত্তুগা থেংনরে। মহাকসু মহেন্দ্রনা তৌবগুম সিপাইশিংতুগী নাকন্দ: থৈদোক্লে। সিপাই-শিংতুগী মপুক্লিংদা, হন্দক মখোয়না পুরিবসি ডাকুশিংনা শোয়দ-নমক লুট তৌনবা লাকগনি হায়বসি হাম্না কল্লা খাজত্না লৈরিঙৈদা, মমথাংদা ডাকু অমসু থেংনত্তুনা কায়রক্লে; অত্তনদি হন্দক্লমুক অহিংদা ভবানন্দবু লম্বী ময়াদা থেংনবসিদা মখোয় মহাকপু ডাকু অমনি হায়বসি চিংনদনা লৌখে। অত্তনা সিপাই-শিংনা থুক্ক মক্তদা মহাকপুসু কারে।

ভবানন্দনা মোমোন তৌরত্তনা হায়রকই, "করিগী ফারিবনো?"

সিপাইনা হায়রকই, "নহাক শালা ডাকু অমনি।"

ভবা—উত্রা, অদি গেরুয়াগী ফীজোন শেৎপা ব্রহ্মচারী অমনি, ডাকুশিংনর অমুম্না তৌব্রা?

সিপাই—শালা ব্রহ্মচারী সন্ন্যাসী য়াম্না য়াম্না লুট তৌই।

অসি হায়রত্তনা সিপাইত্তনা ভবানন্দবু মঙক লাক্তনা ইল্লগা পুমক্লে। ভবানন্দগী মমিত্তু ঙমথত্তদা মৈরি থোকপগুম তৌখ্রে; অত্তবু মহাক অতৈ রা মখা তাদনা য়াম্না নোম্লুক্না হায়রকই, "প্রভু, করি তৌজো হায়বগে তাকপিয়ু।"

সিপাইত্তু ভবানন্দগী নোম্লুকপা রাঙাওত্তুদা পোনত্তনা হায়রকই, "জে শালা, পোৎয়োমসিমা নকোক্তা থোংত্তনা পু।" অসি হায়-রক্লনা সিপাইশিংনা ভবানন্দগী মকোক্তা পোত্থয়োম [illegible] ঙাক্থংলক্লে। [illegible] মচোন্দা হায়রকই, "মথু কল্লে, লৈখিদ্রে।

শাড়াঁ অম্মা পুন্দুনা থম্লিবা গাড়ী মথকতুদা শালাসিংবুই পুন-শিন্দুনা থম্মু।” মতু তাবদা ভবানন্দনা, কনাবু কাওনা পুরিবনো হায়রবসি কন্না য়েংনিংবা অমা পোক্লক্লে। মতুংগী ভবানন্দনা মকোক্তগী পোৎয়োমদু লৌথরগা, মহেন্দ পোৎলোন থুংনবা সিপাইদু তম্না হোৎচিন্দুনা মথক্তাইদা থুবাক্লে ... থ..
মতুংদদি সিপাইশিংতুনা ভবানন্দবুসু পুন্সিল্লগা গাড়ী মথক্ত মহেন্দ্রগী মনাক্তা ইনশিন্দুনা থম্লে। ভবানন্দনা মশক খঙলে, অমদু মহেন্দ্রসিংহনি।

অতুংদগী সিপাইশিংদু অমুক হন্না নাচুবা নৈতনা ইরাং-লাংলদুনা চৎলক্লে, মণগাড়ীগী চাকানা গ্রোং গ্রোং হায়বা মখোলদু থোক্লি; মতমদুদা ভবানন্দনা য়াম্না লোম্না মহেন্দ্রতমক তানবা খোন্থা দা হায়রকই, "মহেন্দ্রসিংহ, ঐ নংবু খঙই, নংগী নক্তে পাংমবা ঐ মকমসিদা লাক্লিবনি ঐ কনানো হায়বা নং হৌজিক খঙলদুনা কান্নদে। ঐনা হায়রিবসি য়াম্না চেকশিন্না তৌ। নংগী নখুত্তা পুল্লিবা থৌরিদু গাড়ীগী চাকা মথক্তা থম্মু।"

মহেন্দ্রদু পুমঙক ঙকখ্রে। অদুবু অমুক ৱা ঙাংবা তৌদনা ভবানন্দনা হায়রিবা থবকতু তৌরে। অমঘদা গাড়ীগী চাকা মনাকলোমদা থরদনা চংশিল্লগা মখুত্তা পুল্লিবা থৌরিদু চাকা মথক্তা শম্লনা থম্লে। চাকাগা তরুবতুদা থৌরিদু তথলে। অতুংগী মখোঙগী থৌরিদুসু অতুম্না থদথলে। অসুম্না পুল্লিবা পুরদু লোথোক্লবা মতুংদা ভবানন্দনা তাকপা মতুংইন্না তুমিন্না গাড়ী মথক্তা হিপথদুনা লৈরে। ভবানন্দসু মহক্কো অতুম্না পুল্লিবদু থাদথলে। মবানিমক তুমিন-তুমিন্না লৈ।

অতুংগী মনাক্তা শোয়োক্তা লেপতুনা ব্রহ্মচারীনা মাইরে মরি কোইয়েং য়েংথিবা, লম্নী মদোমদা মখোমদু চৎকদোকিবনি। সিপাইশিংদনা চীং অতুংগী মনাক-য়োমলংদা চীংগোয়া মৈদত্রু

অমত্তা মী অমথক লেপ্তুনা লৈবা উরক্লে। থাগী মশাক্না লৈত্তে লবা শংবাব্রবা আত্তিয়াদা মাগী অমুবা মশাত্তুনা অয়েকপগুম লৈরিবত্তু উবদা হাওলদারনা হায়রকই, 'শালা অমত্তু আদা লৈরে। কাত্তুনা পুরকউ। পোৎ পুনহন্সি।" মত্তু তাবদা সিপাই অমথক কাবা চংথ্রে, সিপাত্তুদি অত্তুম্বক লেপ্তুনা লৈ ভক্লেং লেংদে। সিপাইত্তুনা মাবু কারে। মশাক মা মচেং অমকাওবা ভাংদে। কারণা মাবু হাওলদার মনাক্তা পুরক্লে, অহ কাওবা রা ভাংদে। হাওলদারনা হায়রকই, "মাবু পোৎয়োম অমা পুহল্লু।" সিপাইনা মকোকভুদা পোৎয়োম অমা থোনগৎলে, মশাক তুমিন্না অত্তুম্বক পুরে। অরুদগীদি হাওলদারত্তু তুংলোমদা হনখিহনা গাভীগা লোয়ননা চংলক্লে। তাঞ্জাত্তুদা খংহৌদনা পিস্তলগী মখোল অমা তারক্লে। হাওলদারত্তু মকোক্তা পান্দুনা লৈশায়থক্তা ওথ-ওত্থনা মথমাই লানথ্রে: "শালাসিনা হাওলদারবু হাৎলে" অসি হায়রত্তুনা সিপাই অমথক্তা পোৎ পুহল্লিবা নিপাত্তুগী মখুৎতু তাপ কাররে। নিপাত্তুগী মখুত্তা মতমত্তুক্কাওবা পিস্তল পাররি। নিপাত্তু মকোক্তগী পোৎয়োম লংথরগা পিস্তল মনিং মমাং ওন্না পায়রত্তুনা সিপাইত্তুগী মকোক্তা কক্না খুথরক্লে; সিপাই মকোক কায়রে, তুমিন্না অত্তুম্বক লৈখ্রে। তাঞ্জাত্তুদা 'হরি! হরি! হরি!' হায়না লাওরহনা খুৎলাই পারবা মী অমথক হোৎনজত্তুনা সিপাইশিংত্তু কোয়শিন্নরে। মতমত্তুদা সিপাইশিংত্তু সাহেব য়োরকপা ভাইত্তুনা লৈরি। সাহেবত্তু তাকুসিংদা লেংনরে হায়বা খললহনা কিদনা অাভী মসাক্তা থাকত্তুনা ওয়োনথরি শানা লেপনবা হুকুম লৌরে। ইংরেজশিংগী লোয়াদি অবাবা তারবা মতমদা অত্তুম কোকখি। খুদকত্তু মতুদা সিপাইশিংত্তু মাইকৈ অশিদা ময়াম খোত্তুনা কোনা-মখি শানা লংগে। হুকুম অমুক কত্তুনা মথোয় পুন্নমক নোংমৈ চিওহনা লোক রা খংহৌদনা সাহেবকী মত্তমদগী রাংথান্ত্তুনা মালো

অমনা মুনখ্রে। হেক মুনখিবগা থাংল্লান অমুক্তা মকোকতু ককখ্রে। সাহেবতু মকোক কেল্লহনা শগোলথক্তগী ওন্থখ্রে, মহাক অমুক ফায়ারগী হুকুম তৌরম্বা নংদ্রে। ময়াম পুম্নমক উনরক্লে, নিপা অমথক গাড়ীগী মথক্তা লেপ্লগা মথুক্তা থাংশাং পায়রহুনা 'হরি হরি' হায়না লাউরি, অতুগা 'সিপাই হাংলো, সিপাই হাংলো' হায়না হায়রি। নিপাসু ভবানন্দনি।

খণ্ডহৌদনা লুচিংবগী মতক কেনখিবস্থু উবনে অত্তুগা মশা কম্লবা কনানসু হুকুম পিরক্তবনে সিপাইশিংহু ওহাক কিনা চমম্লনা লৈখ্রে। তাম্লকৃসিদা মথৌনা ফরবা ডাকুশিংহনা মখোয় অয়াম্বা ফুবগা হাৎপগা তৌহনা গাড়ী মনাক তাম্লা চংশিল্লক্লগা লুপাগী উপু পুম্নমক্ত মথুৎ চনখ্রে। সিপাইশিংহু লিঙবা কায়রহনা অমদি মায়থিরহনা অত্তুম্মক চেল্লখ্রে।

অত্তুদগী লৈতোংদা লেপ্লম্বা, অদুগা মতুংদনা লালগী লুচিংব, ওইখিবা নিপাসু, ভবানন্দগী মনাক্তা চংলক্লে। মবানিমক লোঙ্গোম্ন-রবা মতুংদা ভবানন্দনা হায়রকই, "ভাই জীবানন্দ, নংগী ব্রত মহৈ য়ালহল্লে।"

জীবানন্দনা হায়রকই, "ভবানন্দ! নম্রিংহু অমাও-অত: লৈত্রসনু।" মুলহৌবা ললশিংহু মকম চানা পুখিনবা জীবানন্দনা থৌরাং তৌরে, অত্তুদগী মাগী খোঙলোইশিংগা লোয়ননা মহাক থন্দনমক মকমত্তুদগী চংখ্রে।, ভবানন্দ মথন্তমক লেপতুনা লৈহৌরে।

---

## মাপলস্তুবা মতাং

মহেন্দ্রনা গাড়ীদগী কুমথরগা সিপাই অমগী খুৎলাই হুরানদা লাল অত্থু য়াওনবা থৌরাং তৌরকই, অদুবু খুকতুদা মহাক অংগেনা উবরক্লে, মখোয়সু ডাকুডাকি; লন-থুম মুন্নবা সিপাইশিংগা

[illegible]রিব্রিম্না। [illegible] মহাক জাম্নকমন্থ খাদোকতুনা [illegible] [illegible] লৈরে। মকখদি ডাকুশিংতুগী মতেং পাংলবদি [illegible] মখোয়গী [illegible]-লমচংকী শরক য়াবা হায়রন্থ তায়ে। [illegible] [illegible] থাংখাদ্ধ লংখোরগা তশা। তশা মহাক মকখ[illegible] [illegible] মতম[illegible] ভবানন্দ-লাক্‌না মালী মমাঙ্গা [illegible]।
মহেন্দ্রনা [illegible], "মহাপুরুষ, কনানো নঙ্‌?"

ভবানন্দনা হায়রকই, 'মহ খঙলগা নংগী করি কাম্নম কৈরগে?'

মহেন্দ্র—খরদং কাম্নবা লৈ। ওম্নি নংনা ঐগী মমল য়ামনকা ইতেং পাংবিরে।

ভবানন্দ—রাখল মহ মহাক চেনমগনি হায়বা উদে—[illegible] পান্নবগা হন্দোকতুনা লৈবা ওম্মী। জমীন্দারগী মচা হায়[illegible] ঘি শক্তোম কোইশিনবদদি মথুং অমি থায়—থবকী মতমদনা করাংদা লোৎশিল্লি।

ভবানন্দগী রাঙ্ক লোইরগ লোকাত্রিউদা মহেন্দ্রনা ভুরচবগা [illegible] হায়রকই, "মশিদি কম্বরা থবক্লি—লূট তৌবনি।"

ভবানন্দনা হায়রকই, "লূট ওইরবস্থ ঐখোয় নংগী নত্তে খরদি পাংলে। অতৈ খরদংগা পাংখিগে হায়নস্থ খল্লি।"

মহেন্দ্র—নখোয়না ইতেং খরদং পাংবিরিবসিদগী অতৈ [illegible] পাংবিখিগে হায়রিবা? অম্ন্থা ডাকুশিংনা ঐগী য়াইকনবা শিন[illegible] খরকপুদি ঐহাক অরাবা নবেনা হেন্না কৈ।

ভবানন্দ—রাইকবন্থ লোগে লৌগোই হায়বদি নংগী রাখদি। লোগে খল্লগা ঐগী ইতুং ইল্লকউ। নংগী নতু-মচাগা উনহনগে।

মহেন্দ্রন্থ মমাই থংগৈ লৈজিল্লকই। অম্নগা হায়রকই, "[illegible]ইবরনে?"

ভবানন্দনা পাউখুম অম্নুক পিরবা তৌদনা চংপা হৌরক্লে। [illegible]হেন্দ্রগ অতুং অম্নুম ইনম্নক্লে—মপুম্নিদা অম্নুম খল্লকই. [illegible] মথাঙ্গী [illegible]?

## ভরাশুবা মন্তাং

থাবল ফববা অহিংতুদা মখোয় অনিমক রা-লাং অমতা হাংনদনা লক্ষাংতু লাম্ছোবক্লে। মহেন্দ্রতু রা ডাদে, অরাবনা নুংবংনৈ নাপলনা থুক্ষাংলি হাইরপস্থু লাংতৈক্লে।

ভুবানন্দদি খড়্রহৌদনা অতোপ্না শক্রম ...অমা ...ক্রে। হাম্নগী চিং-লেম্বা মাং-হাদবা সন্ন্যাসীতু ওইখিক্রে; লালদা হৈ-শিংব অথোবগী শক্রম লাম্মী-মকোক্কী হিচা-য়াইতম্বগী শকওং পুম্নমক নাঙক্লে। হৌ জক্কা নাপলগা লোয়ননা মহেন্দ্রবু চৈখিবা শক্রমদুস্থু লৈখক্রে। থাবল ইপোম লাংলবা ইংলবা মালেমগী লক্ষাং লৈকোল-নগব তুংবলন। থল্লবা নিংথিবতু উবদা মহাক্কী থম্মোইথ হায়নিংাই লৈতনা মকা-লাম্বশুম তৌক্রে। মমদ্রনা থা-মঙাল ফংলকপদা নোকপগুমক্রে। ভুবানন্দতু হরাও মিনোক্লা থল্লবা, রাঙাং-হৈরবা, রাতা মুংশিবা মীশক ওইক্রে। রারি রাতাই শানবা য়াম্না লাংতক্লরক্লে। ভবানন্দনা রারি শানবা কন্না লাক্লরকই, অহবু মহেন্দ্রদি রা ডাংখক্রে। মতৌতুদা ভবানন্দ উপায় লৈত্রতুনা মথক্লা ষ্টৈল শকপা হ্রোবক্লে

"বন্দে মাতরম, *

সুজলাং সুফলাং মলয়জশীতলাম

শস্যশ্যামলাং মাতরম।"

মহেন্দ্রতু ইশৈসি তাবদা হাইবেং ওকই, অ্যা তাবা ওমক্রে—সুজলা, সুফলা, মলয়জশীতলা, শস্যশ্যামলা। হায়রিবী ইমাসি কনানো? হংলকই, 'ইনা হাবববু কনানো?" পাওখুম পিবা তৌদনা ভবানন্দনা শকথরকই—

---

* মল্লার কাওয়ালী তালদা—বন্দে মাতরম অসিনচিংবা।

"শুভ্র—জ্যোৎস্না—পুলকিত—যামিনীম্,
ফুল্লকুসুমিত—দ্রুমদল শোভিনীম্
সুহাসিনীং সুমধুরভাষিণীম্,
সুখদাং বরদাং মাতরম।"

মহেন্দ্রনা হায়রকই, "মসুদি লৈপাকপুনি, ইমাদি নত্তে।"

ভবানন্দনা হায়রকই, "ঐখোয়গীদি অতোপ্পা ইমা অমা লৈতে। জননী জন্মভূমিশ্চ স্বর্গাদপি গরীয়সী। ঐখোয়না, পোক্নফম লমদমতবু—ইমানি হায়না লৌই, ঐখোয়গী ইমা লৈতে, ইপা লৈতে, ইচিন-ইনাও লৈতে,—নুপী লৈতে, ইচা লৈতে, যুম লৈতে, ইংখাল্ লৈতে, ঐখোয়গী লৈজবা হায়বমক্তবু সুজলা, সুফলা, মলয়জ-সমীরণশীতলা, শস্যশ্যামলা—"

মহু তাবদা ভাব তারক্তনা মহেন্দ্রনা হায়রকই, "অদুদি সিন্নবা শকখে।"

ভবানন্দনা অমুক শক্লকই,—

"বন্দে মাতরম্।
সুজলাং সুফলাং মলয়জশীতলাম্
শস্যশ্যামলাং মাতরম্।
শুভ্র—জ্যোৎস্না—পুলকিত যামিনীম্,
ফুল্লকুসুমিত—দ্রুমদলশোভিনীম্,
সুহাসিনীং সুমধুর ভাষিণীম্,
সুখদাং বরদাং মাতরম্॥
সপ্তকোটিকণ্ঠ—কল—কল—নিনাদকরালে,
দ্বিসপ্তকোটি ভুজৈধৃ্র্ত খর করবালে,
অবলা কেন মা এত বলে।
বহুবলধারিণীম্ নমামি তারিণীম
রিপুদলবারিণীং মাতরম॥
তুমি বিদ্যা তুমি ধর্ম্ম,

তুমি হৃদি তুমি মর্ম্ম,
ত্বং হি প্রাণাঃ শরীরে।
বাহুতে তুমি মা শক্তি
হৃদয়ে তুমি মা ভক্তি,
তোমারই প্রতিমা গড়ি মন্দিরে মন্দিরে।
ত্বং হি দুর্গা দশপ্রহরণধারিণী
কমলা কমল-দল বিহারিণী
বাণী বিদ্যাদায়িনী নমামি ত্বাং
নমামি কমলাং অমলাং অতুলাম্,
সুজলাং সুফলাং মাতরম্,
বন্দে মাতরম্
শ্যামলাং সরলাং সুস্মিতাং ভূষিতাম
ধরণীং ভরণীং মাতরম্॥"

মহেন্দ্রনা উরক্লে, ডাকুহু ইশৈ শক্লা শক্লা মমিত্তা মপি তারি। মতমত্তুদা মহেন্দ্রনা ওকপগা লোইননা হংঙকই "নখোইসি কনা কনানো?"

ভবানন্দনা হায়রকই, "ঐখোয়দি মচানি।"

মহেন্দ্র। মচা হায়বদি করিনো? কনাগী মচানো?

ভবা। ইমাগী মচা।

মহেন্দ্র। করে অহুদি—মচানবু হুরান-চিন্থি তৌহুনা মমাগী পুজা কৎপা হৌনব্রা? মসিবু করম্বা মাতৃভক্তিনো?

ভবা। ঐখোয় হুরান-চিন্থি তৌদে।

মহে। হৌজিক্কা গাড়ী লুট তৌখিবহুদি?

ভবা। মহুবু হুরান-চিন্থি কৌব্রা? কনাগী লুপানো মুল্লিবদো?

মহে। অতৈ কনাগী ওইনি? নিংথৌগীনিদনা।

ভবা। নিংথৌগী? মানা লৌগদৌরিবা লুপাশিংহুদা

মাগী করি করম্বা হক্ জৈ?

মহে। নিংথৌনা কংকম থোকপা খাজানাগী শকক্লি।

ভবা। লৈবাক ঙাক্কবা নিংথৌহক্সু, করম্মা নিংথৌ ওইগদৌরিবানা?

মহে। নখোই সিপাইশিংগী তোপ্পা নোংমদি শোইদনা তম্নবগদবনি।

ভবা। শালা সিপাই যাম্ন থেংনবে—ঙসিসু থেংনবিবহুনি।

মহে। মতা অমা চাদ্রিহনা তৌবনি, নোংমদি খুৎথীবা থোক্লখিনি।

ভবা। মহক্সু কৈ কৈ-দৌগে, অমুক্তনি অনিরক গুরোইদনা।

মহে। অ-বু খঙনা খঙনা শিরগা করি কাম্নে?

ভবা। মহেন্দ্রসিংহ। নংবু ঐহাক অচঙবা মী অমনি হায়না খল্লম্মি, অদুবু হৌজিক্তি খঙলে নহাক মযাম্মক্না অদুম অসাদ্নি ঘী শাঙ্গামগী যমতনি, যেংঙ লিলনা লৈবাক্তা মবুক্না শিংলহুনা চৎলি, মঙোল্লগী হেন্না তোনবা জীবসি ঐ অ'ত থেংনদে, অদুবু লিলগী মশাদা নেৎলুববদি মহাকসু মহু কায়রকই। মহাকী নশাদা খোইবাং খোইশাওনবা হাযবহু খক পোক্ত্রা? যেংঙ, লৈবিবা লৈপাকশিং—মগধ, মিথিলা, কাশী, কাঞ্চী, দিল্লী, কাশ্মীর ময়ামসিগী করম্বা লৈবাক্তা অসুক অরাবা জীভমসি থোকপগে করম্বা লৈবাক্তা মীশিংনা চাবা কংনদহুনা নাপী চানবগে? তিংখং চানবগে, লৈশোবুং চানবগে, লম্লকী উবি চানবগে? করম্বা লৈপাক্তা মীওইবনা হুই-লমহুই চানবগে, অশিবা মী চানবগে? করম্বা লৈপাকী মীনা উপুদা লুপা থমজিল্লগা মপুরিং লৈত্তাদনা লৈনবগে, লাইনুংদা শালগ্রাম লাৎলগা লৈত্তাদনা লৈনবগে, ইমুংদা সুপী-অঙাং থনম্লগা লৈতাদনা লৈনবগে, সুপী-অঙাংগী মীবোনবদা লৈতাদনা লৈনবগে, পুক শেগাইহুনা অঙং কাওবা লোথোকই। লৈপাক পুম্নমক নিংথৌগা লৈমরিবা

মন্নীদি ঙাকপি-শেনবিবনি ; ঐখোয়গী মুসমান নিংথৌসিদি কদাই ঙাকপিরিবা ? ধর্ম্ম লৈত্রে, জাৎ লৈত্রে, ইজ্জৎ লৈত্রে, হৌজিক্তি থন্নাই ফাওবা মাঙশিল্লক্লে। অসিগুম্বা নেশা চাবা মী নত্তবশিংসি তাম্থোকখিদ্রবদি অমুক হিন্দুনা হিন্দু ওইনা লেপ্পা ঙমখিগদ্রা ?

মহে। করম্না তম্থোকখিদৌরিবা ?

ভবা। ফুত্তুনা।

মহে। নং নথম্তনা ? খুবাক্না থাত্তুনা ?

ড়াকুনা শকৎলকই, —

"সপ্তকোটিকণ্ঠকলকলনিনাদকরালে
দ্বিসপ্তকোটিভুজৈধৃর্তখরকরবালে
অবলা কেন মা এত বলে।"

মহে। অত্তুবু নং নথম্তমক ঙাইনা উই।

ভবা। হৌজক্তা মী চনি ঁড়াখবত্তদি ?

মহে। মখোই পুম্নমকতুবু মচারা ?

ভবা। মানি, মচা ঙাক্নি।

মহে। অতৈদি কয়ামুক লৈরে ?

ভবা। অস্তুম্বা লিশিং লিশিং লৈ, মতুংদা অমুকস্তু হেনগৎলকখিনি

মহে। ফরে লিশিং তরা কুনস্থু শুংসম্নু, মস্থনস্থু মুসলমানবু সিংহাসন্দগী তাম্থোকখিব। ঙমগদ্রা ?

ভবা। পলাশীদা ইংরেজগী লান্মী কয়া য়ামখি ?

মহে। ইংরেজগা বাঙ্গালীগা চাংদম্নব্রিবা ?

ভবা। করিগী চাংদম্নবা য়ারোই ? হকচাং কল্লগা হেক্ক মরোইগত্রা— হকচাং কল্লে হায়দুনবু নোংমৈ মক্কনা শাক্কু হেল্লা কম্না চৎপ্রা ?

মহে। অহুদি ইংরেজগা মুসলমানগা অসুক খেন্নরিবসি করিগীনো ?

ভবা। য়েংউ, ইংরেজদি মথরাই থাবা কাওবা চেনদে; মুসলমান্না হুমাং শৌরকপদতা চেল্লি—সরবত কোয়থি থিরকই—অদুগা অমুকসু য়েংউ, ইংরেজশিংদি নিংহনবা হৈত্তে, পায়রুবহুমা ঙম্নবা ত্তাল্লি, মুসলমানশিংদি থৌশাগন্দে। লুপাগীদমক্তি মথরাই থানৈ,—অদুগা সিপাইশিংগীদি তলব কংদে। অদুদগী মরুওইবা অমনা থৌনানি, তোপকী মরু হায়বসি মকম অমথক্তংদা নত্তনা মকম তবাদা থক তাদে—অদুনা নরু অমত্তংগীদমক মী তবা চেল্লকম লৈত্তে। অদুবু মরু অমতং উবদা মুসলমানদি খুল হৌনা চেল্লি। অদুগা তোপ মপৈ মপৈ উন্নবা কাওবদসু ইংরেজিদি অমকাও চেন্দ।

মহে। নখোয়বু হায়রিবা গুণ পুন্নমকতু লৈরব্রনে ?

ভবা। লৈত্রি, অদুবু গুণ হায়বসি উথক্তগী হেক কেল্লকপা নত্তে। অভ্যাস তৌবগতা কংগদবনি।

মহে। নখোয়দি করি অভ্যাস তৌই ?

ভবা। উবেদনা ঐখোয় সন্ন্যাসীনি। ঐখোয়না সন্ন্যাস ওইরিবসি অভ্যাস অদুগীদমক্তনি। থবক পাংথোক্লগা—অভ্যাস মপুং কারগা ঐখোয় অমুক য়ুম পানবগী লম্বীদা চংগনি। ঐখোয়গী ইতু ইচা লৈ।

মহে। নখোয় পুন্নমকতুগী মায়া থাদোকপা ঙম্নবরা ?

ভবা। মচা ওইরবদি মীনম্বা ঙাংবা য়াদে— নঙোন্দা মীনম্বা রা হায়রোই। মায়াবু থাদোকপা ঙম্বা কনানো ? ঐহাক মায়া থাদোক্লে হায়রিবা মীশকতু, মহাক মায়াগী লীপুন কৈদৌ-ঙদা লৈরমদবা অমা—নত্রগনা মীনম্বা রা ঙাংবা অমা শোয়দনা ওইরমগনি। ঐখোয় মায়া থাদোকপা ঙমদে—অদুবু ঐখোয় ... ঙাকই। নহাক মচা অমা ওইগেরা ?

মহে। ঐহাক ঐগী মুপী-অঙাংগী মরা তাদনা মচু হায়বা ভেমদে।

ভবা। অদুদি চংলা, নংগী মুপী অঙাং উনরুরগি।

অসি হায়রদুনা মবানিমক অদুম্মক চংলক্লে; ভবানন্দনা অমুকস্তু হন্না "বন্দে মাতরম" শকংলক্লে। মহেন্দ্রদি মখোল কৈ, ইশৈ হাইফেং হৈ, পামস্তু পাম্মি। মরম অদুনা মাস্তু শকপা য়াংরক্লে— শক্লা শক্লা মমিত্তা পিগী ইরা শিম্থরক্লে। অদুদগী মহেন্দ্রনা হায়রকই.— "মুপী-অঙাংবু খাদোক্তবা য়াররদি, ঐবুস্তু ব্রত অসি লৌহল্লু।"

ভবা। ব্রত অসি চংলবা মীদুদি মুপী-অঙাং খাদোক্তদবনি। মহাক ব্রত অসি চংলগে হায়রবদি মুপী-অঙাংগা অমুক উনবা য়াদ্রে। মখোয়বু ভাক-শন্নবা মতিক চানা শীনগনি; অদুবু ব্রতসি মহৈ য়াদ্রিবা ফাওবদি মখোয়গী মশক য়েংবগী নিয়ম লৈতে।

মহে। অদুদি ঐ ব্রতসি লৌররোই।

---

## তন্নামাথোইশুবা মতাং

নোং ভাগ্লে। মী তাদবা উমংতু— ঙসাইমখৈ মমতুনা চেকমোক লাওরমদবতু— হৌজিক্তি মঙালনা থনখ্রে— উচেক-ম্লাযাগী মুংশি-খোম্থাংনা মুংঙাই ইথক হৌখ্রে। অম্মুম্না ঙংঙাইববা অয়ুক অসিদা— মুংঙাইরবা উমংতুদা "আনন্দমঠ" দা সত্যানন্দ ঠাকুরনা শক্তি মউন অমদা ফম্নতুনা সন্ধ্যাহ্নিক তৌরি। মনাক্তা জীবানন্দ লৈ। মতমসিদা ভবানন্দনা মহেন্দ্রসিংহবু পুরতুনা মফমতুদা থুংলরে। ব্রহ্মচারীতু ম্না ঙাংবা তৌদনা সন্ধ্যাহ্নিক তৌরি, বনামতা ম্না ঙাংবা ঙম্মদে। অতুদগী সন্ধ্যাহ্নিক লোইরবতুংদা ভবানন্দ জীবানন্দ অনিমক্তা মাবু খুরুমলে অতুগা খুয়াগী উফুল লৌতুনা নোক্লুক্তা কমতুনা লৈরে। মতুংতুদা সত্যানন্দনা ভবানন্দবু ইঙ্গিত তৌতুনা মপান্দা পুথোকখ্রে। কবি ম্না ঙাংনবা, মতুদি ঐথোই থংগ্রে। অতুদগী মবানিমক মন্দির মনুংদা তমুক চংলক্লগা ব্রহ্মচারীনা মুংশি মিনোক্তা লোইননা মহেন্দ্রদা হায়রকই, "ইবুঙো, নংগী তম্রাবা উবদা ঐ ওন্থোক্লা মুংঙাইখিদ্রে, ঈশ্বরগী কৃপাতনা নংগী মুপ-অঙাংবু ঐনা ঙরাং অহিং কনবা ঙমহৌরিবনি।" অসি হায়রগা ব্রহ্মচারীনা কল্যাণীবু কনখিবগী ম্নাবি-ম্নাথোংতু তমলে। অতুদগী হায়রকই, "চংসি চংলো, মথোই লৈরিবা মফমতুদ. নহাকপু থিন্নগে।"

অসি হায়রতুনা ব্রহ্মচারীনা মাং থারগা মহেন্দ্রনা তুংদা অম্মুম ইল্লতুনা লাইশঙগী মনুংদা চংলক্লে। চংলক্লগা মহেন্দ্রনা উরে, ম্নাম্না পাক-চাওই, লৈমাইতুসু য়াম্না ম্নাংই। অম্মুম্না অনৌবা মুমিথনা-মকালামলবা অয়ুক অসিদা মনাক্তা লৈরিবা উমংশীম্না কোনবা মঙালনা হীরা থাম্বগুম ইরং লংলক্লবা মতমসি ফাওবদা ম্নাংশীরবা কাতুদি মমলি মমলি তৌরি। ইমুংতুদা করি লৈবা

মহেন্দ্রদি অহানবদা করিমতা উবা ফংদে— অস্রম য়েংশিল্লক্রগা মহাক্না উরক্লে, চাওরবা থুং মরি পানবা মুর্ত্তি অমা লৈ, শঙ্খ চক্রগদাপদ্ম পায়রি, কৌস্তুভনা থবাক্তা লৈতেংলি, মমাংদনা সুদর্শনচক্রনা ছুরু ছুরু লৈবগুম্না লৈরি। মধুকৈটভ ওইনা চাওরবা মংকোক য়াওনবা মুর্ত্তি অনিথক ঈনা পুমডাং ভাংহনবগুম য়েক্লহনা মমাংহুদা তারি। ওইদা লক্ষ্মীনা মশম মনা ইফা ফানা— থম্বাল চামানিপালগী পবেং থোল্লহনা কিবনা মিহুন শুভ্রবীগী শক্তমদা লেপ্প। য়েৎলোমদনা সরস্বতীনা লাইবিক, খোংনবা যন্ত্র, মুর্ত্তি ওইনা শারবা রাগ-রাগিনীনচিংবা কয়ানা কোইশিল্লহনা লেপতুনা লৈরি। বিষ্ণুগী তম্পাকাক্তনা পুক্লং শুম্বাংনবগী মণক ওইরবা মুর্ত্তি অমা লৈরি— লক্ষ্মী অমসুং সরস্বতীদগী য়াম্না হেন্না ফজ্জ, লক্ষ্মীসরস্বতীদগী য়াম্না হেন্না মগুন ৫ল্ল; গন্ধর্ব, কিন্নর, দেব যক্ষ, রক্ষশিংনা মহাকপু পুজা কংলি। ব্রহ্মচারীনা য়াম্ন চীং-লেম্না— য়াম্না অথুকপা থোনফম ওইনা মহেন্দ্রদা হংলকই, "পুম্মকসি উববরা? উবে, "মহেন্দ্রনা খুম্মকই।"

ব্রহ্ম। বিষ্ণুগী মতম্বাক্তা করি লৈ, উববরা?

মহে। উবে। কনানো মহাকসে?

ব্রহ্ম। ইমানি।

মহে। ইমা হায়বদি কনানো?

ব্রহ্মচারীনা হায়রকই, "ঐথোয়পুম্বা মহাক্কী মচা ওইরবদো।"

মহে। কনানোনে মহাকপু?

ব্রহ্ম। মতুংদা থঙলক্কনি; শোল্লু— বন্দে মাতরম্। লাকও য়েংলুসি চৎসি।

অহুদগী ব্রহ্মচারীনা মহেন্দ্রবু অতোপ্পা কা অমদা পুরক্লে। মফমহুদা মহেন্দ্রনা উরক্লে, চাংদফম লৈতনা হক্চাং শীম্না নিংথিরবী

ফিজেং লৈতেং পুম্বনা লৈতেংলবী জগদ্ধাত্রী মুত্তি। মহেন্দ্রনা হংলকই, "কনানো মহাকসে?"

ব্রহ্ম। ইমানি— মচাক্না ওইরম্বতুনি।

মহে। করিনো হায়রিবসিবো?

ব্রহ্ম। মহাক্তি শংম্, নোংশানচিংবা লমলক্কী শা পুম্ববু মখোংনা লৈহৎপিরগা শাশিংগী লৈফমদা মাগী পদ্মাসন শেম্বী-খ্রিবীনি। মহাক্তি ফীজেং লৈতেং পুম্বনা লৈতেংলবী হরাও শকুম্বী নিংথিবীনি। মহাক্তি অয়ুক্কী কোরৌ কুচু ওইবী, ওন পুম্বনা তিনবীনি। মহাকপু খুরম্মু।

মহেন্দ্রনা ভক্তি য়াওনা জগদ্ধাত্রী শকওইবী পোক্লফম ইগা-রৈমবু খুরুমলবা তুংদা ব্রহ্মচারীনা মমলবা সুরুং অমা উহল্লগা হায়রকই, "লম্বীসোমদা লাক্লো।"

ব্রহ্মচারী মশামক মাং থানা চৎলে। মহেন্দ্রনা কিনা কিনা তুংদা ইল্লরক্লে। লৈমুংগী মমলবা কা অমদা কদোমদগীনো মঙাল হাইফেত্তং ফাওরক্লি। মমলি মমলিবা মঙাল্লক্কুদা কালীমুর্ত্তি অমা উরক্লে।'

ব্রহ্মচারীনা হায়রকই, "য়েংউ, ইমানা হৌজিক ওইরিবসে।"

মহেন্দ্রনা কিনা হায়রকই, "কালী!"

ব্রহ্ম। কালীনি— অমম্বনা পুমকুপ কুপ্লবী মক্লবা মুরবা শকফম ওইরবীনি। অরৈবা পুম্বা মাঙখ্রে, অতুনা ফীজোন পকত্রে। ঙসি লৈবাকশীন্না মোংফমগী মোংফমঙাক ঙাইখ্রে— অতুনা ইমানা শরু পরেং শিরবনি। মহাক্কী শিবনা মখোং মখাদা ওন-থোইরি— অল্লাবনি ইমা!

ব্রহ্মচারীগী মমিত্তা পি চত্তুম চত্তুম শিন্থরক্লে। মহেন্দ্রনা হংজকই,— "মখুত্তা মীহাৎ-থাং পায়রিবসি করিগীনো?"

ব্রহ্ম। ঐখোই অচাশিংনা ইমাদা শুংলাইসি পিরতনি— বন্দে মাতরম্।

'বন্দে মাতরম্' শোয়রদুনা মহেন্দ্রনা কালীবু খুরুম্লে। অদুগী ব্রহ্মচারীনা হায়রকই, "লক্ষ্মী অসোমদা লাক্লে।" অসি হায়রগা মহাক অতোপ্পা মুরুং অমদা কায়রক্লে। থংহৌদনা মখোয়গী মমিত্তা অয়ুক মুমিংকী মতাল মপৈনা ভাম্না য়ৈয়রক্লে। মাইকৈ মরিদগী খোম্থাং মুংশিরবা উচেক শঙ্গুনা ইশৈ শকৎলক্লে। অদুগা উরক্লে, অতোবা মুংতনা শাবা পাক-চাওরবা মন্দির অমগী মনুংদা শনাগী মচুনা ফুদোংলবী খুৎ তরা লোংবী মূর্তি অমথক মেংলবা কোরৌগী মশেকলক্তা লংলবা মতাংলগা লোয়ননা মাইথোং মকা লাম্না লৈরি। ব্রহ্মচারীনা খুরুমলগা হায়রকই,— "অসিনি ইমানা ওইরক্কদৌরিবনা। পাম্বোম তরা মাইকৈ তরাদা তিংথোক্লি, মতুদা খুৎলাই কয়াগী শক্তমদা শক্তি কয়া লৈতেংলি, মখোং মথাদনা য়েক্লবা নৈহৎপিরি; মখোংদা চংজরক্লবা পাঙ্গলবা লোংশাবু য়েক্লবা মাংহনবদা শিজিন্নরি। "মাইকৈ শরা পাম্বোম ভানবী"— অসি হায়না হায়না সত্যানন্দদু হিক্লা হিক্লা কপ্লক্লে। "মাইকৈ শরা পাম্বোম ভানবী খুৎলাই কয়া খুৎপাইনবী, য়েক্লব-নৈহৎপী— শা নিংথৌবু খোংনেৎনবী— য়েত্তা অফ-মুংডাই শক্তম্বী লক্ষ্মী— ওইদনা মহে পুম্বগী মবেম্মা বাণী— অতুগা লোয়ননা পাঙ্গলগী মপু কার্ত্তিক, মঙ্গল শক্তম্বা গণেশ; লাও, ঐখোই অনিমক ইমাবু খুরুমজসি। অহুদগী মবানিমক মথুং লোয়রদুনা মমাই নোংমদোন ওয়রদুনা খোপ্পেল অমতা ওইনা কৌরক্লে,—

"সর্ব্বমঙ্গল-মঙ্গল্যে শিবে সর্ব্বার্থ সাধিকে।
শরণ্যে ত্র্যম্বকে গৌরি নারায়ণি নমোহস্তুতে॥"

মবানিমক ভক্তিগা লোইননা খুরুমলগা হৌগৎলকুনা মহেন্দ্রনা হিক্রুবা খোম্থাংদা হংলকই, "ইমাগী অনুপ্পা শক্তমসি কদায়দা মকাইদা উজবা ফংজগদগে?"

ব্রহ্মচারীনা হায়রকই, "ইমাগী মচা পুম্নমক্না ইমাবু ইমা হায়না কৌরক্পা. থুম্মিংতুদা মহাক মাইথোং মকা লামগনি।"

মহেন্দ্রনা খংহৌদনা হংলকই, "ঐগী মুপী অঙাংদি কদায় ?"

ব্রহ্ম। চৎলো উনকবসি।

মহেন্দ্র। ঐহাক মখোয়বু অমুক্তং উনবগা বিদায় তৌরগে।

ব্রহ্ম। করিগী বিদায় তৌদৌরিবা ?

মহেন্দ্র। ঐ মহামন্ত্রসি লৌবগনি।

ব্রহ্ম। মখোয়বু কদায়দা থমগদৌরিবা ?

মহেন্দ্রনা ভহাক ৱাখল তৌবগা হায়রকই, "ঐগী য়ুমদ' মী অমত্তা লৈত্রে, অতোপ্পা মফমসু ঐগীনি হায়বা লৈতে। খুন্তাক লানশিরবা মতমসিদা কদায়দনো মফম ফংগদবা ?"

ব্রহ্ম। মফম অসিদা লাকপা লম্বী অদোমদা, মন্দিরগী মপান তাম্না থোকখো। মন্দিরগী থোঙদা নংগী মুপী অঙাংগবু উনগনি। কল্যানী হৌজিক ফাওবা কবিমতা চাত্রে, মখোয়না লৈরিবা মফমদুদা অচা-পোৎ লৈরমগনি। মহাকপু থরদং পিজরগা নংনা অপাম্না থবকতু তৌ। হৌজিক্তগী নহাক ঐখোয় কনামত্তবু উনবা ফংলরোই। নংগী নপুক্কিংদা অতুম্নবু লেপ্পবদি, মতম চানা নংগা অমুক উনরগনি।

অতুদগী খঙহৌদনা লম্বী অমদা ব্রহ্মচারীদু মাঙখ্রে। মহেন্দ্রনা হান্না লাকপা লম্বী অদোমদা অস্থম থোক্লকতুনা, মাঙোবতা মচা মুপীগা লোয়ননা লৈরম্বদু থেংনরে।

অসোমদা সন্তানশিংনা অতোপ্পা মফং অমদা কুমথগুগা চিক্লবা লৈনুংগী কা অমদা চংলক্রে। মফমদুদা জীবানন্দগা, ভবানন্দগা [illegible] শিংনা মপৈ মপৈ পরেং ওইনা থম্বা লাক্লি। কা [illegible] সনা, লুপা, কোরি, হীরা, মনি, মুক্তা চম্লম চম্লম [illegible]রে। অমাং আহং লুট তৌরকপা লুপাদু মখোয় অনি

মফম চানা থমজি। সত্যানন্দনা কা অহু য়োরক্লগা হায়রকই, "জীবানন্দ! মহেন্দ্র লাক্লগনি। মহাক লাক্লগা ঐখোয়গী খাক্লগা মরম লৈ, করিগীনো হায়ববু, মহাকী মপা মপু হাক্তংগী তানশিল্লক্লবা লম ময়ামতু ইমাগী সেবাদা শিজিন্নরগনি। অদুবু মহাক মপুক্লিং চপয়ুংনা ইমাবু হেক নিংত্রিবমথৈ পৌশিনবদি তৌরু-গনু। নখোয়না তৌরিবা থবকতু লোইরগা নখোয় মতম লেপ্লহুনা মাগী মতুং অস্নম ইল্লু, তাঞ্জা চারগনা শ্রীবিষ্ণুমাগুপ্তা মাবু পুসিল্লু; অদুগা খুদোং থিবা থিদবা য়েংদনা মখোয়বু ডাক-শনবীয়ু, মরমদি ফত্তববু লাকচুবা হায়বসি মচাগী ধর্ম ওইবগুম, অফববু কনবসু মচাশিংগী ধর্মনি।'

---

## তরানিথোইশুবা মতাং

য়াম্মা য়ারবা মতুংদা মহেন্দ্রগা কল্যানীগা অমুক উনরে। কল্যানী ও-খোংনা কপলহুনা লৈমায়থক্তা ওলক্লে। মহেন্দ্রসু কপলক্লে। কনা কুহৈনা কপনরবা তুংদা মপি থাক্লবা থৌরাং তৌনরক্লে। অদুবু মপি তৈংথোক তৈংথাক্লগা অবনা অস্নম হেন-জিল্লকই। থামডমত্রবা মপিতু লৎখিনবা কল্যানীনা চান-থক্লবগী বা হৌরোমক্লে; ব্রহ্মচারীগী মানা থনম্বা চানবতু কল্যানীনা মহেন্দ্রদা চামবা হায়রকলে। চাক-তাওবা মতমগুদা চাক-ইনশাং ফংনবা লম্বীদি লৈতে, অদুবু লৈবাকতুদা অফংবা পোত্তি, মচাশিংতুগী মকমদা মরাং কাঁয়না থোকই। উমংতু কা খাতৈনা চডবা ডমদে, চাবা ফংত্রগা মাশিংতু মথোয়না থেংনবা উটৈ অতুতা চায়। অদুনা চডবা ডমত্রবা উমংসিগী উটৈসিংদি কনামতা কনদে। মথম অসিনা ব্রহ্মচারীগী য়াশিংনা মরাং কায়না উটৈং হেক্রহুনা পথীম থরকংগা থনম্মি। সন্ন্যাসী ঠাকুরশিংগী মমলগী অহুংবা যনকী কয়াম্ব লৈ।

কল্যানীনা হায়রকপা, মতুংইনা মহেন্দ্রহ্ হায়না থরদং চারে। অদুগী লেমহৌদুদু কল্যানীনা অচিকপা মকমদা চংতুনা থরা চারে। শজোমদু মচানুপীনা পিথক্লে, থরনা থাকতুনা থম্মি—অমুক পিথরুবনি। অদুগী তুম্মিংবনা মথোয় থাডবা ওমশিন্নকরে, মবানিমক ওহাক অদা পোথোক্লে। তুম্বা হৌগংলরুগা মথোয় থন্নবা হৌরক্লে, "হৌজিক কদায়দা চংকনি?" কল্যানীনা হায়রকই, "য়ুমদা খুদোং-খিবা থোকত্রা থন্দুনা য়ুম থাদোক্লকপনি, অদুবু মপান্দনা হেন্না খুদোং থিরমলে। কায়দে য়ুমদা অমুক হল্লসি।" মহেন্দ্রনা পাম-লিবস্ত্র মতুনি। মহেন্দ্রনা খল্লিবদি, কল্যানীবু য়ুমদা থনমতুনা মথোয়বু ওাকপি শেনবিবা মী অমা হাপলমলগা, মহাক অস্তুবা নিংথিজরবা লাইগুয়া শেংলবা ইমাগী সেবা ব্রতসিদা চংলগে অসিনি। মরম অদুনা মহাক ইকোম কোয়া য়ারে। অদুগীদি মথোয় অনিমু মশা অনিমু মশা অমুক তেকথংলতুনা মচানুপী থাদা কোয়গা পদ-চিহ্ন মায়কৈ তয়া থোডশাল্লে।

অদুবু পদচিহ্ন কদোমদা চংকদগে হায়বসি গুরুবা উমংতুদা মায়কৈ লেপ্পা ওমদ্রে। মথোয়না খল্লি, উমংদবু লাহোকপা ওমলবদি লম্বী হেক্তা থেংনগনি হায়না। অদুবু উমংতু লাহোরুবা লম্বীকাও থিকম থওদ্রে। মতম কনা শাংনা উমংতুদা কোয়চং চংলুরে, অদুবু মমৈথংদা মন্দিরতুদা হেক হেক তারক্লে, থোককম থওদ্রে। মমাংদা বৈষ্ণবকী কিজেং শেংপা মশক থওদবা ব্রহ্মচারী অমথক লোয়রতুনা লোক্লি। মতু উবদা মহেন্দ্রনা শাওরতুনা হংলকই, "গোসাই, কবিগী লোক্লিবনো?"

গোসাইনা হায়রকই, "মথোয় উমংসিদা করমজোনা চংলকই?"

মহেন্দ্র। কদায় তৌনা, তৌরবা থবক, চংলক্লে।

গোসাই। "কদায়দা লোকপদি ওন্নিবা কবিগীনো?" অনিনা বৈষ্ণবনু অমুক লোয়রক্লে।

মহেন্দ্রহ [illegible] হেক্তা শাওরদুনা হায়রকই, "নহাক্না [illegible] [illegible] মরুদি মখাক [illegible] [illegible]"

বৈষ্ণবনা হায়রকই, "অদুগী ইচুং [illegible] ঐ [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] সন্তানগী ব্রহ্মচারী [illegible] [illegible] চংলমহৌগনি, অদুবদি মন্দিরসিদা চংলগনি। [illegible] [illegible] কনামত্তনা খঙদে।"

[illegible] ভাবদা মহেন্দ্রনা হায়রকই, "মহাকপু মচা [illegible]?"

বৈষ্ণবনা হায়রকই, "হায়, অদুগী মচা [illegible] [illegible] ইচুং ইন্নকউ। নখোয়গী লম্বী তারুবগীদমক্তা ঐ [illegible] [illegible]?"

মহেন্দ্রনা হংলকই, "মিং করি কৌবিগনে?"

বৈষ্ণবনা হায়রকই, "অদুগী ইমিং ধীমানন্দ গোস্বামী [illegible]।"

অসি হায়রগা ধীমানন্দনা লমজিংতুনা চংলে, মহেন্দ্রনা কল্যাণীগা মতুং ইন্নরে। ধীমানন্দনা খুদোংথীবা লম্বী [illegible] [illegible] মখাক [illegible] [illegible], অমুক মখক্তা [illegible] চংলে।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থৌবা [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] দোকতুনা লৈরি। [illegible] মপানে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] মখক অমদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাওনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] অনিদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উকন লাংহল্লি। মখল কয়াগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কয়া [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুনশিন্নরি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। কল্যাণীগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। কল্যাণীনা [illegible] মপান্দুগী [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] কমলনবা [illegible]। [illegible] মপুরোইবুগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। মপুরোইবগী [illegible] [illegible] [illegible]

ভাবীক তুমিনা কময়না লৈরেস অহুদগী হংলকই, 'মহাক ডসিদি মাইথোং লাংশিন্না উই।' অমনা পুম্বা হৌজিক্তি-লিংলে অহুবু হৌজিকসু ইহুক থকনবিবসি কারিগীনো ?

মহেন্দ্রনা মুংশাজন মশি শাংনা হোজ্জগা হায়রকই, "ঐ অসি অমুক ঐহাক উইত্রে—ঐ করি তৌসিগে—থনক্ষম থংত্রে।"

কল্যাণী। করি তৌরবগে ?

মহেন্দ্র "নংগা কায়নরবা তুংদা ঐভোন্দা থোকখিবা থৌদোক-শিংছু ভমগে ভাও,—" অসি হায়রত্নুনা খোকখিবা থৌদোকশিংছু মহেন্দ্রনা চিথদনা তমলে।

কল্যাণীনা হায়বকই, ঐহাকসু ওম্বোক্লা অল্লাবা ওম্বোক্লা খুরোংখিনা করা থোকখ্রে। মহু পুন্নমক নংনা তারগা করি কান্নগ-দগে ? অহুক শাথীনা ল্লারবা মতমহুদসু ঐহাক করমনা তুমনিং-দল্লিবনো, হায়রসু থংদে, অহুবু ঐহাক ভরাং নোঙাল্লমদাইদা তুম-থক্লরে। মহুদা ঐহাক মড অমা মডই। মডহুদা করি পুম্ম তৌবননো থডদে—ঐহাক ওক্লবা মকম অমদা চংলি। মকমহু নৈপাক লৈতে। মডালতমক লৈ—মেঘলাবা নোংলক্তা ফাওবা মডালগুম য়াম্না নিংথি-জগ্রব্বা মঙ্গলনি। মকমহু মী লৈতে, মডালগী মশক ওইবা শক্তম-তমক লৈ—খোজেল তাদে, য়াম্না থাপ্পা ল্লুংশিরবা যন্ত্রণা ইরোইনবা ইশৈগুম্বা অমতংদি তাবগুম তৌই। মতমচু়প্পদা হৌ জক্তা নোংা শাংকাইমকপা মালিকা, ম্নলতী, চৌগোংলৈ লক্কা লক্ষাগী মনমতমক নশি। মকমহুদা মন্নাম্মকী মথক ওইনা মন্নাম্মক্লা উনবা মকম অমদা কপ্নানো অমা কল্মি, অশংবা চৌংনা মৈরি কাম্মথোক্লকপা মহুংদা শিৱি শিৱি চাল্লি। মৈংগুম্বা চাওরবা পুষ্প অমা মকোক্তা উগুমনু তৌই। মথুং মরি পাল্লি, য়েংলোম ওইরোমদা করি পাঙ্গবা মহুদি থডত্রে— মুপীগী শক্তমগুমদি তৌই, অহুবু মকমহু মডুক মতিক কডদ্রে, অম্মুক্তী মতিক মগুণ চেলদ্রে, অম্মুক্তী

মত্তিক পুক্লিং ওক্লহল্লে, মঙোন্দবু য়েংলুববদি ঐহাক্তী থক্লোইহনি হুংবদ্রে । য়েংবা ক্লমত্রে, থওবা ওমত্রে মহাকত্তু কল্যাণী হায়বগু । মখুং মরি পানবীচুগী মমাংদা লুপীগী শক্তম অমত্তু লেপ্লঙুম তৌই । মম্মকত্তু মঙালগী শকওহৌবীনি । অত্তুবু মাগী মাইকৈ মরিদা লোং ময়ই, মঙাল ভংশংনা ফাওদোরক্কে, শংলম শেংকাত্তনদি থড়ই, মহাকত্তু মরাং রায়া কংই ; অত্তুবী চেংলৌ হেল্লবী মথরাই শোক্লবী লুপীগী শক্তম ওইবী অত্তুনা কপ্প কপ্লত্তুনা ঐবু মনম মুংশিল্লবা নামিবা মুংশিংকী ইপোম য়ৈহল-য়ৈংল্লত্তুনা মখুং মরি পানবী অত্তুগী ভাংবল মথা ভাল্লা হেক পুশিল্লি । অত্তুদগী নোংলক্তা ওানবী য়াঙলবী লুপীত্তুনা ঐগোন্দা থিল্লত্তুনা হায়, 'মহাকসিনি মহাক-থক্লী মহেন্দ্রনা ঐগী ঈতম্বাক্তা চংলকত্রিবনি ।'

মতমত্তুদা রায়া মুংশিবব৷ ময়েক শেংলবা বাঁশীগী মখোল-গুম্বা অমা তারক্লে । মখুং মবি পানবীত্তুনা হায়বকপওম তৌই, 'মহাক নপুরোইববু খাদোক্লমলগা ঐগী ইনাক্তা লাকও । মসি নখোয়গী নমানি, নংগী নপুরোইবত্তু মাগী সেবা তৌগদৌরিবনি । নংনা নপুরোইবগী মনাক্তা অত্তুমক লৈবদদি মাগী সেবা তৌর-রোই ; মহাক লাকও । ঐনা কপলত্তুনা হায়বগুম তৌই, ইপু-রোইবা থাক্লোকত্তুনা কনমা লাক্লগে ? মাঙাত্তুনা বাঁশী অমুক খোংলক্লে, ঐহাক্লা নপুরোইবনি, ঐহাক্লা নমচানি, ঐহাক্লা নপানি, ঐনা নচানিপানি, ঐল্লা নচামুপীনি, ঐগী ইনাক্তা লাক্ও ।' মত্তুদা ঐনা করি খুমথিবা নিংশিংবা থোকত্রে । ঐহাক অত্তুম মিকপ থোক্লে ।" অসি হায়রগা কল্যাণী তুমিল্লা লৈখ্রে ।

মহেন্দ্রত্তু ওকপনে, চমিমবনে, কিবনে তুমিল্লা লৈরে । কোক-তোন্দা চরোইনা লাক্লা লাক্লা খোংলি । শেম্বাংগী খোঙ্গেলনা অভিরা থুমহৎলি । কোকিলনা মাইকৈ শীল্লা খোল্লাং য়েংলু । খোইমুনা ভংল-ভংলত্তুনা উমং ভথক-ভথকহল্লি । খোং ময়ান্ননা

তুরেলনা ভঙ্গা ইরাওখোল খোক্লি। সুংশিংনা নমলক্তা লৈতাং-শিংগী মেওলবা লৈনম হুমলকদি। করি কারিগুম্বা মকমদা মরক মরক্তা তুরেলগী লাইজদা সুংশা মওাদনা ভবাং-ভরংদি। মকম অমদনা কোনা মনানা সুংশিংকী শউমদা প্রো প্রো লাওরি। থাপ্পা অশংবা চীংশাং পরেং উবা ফংদি। মবানিমক মতম থনা শাংনা শুঙ্কংগীগা লোয়্নননা তুমিন্না লৈনখ্রে। কাইনখংদা কল্যাণীনা অমুক হংলকই, করি থ ম্নবনো?"

মহেন্দ্র। করি তৌসিগে হায়বহ্ থজিবনি—মঙ হায়রসিদি মওলায়ি, মথন্তা পোকচরকপা য়াথলহ্ মথন্তা অহুমক মাঙজখি, পুন্সিগী কোঙ্গোলনি, চংলো, য়ুমদা চংলসি।

কল্যানী। "লাইনা নংবু চংলো হায়রিবা মকমহ্দা নহাক চংগো" অসি হায়রহ্না কল্যাণীনা মচানুপীহ্ মপুরোইবগী মতম্বাক্তা থাজংলে।

মহেন্দ্রনা মচানুপীহ্ পমজগা হংলকই, অহুগা নংদি—নং কদাইদা চংকনি?"

কল্যাণীনা মথুং অনিনা মমিং থুমজিনকপা লোয়্ননা মকোক্ শোয়হ্না হায়রকই, "ঐহ্ন লাইনা চংহু হায়রিবা মকমহ্দা চংলগে।"

মহেন্দ্র থাই লাওখ্রে; হায়রকই, কদায়দা কমহ্না চংলোমিংবা?"

কল্যাণীনা হু হান্না কৌর্টহ্ উৎলকই।

মহেন্দ্রনা ওক্লহ্না হায়রকই, "করি মতৌনো অহুদে? হু চায়গে হায়বা?"

কল্যাণী। "চায়গে থজুরবনি, অহুবু—" কল্যানীহ্ য়া মথা অমুক তাদনা য়াথল তৌনা হোয়কই। মহেন্দ্রনা থাবু মুম্না য়েংহ্না লৈয়কই। মিকুপ থুদিংহ্ চহিগা মায়কজখ্রে। কল্যাণীনা য়া মথা তাখিবহ্ উবদা মহেন্দ্রনা হংলকই, "অহুবু হায়রদা তৌক-হ্নবদি কৈদৌরে?"

কল্যাণী। চারদগী খল্লুরবনি—অহুবু মরু গাদোক্লমলগা স্মুকুমারীবু হুদোক্লমলগা ঐহাক বৈকুণ্ঠ যৌরগনি হায়রবসু পাময়া। ঐ শিরদ্রোই।

অসি হায়রগা কল্যানীনা হুগী কৌটাহু বৈপাক্ত থমজে। অহুদগী মখানি হৌখ্রঝ অমস্থং তুংদা লাক্লবা থৌরয় কয়া চাংনরক্লে। অমুম চাংনরকপদা মবানিমকতু ঝাথল লক্লেরোমদা হেক হেক তাওনরক্লে। মালক অসিদা হুগীমচাহু শায়-শায়না হুগী কৌটাহু পায়রুরে। মহু কনামতা উহৌদ্রে।

স্মুকুমারীনা মসিদি য়ায়া কথ্রবা শায়পোৎনি হায়না খল্লকই। মানা কৌটাহু মখুং য়েংনা প্যায়রগা ওইনা অমুক মুকলক্লে, অহুদগী অমুক মখুং ওইনা পায়রগা য়েংনা অমুক মুক্লক্লে। অহুগী তুংদা মখুং অনিনা পায়রহুনা কুয়া চিংথোকপা লাক্লরক্লে। মহুদদি কৌটাহু মখুম হাংদোকখ্রে—গুলিহু তাখ্লে।

মপাগী কি মথক্তা পিক্লবা গুলিহু তাখিবা স্মুকুমারীনা ঊই মহাক্লা মহুসু শায়পোৎ অমনি খল্লক্লে। কৌটাহু হুন্দোক্লমলগা মখুৎনা শো-শৌহুনা চৎলগা গুলিহু খুনগৎলুরে।

কৌটাহুবু স্মুকুমারীনা করিগী ময়াদা উমথ্রিবনো, মহু দি খল্লুরে অহুবু গুলিহুবুদি অমুক পম্বা তৌদ্রে। প্রাপ্তিমাত্রেণ ভোক্তব্যং, স্মুকুমারীনা গুলিহু কোক হুকচিনখ্রে।

"করিনো চারিবদো! করিনো চারিবহু! মাঙলেদনা!"

কল্যানীনা অসি হায়না হায়না মচানুপীহুগী ময়া মথুংদা মখুদোনবা খিংজিনক্লে। মতমহুদা মবানিমক হুগী কৌটা ইহাং হাংবহু উবক্লে। স্মুকুমারীদি মতমহুদা শায়পোৎ অমা কংলে থল্লহুনা, ময়া চিকশিল্লহুনা ইন্দক্তা নৌনা য়ায়া থরদং থিনগৎলকপদা মতাইক্লিনা য়া। তন্না য়েংলহুনা লাক্লরক্লে। মরকসিদা হুগী গুলিহু থারকদা তৌরময়া মথন্তমক ময়া কাথোকচরক্লে, কল্যানীনা

গুলিহ্ মৌবোকতুনা হুন্দোকখ্রে। মতুমহ্ নৈবাক্তা ভাহ্না নৈরে। কল্যাণীনা ফুরেনদগী কিজি লুপতুনা ঈশিং পুরক্লগা মচানুপীগী মচিন তেংথোকপিরক্লে। অহ্দগী মপুক্লিং য়াম্না য়ানা মহেন্দ্রদা হংলকই, "থবদংকো য়োংশিনখ্রবিত্রা ?"

কন্তখন্তনা হাম্না মমা-মপাগী য়াথন্দা পোক্লকই—কা হেন্না মংশিবা মকমতুদনা কিবস্থ থবাইদগী কা হেল্লি। মহেন্দ্রদি গুলিহ্ হাম্না কয়াম্মুক চাওবগে হায়বা শুকউ উথিদ্রি। অহ্বু হৌজিক্তি পায়রহ্না মুন্না কুপ্না য়েংলুরগা হায়রকই, "ফনা য়াম্না চাশিন-খ্রমাক্লে নিংই।"

কল্যাণীস্থ হায়রিবহ্দা থাজবা পোক্লে। মতম ফনা কুইনা মহাকস্থ গুলিহ্ পায়রহ্না মুন্না য়েংলক্লে। অসোমদা মুপীমচাহ্ অমুক অনিরক মতিন য়োংশিনখিবহ্না, হায়ফেং শাথিরবা মওং অমা তৌশিল্লক্লে। থরা থরা মশাহ্ কয় কয় হায়রক্লে, কপথংলক্লে, মমৈথংদা হায়রপ জ্ঞান মাঙশিল্লক্লে। মতৌহ্ উবদা কল্যাণীনা মপুরোইবদা হায়রকই, "করি অমুক য়েংথিগদগে ? লাইশিংনা কৌরিবা লম্বী অদোমদা সুকুমারী চংখ্রে ঐহাকস্থ চংপদা ভারে।"

অসি হায়রগা কল্যাণীনা হুগী গুলিহ্ ময়াদা কোক হুক-চিল্লগা খুদক্তা য়োংখ্রে।

মহেন্দ্রনা কপ্লহ্না হায়রই, "করিনো তৌরিবহ্ কল্যাণী, করিনো তৌরিবহ্ ?"

কল্যাণীনা পাওখুম অমুক পিন্না তৌদনা মপুরোইবগী খুদাদা উফুল লৌরগা মকোক্তা হাপ্লে; অহ্গা হায়রকই, "ইমুংগী মা, চাংলুরগা বা য়ায়বক্তনি। ঐ চংলমলগে।"

"কল্যাণী, করিনো নংনা তৌরিবনিনো" অসি হায়রলগা মহেন্দ্র ... কপ্না ... তৌরক্লে। ... খোঞ্জাংনা কল্যাণীনা

হায়রকই "ঐনা তৌরিবসি করহৃনি। করিম্ নৈত্রবা মুপীগী দমক্তা মহাক লাইগী থবক্তা মায় ওরন্সিবম্ যাই। মেংডৌ, ঐহাক লাইগী য়াথং ডাকলুৱবদগী ইচাম্নুপী মাও থ্রিব সানি। মসিদগী অমুক থৌওইরক্রগামা নংবুস্ন মাওথিবা য়াই।"

মহেন্দ্রনা কপ্লহুনা হায়রকই, "নংবু মকম অমদা থনমগে? অহুগা ঐথোয়গী ইথৌ পাওথোকপা লোইরগা নংগা অমুক মুংভাইনা পুন্সি লেম্মিয়গে থল্লম্বনি। কল্যাণী, ঐগী পুন্সিগী অথোইবী! করিগীদমক্তা নংনা অস্সুম্বা থবকসি তৌরিবনো? থাংশাং হাই-গংকদৌরিবা ঐগী কল্লবা খুং অহুবু নংনা কল্লে। নং লৈত্রবদা ঐনবু করি তৌবা ওমগনি?"

কল্যাণী। কদায়দনো নংনা ঐবু থনমগদবা? করম্বা মকম লৈরি? ইপা, ইমা, মরুপ-মপাং লোইনমক ওমথীরবা কত্রবা মকমসিদা লোজাগ্রে। কনাগী য়ুম লৈরিবগে, কদোমদা চংনবা লৈরিবগে? ঐসি কাম্নত্রবা পোৎলুম্নি। ঐহাক শিথিবসিনা ওস্থোক্না করবনি। ঐবু আশীর্বাদ পিনবিয়ু, মডালগী মশক ওইরবা লাইরৈবাকতুদা চংলগা ঐহাক নংবু অমুক হয়্না উজবা ফংনবা।"

অসি হায়রহুনা কল্যাণীনা অমুক মপুরোইবগী খুয়াগী উফুল লৌরহুনা মকোক্তা হাপ্লে। মহেন্দ্র করিগুম্বা পাওখুম অমত্তা পিবা ওমত্রহুনা অহুম্মক কপতুনা লৈয়ে।

ল্যাণীনা অমুক হায়রকই, "মেংডৌ, লাইগী থৌশিনবু কনানা ককপা ঙম্মগে?. ঐবু চংনবা য়াথং পিরে, অহুদবু ঐনা লৈনিংই হায়হুনা লৈবা ওমথিগত্রা—ঐ ইথক্তা শিজত্রবস্তু কনাগুম্বা অমনা শোয়দনা হাৎলগদবনি। ঐ শিজবিবনা য়াম্না অৰবা ওইরবনি। নংনা চংকে থৌরাংলিবা ব্রতচ্ ধরাই মডামক রাওনা পাওনবা

হোংজো, পুক্ত ফংগনি। ঐহাক মহনা স্বর্গ ফংগদৌরিবনি।
ইবানিমক পূম্না অমাত্ত-অতা লৈত্রবা স্বর্গগী সুংডাইখা কংলগদবনি।”

অসোমদা ছুপীমচাত্নদি শঙ্গোম থরকং পিথকপদা হুমরক্লে।
মহাক্কী মপুক মনুংদা ছু থজিক্তুং চংখিবহুনদি থরাইমক মাংবা মাবগী
ফিভম য়োবা নত্তে। অহুবু মতমত্নদা মহেন্দ্রদি মদোমগী রাখলদা
চংলুব্রে। মহাক্না মচানুপীত্নবু কল্যাণীগী মথাদা থমলগা মবানি-
মকপু চেংনা কোল্লহুনা অতং অথম লৈতনা কপতুনা লৈরে।
মতমত্নদা উমং মনুংদগী তপ্পবা অহুমদি ওইরগা লুমলবা খোম্থাংদা
তাবা ফংলক্লে ;—

“হরে মুরারে মধুকৈটভারে!
গোপাল গোবিন্দ মুকুন্দ শৌরে!”

কল্যাণীদি মতমত্নদা হুগী মৈচাক ফাওরক্লে, জ্ঞান হাইরপ
মাঙশিল্লক্লে, মহাক্না তরঙ-মালঙ ওইনা তারকই, বৈকুণ্ঠদা তাখিবা
চাংদমক্তম লৈতনা মুংশিরবা বাঁশীগী মখোলত্নদা খোংলক্লি ;—

“হরে মুরারে মধুকৈটভারে!
গোপাল গোবিন্দ মুকুন্দ শৌরে।”

মত্নদা কল্যাণীত্ন অপ্সরাদা তমজকম ওইরবা খোজেলদা রাখল
তরঙদা তাওনা তাওনা কৌরকই ;—

“হরে মুররে মধুকেটভারে!”

মহেন্দ্রনা হাম্মরকই, “শোন্নু—

“হরে মুরারে মধুকৈটভারে!”

উমুংদগী ল্যাওরকপা নিংথিরবা খোম্থাংহুগা কল্যাণীগী মুংশিরবা
খোজেলহুগা তাবদা শুমংথিহনা মথাই শোরা ঈশ্বরতনা লেংজরা
পাখৈনি। মহেন্দ্রনা মরেন্দ্রত্ন লাওরক্লে ;—

“হরে মুরারে মধুকৈটভারে!”

মতমমতুদা মায়কৈ মরিমক্তগী খোঙ্গাং হৈরক্লে :—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে !"

মতমমতুদা উপাসকশী চেক্লাশিংস্থ শোয়কপওম তৌরে,—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে !"

তুরেল লাইজগী ঈরাওখোলস্থ ভংভকপওম তৌরে,—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে !"

মতু তাবদা মহেন্দ্রহ অমা মৈচাক পূম্বা কাওখ্রে পূমভাও ভাংখিদুনা কল্যাণীগা খোঙ্গেল অমত্তা ওইনা কৌবা হৌরক্লে—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে।"

উমংলোমদগী মখোয়গী খোঙ্গেলগা ইরোইননা খোঙ্গাং অমতদা লাংরকপওম তৌরক্লে,—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে !"

কল্যাণীদি অস্থম অস্থম খোঙ্গেল পিকখবা হৌরক্লে ; অহু-মকপু কৌরি ;—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে !"

অহুদনীদি খোঙ্গেলহ অমুক তাশিন্নকত্রে, কল্যাণীগী মচিন কাংখিদ্রে, মমিৎ উইশিনখ্রে, মশা ইংথখ্রে। মহেন্দ্রনা খঙলে, কল্যাণী 'হরে মুরারে' শোয়-শোয় বৈকুণ্ঠধামদা চৎখ্রে। মতমহুদ অঙাওবগী মতৌওম খোঙ্গেল য়াংনা উমংহ থক থক নিকহয়া, শা-উচেক পূম্বা মিপাইহন্না মহেন্দ্রহ কোইকৌ কৌরক্লে ;—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে !"

ভাগ্রাহুদা কনানো অমা লাকহুনা মাবু চেংনা কোনশিন্নগা মাগী হৌরবা খোঙ্গাংহুগা চপ মান্নবা খোঙ্গাংদা মাগা কৌমিন্নরে—

"হরে মুরারে মধুকৈটভারে !"

মতমহুদা পল্লেপকম লৈত্রবগী মওগদা আওহুদা পল্লেপকম লৈত্রবা উঙুংহুদা পল্লেপকম লৈত্রবা লৰীয়া খোংশানগুরবী অহুগী

হকচাং মমাংমতমদা মথোয় অনিয়ক পল্লেপ। লৈতবগী থিংখি থিংলেন পন্দুনা ইশৈ শকংলক্লে। উচেক মায়া পূম্বা তুমিন্না লৈরম্রে, মালেম হায়নিংঙাই কৈতবা মিখিবিজম্রে—চংদমকব লৈত্রবা ইলৈমিগী মতিক চায়বা মন্দির ওইম্রে। সত্যানন্দনা মহেন্দ্রবু মথাক্তা কোল্লগা লৈমায় থক্তা কময়খম্রে।

## অয়াম্ভমদোইশুবা মতাং

অসোমদা কোম্বুংদা লম্বেল সড়কা কল্লবা ঈয়াং অমা তৌনরক্লে। য়া য়া লাওনরক্লে, নিংথৌরোমদগী কলিকতা অয়া থারকপা থাজনা পুন্নমক সন্ন্যাসীশিংনা লম্বীদা মূনখ্রে হায়বসি। মতমচুপ্পা নিংথৌগী য়াথংনা সন্ন্যাসী ফানবা সিপাহীশিং পাওলৌবশিং মাইকৈ শীন্না চেন্নরক্লে। চাক-চাংবনা চানিংঙাই কৈত্রবা লৈপাকক্তুন্দি মতমচুদা থাজৈপেংবা সন্ন্যাসী হায়বচু পঙলৈ লৈত্রে। মরমদি, মথোয়দি মীগী মপান তাংচুনা হিংবা জীবনি, মী পূম্বা মশা মশাগী চানিংঙাই-কাও লৈত্রে, কনানা সন্ন্যাসীদা ভীক্ষা হাপথিনি? মরম অসিদগী থাজৈপেংবা সন্ন্যাসীমথৈদি চাখা কংনবা কাশী, প্রয়াগনচিংবা মফমদা চেমখ্রে। মচা ওইবশিংদা লেপ্পবা মচুহৈন্না সন্ন্যাসীগী ফিরেং শেংলি; অচুবু কাম্নদবা ভাগ্নাদদি হেক লৌখোকই। চসি ভরাংদি ঈয়াং অমা হৌরকপচু উমদা অয়াম্বা সন্ন্যাসীগী কাংলোন থাদোক্লে। চাক লায়লবা নিংথৌগী মনাইশিংচু সন্ন্যাসী অমতা থেংনত্রবদা চংমা মচুং-মকৈ সিংজনিনশিংগী চকু-ইয়াম পুলাইচুনা চঙ্কি থজিতং ভোম্ববা লাক্তুনা লৈরে। সত্যানন্দদি কাইখুম্না মঅাম তেঙ্গমাগী কাংলোন্দু থক থাদোকপা তোপে।

অমুবা চাংলেমগী ঈখাওখোরবগা লোনন্না লেমিং পিরবা চুংলেনচুনি। মপাদম্না সম্রক মনাকাদকতদা ঈখায়া কন্যাগীদা অাহুল্লা

লৈরিবা মতমদুগীদা মহেন্দ্রগা সর্দারনগা লেপ্তোরমতুনা [illegible] ঈশ্বরবু কোহনদু লৈরিংগী মতমদা, পাও লোবা জমাদার [illegible] সিপাই [illegible] পুরগুনা হেক ফাওরক্লে। খুদক্তা সত্যানন্দগী মওফমদা পাক্কতুনা মখোয়না হায়রকই "[illegible] সন্ন্যাসীনি।"

অদুগা নিপা অমনা খুদক্কুদা মহেন্দ্রবু ফাক্লে। মকমদি, সন্ন্যাসীগা লোয়নবা মীশক্তি লোয়দনা সন্ন্যাসী ওইরমগনি খনক্‌-দবীনি। অদুগা অমনা ভিংথোকফা মাঅরিবা কল্যাণীগী অশিবা মশাদুগু ফাগে চংলুই : অদুবু সুপীগী অশিবা মশানি হায়রগা উরক্লতুনা, সন্ন্যাসী নংলমদবসু য়াই হায়না খল্লক্লে, অদুনা ফাক্লে। সুপীমচাদুবুসু মতো অদুনা খল্লুনা হল্লোক্লে। সুপুগী মখোয় করিগুম্বা-রা অমতা ভাংদনা মবানিমকপু পুল্লগা পুরক্লে। কল্যাণীগী অশিবা মশাদুগা মচানুপীদুগদি কনা গুম্বা ডাকপি শেমবিনবা অমত্তা য়াওদনা উখাদুদা অদুমক থাদুনা লৈহোরে।

অহানবদা য়াবনা সুংবংনখিদুনা অমসুং ঈশ্বরগী প্রেমদা পূম-লূপ লূপথিদুনা মহেন্দ্রদু য়াথংদ লক্ষৈননা শুন্দা থাওদুনা লৈরুই। করি থোককখিবা, করি থোক্লবা, করিমতা থংলুবা লৈত্রে, পুনবদুদসু করিমতা নিংঙাই তৌরুবা লৈতে, অদুবু থোংকাপ অদুম মরি থাংলক্লবা মতুংদাদি মখোয়দু পুন্দুনা পুরে হায়বসি মহাক ভাব তারক্লে। কল্যাণীগী অশিবা মশা থাদুনা লৈহৌরে, সংস্কার তৌত্রি ; পিক্লিবী মচানুপী হন্দোকতুনা থনরলে ; হৌজিকমক মখোয়বু শাহিং চাবা শাশিংনা চাখিবসু য়াই,—বাকমসিং হেক নিংশিংনকুপগা মহেন্দ্রনা লিপক্লরিবা মথুং অনিদু কয়া মুকতুনা কোয়ফুনদ, অদুগা অমুকুং থংচিং চিংবদা কিরিবদু থদংলে। খুদকতু-মতুংদা থোংপাক্লা অমুকুং কাওদুনা জমাদার সাহেবতুবু লৈমায়দা খবা খরো ওকতরমলগা সিপাই অমা তমা কুজিনক্লে, মর্তমতুদা অতোপ্পা নিপা অদুমা মাইকৈ অকমদী লোংচিনকতুনা মাবু [illegible]

হয়া কারে অমত্তুং পুল্লে। মতৌচ্চুদা মপাই মুংঙাইত্রত্থনা মহেন্দ্রহ্ সত্যানন্দ ব্রহ্মচারীদা হায়রকই, "নংনা ইভেং থজিত্তুং পাংলমলবদি কত্রবা মখোয় মঙাসিবু হাত্তোকপা ঙমলমগদবনি।" সত্যানন্দনা হায়রকই, "অহল ওইরবা ইশাসিদা মচুগী পাঙ্গলচুদি কদায়দগী লৈরকগে—ঐনা কৌজরিবা মহাকতু নত্তনা ঐগী পাঙ্গল অমুক লৈজত্রে। শোইদনমক থোক্লগদবা অতুগী দমক নহাক মুক্লবা তৌরুগমু। ঐখোয় নিপা মঙাসিবু নমহৎপা ঙমগদবা লৈতে। চংলু, কদায়দা পুদনা চংপগে য়েংসি। তাইবং মপুনা মায়কৈ পুম্বা কনবিগনি।"

অদুদগীদি মখোয় অনিমকতু নাম্থোক্লবা অমুক লাক্লবা তৌদনা সিপাইশিংচুগী মতুং অস্থম ইল্লক্লে। থরা থাপ্পা চংলক্লগা সত্যা-নন্দনা সিপাইশিংচুদা হংঙকই, "ইবুংঙোখোই! ঐদি হরিনাম তত্তনা শোঞ্জবা মীনি। অতুক শোঞ্জগে হায়রবু য়াগত্রা?" সত্যানন্দবু অকবা মী অমনি হায়না জামাদারচুনা খল্লি। মহাক্লা হায়রকই, "য়ানি য়ানি অতুম্মক শোঞ্জো, ঐখোয় থিংলোই। নংদি হন্নরবা ব্রহ্মচারীনি, নংবুদি শোয়দনমক থাদোকপিরগনি খল্লি, অতুগা বদমাস সিমদি ফাঁসিদা চংলগনি।" মতু তাবদা ব্রহ্মচারীচু তপ্লবা খোম্থাংদা ঈশৈ শকৎলক্লে:—

"ধীর-সমীরে তটিনী তীরে বসতি বনে বরনারী।
মা কুরু ধনুর্দ্ধর গমনবিলম্বনমতিবিধুরা সুকুমারী॥"

অসিনচিংবা।

নগর য়ৌরক্লগা মখোয়না কোতওয়ালগী মনাক্তা পুশিল্লক্লে। কোতওয়ালনা রাজসরকারদা পাও থগুহনখিচুনা ব্রহ্মচারীগা মহেন্দ্রবু মতমতুগী ওইনা কৈগুমশংদা থমলে। কৈগুমশংচু অকিবগী মশাক্তি; মচুদা চংত্রবা মীচুদি, অমুক থোক্লকপা পঙনা লৈত্রে; মরমদি, বিচার তৌবিনবা মী লৈতবনা। ইংরেজগী [illegible]

ইংরেজকী বিচার চংনরমদে। হৌজিক্কি নিয়মগী মতম্নি। মতমহুদনা নিয়ম লৈতবা মতম্নি। নিয়ম চংপা মতমগা নিয়ম চত্তবা মতমগা অহুক চাংদমহুনা য়েংউ।

---

## তরামরিশুবা মতাং

অহিং শুইশিল্লক্লে। কৈশুমশঙ মমুংদা লৈরিবা সত্যানন্দনা মহেন্দ্রদা হায়রকই, "ঙসিসি ওস্থোক্লা মুংঙাইরবা মুমিৎনি। মরমদি ঐখায় কৈশুমশঙদা ফাহুনা লৈরে! শোল্লু, হরে মুরারে! মহেন্দ্রনা মথাই মুংঙহৈত্তনা শোল্লকই, "হরে মুরারে!"

সত্য। করিগী য়ারিবনো নহাক? নহাক মহাব্রতসি লৌরমলবদি মুপী অঙাংদি শোয়দনমক থাদোক্লমগদবনি। মরী অমুক থনমলরোইদবনি।

মহে। থাদোকপনা অমনি, শিখিবনা অমনি। ঐনা ব্রতসি লৌগদৌরিবা পাঙ্গল পুম্নমকতু দি, ঐগী মুপী অঙাংনা পুদনা চৎখ্রে।

সত্য। পাঙ্গল লৈগনি। ঐনা পাঙ্গল পিগনি। মহামন্ত্রসিদা লাইমিং লৌ, মহাব্রতসি চৎলু।

মহেন্দ্রনা মথোইদৌ শাঙগৎনা হায়রকই, "ঐগী মুপী অঙাংদি হুই-সমহুইনা চাখ্রে। ঐঙোন্দা ব্রতগী য়া অমুক ঙাংবিরক্লগন্নু!"

সত্য। মরম অহুগীদি থোইনা মুংঙাইতবা পোকল্লুগন্নু। মচা ময়াম্না নংগী মুপীবু সংস্কার তৌখ্রে। নচামুপীবুন্না জুগোৎ চাবা মরম অমখা থমখ্রে।

মহু তাবদা মহেন্দ্র পুমঙক ঙকখ্রে, মহাক অহুক কম্না থাজবা পোক্লে; হায়রকই, মহু নং করম হায়না থঙবিরিবনো? নংগা ঐগা শুকথা থানবন্নু লৈতে।"

সত্য। ঐংখোয়দি মহাক্রতদা লাইমিং লৌরবনি। লাইনা ঐখোয়বু হেক-হেক খৌজানবি। ঙসি অহিংমক নহাক পাওসি তাগনি, ঙসি অহিংসিমক নহাক কৈগুমশঙ অসিদগী নাম্বোক্লগনি।"

মহেন্দ্র রা মথা অমুক তাদ্রে। সত্যানন্দহ্ মহেন্দ্রনা থাজদ্রে হায়বসি উই। মতমহ্দা সত্যানন্দনা হায়বকই, "নং ঐনা হায়রিবসি থাজদ্রে। কৈ পরীক্ষা ঐতুনা য়েংউ।" অসি হায়রগা সত্যানন্দহ্ কৈগুমশঙগী থোঙ তান্না থোরক্লে। মফমদ্দা মহাক্না করি তৌবগে হায়বহ্দি, মম্বনা মহেন্দ্র করিমতা উদে। অদুবু কনানো অমগদি রা ঙাংনৈ হায়বা মহাক থঙই। হন্নকপা মতমদা মহেন্দ্রনা হংই, "করি পরীক্ষানো ?"

সত্য। নহাক হৌজিকমক কৈগুমশঙদগী নাম্বোক্লগনি।

অসি হায়রগা লোয়ন-লোয়ননা কৈগুমশঙগী থোঙহ্ হাঙ-দোরক্লে। নিপা অমথক কাহ্দা চংলক্লগা হায়রক্লই, "মহেন্দ্রসিংহ হায়বসি কনানো ?"

মহেন্দ্রনা হায়, "ঐনি।"

লাক্লিবা নিপাহ্না হায়রকই, "নংবু থাদোক্লবা হুকুম তৌরে চংপা য়ারনি।"

মহেন্দ্রহ্ অহানবদা ইঙক ঙকই, অদুবু মতুংদদা মীনম্বা ওইরবদি হায়না থক্লকই। মহাক চাং য়েংগে হায়দুনা মপাল থোক্লক্লে। অদুবু কনামত্তনস্ত মাবু থিংবা তৌদ্রে। মহেন্দ্র লমজাও সড়ক তান্না চংলক্লে।

তাক্লকসিদা লাক্লিবা নিপাহ্না সত্যানন্দদা হায়রকই, "মহারাজ নাম্ব লেংবিদ্রবরা কৈদৌরে ? ঐহাক প্রভুপাদমক্তা লাকচরিবনি।"

সত্য। কনাগী নঙবো ? ধীরানন্দ গোসাইনা ?

মাদি হোই।

সত্য। করম তৌনা নংদি সন্ত্রী ওইরমলিবা?

ধীরা। ভবানন্দনা ঐবু থারকপনি। ঐহাক নগর য়ৌরক্লগা প্রভুখোই কৈগুমশঙদা লৈগ্রে হায়বা তারদুনা, শৌগিদাক মপান য়ানশিনবা সিদ্ধি থরদং পুরগা মকমসিদা লাকচবনি। সন্ত্রী তৌরম্বা খাঁ সাহেবতু মদু চাবদা লৈমায়থক্তা য়াত্তাদুনা লৈগ্রে, ঐনা শেংদি চারিবা ফুরিং, কোয়েৎ, তা, পুম্নমকসি মহাক্তনি।

সত্য। নহাক মদু অদুম শেংদুনা নগরসিদগী মপান্দা থোকখ্রো। ঐদি অস্নুম্না চংপদি তৌরোই।

ধীরা। কররিনো তাকপিরিবা য়াদুবো?

সত্য। ঙসিদি মচা ওইবগী চাং য়েংবা য়ুমিংনি।

মহেন্দ্রদু অমুক হন্দ্রিলক্লে। মদু উবদা সত্যানন্দনা হংঙকই, "কৈদৌরে হল্লক্লবদি?"

মহেন্দ্র। নহাক থাদৈংশংবা সিদ্ধপুরুষনি। অদুনা ঐহাক নংবু থাদোকদুনা চংপদি কৈদৌদুংদা তৌরোই।

সত্য। অদু ওইরগা লৈরো, ঙসি অহিং ঐখোয় অনি অতোপ্পা পাম্বৈনা নাম্বোক্লবা তৌসি।

ধীরানন্দ মপান্দা থোকখ্রে। সত্যানন্দগা মহেন্দ্রগা কৈগুম-শঙদা অদুম্বক লৈরে।

---

## তরাশুবা শতাং

ব্রহ্মচারীনা শকথিবা ইশৈংদু মী অরাপ্পবা তানৈ। মরামদুগী মরক্তা জীবানন্দসু তাহৌই। মহেন্দ্রগী মতুং ইন্নবা মতোন্দা য়াথং তৌখিবনি, মদু পাম্বিবশিংনসু থিংশিংবিরমগনি। 'অম্মেনদা' হুপী অমগা অহাক থেংনরগে। হুপীদু হুমিং তরেথনি চুংমা চাক

ফংলকত্রহ্না লম্বেল মপান্দা তুম্না লৈরম্মি। মহাকপু কল্লবা হোৎনবদা জীবানন্দ যুথক অনিরোম পুল্লরে। মুপীহবু কল্লমদগা মাবু মাম্না শাথিনা চৈনা চৈনা (থেঙহল্লিবহ্ মাননি হায়হ্না) মহাক অমুক চংলকই। মতমহ্দা মহাক, মহাক্কী প্রভুবু মুসলমান্না ফাখিহ্না ইশৈ শক্না শক্না অস্মুম চংখিবহ্ উরকই।

জীবানন্দদি মহাপ্রভু সত্যানন্দগী অরোনবা ঈঙ্গিৎ পুম্নমক খঙই!

"ধীর সমীরে তটিনীতীরে, বসতি বনে বরনারী"

তুরেল মপান্দা করম্বী মুপী অমমুক চাবা ফংদহ্না য়াম্বহ্না লৈরবগে? মশুম্না থল্ল-থল্লহ্না জীবানন্দহ্ তুরেল খোংবাল ইন্দুনা অস্মুম চংলক্লে। জীবানন্দ মমিৎমক্না উরে, ব্রহ্মচারী মশামক মুসলমানশিংনা ফাহ্না পুখ্রে। অহ্না হৌজিকসিদা মহাক্কী অম্নবা তৌগন্নবা মথৌদি মহাকপু কনবনি। অদুবু জীবানন্দনা রাথল তৌরকই, "তাক্লমলিবা ইঙ্গিতসিদি মতু হায়বা নত্তে, মাগী মথ্বাই কনবদগী মম্মাথং ঙাকপনা হেন্না লুই। মসি মঙোন্দগী ইহান হান্না তম্বনি। অহ্নদি মাগী মাথংসি ঙাকপা তাই।"

তুরেল মপান্দা অস্মুমক জীবানন্দ চংলক্লে। মহাক্না অস্মুম লাকপদা উথা অমদা তুরেন মনাক্তা মুপী অমগী অশিবা মশাগী হিংলিবী মচানুপী অমগা লৈবহ্ উরক্লে। পারিবশিংনা নিংশিং-বিরমগনি, মহেন্দ্রগী মতু-মচাবু জীবানন্দদি অমুক্কফাও উথিদ্রি। মহাক্না থল্লকই, 'মথোয়সি মহেন্দ্রগী। মতু-মচা ওইরম্মু য়াই। মরমদি প্রভুগা [illegible] মহেন্দ্রসু য়াওমিবা উই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবস্না, [illegible] শিরে, মচানুপীসা হিংলি। [illegible] মাবু কন্নবা হোৎনবা [illegible] [illegible] [illegible] চাপ্রোক্লম্প্রদি। ভবানন্দ ঠাকুর [illegible] লৈরমগনি, মহাক মুপীসিবু

পোৎলোইদবা তৌরসল্লু।' অসুম্না থম্লুদুনা জীবানন্দনা ভুপীমচাহুবু পমথৎলম্লুনা পুরক্লে।

ভুপীমচাহুবু পমলম্লুনা জীবানন্দ গোসাইনা গুল্লবা উমংহুপী মমুংদা চংলক্লে। উমংহু লাম্বোল্লগা পিক্লবা খুল অমা য়ৌরক্লে। খুল অহুপী মমিং ভৈরবীপুর কৌই। মীনদি ভরুইপুর হায়নৈ। ভরুইপুরদা অচুম্বা মী থরভমক খুব ভাই, মনাক অহুবাইদা অচৌবা খুন থোইনা লৈতে, খুলহু লাম্বোল্লগা অমুকম্মু উমং লৈ। মাইকৈ মরিমক উমংনি উমংহুপী মমুংদা পিক্লবা খুল অমা লৈ, অহুবু খুলহু য়াম্না নিংথিজে। থোংলবা নাপীনা কুপ্পবা যঙ্গাবুং; মেংবা শংবাম্নবা মনানা লৈতেংলবা হৈনৌ, থৈবোং, জাম, থেজুরগী হৈকোল; ময়াইদা অশংবা ঈশিংনা থল্লবা লুরবা অচৌবা পুখ্রি। মহুপী ঈশিংদা উরোক, ভাম্নু, কাংগু, ভারাকপী; মপান্দনা কোকিল, নোংইন; থরা থাপ্পগনা য়াহোংনা হৌনা থোংলি। য়ুমথোং খুদিংগী মাঙোন্দা যনবী, ইমুংদনা কোং, হৌজিক চাকভাংবা মতমদদি কৌ হাপত্রে। কনাগুমগী শাইজিন্দা ময়নাগী পোন, কনাগুমগী কক্লাংদা লাই-ভিন য়েকপা, কনাগুমগী গুমাংদা মনা-মশিং থাবা লম। ময়াম্মক চাবা ফংদবনা য়ানরে, ময়াং কংলে, শোয়ে, অয়াম থৌরাংবগী মৈশা লাংলে; অহুমকপু খুলসিগী মীশিংগী নিংথি ফজবদি কাবক মরৈরি উমংদা মীনা চাবা য়াবা পোৎলম কয়া হৌরি, মরম অসিনা উমুংদগী চানবা থিক্লগা খুলগী মীপুম্বা মথ্যাই হিংনবা হোৎনবমথৈ মঙম্মী।

চাওরবা হৈনৌবন অমগী মমুংদা পিক্লবা যুম অমা লৈ, অকোই-বদা লৈপল, মাইকৈ মক্সিদনা শঙ্গোই মরি শারি। য়ুমুহুপী বনবী লৈ, হামেং লৈ, য়াহোং অমা লৈ, মরুনা অমা লৈ, য়োং অমম্মু লৈরম্মী অহুবু মহুদি চানবা ছয়িংভাই লৈরকত্রম্লুনা থাদোকপ্রে। তৌকি অমম্মু লৈ, মালিকা মালতীগী পাবী থয়ম্মু হৌরি অহুবু

হুন্দখি মতু লৈ শাম্ত্রেশংহমুম পৃথ্বী মাঙ্গোন্দা তরেং অমমম লৈ, অতুবু য়ুমতু মী পংয়াম য়াম্না লৈতে। জীবানন্দনা নুপীমচাতু পময়দা য়ুমতুদা চংলক্লে।

য়ুমতু 'হেক য়োবগা জীবানন্দনা মাঙ্গোল অমতা মাথংতুনা তরেংতু নেংশ-নেংশ লৈবা হোরক্লে। পিক্লিবী নুপীমচাতুদি তরেংগী মথোক অমুক্তসু তাখিত্রি। 'অতুগী মথক্তা মমা কায়নবগী কপ-তুনতা লাক্লি ; তরেংগী মথোসতু তাবদা খংকি কিবা অমসু পোক্লতুনা অমুক্তা হেন্না অয়োবী থোক্লাংনা কন্না হৌবক্লে। মতমতুদা ইমুংদগী চহি তরাতরেং-তবানিপাল শুরবী নুপীমচা অমা থোক্লক্লে। নুপীমচাতু থোক্লক্লগা য়েংথংবা থক্লাইদা য়েংথংবা খুৎকী খুৎশানা শোর-তুনা চেপথবপ তৌনা লেপতুনা লৈরমে। অতুগা হায়রকই, "করি মতৌনোসিদে? তাদা নংনা তরেংককা নাইখৎলিরসিবু করিনো? নুপীমচাতুনা কদায়দগী পুবক্লিবনো? তাদা নংবু নচানুপীকা লৈর-ক্লনে ইনম্মা অমা অমুক থিক্লবত্রা?"

জীবানন্দনা নুপীমচাতু পমথংতুনা মথোক কারক্লিবী অতুগী মথাদা কিন্না থিনগে তৌবকই ; অতুগা হায়রকই, "য়োংনুবী, নংনা ঐবু ইচানুপী পোক্লত্রকা হায়বা, ঐ সিবু চোইত্রি-চোইখক্কী মীশক অমা ওইনা থনত্রা? শঙ্গোম্মকাবু লৈ-শাক্লিক্লনে?"

মতমতুদা মথোক কারক্লিবী অতুনা হায়রকই, "লৈ, থক্লেনা?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হোয়, থক্লে।"

মতু ভাংদা মথোক কারক্লিবীতু তকিং তকিং শঙ্গোম থোক্লক্লে। মরক অতুদা জীবানন্দনা তরেংতু নেংশ-নেংশ লৈতুনা লৈরক্লে। নুপীমচাতুদি নুপী অতুনা পামখিরতুদা অমুক কপখিরে, নুপীমচা পিশকতু করি থনগ্রবা মতু থারক্লে, মথোক কারক্লিবী অতুগী মংগাইদা থাংশবা লৈরাংগুম নিংখিক্লবতু ইমা মমা ওইবা থক্লনমাক্লে হায়না খনই। নুপাগী মৈশা শাংথোক্লম তৌনত্রা নুপীমচাতু থক্লপ কয়ক্লে।

মতু তাবদা জীবানন্দনা হায়রকই, "ঙাই লিরি। শকথিবী। য়োং মানবী। হৌজিক কাওবা শঙ্গোম্ পোত্রবা লোইহন্নিবরা ?" নিমিনা খুমককই, "লোইরে লোইরে।" অসি হায়রদুনা মরাক্তা নুং তেংগোং অমদা শঙ্গোমদু হৈরদুনা জীবানন্দগী মনাক্তা পুরক্লে। জীবানন্দনা শাওশিন্নবদুনা হায়রকই, "নং ঙসি অশাবা শঙ্গোমসি নশাক্তুরা কোক হৈজিন্নকদুনা তোকনি। ঐনা থক্লে তৌরিব্রোই নিত্রা নং ?"

নিমিনা হংঙকই, "অদুদি কুমন্ন থকদোরিবা ?"

জীবা। নুপীমচাদুনা থকদৌরিবনি, নমিংতু পাত্রা, মঙোন্দা পিথকউ"।

মতু তাবদা নিমিনা থোংগ্রাইচম্ন কমথদুনা নুপীমচাদুবু মতম্বাক্তা হিপথইল্লগা কোংগ্রেং অমনা শঙ্গোম ইনবিবক্লে। থঙহৌদনা মাগী মমিত্তা পি চদুম চদুম শিন্থরক্লে। মহাক মচানিপা অমা পোক-চরমলগা শিত্রবনি। মাগীদমক্তা থমখিবনি কোংগ্রেংসি।

নিমিনা অদুদগী মথুংনা মপিতু তৈংথাক্লগা নোক্লা নোক্লা জীবানন্দদা হংঙকই, "নত্তে তাদা, কনাগী অঙাংনোনে মসিবো ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "মতু খংঙপা কৈদোগে হায়বগে শকথিবী ?"

নিমিনা হায়রকই, "ঐঙোন্দা অঙাংসি পিরোদনা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "নং লোৌরগা কৈদোদোরিবা ?"

নিমি। ঐহাক নুপীমচাশিবু শঙ্গোম ইনবিগনি, পমগনি, পোগনি, মী ওইনবা শেমগনি অসি হায়না নুংশিহৈত্রবা মিংকী পিদু অমুক জেহরক্লে, নিমিনা অমুক মথুংনা হৈথোক্লে, অদুগা অমা নোক্লকই।

জীবানন্দনা হায়রকই, "কৈদৌনজে হায়রিবনো ? ..মসু মুখী নিপা চানবু শিকথবা নৈরকখিনি।"

নিমি। লৈজরকলম্ছু, হৌজিক অঙাংসি ঐঙোন্দা পিরো, মতুংদা লোগে হায়রবস্রু অমুক লো।

জিবা। লোয়ো লোয়ো, মদূ হোৎনদূনা নপুম অদূম থিৎচয়ো। ঐ মরক মরক্তা লাকতুনা য়েংজগনি। মহু কায়েজলী মচানুপীনি। ঐ হৌজিক্তি চৎলগে।

নিমি। করি হায়নোবে হায়রিবহ্নবো তাদা, চাক চাদনা চৎলগদবা? হুমিং ফনা থেংঙ্রে, চাক থজিক্তং চাম্‌গা চৎখ্রো, নত্রবদি ইকোকসি শায়বা শকচনি।

জীবা। নকোকস্তু শায়বা, চাকস্তু চাবা অহুদি ঐদি কৈদগী ওমদগে। নকোকতুদি চানিংদে, চাক ওইনা চারগে।

মহু তাবদা নিমিনা অঙাংহু পম্না পম্না চাক থিজোকপা লাক্লবক্রে।

অহুদগী নিমিনা ফাল অমা থারগা, ঈশিং থবা থিজোক-তুনা মফমহু নাম্থোক্লগা মালিকা লৈরাংগুম লূয়বা চাক, মঙ্গল কংতক থোংবা, লম হৈবোংগী কাংশোই, পুখ্রিদগী কাবা য়োগী মহি অমত্তুং শঙ্গোম থবা পুথোকতুনা জীবানন্দদা পিজরে। অস্তুম চানা চানা জীবানন্দনা হায়রকই, “নিমাই মীনদি চাক তাংলে হায়নৈ অদুবু নথোয়গী খুলসিদদি চাক তাঙবা য়োয়জবোইনা?

নিমিনা হায়রকই, “রুরিগী য়োয়রুনি, য়াম্না তাঙথ্রবা পোৎনি, ঐথোয়গীদি ঐথোয় অনিদনি, থয়দং লৈজরিবসি, মীঙোন্দা থবা মপিজবা অহুগা ঐথোয়না থবা চাবা অস্তুম্না লৈরিবসিনি। ঐথোয়গী খুলদদি নোং কাবক তাথি, নবু নিংশিংগ্রবরা? নংনা উমংদদি নোং তাবোইরে হায়থিবহুদি। অদুনা ঐথোয়গী খুলদদি কৌ থজিক থজিক্তং লোকথি। অদুবু মথোয় অতৈদি সহরদা চৎতুনা তাইথোক্লগ্রে। ঐথোয়গীদি স্তুকতাই তাইরে।”

জীবানন্দনা হায়রকই, “ইশেলদি কদায়দা চৎখ্রে?”

নিমিনা মঙক লুকথরদুনা লোয়শ হায়রকই, "চেং সেম্ন অনি অহুম পুহুনা কদাইদনো চথোকস্রে। কনানো অমনা চেং থরা নিরকপঙম তৌত্রা ?"

জীবানন্দগী মরাইবক্তা অম্বুম্বা চাক ইনশাংসি মতম ওম্থোক্লা কুইরে চাবা ফংখিদবা। মহাক ম্নায়াম ঙাংদুনা মতম অমুক মাঙ-হনবা তৌদনা চোপ-চাপ, ফু-ফ্রা লাওনা ঙাইহাক্তুংগী মহুংদা চাক-ইনশাংদু লোয়নমক চাথোক্লে। শ্রীমতি নিমাইমনিদি মহাক্তা মপুরোইবগা মবানিতগী থোংজবনি, মাগী শরুকতু মবুংদা পিজবনি পুখম তেঙ্গোং ইকোক কোকপদু উবদা মুংঙাইত্রদুনা মপুরোইবগী শরুকতুস্নু পুরকতুনা হাপ্লরে। জীবানন্দনা হন্না অমুক য়েংলুবা তৌদনা পুম্নমকতুস্নু চাকথাও হায়বা চাওরবা কোমম্নুংদা থাজিনখ্রে; মতুংদদি নিমাইমনিনা হায়রকই, "তাদা, অতৈ পোং থরগা চাখিগেরা ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "অতৈ করি অমুক লৈজরি ?"

নিমাইমনিনা হায়রকই, "অমুনবা থৈবোং অমা লৈ।"

অসি হায়রদুনা নিমাইনা অমুনবা থৈবোংদু পুরক্লে। থোইনা হুম-হা তৌদনা জীবানন্দ গোস্বামীনা থৈবোংদুমস্নু হায়রিবা কোম-জাওদুদা থাদখ্রে। মতমদুদা নিমাইনা নোক্লদুনা হায়রকই, "তাদা অতৈদি লৈজদ্রে।"

মবুংনা হায়রকই, "করে তোক্লো, নোংমা অমুক লাক্তুনা চারগ।"

অদুদগীদি নিমাইনা জীবানন্দবু মখুৎ হামদোকুবা ঈশিং থাররে। ঈশিং অস্নুম থানা থানা নিমাইনা হায়রকই, "তাদা! এনা হায়জবা য়া অমতং য়াবিগদ্রা ?"

জীবা। করি য়া ?

নিমাই। য়াত্রবদি ইকোক শাইবা শকউ।

জীবা। অদুবু করিনো হায়বা শকথিবী।

নিমাই। য়াগদ্রা ?

জীবা। হায়া মাহ্ হায়ৗখো।

নিমাই। ইকোক শাইবা শক্তদবনি, ঐ থুরুমহুনা হায়জরিবনি।

জীবা। নকোকস্তু শাইরগে, থুস্ত্র থুরুমলো, অদুবু মাহ্ করিনো হায়রো ?

মহ্ ভাবদা নিমাইনা মথুং নাম্নদা মথুং নামগী থুংশাহ্ মুক্তহুনা মমাই লুকথনা মহ্ পুম্মকতু য়েংলগা, অমুকস্তু জীবানন্দগী মাইথোং ওয়া য়েং, অমুকস্তু নৈমাই ওয়া য়েং-অস্তুমা মচিন কাং-থোকপা ওম্মদনা যদা কুইনা নৈরুময়া তুংদা ওমা হায়রকই, "ইনম্মবু অমুক্তং কৌবিরুগে হায়বা ?"

জীবানন্দনা থুং হামলিবা থুঙ্গাইহ্ পাক পায়হুনা থাঙ্গংলগা নিমিগী মকোকতু গুপাইগে ভৌরকই ; অমুদগী হায়রকই, "ঐগী মুপীমচাহ্ পিবিয়ো, ঐনা ওসি চাথিবা চাক-ইনশাংশিস্তু নোংমা শিংবিয়নি। য়োংমানবী, শকথিবী হায়বা হৌনদবা বা হায়বা শারদনা।"

নিমাইনা হায়রকই, "ঐ য়োংমানবীবু ওইরবস্তু, শকথিবীবু ওইরবস্তু ইনম্মবুদি কৌরুরনি।"

জীবা। "ঐ চৎলে।" অসি হায়রহুনা জীবানন্দহ্ কি কি কামলহুনা মপায়োমদা থোক্করে, তাঙ্গাহ্দা নিমাই পরপ পরপ হোৎচিনখিহুনা থোওদা লেপগুরে ; থোওহ্ খিওজিনহুনা মনমগমা থোওপাক্তা ভাথরহুনা হায়রকই, "হায়া ঐবু হাৎনমথো, অদুনা চৎলু। ইনম্মগা উনদনা নং তকচং চৎথিবা য়াদে।

জীবানন্দনা হায়রকই, "ঐ মী কয়া কয়া হাৎলবনি, মহ্ নং থত্তা ?"

মসি ভাবদা নিমিহ্ শাওগৎলরে, হায়রকই, "হায়া নমিং চেনরপোথনিনা অহুদে। মুপী, অভাং হম্পোক্লগা, মী হেক হাৎলগা,

ঐনা কপু নিংথিরা ?" নংমু ঐমু ইপা অমতগী মচানি। মী হাৎলগা চাওথোক্লকপু ওইরবদি, ঐখুমু হাৎলগা মপুং ফানা চাওথোক্লে।"

জীবানন্দ নোক্লে ; হায়রকই, "কৌরকও,—কনাগো পাপ লৈবী নংনা কৌরগদবনু কৌরকও ; অদুগা য়েংউ, মতুংদা করিগুম্বা অসিগুম্বা বাসি অমুকা হন্না হায়রবদি, নঙোন্দা অমুক তাকপা তাক্লবা, য়োং ইশেন্দুবু মরু কোকথোক্লগা য়াইঙং তুম্বু তৈশিন্নুনা গাথা অমা মনিং মমাং ওন্না তোংহল্লগা লৈবাকসিদগী তাথোকখিগনি।"

নিমিনা মপুক্কিংদা মথন্তমক শোন্নরকই, "অদুম তৌরবদি ঐসু অয়াবা কোকচরনি।" অসি হায়রগুনা নোক্না নোক্না নিমি মপান্থোমদা থোকখ্রে। ইনক নম্না লৈবা থাংপোকশঙ মচা অমদা চংখ্রে। থাংপোক মথুংদা পংকোত্তা কোৎলবা কাজোস লেৎপি মশম মনা ইফা কাবী সুপী অমথক কমলগুনা ত্রংবঙ লাইরম্মী। নিমাইনা মনাক্তা চংলক্লগা হায়রকই, "ইনম্মা সে সে পম্বরমু।" মনম্মনা হায়রকই, "কৈদোরবগে অমুক তকিং তকিংলিবসিবো ? ইপন্না ইবুংঙোনা সুবিরক্লগুনা চৈকমশিংহু থাও তৈযু হায়রিব্রা ?"

নিমি। হোয় মতুংগা কাবক মমাইদা, ইমুংসি থাও লৈ লাকপ্রা ?

সুপীগুনা থাও চফু পুথোরক্লে। নিমাইনা চফুহুদগী তকিং তকিং থাও খুজোক খুজোক লৌরগা সুপীহুগী মকোক্তা তৈশিন-বিরক্লে। য়ান্না থুনা হায়কেৎ চৎনবা য়াবা মওংদা শমজাহু পুন-শিনবিরে। অদুদগী মঙোন্দা কিন্না দক তুরগা হায়রকই, "নংগী চাকাগী শামাহু কদায়দা থম্মী অকউ।" সুপীহু হায়রপ গুম্লগুনা হায়রকই, "করিগীনো নংবু ঙাওরবরা ?"

নিমাইনা হুপ লাওনা ননমগথুনা পুজুম্না থুনগা হায়রকই, "নাতৌ পুথোরকউনে।"

করি কুম্মৈ মওংনো য়েংগে হায়রদুনা তুপীদুনা শাড়ীদু পুখোল্লে। কুম্মৈদু য়েংনিংবদুননি—মরমদি অসুক শাথীনা য়ায়বসিদস্থ কুম্মৈ য়েংনিংবগী য়াথলদুদি মাগী থম্মোইমুংদগী মাঙখিত্রি। মথোক কারকপগী লময়োবা চহি মতাংনি, ফুগাইনা শাংলবা থম্বালগুম মপুং মরৈ ফারবা শাবানগী নিংথিবা পূম্বনা তিন্নি; মশম থাও ভৈদে, কীজোন নিংথিবা শেঙ্গে, নিংথি-মুংঙাইনা চাদে অদূমকপু লংলবা চাংদম্ম থংত্রবা নিংথিবদু শন্না শন্না ফোংলবা অসুকপা মরকতুদস্থ ফোংদোরক্লি। কুচ্না মমি মপৈগী থক্কৎকম্মি, মিং-ফমদনা লোল্লপ মিচি, চিনবান্দনা মুংশি মীনোক, থম্মোইদনা থাঙহৈ পুকচেন। নিংথিনা চাত্রে অদুমকপু হকচাংদু তগপ তগপ্নি। ফজনা শেত্রে। অদুমকপু নিংথিবদুদি ফোংদোক্লিংঙাইগী য়াহৈ লৈত্তে। নোংলক্কী নোংথাংগুম, থম্মোইমুংগী মঙালগুম, তেংবালগী খোজেল্লকী ইশৈগুম, অশিবদা মুংঙাইবা ফাওবগুম, ফজরবা শকওং দুদা হায়রকম থংদবা অমা লৈ। হায়রকম থঙদবা নোঙ্গুক-শাজৎ, হায়রকম থঙদবা অয়াং-য়াথল, হায়রকম থঙদবা মুংশিবা, হায়রকম থঙদবা তক্তিনা তিন্নি। মহাক্না নোক্না নোক্না (কনানস্থ মীনোকতু উনখিত্রিবনি) চাকাগী শাড়ীদু পুখোল্লে। অদুগা হায়রকই, "করিগীনোনে নিমি, করি তৌনদৌরিবনো ?" নিমাইনা হায়রকই, নংনা শেংকদৌরিবনি।" মহাক্না হায়রকই, "ঐনা শেংলগা কৈদৌ-দৌরিবা ?" মতমদুদা নিমাইনা তুপীদুগী নিংথিজরবা মঙকশমদুদা মাগী নিংথিজরবা পাম্বোম্না কোনশিন্নদুনা হায়রকই, "তাদা লাকই, নংবু লাও হায়রি।" মহাক্না হায়রকই, "ঐবু লাও হায়রগা চাকাগী শাড়ীকা শেকংকদৌরিবসিনা করিগীনো ? চংলু, অসুমক চংসি।" নিমাইনা মথজাইদা পুক্লা শোপ থাবল্লে, মদুদা মহাক্না নিমাইগী মরোংজুমদা ইম্মুনা থাংশোরকপা অদুদগী পুখোবল্লে। অদুগা হায়রকই, "চংলো, শেগায়রকা কীসি শেংদুনা ময়াংদা চংত্রি।" মরাক কী হোংউ য়ায়বা ওকয়া য়াল্লে। মরম অদুনা নিমাইস্থ অমুক

[illegible] শাস্না [illegible]। নিংথৌনা মাদু পুরকপ্লুনা মাগী [illegible] [illegible] [illegible], অদুদগী মাদু [illegible] থাজিনখ্রগা খোঙ, [illegible] [illegible] [illegible] মপান্দা খোঙজিন্দা লেপখ্রুনা লৈরম্লোই।

---

## তরাতক্লুকপুবা মতাং

[illegible] [illegible] চহি কুনমঙাকোম হায়রগনি, অছুবু লেংবদদি নিংথৌ[illegible] খোইনা পংহুম হুমনা উই। মোংলবা ফোংলকা ফীদু শেংলহুনা মহাক ইমুংগা [illegible], ইমুং অদু থংগাল [illegible]-পগ্লু [illegible]। উনানা কুপ[illegible] [illegible] উপাল [illegible] অপোম্বা লৈরবা; কম্লুমুক [illegible] থ[illegible]দনা [illegible] [illegible] নিংগ্লু; [illegible] হায়না [illegible] অমা [illegible] [illegible] লৈ[illegible] কনানো অমনা লিক্লিচু হেক থুগায়রকপগুম থনখ্রে, কনানো [illegible]-মুথরক্লুবা মৈতাপদা থুপ[illegible] চৎ[illegible] লৈখ্রে; [illegible]নবী অদু ইমুং চঙুলক্লগা মায়কৈ মরিক্লু মপুম্নোইববু [illegible] [illegible] অহান[illegible] থুংউ হেক উবা ভমদুকলনি। মমৈথংদা মনিংগী [illegible] হোমিবা পিক্লুবা হৈনৌ পাম্বী [illegible] মড়ুদা মহ্রাক থুম্লমহুনা জীবানন্দ কুপহুনা লৈরদু উরক্লে। [illegible] [illegible] মাগী [illegible], চংশিহুনা [illegible] [illegible] মাগী মথংদু পায়রক্লে। [illegible] [illegible] পিগী, [illegible] [illegible] হায়রা ঐ [illegible]। [illegible] [illegible], মাগী মমিংদা [illegible] পিগী [illegible] [illegible] জীবানন্দবু [illegible]-দনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; [illegible] মথংদু [illegible] [illegible] [illegible] "[illegible] [illegible] [illegible] ঐ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] নংনা [illegible] [illegible] [illegible]দা, ঐ [illegible] [illegible] [illegible]।"

জীবানন্দনা মঙক হাইগৎলক্লগামপি তৈথোক্লদুনা মাগী মুপীদা হংলকই, "শান্তি ! নহাক অমুক শাথিনা কোৎলবা মোৎলবা কিসি শেৎলিবা করিগীনো ? নহাক শেৎন-চানবা থোইনা পংম্নাং-ম্নাংপনু নত্তে।"

শান্তিনা হায়রকই, "নংগী লন-থুম, নংগীদমক্তা থমলি। ঐহাক লুপানা করি তৌনবা হৌনবগে হায়বদু থওদে। নহাক্না হন্নক্লগা, নহাক্না ঐবু লৌশিনবিরগা—"

জীবা। লৌশিনবা হায়বা শান্তি ! ঐহাক্না নংবু থাদোক্লব্রনে ?

শান্তি। থাদোকপা নত্তে, নহাক্কী ব্রতদুনা লোয়রক্লবা মতমদা, নহাক্না ঐবু অমুক নুংশিবিরক্লবা মতমদা—

মা অদু লোইত্রিডনা জীবানন্দনা শান্তিবু চেৎনা কোন শিল্লগা মরেংবান্দা মতকতু ভাথবদুনা কনা কুইনা তুমিন্না লৈখ্রে। অদুদগী মুংশাথর মপি অমা হোল্লদুনা হায়রকই, "করি নুংগী নংগা উনকরবা ?"

শান্তি। করিগী উনররিবনো ? নহাক্কী ব্রত থুগাইরেদো ?

জীবা। কাইসদু ব্রত, মদুগী প্রায়চিত লৈ। মদুগীদমক্তদি করিস্নু থন্নদে; অদুবু নশকতু উরগা অমুক হন্না চৎপসি ওম্মোইদৌরে। অদুনা ঐনা নিমাইদা হায়বনি, উনক্লবগী কান্নদে, নংগী নশকপু উক্লরবাদি ঐ থোং থাংদোকপা ওমদে হায়না। মায়কৈ অমদা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ, জগৎসংসার, অতোপ্পদনা ব্রত, হোম, যাগযজ্ঞ পুম্নমকসিনু নাকল অমতদা, অদুগা নাকল অমদনা নং। ঐ কৈদৌদুদো লৈপ্না ওমদে, কদোম থৎবনা নুপা। লৈবাক্তি ইংনা অদুমক লৈজে, লৈবাক্না ঐডোন্দা করি তৌনগদগে ? লৈকম মটৈং অমতংবু কালোবং নংগী লৌয়ননা ঐ স্বর্গগী মুংডাইবা কংদুনা লৈবাক লমগনি, লৈবাক অমুবসি ফংবনা ঐডোন্দা করি কাম্নকম লৈ ? লৈবাকসিগী মী পুম্বা থানরে। অদুবু নংগুম্বী নুপী কংজরগা

হন্দোকিতুনা থম্বা অসিদগী হেন্না য়াবা মীশকশিবু লৈবাকসিদা কনা লৈরমথিনি? নংগী নশাদা শেগাইরবা ফীজোন শেংলিবসিদগী হেন্না লায়রবা মীবু লৈবাকসিদা কনামুক লৈরমথিনি? ঐগী ধর্ম্ম পূম্নমক্কী পান্থৈদি নংনি। পান্থৈসি থাদোক্লবা মীতুগী মফমদা সনাতন ধর্ম্ম হায়বমুক লৈরিব্রা? ঐহাক কয়স্থা ধর্ম্মগীদমক লৈবাক খুজিংদা, উমং উমংদা; নোংমৈ লেঙথোংনদুনা, মী হাৎতুনা পাপকী পোৎলুম অসি খোমজিনগদৌরিবনো? পৃথিবীসি মচা ওইরিবশিংসিগী ওইরগত্রা ওইররোইত্রা হায়বদুদি অরেপ্পা থঙবা ওমদে; অদুম্ নংদি ঐগীনি, নহাক্না পৃথিবীদগী হেন্না চাওই, নংনা ঐগী স্বর্গনি। চংলো য়ুমদা চংলসি ঐ অমুক হন্না চংপা তৌরোই।

শান্তিদু মতম ফনা কুইনা য়া ডাংবা থোকখিদরে। কাইনথংদা হায়রকই, "করি মত্তৌনো, অথৌবনি নংদি। ঐগী পুন্সিসিদা থয়াইদগী হেন্না মুংডাইজব হায়ববু, ঐ অথৌবগী মুপীনি হায়বসিনি। নহাক তোন্নবী মুপী অমগীদমক্তা অথৌবগী থবক থাদোক্লগদবা? নহাক ঐবু মুংশিবা তৌবিগন্নু—ঐহাক মতুগী মুংডাইবদু পামজদে। অদুবু নহাক নংগী অথৌবগী ধর্ম্মদু কৈদৌন্নুংদা থাদোকপদি তৌবিগন্নু। অদুগা য়া অমত্তংদি ঐঙোন্দা তাকপিরম্মু—ব্রত কায়বসিগী প্রায়শ্চিত করিনো?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "প্রায়শ্চিত্তি, দান, চরা হেনবা, ১২ কাহনকড়ি।

শান্তিনা মোমোন নোক্লকই। অদুগা হায়রকই, "প্রায়শ্চিত্ত করিনো হায়বদু ঐ থঙই। মরাল অমথক্কী প্রায়শ্চিত্ত, মরাল চামগীম্নু অদুম্মক চপ মান্নবা তৌব্রা?"

জীবানন্দনা ওক্লা অমস্থুং মথ্বাই য়ানা হংঙকই, "করিগীনো অস্নুপ কুপথনা হংলক্লিবা?"

শান্তি। ঐনা নিজবা অমা দৈ। ঐগা অমত্তা [illegible] মহৌশা লোয়্রদ্রিত্ত খৌবিয়ু শিনু।

অদু অদুগা অমারানন্দনা লোক্রদুনা হাঙজকই, "[illegible] ফিনরগ লৌকনবা। নংগী নহাক উবনা ঐ কৈদৌহুবদগু নিংজৌ। তৌনিংজবা নিংকবী অদুক হৌজিকনা যাম্না লৈজে। ঐ অসুক [illegible] পন্থরোই, অদুবু মিথংগি লোনা নংমু য়েংলগা [illegible] লোংমক্কি শেয়্যদুনা য়েংঙখিগনি, লোংমক্কি শোৎপদনা ঐখোয়না [illegible] থুংবা উবগনি। ঐনাক চংলগে অদুবু নহাক ঐগী [illegible] ভাবউ। [illegible] থাদোকউ। ঐগী ইপা ইপুদুগী যুমদা চংলু লৈয়ু।"

শান্তিনা হংজকই, "নহাক হৌজিক কদায়দা চংকদনি?"

খৌনা। হৌজিক ঐ মতম ব্রহ্মচারীবু নিংবা [illegible] মহাত্মা [illegible] চংলিবা মওংদু থরদং চিংনৈ, [illegible] লৈবদনবকি নখর তাঙা চংবা তাই।

---

# তরাতরেৎশুবা মতাং

ভবানন্দনা লাইশঙ মমুংদা কমলছুনা হরিগী নাম শক-শোন্দুনা লৈরিবৈ মতমদা জ্ঞানানন্দ কৌবা মতিক মডান লৈরবা মচা অমখক মায়থোং মক্কা মনাক্তা চঙলকই। মতুদা ভবানন্দনা হায়রকই "গোঁসাই, অতুক মায়থোং লাংশিল্লিবা করিগীনো?"

জ্ঞানানন্দনা হায়রকই, "থরদং খুদোংচাদবা থোকপগুম তৌরে। ঙরাংগী থৌদোক অতুদগী কোকলংগী কাংবুশিংসিনা হেক থেংনবা গেরুয়া শেৎপমথৈ পংফাদা ফারে। অতুনা মচা পুম্নমক ঙসি গেরু শঙবা ফীজোন থাদোক্লখ্রে। সত্যানন্দ প্রভুদং গেরুয়া শেৎতুনা মথন্তা নগররোমদা চৎখ্রি। কনানা খঙনি, মহাক মুসলমানশিংগী মখুত্তা তারম্বসু য়াই।"

ভবানন্দনা হায়রকই, মাবু ফাতুনা থমগদবা মুসলমান হৌজিক ফাওবা বাঙ্গালাদা লৈত্রি। ধীরানন্দনা মাগী মতুং কোইন-ইনখ্রি। অতুমকপূ ঐ অমুক্তং নগর কোয়চৎ চৎতুনা য়েংলুগে, নহাক মঠসি ঙাক্লম্মু।"

অসি হায়বগা ভবানন্দনা অথুপ্পা কা অমদা চংখিতুনা চাউরবা উপূ অমদগী ফি-বোন থরা লৌথোবক্লে। থীন্দনা ভবানন্দ শকফম ওনখ্রে, গেরুয়া ফিজোনগী মহুত্তা মপাল হৎপা পায়জমা, অককপা কোট, কাবা, কোক্তা কোইয়েং অতুগা থোঙদনা নাগরা থোং-উপনা লৈতেংখ্রে। মমায়দগী ত্রিপুন্ড্রনচিংবা চন্দনগী খুদম পুম্নমক মাঙখ্রে। মুশিন মুরবা থদাং-চিনবানগী কোইনা মায়থোংতু লৈতেং-লতুনা অঙকপা ফজবা অমা ওইখ্রে। মাবু হেক উবদা মোগলগী পাথং অমা ওইবগুম থনখ্রে। অস্নুম্না ভবানন্দনা মোগল শারতুনা খুংলাই পুরতুনা মঠ অতুদগী থোকখ্রে। মফম অতুদগী ক্রোশমুক লাপ্না থোইনা পংরাং রাংদবা চীংতুম মচা অনিথক লৈ। চীংতুগী

মথক তাম্না উমং হাইগৎখ্রি। হায়রিবা চীং অনিসিগী কারক্তা চিক্লবা লম অমথক লৈ, মতুদা শগোল য়াম্ন থম্মি। মসি লাই-শঙতুদা লৈরিবশিংতুগী শগোলশঙনি; ভবানন্দনা ময়ামতুগী মরক্তগী শগোল অমা চিংথোক্লগা মতুদা তোংতুনা নগর পাংনা থোরক্লে।

অস্তুম লাকপদা খঙহৌদনা মহাক থংলেপ লেপ্লে। লম্বেল মনাক্তা চিক্লবা খোম্থোক্তা লোয়নননা চেল্লিবা তুবেলতুগী মপান্দা অতি-য়াদগী কেল্লক্লবা থব্রানমিচাক্লুম, নোংলক্তগী নাম্থবক্লবা নোংথাংগুম ইরং লংনা মুপী অমা য়াতাতুনা লৈবা উবক্লে। মহাক্না উই, হিংবগী মতৌ মান্দে,— অহাঙবা হুগী কৌভাস্তু তাবি। ভবানন্দ ঙকপগা মুংঙাইতবগা, কিবগনা থনখ্রে। জীবানন্দগুম ভবানন্দস্তু মহেন্দ্রগী মতু-মচাবু মশক উত্রি। জীবানন্দনা মসি মহেন্দ্রগী মুপী-অমাং ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা পোকখিবা মবমশিংতু, ভবানন্দদি করিগুম্বা অমত্তা থেংনখিদ্রে। মহাক্তি ব্রহ্মচারীগা মহেন্দ্রগবু ফাতুনা পুখিবতু উহৌদে— মুপীমচাতুস্তু মফমতুদা লৈবমদে। কৌটাতু উবদা মহাক কনাগুম্বী মুপীমচা অমা হু চাতুনা শিখিবনি হায়বদি মখণ্ডই। ভবা-নন্দনা অশিবা মশাতুগী মনাক্তা চংঙক্কুনা ফমলবে; অতুদগী মরাই-বক্তা মখুং থমতুনা মতম ফনা শাংনা থন্দুনা লৈরক্লে। কোক্তা, শেগ্রাক্তা, মখুত্তা, নাকথংদা মখুৎনা পায়-পায়তুনা য়েংলক্লে; অস্তুম্না মীনা খঙনদ্রবা মথল কয়াগী পরিক্ষা তৌবক্লে; অতুদগী মতোমত্তা অস্তুম শোপ্পবকই, "হৌজিকস্তু মতম লৈরি. অতুবু হিংহল্লুদনবু করি কাম্নখিদগে ?" অস্তুম্না ভবানন্দতু মতম শাংনা মথল মথল থল্লক্লে, থনবমথৈ থল্লুরগা উমংদা চংখিতুনা উ অমথক্কী মনা থরা থত্তুনা পুরক্লে। উনাশিংত্তু মখুৎনা শ্রু শ্রু নোইতুনা মহি থোকহল্লগা অশিবতুগী মচিনবান ফাক্তোক্তুনা মখুদোনবীনা মহি থরা ময়াদা চংহল্লে। অতুদগী মনাতোন্দা মহি থরা অমুক হাপ্লে— মশাদস্তু তৈরে। হন্না হন্না অস্তুম্না তৌরক্লে, অতুগা মরক মরক্তা মনাতোন

ময়াদা মখুৎ থমলদুনা স্বর হোল্লকপ্রা হায়না হেক হেক য়েংই। মানা হোৎনরিবদু কান্নদ্রবগুম্না উই। অদুমকপু অস্নুম্না মতম য়াম্না কুইনা পরিক্ষা অস্নুম অস্নুম তৌরকপদা মমৈথংদদি ভবানন্দগী মায়থোংদু হাইক্কেৎ মকা লামলক্লে— খুদোনবী মতোন্দা স্বর হোনবগী হাইক্কেৎ পিক্লবা ইছন অমা ফাওরকপগুম তৌরে। মদুদগীদি মহাক উনাগী মহিদু অমুক্কা হেন্না খিকপা-তৈবা হৌবক্লে। মতুংদুদা অস্নুম অস্নুম স্বর অদু চাউখৎলক্লে। মখুদাং পায়দুনা য়েংবদা ভবানন্দনা মিছন ফাওরকপা থেংনরে। কাইনথংদদি তপ্না তপ্না নোংপোক মায়কৈদা নৌনা চীংখৈ ফিদুপ হুল্লকপগুম, অয়ুক্কী থম্বাল লৈরাংনা অহানবা মকা ফন্দোরকপগুম, শৈহৌগী নুংশি য়াথল ফাওরকপগুম কল্যাণীদু মমিৎ পাঙথোরক্লে। মদু উবদা ভবানন্দনা হাইরপ জ্ঞান তারকপদা ভায়রিবা হকচাংদু শগোলথক্তা হাপক্লগা খোঙহৌ য়াঙনা নগর মায়কৈ তম্না শগোল খোবক্লে।

## তরানিপালশুবা মতাং

য়াচংফাত্রিভৈনা মচাগী কাংবুদু সত্যানন্দ ব্রহ্মচারীগা মহেন্দ্রগা অনিমক কাদুনা নগরগী কৈশুমশংদা থমখ্রে হায়বসি তানরে। অদুদগীদি অমমম. অনি অনি, তরা তরা, চাম চাম ওইনা মচাগী কাঙবুদু অস্নুমক লাক্কুনা লাইশঙদুবু কোয়শিল্লিবা উমংদু পিক থল্লক্লে। লোইনমক খুৎলাই পায়। মমিত্তা ঈ কানৈ, মায়থোংদা নাপলনা থম্লৈ, মচিনবান্দনা য়াশক শক্লৈ। অহানবা চাম, মতুংদা লিশিং, অদুগী তুংদনা লিশিং অনি। অস্নুম্না মী মশীং অস্নুম য়ামথৎলক্লে। মতমদুদা লাইশঙগী খোঙজিন্দা লেপ্লদুনা থাংশাং অমা পায়না পায়না জ্ঞানানন্দনা খোঞ্জেল য়াংনা লাওরকই, "ঐখোয়

মতম শাংনা থল্লক্লবনি, শেম্বাংগী মছুমসি থুগাইরগা, যবনগী লৈফমসি মাঙহল্লগা তুরেনগী থোঙন্নুংদা নমশিনসি হায়না। ওক-কোনশিংসি মৈ থাদোক্লগা ইমা মালেম্মু অশেংবা মকম অমুক ওই-হনসি হায়না। ইচিল-ইনাও পূম্বা, ঙসিদি অত্থুগুম্বা মুমিত্তু লাক্লে। ঐখোয়গী গুরুগী গুরু অখোইবা গুরু, জ্ঞানগী মশক ওইরবা, অচুম্বতা চৎলবা, মীগী কান্নবতা তৌববা, লৈবাক্কী ফননবতা থল্লবা, সনাতন ধর্ম্মবু অমুক শন্দোক্লবগীদমক্তা থল্লাই কৎকনি হ্রাশক্লবা— ঐখোয়না বিষ্ণুগী অবতারগুম থন্নরবা, ঐ:খোয়গী মুক্তিগী পাম্বৈ ওইবব', অত্থুগুম্বা মহাক অত্থু ঙসিদি মুসলমানগী কৈথুমশংদা বন্দী লৈখ্রে। ঐখোয়গী থাংশাংশিংসি ময়া কুমলবরা?" মখুৎ থাঙ্গৎলত্নুনা জ্ঞানানন্দনা হায়বকই,— "পাম্বোমশিংসিবু মপাঙ্গল হ্রাৎলববা?" মথবাক্তা থুত্ত্রুম্না গুরগা হায়রকই, "থম্মোইসিদা লিংজেল লৈত্রববা?"— ইচিল-ইনাও পূম্বা, কৌ, হরে মুরারে মধুকৈটভারে! — মধুকৈটভবু মাঙহনখিবা, হিরন্যকাশিপু, কংশ, দন্তবক্র, শিশুপালনচিংবা লাকঙম ফাঙমত্রবা হিংচাবা কয়াবু মথল্লাই লৌবিখ্রবা, মাগী চক্রগী কল্লবা মৈশাদা অশিবা-ঙম্বা শম্ভু ফাওবা কিবনা থক থক নিকখিবা— লাকচ-খুত্থুম চনঙমত্রবা, লানফমপূম্বা মায়পাকপা পিনবিবা, ইবুংঙো মহাকতুবু নিঙজরিবা ঐ:খোয়নি, মহাক্কী মপান্দগী ঐ:খোয়গী পাম্বোমদা লোইনাইত্রবা পাঙ্গল লৈরবনি। মহাক্তি অ.নিংবগী মপুনি, ঐখোয়নবু নিঙলবদি শোয়দনমক ঐ:খোয় মায় পাক্লনি। চৎসি চৎলো, ঐখোয় যবনগী লৈফমত্থু থুগাইত্নুনা উৎফুল ওলহল্লুরসি। ওকোন অত্থু মৈ চৎনুনা তুরেলগী ঈরোনন্নুংদা ইনথুখ্রসি। শেম্বাংগী মছুমসি থুগাইরগা চল্ল-চনাই পূম্বা মালংদা পাইহনখ্রসি। হায়যু, শোল্লু, হরে মুরারে মধুকৈটভারে!"

মত্থুদগীদি উমং অত্থুদগী য়াম্না হৌরবা খোনফমদা খোঞ্জেল লিশিংনা খোল্লাও অমত্তদা লাউরক্লে, "হরে মুরারে মধুকৈটভারে।"

থাংশাং লিশিংনা মতম অমত্তদা শ্রেং শ্রাং হায়বা মখোল থোক্লক্লে। তা লিশিংনা ইরং লংনা নোংথক্লোমদা থাঙ্গংলক্লে। পাম্বোম লিশিংনা ছাই-হুমলকপদা ব্রজ তাবগুম হৌরক্লে। চুঙ্গোই লিশিংনা লাম্মী-শিংগী কল্লবা মনমগন্দা ক্রোক ক্রোক লাওরক্লে। শাথীনা নিল-থোংবত্থদা শা পুম্বা কিরত্থনা উমংত্থদগী চেম্থোক্লখ্রে। উচেক-ৱায়া-পুম্বা মিপাইবনা হৌনা থোংল থোংলত্থনা নোংথক্লোমদা পাইথক্তুনা অভিয়া অসি কুপশিনখ্রে। মতম অত্থদা লানগী পুং-শেল চাম চামনা অমুক্ত ওইনা নিনথংলক্লে— অত্থদগী "হরে মুবারে মধু-কৈটভারে!" হায়না লাউব-লাউবত্থনা উমংত্থদগী পরেং শানা মচাগী কাংবুথ্থ মপাল্লে মদ থোক্লক্লে। তপ্লবা, চীং-লেমলবা থোঙথাংদা মচিন্দা হৌনা হবিনাম শোল্ল-শেল্লহ্থনা মমলবা অহিংত্থদা নগর তম্মা চংপা হৌবক্লে। ফীজোনগী শ্রো শ্রে হায়বা মখোল, খুং-লাইগী শ্রেং-শ্রেং হায়বা থোম্থোক, মুকম মুকম শোল্লকপগী ঙুং-ঙুং ঙংবা থোম্থাং. মবক মবক্তা হৌববা থোঙ্গলনা শোল্লকপা হবিবোল। তপ্পা, চীং-লেম্মা, শাওনা, থৌনা ফনা, মচাগী তেঙ্গোলত্থ নগর য়ৌবক্তুনা নগবত্থ ইপা-পাথংহল্লে। ইথঙ-খঙহৌদনা অস্থুম্মা ব্রজ তাবকপগুম তৌবসিদা নগবদা লৈবা মীশিংত্থ মায়কৈ-শলাই থঙদনা কোয়চেন চেম্মখ্রে। নগর ঙাকপা কাংবুত্থ জ্ঞান মাঙলত্থনা তুমিন-তুমিল্ল লৈখ্রে।

অসোমদা মচাগী কাংবুত্থনা অহানবমক্তদা কৈশুমশংদা চংত্থনা থোঙনচিংবা থুগাইবগা শত্রিশীংত্থবু হাত্তোক্লে, অত্থগা সত্যানন্দ অমস্থং মহেন্দ্রবু লৌথোক্তুনা মকোকথক্তা থাঙ্গংলগা জগোই শাবা হৌরক্লে। মত্তমত্থদা হবিবোল হাম্লবা থোল্লাওনা মাইকৈ পুম্বা পুম্মিন নিনখ্রে। সত্যানন্দগা মহেন্দ্রগবু লৌথোক্লগা মখোয়না হেক থেংনবা মুসলমানগী য়ুম মখৈ মৈ থাদোক্লক্লে। মত্থ উবদা সত্যানন্দনা হায়রকই, "চৎসি চংলো হল্লসি, কাম্মদবদা মাঙন-স্থাক্ল তৌরুবগী ফরিস্থ থোইনা কাম্মদে।" মচাশিংনা অস্থুম্মা ওং-নৈবগী পাউ তাবদা লৈবাক্তী

অশুম-অথৌশিংনা মখোইবু লাকশিন্নবা সিপাই পরগণা অমা থারক্লে। মখোইছু নোংমৈ পান্নবতা নত্তনা টোপ অমস্থু পুরকই। মচা-শিংছু মখোয় লাক্লে ভাবদা অমুক উমংদগী হোত্তোরক্তুনা মাইয়োক য়ারক্লে। অত্তবু উতুপ, চৈশাংনা অমদি নোংমৈ কুনমরি মঙাথক্লা টোপকী মমাংদা কৈদৌরুনি ? মচাশিংছু লেপ্পা য়ারক্তুদুনা কোয়চেন চেন্নরক্লে।

# অনিশুবা শরুক

—০—

## অহানবা মতাং

শান্তিদি য়াম্না নৌরিঙৈ, অঙাং ওইরিঙৈদা মমা লৈথিদ্রে। শান্তিগী মরমচৎ শেমগৎলকপা পোৎচংশিংগী মন্নুংদা মসিনা অথোইবা অমনি। মহাক্কী মপাদু ওঝানা শিনকম ওইবা ব্রাহ্মন অমা ওইরম্মী। মাগী ইমুংদা অতৈ অতোপ্পা মুপী অমমুক লৈরমদে।

মরম অদুনা শান্তিগী মপানা টোলদা ছাত্রশিংবু লাইরিক তম্বিরিঙৈদা, শান্তিসু মাগী মনাক্তা অদুম্মক কমলম্মী। টোলদুদা ছাত্র কয়ামুক লৈ ; শান্তিনা অতৈ মতমদা মখোইদুগী মনাক্তা কমদুনা অদুম শান্নৈ, মখোইগী মনমগন্দা, মতম্বাক্তা কোইকা কাই, মখোয়দুনসু শান্তিবু মুংশিনা চান্না তৌই।

অম্নুম্না পিক্লিঙৈদগী ইতৎ তত্তুনা নিপাতগা লোয়নদুনা লৈরকপগী মহৈদুনা, শান্তিদু মুপীমচা অমা ওইবগী চাকচা-ফীজেৎ হৈদ্রে, শেৎ-চারবসু অদুম্মক থাদোকখ্রে। নিপামচাগুম নামৈ য়েপ্তুনা কৈজোম শেংলে। কনাগুম্বনা মুপী মচাগী ওইনা মফী শেৎপিন্নবসু, মহাক্না মদু তনলৌ-লৌথোক্তুনা নামৈ হাপ্তুনা হেক্তমক

শেৎলি। টোলগী ছাত্রশিংদি মশম পুনদে, অদুনা শান্তিসু কদোমুংদা শমজী পুনত্রে— অদুগা কনা লৈদুনবু মাগী মশমদু পুনবিগনি ? টোলগী ছাত্রশিংদুনা য়াগী শমজেৎনা মাগী মশমদু হেক হেক হাত্তোকপি, মশমশিংদু কোম্বক কোম্বক শান্তিগী মনম-গন্দা, লেংবান্দা, পাম্বোমদা অমম্মুং মথজাইথক্লা হাই হুম্না তাই। ছাত্রশিংদু চন্দন থিল্লি, ছাপা নম্মি, শান্তিসু চন্দন থিল্লি, ছাপা অদুম্মক নম্মি, মহাক নগুন থাংগে হায়বদা য়াদে হায়দুনা কপ্পনসু খেম্ফম খুডনখিত্রবনি। অদুবু সন্ধ্যাহ্নিকী মতমদা ছাত্র-শিংগী মনাক্তা ফমদুনা মখোয়গী মতৌ তম্বদি তোক্তে। ছাত্রশিংনা ওয়া লৈত্রিঈদে ফজদবা লোন্দাগী সংস্কৃত য়াহৈ অনি মরি শিজিন্নদুনা ইরাং চেনবা য়ারি অমা অনি শাবদু, শান্তিনা তেনয়াগুম কোক চিন্ফা পুখোকই— তেনয়াগুম করি হায়রিবনো হায়বদি শুকখড খড়দে।

অনিশুবা মহৈনা অসনি, শান্তিনা থরা চাউরক্লবা মতমদা ছাত্রশিংনা তমলিবা লাইরিক্কু, মহাকসু মখোয়গা লোয়নলোয়ননা অদুম্মক তম্বা হৌরক্লে। ব্যাকরণগী ময়েক্তি অমফাও খডদে, অদুবু ভট্টি, রঘু, কুমার, নৈষধনচিংবগী শ্লোক ব্যাখ্যাগা কোন্ননা চিনফা লোইনমক পুই। মদু উবদ শান্তিগী মপাদুনা যত্তবিষ্যতি তত্তবিষ্যতি হায়রদুনা শান্তিবু মুগ্ধবোধ তম্বিবা হৌবক্লে। শান্তিদু পরপ পরপ মথং মথং হৈগৎলক্লে। ওয়া পুমডক ডকখ্রে। ব্যাকরণগা লোয়ন-লোয়ননা সাহিত্য অমা অনিস্মু তম্বিরে। অদুদগীদি অদুম্মক মফম মরাং খডখিত্রে। মপাদু নোঙ্গাখ্রে।

মতমদুদা শান্তি চংজফম লৈত্রে। টোল কায়খ্রে। ছাত্রশিংসু চৎনখ্রে। অদুবু শান্তিবুদি মখোয়না হুংশি— শান্তিবু হুন্দোক্তুনা চংপদু ডমত্রে, মখোয়গী মরক্তগী অমথক্লা থৌজানবীদুনা শান্তিবু মাগী ময়ুমদা পুদুনা চংলে। মহাক অদু মতুংদা মচাশিংগী

কাংলুপ্তা য়াওহুনা জীবানন্দ হায়না থঙনখি। ঐখোয় মাবু জীবানন্দ হায়না অহুম্মক কৌরগে।

মতমহুদা জীবানন্দবু পোকপা অহল-লম্মন হিংলি। মথোয়দা জীবানন্দনা মুপীমচাহুগী য়ারী য়াখোং শিং-শিংনা তমলে। অহল-লম্ময়া হংঙকই, "হৌজিক লমলানবী মুপীমচাসিগী থাজ-য়োনজবগী অয়াবহু কনানা পুগনি?" জীবানন্দনা হায়, "ঐনা পুবকপনি—ঐনা অহুম্মক লৌগনি।" অহল-লম্ময়া খুম্মকই, "ফৈ"। জীবানন্দ ময়ুম পান্দ্রি শান্তিদি থাজবগী মতম য়োরক্লে। অহুনা জীবানন্দনা মাবু অহুম্মক লুহোংলে।

লুহোংলবা তুংদা ময়াম্মক নিংঙমদবা পোক্লরক্লে। ময়াম্মক্লা থক্লি, "হন্দক্কী থবকসি মথোং হুক্কে।" শান্তিদি মুপীদৌনা মফি মরোল শেংপা তৌরে। মশমস্থু পুন্রে। মহাক ইমুংদা ইরৈ লৈতে; লৈকাইগী নিপাশিংগা শান্নমিন্নহুনা পংলৈত লৈ। জীবানন্দগী ময়ুম মনাকমক্তদা উমং লৈ, শান্তিদি উমং মন্থুংহুদা মথক্তা চংখিহুনা কদাইদা য়াহোং লৈবা, কদাইদা শজি লৈবা, কদাইদা তাঙলবা উহৈ-য়াহৈ ফংবা, পুন্নমকসি কোয়থি খিহুনা লৈ। মনেম-মকুনা অহান-বদা থাম্মি অহুদগী চৈ-থাংই, অহুগী তুংদদি ফুরক্লে, মমৈ মমৈদদি ইমুংদা শো লোমশিন্দুনা শান্তিবু ফাহুনা থমলক্লে। অসুম্না ওৎ-নৈবসিদা শান্তি মথয়াই প্রোক প্রোক চাক্লে। নোংমা থোঙ হাং-দোকপা থেংনহুনা শান্তিনা কনামত্ত' তাক্লম্বা তৌদনা য়ুম থাদোক্তুনা চেনখ্রে।

- উমং মনুংদগী লৈ থল্ল-খল্লহুনা হেক্লগা, মফি মরোন্দু শঙ-জিন্দুনা শান্তিহু নৌরিবা সন্যাসী অমা শারে, মতমহুদি বাঙ্গালা শিন-থুংনা সন্যাসী কাংবু কাংবু চংলি। শান্তি ভিক্ষা তৌহুনা মথয়াই হিংনবা হোৎনরগা জগন্নাথ ক্ষেত্র চৎনবা লম্বীহুগী মপান্দা

লাক্নুনা লেপ্লরে। থান্দনমক লম্বীচুদা সন্ন্যাসী কাংবু অমা থেংনরে। শান্তি মথোয়গী মরক্তা য়াওখ্রে।

মতমচুগী সন্ন্যাসীশিংদি হৌজিক মতমগী সন্ন্যাসীশিংগা মতৌ মান্নদে। মখোইদি কাংবু কাংবু নাই, মহৈ-মশিং চংখোল্লা হৈ, মপাঙ্গল কল্লি, লালদা হৈ-শিংই অমসুং অতৈ গুন কয়ামুক্লসু তিল্লি। মখোয়চু মহৌশা ওইনা নিংথৌগী মাইয়োক্তা লেপ্লা কাংবুনি— নিংথৌগী মরল-মথুম মুন্দুনা চাই। মশা ফবা অভাং থেংনরবদি হেক্তমক হুরাল্লি, মখোয়শিংচুবু নিংথিনা তম্বি-খোৎপিরগা মখোয়গী কাংবুদা য়াওহল্লি। মরম অচুনা মখোয়বু অভাং ফাবা হায়না কৌনৈ।

শান্তিচু সন্ন্যাসী নুপামচাগী ফিজেৎ শেৎলচুনা মখোয়চুগী কাংবু অমগী মরক্তা য়াওবে। মখোয়না অহানবদদি মাগী নৌরবা থোৎলবা মশাচু উবদা মাবু লৌশিনবচু য়ানিংলমদে, শান্তিগী মবৌশিং লৈবা, হৈ-শিংবা অমসুং থবক-থৌরম থৌবচু উবদা লুনা চান্না অচুম্মক লৌশিল্লে। শান্তিচু মখোয়গী মরক্তা য়াওরবা মতমদা হকচাং শাজেল তৌবা য়াওরে, খুৎজু-খুৎলাই তম্মে অমসুং নোম্বদা অথাং কনবা মীশক ওইরক্লে। মখোয়গা লোয়্নচুনা লম অতাপ অতোপ্পা কয়া কোয়রে, লানফম কয়া উরে, অমসুং খুৎজু-খুৎলাই শিজিন্ন-বসু হৈরে।

মমৈথংদদি মথং মথং মহাক মপুং-মরৈ ফারকপগী ফিভম লাক্লে। অয়াম্বা সন্ন্যাসীনা মহাকপু ফিজেৎ লোৎপী নুপীনি হায়বসি খঙনরক্লে। অচুবু সন্ন্যাসীশিংদি মহৌশানা মপুকচেল ফাবা ভম্মি, কনামত্তা করিগুম্বা য়া অমত্তা কাংথোক্লদ্রে।

সন্ন্যাসীশিংচুগী মনুংদা পণ্ডিত য়াম্না য়াওই। শান্তিচু সংস্কৃত হাইফেৎ খঙই হায়বচু উরচুনা পণ্ডিত সন্ন্যাসী অমথক্না মহাকপু লাইরিক তম্বীরে। মহৌশাগী ওইনা সন্ন্যাসীশিংদি মপুকচেল ফাবা

ঙম্মিদি হায়খ্রে, অদুবু পুন্নমক হেক ঙম্বদি নত্তে। পণ্ডিত অসিস্তু নৎলমদ্রে। নত্রগনা মহাক শান্তিগী হায়নিংঙাই লৈতনা মপুং-মরৈ ফারকপগী নিংথিজবদু উবদা শুমহৎথিদুনা ইন্দ্রিগী ইথৌলাংবা অমুক য়াকাইরকপগুম ভৌখ্রে। শিষ্যাদুবু মুংশি মুংঙোল য়াওরবা শৈরেং-শিংগী ফোংদোকপা য়াদ্রবা ব্যাখ্যা কয়া তাহল্লক্লে। মতুনা শান্তিগী অমাঙবা থোকহনবগী মহুত্তা কাক্লবদুম ওইহনখ্রে। ইকাইবা কদায়বু কৌই হায়বসি শান্তিদি খঙঙক্তে, হৌজিক্তি মুপাগী হৌনশা ইকাইবা হায়বদু লাক্কুনা মশা মথন্তমক থুংলরে। হৈনরক্লবা মুপাগী লোন-চত্তুগী মথক্তা লূরবা মুপাগী লমচৎকী চাংদম্ফম লৈত্রবা মঙালদু ফাওরকপদুদা, শান্তিগী মগুন অদু হেন্না লংখৎপা হেল্লক্লে। শান্তি লাইরিক তম্বা তোক্লে।

শাতানবনা শজি অমোম উরগা কোয়তান তান্নবগুম, শান্তিগী ওঝাদুনা শান্তিবু উবমক্তদা কোয়তান তান্নবা হৌরক্লে। অদুবু শান্তিদি হকচাং শাজেন্নচিংবা তৌদুনা নিপা মরায় অমদগীস্থ হেন্না মপাঙ্গল কল্লম্মী, ওঝাদুনা মনাক্তা হেক চংলকপগা মাবু খুত্তুম কিলনা পুজা হেক হেক কৎলি— মদু কাবক শাবকপা খুত্তুম কিল নত্তে। নোংমা সন্ন্যাসী ঠাকুরদুনা শান্তিবু মী চিকপা মফম অমদা থেংনদুনা খুৎপায় চেৎনা শান্তিগী মখুদাংদা তাপ ফারে, শান্তি কন্থোকপা ঙমদ্রে। অদুবু সন্ন্যাসীদুগী মরাইবক থীবনা ফারিবদু শান্তিগী ওই থংবা খুৎ থোক্লুরে, মতমদুদা শান্তিনা, মাগী য়েৎ-থংবা খুত্তু হাইগত্তুনা লৈজবা মথৈ থাদুনা মরাইবক্তুদা কিন্না অমুক্তং থিল্লকপবু সন্ন্যাসীদু য়াম্থক্লনা অদুম্মক তুংখ্রে। অদুদগীদি শান্তিনা সন্ন্যাসী কাংবুদু হুন্দোক্লমলগা তন্না চেল্লক্লে।

শান্তিদি অকিবা পোক্তে। মথন্তা মপাম লমদম থিনবা থোঙ-শাল্লক্লে। মথৌনা মরিংজেলগা মপাঙ্গলগা ফুদোক্কুনা য়ৈথাই থিনগাই লৈতনা অদুম্মক চৎলক্লে। ভিক্ষা তৌদুনা অমদি লমলক্কী

উহৈনা অরাম খৌরাংবা কোকহন্দুনা অমস্তুং অফা অপুন কয়াদা মানা ঙমহনা মমৈথংদা মহাক মনেম-মকুগী য়ুমদা য়ৌরক্লে। মফমহু য়ৌরক্লগা মানা উরে. মকুহু নোঙ্গারমল্লে ; অহুগা মনেমবোক্লস্তু মাবু অমুক চংহল্লে— মীনা শোক্ল-শয় বির:রাই হায়হুনা। শান্তি অহুম্মক থোক্লক্লে।

মতমহুদা জীবানন্দ য়ুমদা লৈ। মহাক শা.স্তিগী মতুং ইন্নরক্লে। লম্বীদা শা.স্তিবু ফারগা মানা হংই, "নহাক করিগী ঐগী য়ুম থাদোক-তুনা চৎলুরিবনো? অস্তুক কুইবসি কদাইদা লৈরুই? "শাস্তিনা ব্লারোল অচুম্বা পুম্নমক্কু তমলে। জীবানন্দদি অচুম-অরান পাক হেক্তা খঙবা ঙম্মি। মহাক শাস্তিনা হায়রিবহু থাজরে।

লাইরেম্বীশিংগী চংথোক্লা য়েকপগুম তৌরবা পীগুমলক্কী মিৎচি-মঙালগা লোইননা চেকশিন্না শাখ্রবা থম্মোই-হুবা তেন্দু, লৈরাং-লিক্লং-খুৎপাইনবনা (কামদেবনা) মপুঙ—মরৈ ফানা চান্ন-পুন্সি-খোংদোই-হুনম্নিখ্রবা মীশক্তদি অরেম্বা খক শিজিন্নদে। ইংরেজ-শিংদি পুর্ণিমাগী অহিংদা শোরোক্তা গ্যাসকী থাওমৈ থাল্লি, বাঙ্গা-লীশিংনা থাউনা লেক-লেক লাউরিবা কোক্তা থাউ অমুক হৈজিল্লি ; তাইবং মীগী ব্লাদি থস্থু থমখিসি, থাজফাও মুমিৎ থোক্লবা মতুংদা করি-করিগুম্বা মতমদা থোকই ; শোরারেনস্থু সমুদ্রদা নোং অহুম্মক তাহল্লি, লুপানা পাযোক্লবা উপুদদা কুবেরনা লুপা অমুকস্থু হল্লা হৈজিল্লি ; যমস্থু অয়াম্বা লৌহুনা লোইরবমক্তদা, লেমহৌরিবা খজিক্তং অহু ফাওবা নপুনা লৌই ; কামদেবদি হায়রিবা অসিগুম্বা লৌশিং লৈতবগী থবকসি তৌবা উদে। মরী—মথোঙ য়েৎশিন্নখ্রবা মফমহুদা-মহাক অমুক কান্নদবদা খুং-থাক্লবা তৌদে, মুংশিবা কৌবা লাইদা পুম্নমক শিন্নন্নমলগা, মহাক অতোপ্পা থম্মোইগী ঈ চুপ্পা ফংগদবা মীশক কোয়খি থিবা চৎলি, অহুবু ঙসিদি কামদেবহু থৌ পংচিন-চিন্দবগুম তৌরবরা,— খঙহৌদনা তেন অনিথক অরেম্বদা

শিজিন্নরক্লে। অমনা পাইরক্তুনা জীবানন্দগী থম্মোইদা পানখ্রে— অমনা শান্তিগী থম্মোইদা পান্দুনা অহানবা ওইনা শান্তিবু খঙহল্লে, মুপীগী থম্মোইনি— য়াম্না খোং-নৌই। অনৌবা নোংনা খিকথ-রকপা অহানবা নোংলিক চাইরবা পোমশাংনরকপা লৈরাংগুম শান্তিহ্ খঙহৌদনা পোমশাংনরক্তুনা হয়াও মিৎয়েংনা জীবানন্দ তম্না য়েংলক্লে।

জীবানন্দনা হায়রকই, "ঐহাক নঙবু কৈদৌমুংদা থাদোক্লরোই। ঐনা অমুক হল্লকত্রিফাওবা নহাক ঙাইহ্নুনা লৈরম্মু।"

শান্তিনা হায়রকই, "নহাক হল্লক্তি হল্লক্‌নিদনা?"

জীবানন্দনা করিগুম্বা খুম্বা-সাকপা তৌদনা, মাইকৈ কৈদম্লু 'য়েংউবা লৈতনা, লম্বেল মপান্দা লৈরিবা য়ুবী পাম্বীবক্কী মরুমদা শান্তিগী চিনবানথক্ত মচিনবান থমহ্নুনা, অমৎ্ত থক্লে হায়বা রাখন্দা তাউরহ্নুনা অহুম্মক চংখ্রে।

মমাদা নিংথিনা হায়রমলগা জীবানন্দহ্ মমাগী মফমদগী বিদায় লৌরক্লে। ভৈরবীপুবদা ইকুই কুইদনা মাগী মচল নিমাই লুহোং-হ্নুনা থাজখি, মশেলনিপা অহুগা জীবানন্দগা হাইরপ চান্নে মুংশিনৈ; জীবানন্দনা শান্তিবু পুবহ্নুনা মফমহ্নুদা লাক্লে। মশেলহ্নুনা লম মচেং অমা পীরে। জীবানন্দনা মহ্নুদা থাংপোক মচা অমা শারে; মহাক শান্তিগা লোইননা মফমহ্নুদা মুংঙাইনা পাল্লক্লে। মপুরোইবগা লৈমিন্নরকপহ্নুদা শান্তিগী নিপাগী শাজং চংলম্বহ্ নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লে, মমি শামলক্লে। নিংথিজরবী মুপীগী শাজং নিতিগী মথং মথং কাওরক্লে। মুংঙাই-মঙলানগুম মখোয়গী পুন্সি লেল্লক্লে; অহুবু নোংমা থঙহৌদনা মুংঙাই-মঙলান্দু কায়খ্রে। জীবানন্দহ্ সত্যানন্দগা থেংনরুবদগী মচাগী ধর্ম্ম লৌরহ্নুনা শান্তিবু ছন্দোক্লমহ্নুনা চংখ্রে। ছন্দোক্লম্বগী মতুংদা মবানি ইহান-হান্না উনবসি নিমাইগী খুজিল-থৌরাংনা থোকহনখি। মহ্ মথক্কী মতাংদা পনখ্রিবা অহুনি।

———

# অনিশুবা মতাং

জীবানন্দনা চংথ্রবা তুংদা শান্তিনা নিমাইখোয়গী মাঙোল নাকচিদা ফমলরে। নিমাইস্মু মুপীমচাহু পমলহুনা মনাক্তা চংলক্তুনা ফমলরে। শান্তিগী মমিত্তা পিগী ঈবা অমুক চেন্ত্রে, মপি তৈথোক্লহুনা মাইথোং মকা লামলক্লে, মোমোন মিনোক ফাওরক্লে। হাইফেৎ চীং-লেমই, হাইফেৎ ব্রাখলগী ম.মি তাই, ব্রাখল-লফেনরগুম তৌই; মতৌহু ভাব তারহুনা নিমাইনা হায়রকই, "অহুমকপু উদি উন-রেদনা।"

শান্তি করিমতা খুম্মক্তে, তুমিন্না অহুম্মক লৈরে। নিমাইনা উই, শান্তিহু কৈদৌনুংদা মপুক্লিংগী ব্রা হায়দোক্লোই। মহাক মপুক্লিংগী ব্রা হায়দোকপা হায়বসি ইপাম-পামজদে, মহু নিমাইনা খঙই, মরম অহুনা নিমাইনা অংতোপ্পা ব্রাফৈ অমরোমদ চথনবা লাক্ল-রক্লে; মানা হায়রকই, "য়েংউ ইনম্মা, কয়া ফজথ্রবা অঙাংনো!"

শান্তিনা হায়রকই, কদাইদগী অঙাংনো অহুদে— নংবু নচানুপী অমা পোক্লব্রনে?"

নিমাই। চয়োদা মসিমা— ঐগী নত্তেয়ে, তাদগী অঙাংনে।

মিমাইনা শান্তিবু মথোইদৌ শাওগংহনগে হায়হুনা ব্রা অসি হায়রা নত্তে। "তাদগী অঙাংনে" হায়বদি তাদদগী অঙাং অসি লৌ-হৌরনি হায়রনি। শান্তিদি মহু ভাব তাদ্রে; মহাক্তি, নিমাইনা মাবু চাকহম্মবা থৌরাং তৌব্রিবনি হায়বস্মোমদা খল্লে। মরম অহুনা শান্তিনা খুম্মকই, "ঐদি মুপীমচাহুগী মপা কনানো হংবা নত্তে— মমাবু কনানো হংরনি।"

নিমাইহু মতিকচাবা ইকাইবা নংলহুনা থোয়শাওননা হায়রকই, "কনাগী মচানো হায়বহুদি খঙদ্রে, তাদনা কদাইদগীনো খুন্নুনো পুরকপনি, মরী-মথোং হংহৌনবা মত্তমফাও কংখিদ্রে। হৌজিক্তি

চাক তাঙবা মতম্লিনা মী অম্নাম্বা মচা-মশু লম্মী-লমথাংদা পঙলং লংথোক্লরে, ঐখোইদস্মু মচা-মশু য়োংগে কয়া লাক্লম্মি, অদুবু কনানা মীতোপ-মচাবু পাক লৌবিগদগে ?" ( অমুকস্মু মমিক্তুদা পিগী ইরা শিন্থরক্লে— মদু তৈথোক্লগা অমুক মানা মথা তাথরকই ), মুপীমচাসি মুংশিবা অমা য়াওনা ফজৈ, তবোপ তবোপ্পা নিংথিরবা শক্তমসি উবদা তাদদগী নিহৌবনি ।"

অদুগী তুংদা শান্তিদু মতম কনা শাংনা নিমাইগা য়ারি-য়াত্তাই শাদুনা লৈবে । অদুদগী নিমাইগী মবুংগোদু হক্তিল্লক্লে হায়বা উরদুনা শান্তি হৌগত্তুনা মাগী থাংপোক্তা চংখ্রে । থাংপোক য়োরক্লগা থোঙ লোনশিন্দুন চাকথুমদগী উৎ থরা কোংথোক্লগা থমলে । লেমহৌরিবা উৎ অদুদা মাগীনি হায়না থোংজবা চাক্তু হৈদোকখ্রে । অদুদগী অস্মুম লেপ্পা লেপ্পা ফনা কুইনা য়াথল তৌরগা মথক্তমক শোক্তরকই, "ঐনা কুইনা থল্লক্লবা থবক্তু, হন্দক্তি পাঙথোকপা তারে । য়াথল অমতংগীদমক্তা পাংথোকপা ঙম্মমদবদু হৌজিক্তি মহৈ য়াল্লে । মহৈ য়ানবা হায়বদুরা য়ান্দবা হায়বদুরা— য়ান্দবনি । পুন্সি অসিমক মহৈ য়ান্দ্রবনি । ঐনা য়াশকথিবদু তৌবদা তারে । অমুরক্তী প্রায়শ্চিৎকা চামরক্তীগা চপ মমান্নে ।"

অসি থল্লদুনা শান্তিনা চাকশিংদু চাকথুমদা হৈজিনখ্রে । উমংদগী উহৈ হেকলুরে । চাক্তী মহক্তা মদু চারে । অদুদগী নিমাইমনিনা শারং-ভারং থোক্লা শাওখিবা মাগী ঢাকাগী শাড়ীদু পুখোরক্তুনা মপান্দু মথৈ শেগাইথোক্লে অদুগা লেমহৌবা শরুক্তুনা লৈভাং মচু নিংথিনা শঙলে । ফিদু শঙবগা কংহনবগদা মুমিং তাথোকখ্রে । মমশিল্লক্লবা মতমদা থোঙ লোনশিন্দুনা অঙকপা থৌওং অমা শান্তিনা তৌথংলক্লে । মকোক্তী থোইরবা নিংদু য়ৈরবা শমলাং চবুন্দু শরুক থরা কাটিনা চপথংলে । লেমহৌরিবা শরুক্তুনা য়েৎম্লিন তাশিন্দুনা জটা ওইনা শেমলে । থোইরবা শমলাংদু নিংথিজরবা

মওং চুমলবা জটা চবুন অমা ওনখ্রে। অতুদগী গেরুয়া শঙবা কিচু তংখাই শেতত্তুনা নিংথিববা থয়াংদা কৌপিনগুম শেংচিল্লে। লেমহৌরিবা তংখাইচুনা হকচাংগী মথক থংবা শরুক্তু থাওন-ওন্দুনা কুপশিল্লে। ইমুংচুদা পিল্লবা মিংশেল অমথক লৈ, কুইনগী তুংদা শান্তিনা মচু পুথোক্লক্লে; মিংশেলচুদা মশাগী ফিজোন্দু মশানা য়েংজরে। মচু উবদা হায়রকই, "অয়াবনিদা, ওস্তোকপগী মওংনি-দকো তৌরিবসে?" অসি হায়বগা মিংশেলচু লংথোকখ্রে, অদুগা লৈমাইথক্তা তারিবা অককপা শমশিংচু খুনগৎলচুনা চিনবান থক-থাগী কোই শেমলে, অদুবু হাপ্পদি ঙমদ্রে। থল্লকই, ইস, মসিসু হাপ্পদা তারিব্রনে? মমাংঙৈগী মতৌচু হৌজিক্তি কৈদগী তম্বা য়ার-দগে? অদুবু হনবচুবু উং চাইননবা মসি থমজিনবা মকৈ। অসি থল্লচুনা শান্তিনা মথোয়শিংচু ফিজিদা কিশিন্দুনা থমলে। অদুগী তুংদা ইমুংচুদগী পাক-চাওরবা শজি মউন অমা পুথোক্লক্তুনা ঙক-শমদা লংগুং থাংচুনা কিশিল্লগা ঙক্কগী খুউ ফাওবা কুপথরে। অম্সুয়া শেম-শারগা অনৌবা সন্ন্যাসী অচু ইমুংচু মাইকৈ মরি থুংনা তপ্পা তপ্পা য়েংলক্লে। অহিং য়ুথক অনি য়োরক্লবা মতমদা শান্তিনা সন্ন্যা-সীগী ফিজেত্তু শেংলচুনা থোঙ হাংদোক্লগা অমম্বদা মথন্তা শুরুবা উমুংচুদা চংখ্রে। বনগী লাইরেম্বীশিংনা ইচিক হুল্লবা অহিংচুদা ঙরুবা শৈরেক্কী ইশৈ অমা উমুংচুদা তাবা ফংলক্লে।

## বাগীশ্বরী—আড়া

(১)

"য়াঙলবা শগোল থক্তা কদাইদনো চংলিবা নহাকপু
চংলিবনি লানফমদা, থামলগন্থু অমুক ঐহাকপু।
হরি হরি হরি হরি শোন্দুনা লাম্লক্তা
চোংথরনি থয়াই লুপ্পা ঙসি লাল ইথক্তা
কনানা কনাগীনো করিগী লাক্লি ঐগী ইনাক্তা,
চংদ্রে মুপীগী য়াথল, লাউরসি লানঙম থোল্লাও।"

(২)

খুরুমজরি থবাইসপু চৎপিখিনু ঐবু ছন্দোক্তুনা
তারক্লে অসে তোয়না লানঙম ইশৈ শক্লকপা
তেন্দোংসি ঐগী ইরাং হৌরক্লে লাল পায়না,
লৈঙমক্রে ঐগী থবাইসি ইমুংদা অমুক কাহনা,
চংদ্রে মুপীগী রাখল, লাওবসি লানঙম খোল্লাও।"

## অহুমশুবা মতাং

মথংগী মুমিত্তা আনন্দমঠগী চিক্লবা কা অমগী মনুংদা কমলতুনা নিংবা কায়রবা মচাশিংগী লূচিংবা অহুমথক রারী শারি। জীবানন্দনা সত্যানন্দদা হংঙকই, "মহারাজ! লাইনা ঐখোয়বু অমুক থৌজানবীগ্রিবসি করিগীনো? করি ইবাল লৈহনা ঐখোয় মুসলমানশিংগী মথুত্তা মায়থিবা ফংলিবনো?"

সত্যানন্দনা হায়রকই, "লাইনা থৌজানবীদবা নত্তে. লাল হায়বসিদি মায় পাকপা-মায়থীবা অনিমক লৈ, নহাল ঐখোয়না মায় পাকখি, ঙসিমা মায়থীরে, পোলোইদা ঙম্বহনা অঙম্বা ওইগদৌরিবনি। ঐহাক পুক্নিংদা চিংনবা লৈত্তনা থাজে, ঐখোয়বু অমুক কুইনা থৌজানবীরক্লিবা শঙ্খ-চক্র-গদা-পদ্ম পায়বা বনমালী অহুনা অমুক হন্না থৌজানবীখিনি। মহাক্কী মখোঙ পোক্তুনা ঐখোয়না লৌরিবা মহাব্রত অসি ঐখোয় লেপ্পমক, পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না মায়-লৈরবস্তি কাডমজ্রবা নরস্তা তায়গদবনি. ঐখোয়না তুংদা য়াইফগনি হায়বসিদা ঐ চিংনবা পোক্তে। অহুমু করিগুম্বা থবক অমত্তা লাইগী থৌজান নত্তনা পাঙথোকপা ঙমদবগুম্, মতিকচানা নোম্মমু চংদবা য়াদে। ঐখোয়না মায়থীবা ফংখিবসিগী মরম

হায়ববু, ঐখোয় খুংঙ্লাই য়াওদে। বোম-তোপ-নোংমৈ মরক্তা চৈখোক-চৈশাং-তানা করি তৌরুনি ? অদুনা ঐখোয়না নোম্বা য়াৎপ-দগী মায়থীখ্রিবনি। হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবা ইথৌদি, হায়রিবা খুংজু-খুংলাইশিংসি মরাং কায়না থম্বা অসিনি।

জীব। মদুদি য়াম্না লুখ্রবা থবক্নি।

সত্য। অরুবা থবক হায়বা জীবানন্দ ? মচা অমা ওইরগা অদুগুম্বা য়াদু নচিন্দা পল্লিবা ? মচাগী মফমদবু অরুবা থবক হায়বমুক লৈত্রা ?

জীব। কবম্ন হায়রিবশিংদু থোমজিনগদগে, মদু তাকপীয়ু।

সত্য। মদু থোমজিন্নবগীদমক ঐ ঙসি অহিং তীর্থ কোয়বা চৎকনি। ঐনা হল্লকত্রিফাওবা নখোই করিগুম্বা অরুবা থবক অমত্তা খুং থারমগনু। অদুবু মচাশিং মচোই মচোই তাদনবদি কন্না য়েং-শিল্লম্মু। মখোয়গী চানবা য়াত্তনবা শীল্লু অদুগা ইমানা লালদা মায় পাক্নবা লনগৈ চোন্নব হোৎনরম্মু। হায়রিবা থবকশিংসি নখোয় অনিদ ঐনা শিন্নরমলকনি।

ভবানন্দনা হায়রকই, তীর্থদা লেঙঙগা পুন্নমকসিবু করম্না থোমজিনবীগদৌরিবনো ? বোম-তোপ-নোংমৈ লৈরগা থারকপা তারবদি য়া-য়া হেক্ত লাউনরক্কনি। অদুগা অদুক য়াম্বনা কদাইদগী ফংগনি, কনানা য়োল্লকনি, কনানা পুরক্কনি ?

সত্য। লৈদুনা পুরকপনদি ঐখোয়গী থবক পাঙথোকপা ঙম্মোই। ঐহাক খুংলাই শাবা হৈবা মী থারক্কনি, মফমসিদা শাহনগদবনি।

জীব। করিনো তাকপীরিবসিবো ? আনন্দমঠ অসিদা ?

সত্য। অসিদদি কদায়দগী য়াদগে ? মদুগী মরম ঐহাক য়াম্না কুইনা থল্লক্রুবনি। ঈশ্বরনা ঙসিদি খুদোং চাবদু পীনবীরে। নখোয়-নদি হায়রি ঈশ্বরনা থৌজানবীদ্রে, ঐনদি উরি মহাক্না থৌজানবীরে।

ভবা। কদায়দা শাফম ওইগদৌবরা ?

সত্য। পদচিহ্নদা।

জীব। করি য়ানোনে তাকপীরিবসিবো ? মফমত্তুদা করম্না ওইগদৌরিবা।

সত্য। অদু নত্রবদি ঐ কবিগীদমক্তা মহেন্দ্রসিংহবু ব্রত সৌনবা অমুক য়াম্না কম্না লাক্করুদগে ?

ভব। মহেন্দ্রবু ব্রত লৌরবরা ?

সত্য। ব্রত লৌদ্রি, লৌরগনি। ঙসি অহিং মাবু দীক্ষা পীরগনি।

জীব। কদাই, মহেন্দ্রসিংহবু ব্রত লৌহন্নবা কম্না লাক্কবি হায়বসিদি ঐখোয় খঙদেন। মাগী মতূ-মচাবু করম তৌখ্রবগে, কদায়দা থমখ্রবগে ? ঐহাক ঙসি মুপীমচ অমা তুবেল খোংবান্দা থেংনত্তুনা ঐগী ইচলগী মনাক্তা থম্মুই। মুপীমচাদুগী মনাক্তা ফজববা মুপী অমথক শিত্তুনা লৈরম্মী। মখোয়মত্তুবু মহেন্দ্রগী মতূ-মচা নত্রা ? ঐদি ওইরমগত্রা খল্লি।

সত্য। মানি মখোয়দু মহেন্দ্রগী মতূ মচানি।

ভবানন্দদু শ্বাই পাখৎখ্রে। মহাক হৌজিক্তি, মানা হিদাক পিজত্তুনা হিংহনখিবা মুপীদু মহেন্দ্রগী মুপী কল্যাণীনি হায়বা খঙলক্লে; অদুবু হৌজিক্তি মদুগী মরমদু কাংথোকলুব' তাঞ্জা চাদ্রি খন্দুনা কাংথোকত্রে।

জীবানন্দন' হায়বকই, "মহেন্দ্রগী মুপীদি করম্না শিরিবনো ?"

সত্য। হু চাদুন'।

জীব। করিগী হু চারিবা ?

সত্য। ভগবান্না মাবু মথয়াই থাদোক্লবা মমঙদা তাকপীরম্বদগী।

ভব। মঙতাক অদুবু মচাশিংগী থবক পাঙথোক্লবগীদমক্তরা ?

সত্য। মহেন্দ্রনা হায়বদি অতুম্মা হায়। হৌজিক সন্ধ্যা য়ৌশিল্লক্লে, ঐহাক সন্ধ্যা আহুক্লচিংব তৌরুগে। অতুগী তুংদা অনৌবা মচাশিংবু দীক্ষ পীনবা তৌরগে।

ভব। মচাশিংবু হায়বদি ? মহেন্দ্র নত্তুনা কনাগুম্বা অতৈস্‌সু নঙগী শিষ্য ওইগে চোংথোক্লকপা য়াওরিব্রা ?

সত্য। য়াওবি, ইনৌ নৌবা মীশক অমথক। হান্না ঐহাক মাতু কৈদৌঙৈদস্সু উথিদ্রি। ওসিতা ইনৌ নৌনা ঐগী ইনাক্তা লাকপনি। মহাক য়াম্না নৌ রিবা পাখং মচানি। ঐহাক মাগী মওংমতৌ, খ্বাঙাং-শাঙাংদা ওস্থোক্না পেনখ্রে, অশেংবা সনানি হায়না খল্লি। মাবু মচা অমগী থৌরম তম্বীনবগী থবকসি জীবানন্দদা শিন্নরবনি। মরমদি, জীবানন্দদি মীগী পুকচেল ফাবদা য়াম্না হৈ-শংই। ঐ চংলগে, নখোয়দা ঐনা পীরমগদবা পাউতাক অমথক্তুংগা লৈরি। য়াম্না নপুক্লিং চংনা তাউ।

মতু তাবদা মবানিমক মখুং লোন্নরতুনা হায়রকই, করম্বা নয়াখং তাকপিয়ু।"

সত্যানন্দনা হায়রকই, "মখোয় অনিনা করিগুম্বা মরাল লঙজখিবা লৈরবা, নত্রগা ঐ হল্লকত্রিদৈঙদা লঙজরবা অতু ওইরবদি মতুগী প্রায়শ্চিত ঐ লাকত্রিফাও তৌরমগনু। ঐ য়োরক্লগা প্রায়শ্চিত মতিকচানা শোয়দনমক তৌগনি।"

অসি হায়রগা সত্যানন্দ মাগী মফমদা চংখ্রে। ভবানন্দ অমস্তুং জীবানন্দ অনিমক অমগা অনগা মমাই ওনশিন্নরতুনা য়েংনরকই।

ভবানন্দনা হায়বকই, "নঙবুরা হায়রম্মিবসে ?"

জীব। ওইরমগনি নিংই। ঐগী ইচলগী মমুমবা মহেন্দ্রগী মচান্নুপীবু থম্বা ঐ চংলুই।

ভব। মতুবু করি মরাল লৈবগে ? মতুদি য়াদবা নত্তে। ব্রাহ্মনগা উন-লাক্লরব্রা নংবো ?

জীব। গুরুদেবনা মতুগী ৱাখলদু তৌরমাল্লে হায়না নিংই

## মরিশুবা মতাং

সন্ধাআহ্নিক্রুচিংবা তৌরবা মতুংদা মহেন্দ্রবু কৌরদুনা সত্যানন্দনা ময়াথং তাকপীরকই, "নঙগী নচা-মুপী হিংলি।"

মহেন্দ্র। কদায়দা লৈ মহারাজ ?

সত্য। নংনা ঐবু মহারাজ কৌরিবদি করিগী.না ?

মহে। ময়াম্মক্না হায়নৈ, অদুনা মঠকী মকোকপু রাজ হায়না কৌফম থোকই। ঐগী ইচা-মুপা কদাইদা লৈবগে মহাবাজ ?

সত্য। মতু খঙদ্রিবৈগী মমাংদা, ৱা অমথক্কী অবেপ্পা পাউখুম পীয়ু। নহাক নচাশিংগী ধর্ম্মসি লৌগদ্র লৌবোইদ্রা ?

মহে। ঐহাক শোয়দনা লৌবগে হায়বসি খল্লে।

সত্য। অদু ওইরবদি নচা-মুপী কদাইদা লৈ হায়বসি খঙনিংলুৱমু।

মহে। করিগীনো মহারাজ ?

সত্য। ব্রতসি চংলবা মীদুদি, মাগী মতু, মচা, শাগৈনাতৈ কনাগুম্বা অমত্তগা মরী থম্বা য়াদে।মতু মচাগী মশক য়েংলুবফাঙবা প্রায়শ্চিত তৌগদবনি। মচা ওইবশিংনিগী নিঙবা থুংদ্রবা মতম অদুপকীমথৈ, নহাক নচা-মুপীগী মশক য়েংবা য়ারোই। মরম অদুনা নহাক নচাগী ধর্ম্মসি লৌরগে হায়না মপুক্নিংদা লেপ্লবদি নচা-মুপীগী লৈফম খঙলুদুনা করি কান্নগদগে, উবদি ফংলোই।

মহে। অম্লক কনব নিয়মদ করিগী প্রভূ ?

সত্য। মচা ওইবশিংগী থবক্তি য়াম্মা লুখ্রবা থবক্নি, পুম্নমক থাদোকপা ঙম্বা মীশক্তু নত্তনা কনামত্তা থবকসিগী মতিকচাম্বা মী

নত্তে। মায়াগী লিপুন্না থম্মোই পুন্নিবা মীথুদি, দড়ীদা কিরিবা তেলঙ্গাগুম মালেম থাদোক্কুনা স্বর্গ য়ৌবা ঙম্মোই।

মহে—মহারাজ, তাকপীবিবথু নিংথিনা ভাব তাবা ঙমজদ্রে। মতু-মচাগী মশক য়েংলিবা মীথুদি, করিগুম্বা অরুবা থবক অমতা পাঙথোকপা ইঙম মঙমলবোইদ্রা ?

সত্য—মুপী-অঙাংগী মশক উরবদি ঐখোয় ঈশ্বরগী থবক্তা পুক্নিং চংবা ঙমদে। মচা ওইবশিংসিগী ধর্ম্মগী নিয়মদি, কান্নগদবা তাঞ্জা হেক লাকপদা, থন্নাই থাগদবনি। নংগী নচানুপীথু নিং-শিংলক্লবদি নহাক মাবু হুন্দোক্লমহুনা শিবা ঙমগদ্রা ?

মহে—উদ্রগবু হচানুপী হেক কাওখিবা ঙমগদ্রা ?

সত্য—কাওবা ঙমদ্রগনা ব্রতসি লৌকরনু।

মহে—মচা ওইবা পুন্নমক অহুম্মা মতু মচাবু কাংথোক্কুনা ব্রত লৌনখিবা ডাক্লু ? অহু ওইববদি মচা ওইবশিংগী মশীংদি পংমাম য়ামলমলবোই।

সত্য—মচা মখল অনিথোক্লা থাই;—দীক্ষা তৌববা অহুগা দীক্ষা তৌদবা। দীক্ষ তৌদবা মথোইহুদি, মযুম মকৈ পানবা নত্রগনা ভিখাবগী কাংবুনি। মথোইহুদি লাল থেংনবা মতমদতা য়াওরৈ, লুট তৌরুবগী শরুক নত্রগ অতৈ মনা-মথুম থবা পুবগা অহুম্মক চংখি। দীক্ষা তৌববা মথোহহুদি পুন্নমক থাদোক্লবা কাংবুনি। মথোইনা কাংলুপশিংগী মকোক ওই। নহাকপূদি দীক্ষা তৌদবা মচা অমা ওইহনবা পামদে, লাল থেংনবা চৈতুপ চৈশাং পায়বা য়াম্না লৈ। দীক্ষা তৌদ্রবদি নহাক কাংলুপসিগী করিগুম্বা অরুবা থবক অমতদা নখুৎ থিংজিনবা য়ারোই।

মহে—দীক্ষা হায়বসিবু করিনো ? দীক্ষা অমুক তৌগদোরিবসি করিগীনো ? ঐদি হান্না মন্ত্র ফংহুনা লৈরবনি।

সত্য—হন্নগী মন্ত্রহু থাদোক্লগদবনি। ঐঙোন্দগী অমুক নৌনা লৌরগদবনি।

মহে—করম্না হান্নগী মন্ত্রহু থাদোক্কদোরিবা ?

সত্য—ঐনা মহুগী মরমদা তাক্কনি।

মহে—নৌনা অমুক লোগদোরিবনা করিগীনো ?

সত্য—মচা ওইবশিংদি বৈষ্ণবনি।

মহে। হায়রিবহু ভাব তাজদ্রে। মচাশিংনা বৈষ্ণব ওইগদৌরিবসি করিগীনো ? বৈষ্ণবশিংগীদি অহিংসাতনা অথোইবা ধর্ম্মনি।

সত্য। মহুনা চৈতন্যদেবগী বৈষ্ণবনি। নাস্তিক বৌদ্ধ ধর্ম্মগী তুংইন্না অশেংবা বৈষ্ণবকী মওং অমা থোকখিবদো, মহুনি মসিগী ফীভমদি। থাঙ্গৈশেংবা বৈষ্ণবধর্ম্মগী ফীভমদি ফত্তববু লাকথুবা, তেংবানববু কনবা অসিনি। মরমদি, বিষ্ণুতনা সংসার ঙাকপিবা মপুনি, তবাবক হন্না অবতাব তৌহুনা পৃথিবীসিবু কনবিখ্রিবনি। কেশী, হিবণ্যকশিপু, মধুকৈটভ, মুব, নবক অসিনচিংবা দৈত্যশিংবু, বাবননচিংবা বাক্ষসশিংবু, কংশ শিশুপালনচিংবা নিংথৌশিংবু মহাক্না লালদা মাঙহনখ্রিবনি। মহাক্তি অঙম্বনি, মহৈ য়ালহনবনি, মাঙ্গেম্বু কনবিবনি, অহুগা মচা-ওইবশিংগী নিংনফম্নি। চৈতন্যদেবগী বৈষ্ণবধর্ম্মদি মপুং ফাবা বৈষ্ণবধর্ম্ম নত্তে ধর্ম্ম তংথাই অমতনি। চৈতন্যদেবগী বিষ্ণু নুংশিবগী শক্তম্নি অহুবু ভগবান হায়বসিদি নুংশিবগী শক্তম ওইবতা নত্তে—মহাক্তি মপান নাইদ্রবা শক্তিনা থল্লিবনি। চৈতন্যদেবগী বিষ্ণুদি নুংশিবতনা থনবনি—মচা ওইবশিংগী বিষ্ণুদি শক্তিতনা থনবনি। ঐথোই কাংবু অনিমক বৈষ্ণব ঙাক্লি—অহুবু অনিমক তংথাইতা ওইবা বৈষ্ণব ঙাক্লি হায়রিবসি ভাব তাববা ?

মহে। তাবা ঙমদে। পুমনৌ নোবা ব্রাফম অমা তাবগুম্না থোকই। কাশিম বাজাবদা পাদবী অমথক্কা ঐগা উন্নে—মহাকম্বু অসিগুম্বা ব্রাঙাংসি ঙাক্তা ঙাংই—হায়বদি ঈশ্ববদি নুংশিবগী মশক্লি—নথোই যীশুবু নুংশিযু অসিনচিংবা—মসিবু মহুগুম্বা ব্রাঙাংনি।

সত্য। ঐথোইগী ইপা-ইপু পুরোল তবামবিদগী হৌনা হায়নরক্লিবা ব্রাফম অদোমদা পুথোক্কুনা ঐহাক নঙোন্দা ভাব তানবা হায়গে। ঈশ্বর হায়বসি গুণ অহুম্না তিল্লি, মসিদি তারবরা ?

মহে। তারে, সত্ত্ব, রজ, তমঃ—গুণ অহুম অসিনি।

সত্য। ফরে। ঐথোইনা গুণ অহুমসিবু তোঙান তোঙান্না পুজা তৌনবতনি। সত্ত্বগুন্দগী মহাক্কী নুংশিব থৌজানহৈবা

পুন্নমকসি পোকপনি। মতুগী পুজাদি ভক্তিনা তৌগদবনি। চৈতন্যগী কাংবুনা মতু তৌই। রজোগুন্দগী মহাক্কী শক্তি পোকপনি; মতুগী পুজাদি লালনা—শাইগা য়েক্লবা কাংবুবু মাওহনবা—মতুনি ঐখোইনা তৌরিবসি। অতুগা তমোগুন্দগী ভগবাননা শক্তম ওইনা চতুর্ভুজনচিংবা অপাম্বা মওংদা ওইরিবসিনি। স্রক—চন্দনন্নচিংবা পোৎলমশিংনা গুণ অতুবু পূজা তৌগদবনি—মী অয়াম্বনা হায়-রিবসি তৌনৈ। হৌজিক্তি থংলবরা?

মহে। থংজরে, অতুদি মচা-ওইবশিংসি লাইনিংবা কাংবু ওইবতনিদনা?

সত্য। মানি। ঐখোই লৈপাক পামদে—মুসলমানশিং অসিদবু ভগবানগী য়েক্লবনি হায়দুনা মরু ফংনা মাওহনবা পাম্বতনি।



## মঙাশুবা মতাং

সত্যানন্দনা ব্রা ডাংনবা লোইরবতুংদা মহেন্দ্রগা লোইননা লাইশঙ অতুগী মনুংদা লৈবা ওক্লবা নিংথিরবা চাওরবা চতুর্ভুজ মুর্ত্তিনা ডান-স্থোইরিবা মফমদুদা চংলক্লে। মতমদুদা মফমদু ফজবনা তিল্লে। লুপা, শনা অমস্তুং রত্ননা থাম্লবা মথল মথা কয়াগী থাওমৈনা মন্দিরদু পুমডান ডানখ্রে। লৈরাং চবুন চবুন্না পুল্লপ পুল্লপ লৈতেংদুনা মন্দিরদু মুংশিবা মনম্না পুমথন থনখ্রে। মন্দির মনুংদা নিপা অমথক ফম্লদুনা তপ্না তপ্না "হবে মুবারে" হায়না শোল্লি। সত্যা-নন্দনা হেক চংলকপগা মহাক হোৌগৎতুনা থুরুম্লে। ব্রহ্মচারীনা হংলকই "নহাক দীক্ষা লৌবগদ্রা ?"

মহাক্না হায়রকই "ঐবু থৌজানবিরো।"

মদু তাবদা নিপাদুগা মহেন্দ্রগবু কৌরদুনা সত্যানন্দনা হায়-রকই, "নথোই হৌনবী তুংইন্না ইরুজথোক্লুনা পুকচেন লেপ্লুনা চরাহেন্দুনা লৈরবরা ?

থুম্মকই। লৈজরে।

সত্য। নথোই ভগবানগী মমাংসিদা ব্রাশক্লুনা হায়য়ু, মচা ওইব ধর্ম্মগী নিয়ম ডাক্লুনা চংলগনিদনা ?

অনিমক। চৎচরগনি।

সত্য। ইমাবু কল্লিবমথৈ য়ুম্বানবগী ধর্ম্ম থাদোক্লনিদনা ?

অনিমক। থাদোক্লনি।

সত্য। ইমা ইপা থাদোক্লনিদনা ?

অনিমক। থাদোক্লনি।

সত্য। ইচিল ইনাও-ইচল ইচেদি ?

অনিমক। থাদোক্লনি।

সত্য। ইচা টশু পূম্বস্থ?

অনিমক। থাদোক্লনি।

সত্য। সাগৈ নাতৈস্থ? মীনাই মুপী নিপাস্থ?

অনিমক। পুম্নমক থাদোক্লনি।

সত্য। লম-থুম মুংঙাইবা পুম্বদি?

অনিমক। পুম্নমক হন্না য়েংলরোই।

সত্য। ইন্দ্রি খুতুম চনগনিদনা? মুপী নহাগা কৈদৌমুংদা ক্ষক্ষন তিন্ননা ফম্লোইদনা?

অনিমক। ফমলোই। ইন্দ্রি খুতুম চনগনি।

সত্য। ভগবানবু সাক্ষী থমতুনা ব্রাশকউ, নশাগী অমদি শাগৈ ডাইগীদমক লল তানশিন্নোই তান্নুবা ললপুম্বা বৈষ্ণবকী লনগৈদা পিশিনগনি হায়না।

অনিমক। পিশিনগনি।

সত্য। সনাতন ধর্ম্মগীদমক নশানা খুৎলাই পায়তুনা লাল থেংনগনিদনা?

অনিমক। থেংনগনি।

সত্য। লানফমদা কৈদৌমুংদস্থ মাই ওন্নোইদনা?

অনিমক। ওন্নোই।

সত্য। ব্রাশকশিংসি কায়রবদি?

অনিমক। অচাকপা মৈমুংদা চোংশিন্দুনা নত্রগা হু চাতুনা থব্রাই থাগনি।

সত্য। অতুগা ব্রা অমনা—শাগৈ জাৎ। নখোই করি করি জাৎনো? মহেন্দ্রদি কায়স্থনি। নং অমদি?

অতোপ্পা মীতুনা হায়রকই, "ঐহাক ব্রাহ্মনকুমারনি।"

সত্য। ফরে। নখোই নখোইগী জাৎ অতু থাদোকপা

ঙমগত্রা ? মচা পুম্নমক জাতি অমতনি। মহাব্রত অসিদদি ব্রাহ্মন-শূদ্র থায়বা লৈতে। নখোই করি হায়রি ?

অনিমক। ঐখোই মতুগী য়াখল্ল তৌরোই, ঐখোই পুম্নমক ইমা অমতগী মচানি।

সত্য। অদু ওইরবদি নখোইবু দীক্ষা পিরগে। নখোইনা য়াশকখিবা পুম্নমক্তু, থুগাইবা তৌগনু। মুরারি মশামক্তা সাক্ষীনি। রাবন, কংস, হিরন্যকশিকপু. জরাসন্ধ, শিশুপালনচিংবা মাঙহনখিবা পুম্নমক খঙব-উবা, পুম্নমক ঙম্বা, পাঙ্গল পুম্বগী তুঙনকম ওইবা, পুম্নমক্কী থৌশিনবা, ইন্দ্রগী বজ্রদসু হোদোং অমগী খুজিন্দসু চপ মান্ননা লৈবা, মহাক অতুনা য়াশক কায়বা মীবু মাঙহন্দুনা মপাল নাইত্রবা নরক্তা থাদবিগদবনি।

অনিমক। মতুমক পিনবিসনু।

সত্য। নখোই হোজিক্তি শকউ, "বন্দে মাতরম।"

মবানিমক চিক্লবা মন্দির মনুংত্তুদা ইমাগী লাইশোল ইশৈহু শক্লক্লে। অতুদগীদি ব্রহ্মচারানা মখোইবু হৌনবী কায়দনা দীক্ষা পিরে।



# তরুকশুবা মতাং

দীক্ষা পিবা লোইরগা সত্যানন্দনা মহেন্দ্রবু পুতুনা য়াম্না চিল্লবা কা অমদা লাক্লে। মবানিমক ফমলবা তুংদা সত্যানন্দনা হায়রকই, "য়েংউ ইবুংঙো! নংনা মহাব্রতসি লৌবা উবদা ভগবাননা ঐখোয়বু থৌজান বিরমাল্লে হায়না থল্লি। নহাক্না ইমাগী লুরবা থবক কয়া পাংথোক্লগনি। নহাক ঐগী য়াসি চেকশিন্না তাওঃ। নংবু জীবানন্দ ভবানন্দগা লোইননা উমংদা কোয়চৎ চত্তুনা লাল থেংনৌ হায়রব নত্তে। নহাক পদচিহ্নদা হল্লো। নয়ুমদা লৈনা লৈনা মচা ওইবগী ধর্ম্মসি ঙাক্লদবনি।"

মতু তাবদা মহেন্দ্রহ্ ঙকপগা মুংহাইতবগা তিনখ্রে; য়া করিমতামুক ঙাংদ্রে। ব্রহ্মচারীনা হায়রকই, "হৌজিক ঐখোয়গী থুপফম লৈতে; কবিগুম্বা অকনবা লাম্নী তেঙ্গোল অমা লাক্তুনা ঐয়োয়বু কোইশিল্লরবদি, ঐখোই চান-থক্লবা ওমতুনা মুমিৎ তরানি চুপ্পা থোঙ লোনশিন্দুনা থাংফম লৈতে। ঐখোইগী লানবল লৈতে। নংগীদি দোলাল অচৌবা লৈ, নংগী খুলতুম্সু নংগী নখুত্তনি। ঐনা নিংলিবদি মফমতুদা লানবল অমা শেমগে অসিনি। থাঙ্গপাংকা চেকপলগনা পদচিহ্নবু কোইশিল্লগা মরক মবক্ত লাম্নী কাংলুপ কাংলুপ লৈহন্দুনা চেকপল মথক্তা টোপ থমলবদি ফরবা লানবল অমা ওইবা য়াগনি। নহাক নয়ুমদা চৎলগা লৈরুরো। মথং মথং মচাগী কাংবু লিশিং অনি মফমতুদা য়োইল্লক্লে। মখোইতুনা লানবল, চেকপল পুম্নমক শাবগনি। নহাক মফমতুদা ফরবা য়োংকী য়ুম অমা শাহল্লু। মতুনা মচাশিংগী লনগৈ ওইগদবনি। শনা লুপানা থল্লবা উপু পুম্বা নংগী ননাক্তা মথং মথং অসুম থারক্কে। নহাক লন-য়ুম অতুনা হায়রিবা থবকশিংসি পাংথোক্লবা তো। অতুগা ঐনা অতৈ লমশিংদগী মখুৎ-মশা হৈরবা থবক শুনবা মী পুরক্কে। হায়রিবা হৈ-শিংলবা মীশিং অসি লাক্লগা পদচিহ্নদা থবক শুফম ওইগদবনি। মফমতুদা টোপ, বম,

গুলি, নোংমৈ পূম্নমক শাহনগনি। মরম অসিদগী ঐনা নংবু নয়ুমদা চৎলো হায়রিবনি।”

হায়রিবা য়াফমসি মহেন্দ্রস্তু য়ারে।

## তরেৎশুবা মতাং

মহেন্দ্রনা সত্যানন্দগী মথোং-শোক্লা খুরুমলগা চৎখ্রবা তুংদা মাগা লোইননা মুমিক্তুদা দীক্ষা লৌমিন্নখিবা অতোপ্পা শিষ্যত্থু চংঙক্তুনা সত্যানন্দদা খুরুমলরে। সত্যানন্দনা আশীর্ব্বাদ তৌরগা অমুবা শক্তি মউন অমদা ফম্মু হায়না য়াথং পিরক্লে। অত্তুদগী নিংথিরবা য়া কয়ামুক ঙাংনরবগী তুংদা হায়রকই, “নহাকপু কৃষ্ণদা অচেৎপা ভক্তি লৈরবরনে?”

শিষ্যনা হায়রকই, “করি হায়না খুমজগদগে? ঐনা ভক্তিনি হায়না খঙবত্থু লৌনম ওইরম্বস্তু য়াই, নত্রগা ইশাবু মিনমজরম্বস্তু য়াই।”

সত্যানন্দনা পেল্লত্থুনা হায়রকই, “খল্লিবা য়াথলত্থু চুমলে, নংগী ভক্তিত্থু নোংমা নোংমগী মরাচেৎলক্নপা কল্লা লাক্লে। ঐনা আশীর্ব্বাদ তৌরিবসিনি, নংনা হোৎনরিবত্থু মহৈ শোয়দনা য়ানগনি। মরমদি, নহাক চহি য়াম্না নৌরি। ইবুঙো, নংবু করি হায়না কৌদগে হায়বসিদি ঐ হৌজিক ফাওবা হংদ্রি।”

অনৌবা মচাত্থুনা খুমলকই, “অপাম্বা অত্থুমা কৌবিয়ু, ঐদি বৈষ্ণবকী মনাইগী মনাইনি।”

সত্য। নহাক্লা য়াম্না নৌবসি উবদা নংবু নবীনানন্দ হায়না কৌনিংই—অত্থুনা মিং অসি নংবু থোল্লগে। অত্থুবু য়া অমা হংগে, নহাক হায়দি নমিং করি কৌরম্মি? তাকথোকপদা অকায়বা লৈরবস্তু অত্থুম তাকথোকউ। ঐঙোন্দা খঙহনবদি নাকোং অনি শুগদবা লৈতে। মচা ওইবগী ধর্ম্মদি, হায়দোকপা য়াদবা য়াত্থুস্তু গুরুদদি হায়দোকপা ডাই। মত্থু হায়দোকপদা করিস্তু অমাঙবা লৈতে।

শিষ্য। ঐগী ইমিং শান্তিরাম দেব শর্ম্মা কৌই।

সত্য। নংগী নমিংদি শান্তিমনি পাপঃচনবীনি।

অসি হায়রঙুনা সত্যানন্দনা শিষ্যতুগী মুরবা খোইরুপ তৌবা খুত্নপ মথাই অমা শাংবা মকোইতু মখুৎ ওইনা লৈশিন্দুনা পায়রগা থংচিং চিংলক্লে। অশেম্বা কোইতু তারক্লে। সত্যানন্দনা হায়রকই, "ওন্থোকপনি ইমা, ঐঙোন্দসু লোনম তৌরি—ঐবু লোনমলগে হায়রগনা চহি মতাংতুদা নকোই খুত্নপ মথাই অমা শাংহল্লিবনা করিগীনো? অতুগা নকোই তেলহল্লবসু নথোঙ্গেল—মিৎয়েং অতুদি লোচ্চবা ঙমগত্রা? ঐ অসি অতুক পঙবা মীতা ওইরমঙ্গবদবু, অস্তুক লুখ্রবা থবকসিদা খুৎ-থাবা ঙম্মমগত্রা?"

তৌঙম্বী শান্তিহু মতমতুদা মমিং অনিমক খুমজিল্লতুনা ঙহাক মমাই লুকথক্লনা লৈখ্রে। অতুদগী মখুং লোথোক্তুনা হম্নুবতু তম্না চুরান মিৎচিনা হায়ফেং য়েংলতুনা হায়রকই, "প্রভু, মসিবু করি ইরাল লৈফম খোকপগে? মুপী ওইবীদি মপাঙ্গল ইয়াও য়াওত্রবরা?"

সত্য। ঘন খোঙ্গুলদা ঈশিং তুংবগুম্বনি।

শান্তি। মচা মম্নামগী মপাঙ্গল নহাক করিগুম্বদা চাং য়েংবীলাকপিত্রা?

সত্য। য়েংই।

অসি হায়রতুনা সত্যানন্দনা ইস্পাতকী লিরুং অমগা য়োংকী তার খরগা পুথোরক্লে, অতুগা হায়রকই, "ইস্পাতকী লিরুং অসিদা য়োংকী তার অসিনা লিরি চনগদবনি। লিরিনা খুত্নপ অনিতা শাংগনি। লিরি চম্না চম্না লিরুং কোনশিনগদবনি, লিরিসি চনবা ঙম্বা মীতু থাঙ্গৈশেংনমক মপাঙ্গল কল্লবা মীনি।"

শান্তিনা লিরুংগা লিরিতুগা ম্নাম্না মুম্না চাং য়েংলগা হায়রকই, "মচা পুম্নমক চাংয়েং অসি ঙমখ্রবরা?"

সত্য। ঙমদে, মসিনা মখোয়গী মপাঙ্গল কয়া কনবা হায়বমখৈ খঙবা ঙম্মি।

শান্তি। কনাগুম্বা অমতা ঙমখিবা য়াওদ্রা ?

সত্য। মী মরি খকতংদি ঙমখি।

শান্তি। মীশকশিংদু কনা কনানো হায়বা খঙজবা য়াগদ্রা ?

সত্য। য়ানি, করিস্মু অকায়বা লৈতে। অমনা ঐনি।

শান্তি। অতৈদি ?

সত্য। জীবানন্দ, ভবানন্দ, জ্ঞানানন্দ।

শান্তিনা লিরুংদু থাঙ্গৎলে, লিরিক্তুস্মু পাইখৎলে, অদুগা থৌ-ৱা-থোইনা পংশা শাদনা লিরিদু চম্লগা সত্যানন্দগী থোং ময়াদা ছুস্থবক্লে।

সত্যানন্দদু ঙকপনে, কিবনে, চময়বনে পুমথন থনখ্রে। ঙহাক লৈরগা হায়বকই, "নংবু ল্যাইবেস্কীবা তাইবংমীরা ?"

শান্তিনা মখুং লোম্লবদুনা হায়বকই, "ঐদি চমলবী তাইবং মীনি, অদুবু ঐহাক ব্রহ্মচারিনীনি।"

সত্য। মদুদি ফবয় ওইরিবা ? নংবু নৌনা লুখ্রা ওইরবীবা ? মদুস্মু ওইফম থোক্তে, নৌনা লুখ্রা ওইবীশিংনস্মু অস্মুক মপাঙ্গল কনদে ; মরমদি, মখোয়দি চবা-নামতা চাবীনি।

শান্তি। ঐহাক য়ূম পাল্লিবীনি।

সত্য। নপুরোইবদু হল্লকখিদ্রবরা ?

শান্তি। চৎখিদে, লৈ। মাবু থিবা লাক্লিবনি।

খংহৌদনা খুমজিল্লস্বা নোং পাইথোকখ্রবা মুংশা মঙালগুম নিংশিংলকপা ৱাখল অমনা সত্যানন্দগী থম্মোইদু পুমঙান ঙাল্লক্লে। মহাক্লা হায়রকই, "নিংশিংলক্লে। জীবানন্দগী মুপীগী মমিং শান্তি কৌই। নহাকপু জীবানন্দগী ব্রাহ্মনীরা ?"

জটাগী শময়ামদুনা নবীনানন্দগী মাইথোংদু তনখুম খুম-জিনহনখ্রে। শামু মনাতোন কয়ামুক্লা থম্বাল লৈরাংথক্তা তারকপ-

গুমখ্রে। সত্যানন্দনা হায়রকই, "করিগীদমক্তা পাপকী থবকসি তৌবা লাক্লিবনো ?"

ভকিং ভকিংনা শান্তিনা জটা ময়ামতু মনমগনলোমদা হাইগৎ-হনখ্রগা মমাই লোংথৎলক্তুনা হায়রকই, "পাপকী থবক হায়ববু করিনো প্রভু ? মুপীনা মপুরোইবগী মতুং ইন্নববু পাপকী থবক্রা ? মচা ওইবশিংগী ধর্ম্ম শাস্ত্রদা মসিবু পাপকী থবক্নি হায়না শীংথ-নরবদি, মচা ওইবগী ধর্ম্মদি চুমদবা ধর্ম্মনি। ঐহাক মাগী ধর্ম্মগী লোয়নবীনি, মহাক ধর্ম্মগী লম্বীদা থোংদারি, ঐস্সু মাগী ধর্ম্মগী লম্বীতুদা থোংলোই ওইনবা লাক্লিবনি।"

শান্তিগী ইচং থৌরবা বাডাংতু তাবদা, মহাকী, নোনবা হৈত্রবা গুক, কল্লবা মরেং, তনিক তনিকপা চিনবান অতুগা লংলবা অতুম্নদি ওইরগা পিগী ইরানা থল্লবা মমিত্তু উবদা সত্যানন্দ পুমপেন পেনখ্রে। মহাক্না হায়রকই, "নহাক নপুরোইবা নিংবীনি, অতুবু ইমা—মুপী হায়বীসিদি য়ুম্বাললোনভদা ধর্ম্মগী থোংলোই ওইবীনি—অকন অথৌগী লমদদি মুপীনা করি তৌগনি ?"

শান্তি। করম্বা মহাবীরনা মুপী থিদনা অথৌবা ওইখিবগে ? রামবু সীতা লৈরমত্রবদি অথৌবা ওইরমগদ্রা ? অর্জ্জুন লোনথিবা মুপী মশীং থিত্নুনা অতুক য়েংবিয়ু ? ভীমনা কনবা মপাঙ্গল অহন্মুক মুপীস্নু য়াম্মি। অতৈ করি হায়খিসিগে ? নংগী নফমদা ঐনা করি অমুক হায়ফম লৈখিগদগে ?

সত্য। হায়রিবতু চুম্মি, অতুবু লানুকমদা করম্বা অথৌবনা মুপী পুত্নুনা চংখিবগে ?

শান্তি। আর্জ্জুননা যাদবী লাম্বীপা লোয়ননা নোংথক্তুগী লান থোংলবা মতমতুদা, কনানা মাগী দোলাই থৌখি ? দ্রোপদী লোইনরমত্রবদবু পাণ্ডবনা কুরুক্ষেত্রগী লান থেংনরমগদ্রা ?

সত্য। অতু ওইত্নুনসু অচম্বা মীওইবগী পুক্লিংসিদি [illegible] হেক হেক লুম্নি অত্নুনা থবক্তা মৈথাইবা পি। মরম [illegible]

মচা ওইবশিংগী ব্রতদি, সুপীগা ফক্ষম অমতদা ফম্মিন্নবা য়াদে। জীবানন্দদি ঐগী য়েং থংবা পাম্বোমনি। নহাক ঐগী পাম্বোম য়েংথংবা ককথংলগে হায়রন্তুনা লাক্লিবরা ?

শান্তি।' ঐগী প্রভুগী য়েংথংবা পাম্বোমন্থ পাঙ্গল হাপ্রকং-নবা লাক্লিবনি। ঐহাক ব্রহ্মচারিণীনি, প্রভুগী নাক্তা ব্রহ্মচারিণী ওইনা অন্থম্মক লৈজগনি। ঐহাক ধর্ম্মগী লম্বেল তুংইজবা লাকচবনি, ইপুরোইবা উনজনিংন্তুনা লাকপা নত্তে। ঐংথোইনা মৈশা লাংবী নত্তে। ইপুবোইবনা চংপা ধর্ম্মন্থ ঐহাক করিগী দমক তুং ইল্লোইদৌরিবনো ? মন্থ থন্দুনা লাকচবনি।

সত্য। ফরে, নংবু ঐহাক মুমিং থরনি অন্থক চাং য়েংথিবা ভারি।

শান্তিনা হায়রকই, "আনন্দমঠ অসিদা ঐ লৈজবা য়াগত্রা ?"

সত্য। ঙসিদি নং কদাইদা অমুক চংলুনি ?

শান্তি। মন্থগী মতুংদদি ?

সত্য। ইমা ভবানীগী মতৌগুম নংগীসু নরাইবক্তা মৈ চেন্নি, মচাগী কাংবুবু করিগী চাকথেকহনগদৌরিবনো ?

অসি হায়বগা অমুক আশীর্ব্বাদ তৌরন্তুনা সত্যানন্দনা শান্তিবু বিদায় তৌরম্লে।

শান্তিনা মথক্তমক মপুক্লিংদা হায়জরকই, "য়েংসি হন্নুবা ! ঐগী লাইবক্তা মৈ লৈ হায়রবা ! ঐসি মৈ চুবিরা নত্রগা নংগী নয়াক্তুনা মৈ চুবিরা হৌজিক পুনেনগনিদন ?"

থাজৈশেংবমক সত্যানন্দগী মপুক্লিংদা থনবদি মন্থ নত্তে—নমিংকী অরংবা মতাল অন্থবুনি মানা হায়রম্মদি, অন্থবু চহি মতাং অসিদা নহারোলশিংদা মন্থ প্যাক হায়রম্মদি কৈদমী য়াদগে ?

## নিপাল শুবা মতাং

অহিং অদু শান্তি মঠদা লৈননবা য়াথং ফংলে। অদুনা লৈকম কা অমা থিরক্লে। কা য়াম্না হাংদুনা লৈ গোবর্দ্ধন কৌবা অশিন-অরাং অমনা — মহাকস্থ হুম্বা থাক্কী মচা অমনি— থাওমৈ অমা পায়রদুনা কাশিংদু কোইয়েং য়েংহল্লকই। অমা কাওবা শান্তিনা পাম্বা য়াওদ্রে। তৌকম থভদ্রদুন গোবর্দ্ধনদু অমুক হন্না সত্যানন্দগী মনাক্তা শান্তিবু পুদুনা লাক্লে। শান্তিনা হায়রকই, "ইচিল ইনাও, অসোম থংবদা কা থবা লৈরিবসিদি ঐবু য়েং-হল্লিবা করিগীনো?"

গোবর্দ্ধনা হায়রকই, "মথোইশিং অসি য়াম্না ফবা কানিদি হায়ববু মী লৈ।"

শান্তি। কনা কনা লৈরিবা?

গোব। চাওর-চাওরবা সেনাপতিশিং লৈ।

শান্তি। অচৌ-অচৌবা সেনাপতি হায়বদি কনা কনানো?

গোব। ভবানন্দ, জীবানন্দ, ধীরানন্দ, জ্ঞানানন্দ। আনন্দ-মঠ হায়বসিদি আনন্দগী ভূংফম্নি।

শান্তি। কাশিংসি অদুক ময়েংউসিদনা?

গোবর্দ্ধননা শান্তিবু অহানবদা ধীরানন্দগী কা-তাম্না পুরক্লে। ধীরানন্দদি মতমদুদা মহাভারতকী দ্রোণপর্ব্ব পাদুনা লৈরম্মি। অভিমন্যুনা করম্না সপ্তরথীগা লান্থেংনখিবা হায়রবদুদা মহাক মপুক্কিং চংলি—রা-লাং অমতা ভাংডক্তে। শান্তিদু করিমতা ভাংবা তৌ-দনা মকমতুদগী থোক্লক্লে।

অদুগী মতুংদা শান্তিদু ভবানন্দগী কাদা চংলক্লে। ভবানন্দদি মতমদুদা মমাই নোংথক্তা ওনথংলদুনা শকম অমা থল্লদুনা লৈরি। কনাগী শকমো, মদুদি থভদে, অদুবু শকমদু য়াম্না ফজেল, মুরুপ্প থোইরপ তৌবা মনম-মুংশিরবা শম্নাং মপৈনা নাপ-থুম্না শন্দোকদুনা

পিস্তম থক্তা ভারক্লি, মরক্তুদা চিংথেক-অহুম নাইরবা লাইবক্তা অশিবগী তমথিরবা অমুবা মসিনা কুপশিল্লি। মকমহুদা শিবগা চংবগা লাম্বুংনবগুম ভৌরি। মসিং ওইশিল্লি, পিস্তম অনি লেংদে, চিনক্লন মুই, থজাই তাইকেং তাই, নাতোল ইংই, থবাক তোংই: ঙুংশিংনা কীজোন ইচাই-চাইনা হুমদোক্লি। অহুগী তুংদা থুপকমদগী নাম্বোরক্লবা থাজনা অস্থম অস্থম লৈচিন-নোংক্লাই লাম্বোরক্তুনা মশাগী নিংথিবা শন্দোরকপগুম, অয়ুক্পী কোরৌনা ইথক নাইরবা নোং মপৈবু মথং মথং সনা অহিংবা মচু শঙলগা অস্থম তাম্বো-রক্তুনা মাইকৈ পুম্বা লংথর্হল্লা ঈশিং কংকাল তিন-কাও পুম্বা হরাও-মথোই কাহনবগুম, অশিবা হকচাংহুদা পুক্লিগী নিংথি-মতালনা অস্থম্বক লৈতেংতকই। ওম্বোকপনি, কয়াদা নিংথিজখ্রবা! ভবানন্দনা হায়রিবা থন্দুনা লৈরি, মহাকস্থ রা ঙাংলক্তে। কল্যা-ণীগী শক্তমনা মাগী থম্মোইবু অরা মৈশা লাংহল্লি, শান্তিগী শক্তস্থ মহাক হল্লা য়েংলুবা তৌদে।

অহুদগী শান্তিহ্ অতোপ্পা কা অমদা লাক্লে। মানা হংতকই, "মসি কনাগী কানো?"

গোবর্দ্ধননা হায়রকই, "জীবানন্দ ঠাকুরগীনি।"

শান্তি। কনানোনে মীহুবো? কদাই, কনামতন্থ লৈতেনা?

গোব। অহুক চংথোকথিবা ওইরিনি, তপ্পা হল্লক্লনি।

শান্তি। কা অসিনা থাইমক্তগী হেন্না কৈ।

গোব। অহুবু কাসিদি লৌবা য়ারোই।

শান্তি। করিগী?

গোব। জীবানন্দ ঠাকুর লৈরিবনি।

শান্তি। মহাক অতোপ্পা কা অমা থিজরবা হায়রকহুনিদনা।

গোব। মহ্ কৈফগী য়াদগে? কাঅসিদা লৈরিবা মীসিদি হুহুনি [illegible]কাওবা য়ারবা মীশক্লি, মানা অপাম্বা থবক্তা তৌরিবনি।

শান্তি। হয়ে, নং চৎলো, ঐ লৈকম লৈত্রগনা উথাদা অহুমক লেপ্পগে"

অসি হায়রহুনা গোবর্দ্ধনবু চৎহনখ্রগা শান্তিনা কা অহুগী মনুংদা চৎলক্লে। মনুং য়োরগা জীবানন্দগী লৈরিবা শজি মউন্দু থিং-থোক্লহুনা থাওমৈচু ভাম্না থাঙ্গত্তুনা জীবানন্দগী কোব্বের্ক অমা পুথোক্তুনা পাবা হৌরক্লে।

ওহাক লৈরগা জীবানন্দ মকমহুদা লাক্লে। শান্তিদি ফুপী কীজেং শেৎলিবনি, অহুবু হেক উবমক্তদা মাবু শকখঙলে, হায়-রকই, "করি মত্তৌনো অসিদি? শান্তি?"

শান্তিনা তপ্না তপ্না কোব্বের্কতু থম্লগা জীবানন্দগী মাইথোং তম্না য়েংলহুনা হায়রকই, "শান্তি হায়বদি কনানো মহাশয়?"

জীবানন্দ পুমওক ওকখ্রে—কাইনখংদা হায়রকই, "শান্তি হায়বদি কনানো হায়বা? নত্তে, নংবু শান্তি নত্রনে?"

শান্তিনা তুকচবগা লোইননা হায়রকই, "ঐহাক নবীনানন্দ গোস্বামীনি।" অসি হায়রগা মহাক অমুক কোব্বের্ক পাহুনা লৈখ্রে।

জীবানন্দনা হৌনা নোক্লক্লে; অহুগা হায়রকই, "কুমৈ অনৌবা মওং অমনি। অহুদি নবীনানন্দ, মকমসিদদি করি থম্দুনা লাক্লিবা?"

শান্তিনা হায়রকই, "অচৌ-অশাং কোমুত্তদি, অহানবা শক-খঙদবা মত্তমদা 'অদোম' নত্রগা 'মহাশয়' অসিনচিংবা য়াঙাং-মিত্তৌ শিজিন্নগদবনি হায়বা চৎনবি অমা লৈ। ঐসু অদোমু পাক লাকথুনা য়া ভাংথিবা লৈত্রি,—অহুগা অদোমদি ঐবু 'নং নং' হায়বা য়াঙাংদা চেক শিজিন্নবিরিবসি করিগীনো?"

"ঐ লাক্লে" অসি হায়রহুনা জীবানন্দনা মওকা মঙী য়েংলগা মথুং লোয়রহুনা হায়রকই, "হৌজিক মনাইনা লোয়্নবা

হল্লংচরিবদি, করিগীদমক্তা ভরুইপুরক্কী লাইর-থাংগোকখুণ্ডসিদা মহাশয়না থোংদাবিরক্লিবনো, মহাক্কী মরমহৃ তাকপিয়ু।"

শান্তিনা য়াম্না চিং-লেম্না হায়রকই, "করেম্নকম করিমতা লৈত্তে। ভরুইপুর হায়বহৃ ঐ খঙদে। ঐহাক মচা ংইবগী ধর্ম্মা লৌরগে লাকপনি, ঙসি দীক্ষা লৌরে।

জীব। এঃ মাঙলেদনা! অওইবরনে?

শা। করিগী মাঙগদৌরিবা? অদোমস্ত দীক্ষা লৌ রিবহৃদি?

জীব। নংদি সুপীনি।

শা। করি হায়বা? মহাক্কী য়াকমহৃদি অদোমদগীনো?

জীব। ঐ কন্না থাজৈ, ব্রাহ্মনীদি সুপীনি।

শা। ব্রাহ্মনী হায়বা? অদোমগীবু লৈত্রনে?

জীব। লৈরম্মি হায়না নিংই।

শা। অদোম্না থাজরিববু, ঐসি অদোমগী ব্রাহ্মনীনি অসিন্না?

জীবানন্দনা অমুক হন্না মখুৎ লোন্নরক্তুনা মঙক্তা মকী য়েৎলগা নোল্লক্লা হায়রকই, "মানি হোই ইবুঙো মহাশয়।"

শা। অস্থুক নোক্লিংখ্রবা য়ায়োলসি করিগুম্বা থনবিবা থোক্ল-বদি, অদোম্না তৌবিফম থোকপসি করিনো অহুক তাকপিয়ু?

জীব। অদোমগী অয়োনবা ফীজোল্লু নমহৃনা চিংথোক্লগা চিনবানগী অমৃত থকপা।

শা। মহৃদি অদোম্না ফক্ত পূকচেন্দা নত্রগা গঙ্গাগী নেশাদা চাংদনফম লৈতনা ভক্তি লৈবিখিবগী থুদমক্তনি। অদোম্না দীক্ষা লৌবা মতমদা য়াশকপিশ্রবনি, সুপীগা ফম্ফম অমতদা কম্মিঅরোই হায়না ঐবু সুপীনি হায়না কন্না থাক্লবা অম্না পোকপিরবদি—অম্না লীনবু থৌরিনি হায়না শেন্নান্নুনা থম্নবগ্র মন্নাওই—অহৃ [illegible]বদি তোঙান্না ফম্ফম অম্না কম্বিবা চুম্বি, অহুগা ঐগা য়াম্নি [illegible] [illegible]বিফমস্তু [illegible]।

অসি হায়রক্না শান্তিহ্ অমুক হন্না লাইরিক পাক্লনা লৈখ্রে। অমুক ডাংকম খঙগ্রক্লা জীবানন্দনা তোঙানবা কমুং অম থারগনা অহুমক হিপথগ্রে।

---

# অহুমশুবা শরুক

—o—

## অহানবা মতাং

তমথীরবা ৭৬ সাল অহ্ ঈশ্বরগী কৃপাদগী লোইখ্রে। বাঙ্গালগী অর্না ভরুক্ন্বা মীবু—কোটি কয়ানো কনানা খঙনি—যমগী লৈপাক্তা থাব্রগা কত্রবা চহিহ্ মশামক মতমগী থায়াত্তা তাখ্রে। ৭৭ সালদদি ঈশ্বরনা থৌজানবিরে। নোং নিংথিনা তারে, মালেমসি মহৈ-মরোংনা চুমলে, হিংহোবা কাংবুশিংহ্ মপুক থন্না চাজবা ফংলে। অয়াম্বনা চাবা ফংদবদগী অমদি পুক থন্না চানরক্তবদগী শিরুম-নারুমগুয়া লৈনরম্মি, হৌজিক পুক থন্না চারকপসিদা হক-চাংদা খাঙওমদবা কীতম অমা ওইশিল্লক্লে। অমুক মহুনা ভোরা তুনা শিনরক্লে। মালেমসি মহৈ-মরোংনা চোল্লবস্থ মীদি তাক্লে খুল খুদিংদা অহাংবা য়ুম্না থনথিক্লনা শাশিংগী পোথাভম অমস্নুং ভূত-প্রেতকী কিনকম ওইরক্লে। খুল খুলদা লৈহাও চেন্নবা লম কয়া কয়া খোইদোক্লক্লনা অরেম্বদা ভাহনা লৈরে, জঙ্গল ওয়া ওনখ্রে। লৈবাক্শীয়া জঙ্গলগী জঙ্গলডাক ওাইখ্রে। হয়াও মিনোক্লা থানবা শংবায়বা মহৈ-মরোংনা লৈত্তেংলম্বা লোবুক মশীং নাইজবা যথ-ইয়োইনা থন্না চারম্বা লমহাং, পুরেগী পাথং লৈশাবীশিংগী হয়াও ভয়ামকম ওইরম্বা লৈকোল-লৈকোল পুম্বা, অম্নম [illegible]

উমং ওইশিল্লে। অসুম্বা চহি অমা, অনি, অহুম হৌরে। জঙ্গলনা পূম্থন-থনজিল্লে। তাইবং মীশিং শুংঙাইরবা মকম ওইরম্মশিংছু, শাহিং চাবা কৈনা চংশিন্নক্লা শজিশিংবু তান্নবা হৌরক্লে। নিংথিবীশিং কাংলুপ কয়ানা ঙাংহন্নবা থোঙদা থোঙজি মথোল থোকহন-থোকহন্না, অহল ওইবীশিংগা কাগী-জুগাই ভোন-ভোনরছুনা, হৌনা মকা লান্না নোক্লছুনা চংলম্বা মকমশিংছু, শওমনা মকোল হুংলছুনা মচা ময়াম য়োকফম ওইরক্লে, ভনৌ-ভনৌরিবা অঙাংশিংনা মুমিদাং ৱাইশী মতমদা মান্নিকা লৈরাংগুম মকা-কয়া পোন্নবা মীনোক নোকচরম্বা মকশিংছু, ঙসিদি শঙ্খ শঙ্খ ওইনা শামু-লমশা ময়াম ময়াই কাবগা লোইননা উপালশিংগী মশা-মরেং নৈহংপা হৌরক্লে। দুর্গাপুজা তৌকমছুদনা লমহৈগী মকোল, লাই-লাংকমদনা মকুগী কুনফম, কুম্মৈ শঙদনা হু-চেন্নবা লীলশিংনা শুংথিলদা হঙোই থিকম ওইরক্লে। বাজালাদা মহৈ-মরোং থোক্লে, চাবিনিংঙাইদি লৈত্রে, য়োন্নবা পোৎচৈ হৌরে; নৈবিনিংঙাইদি লৈত্রে, লৌমীনা লৌদি উই. পৈশাদি কংদে—জমীদারগী খাজনা পীবা ঙমত্রে, নিংথৌনা জমীদারী মুনথিছুনা জমীদার পুম্বা মখুং তংপা হায়বত্র ওইছুনা লাইরবা ওনখ্রে। মালেম লৈমা অসি চাথোক কবী হায়বীছু ওইরে, অদুবু পৈশাদি থোক্কে, কনাগুম্বগী মুমদা লাল লৈত্রে। অঙম্বা মুন্নক্লে। হন্নানবা ডাকুশিংনা মথুম-মরাং হৌরক্লে, সাধুশিং কিছুনা ইমুংদা ঙম্না লোৎনখ্রে।

অসোমদা মচাগী কাংবুনা নিত্তিগী চন্দন চাইরবা তুলসী মনানা বিষ্ণুবু পুজা কৎলি, অদুগা লোংমৈ-পিস্তল লোইবা ইমুংশিংগী লোংমৈ-পিস্তলছু মুন্দুনা পুরকই।" ভবানন্দনা ময়াম্বকী হায়, "হৌজিক হৈনাও পুম্বা! করিগুম্বা মাইকৈ অমদা হীরা-মনিমুক্তানা থনবা কা অমা লৈরবা, অতোপ্পা অমনা লোংমৈ অমইতক লৈরবা, অদু ওইরবদি হীরা-মনি-মুক্তাছু [illegible] অতোপ্পা লোংমৈ পুরকপদি?"

অছুগী তুংদা মখোয়না খুল খুলদা মখোইগী [illegible] থী থাবা হৌরক্লে। [illegible] শিংছুনা খুলদা চংলগা হিন্দু থেংনবা মকম শিংছুদা হেক হায়—"ইচিল ইনাওশা বিষ্ণুপূজা তৌনিংবরা ?" অসি হায়রগদুনা মী ২০।২৫ থোয়গা মুসলমানগী খুলদা হুপচিন্দুনা মুমশিংবু মৈ থাদোকই. মুসলমানশিংনা মথন্নাই হিংনবা কোইরাং লাংনরি-ঙৈদা, মচা-ওইবশিংমা মখোইগী অরৈব-মথৈ লুট তৌরক্কুনা অনৌবা বিষ্ণুভক্তশিংছুদা য়েন্থোকপি। লুটকী শরুক ফংবদা মথন্নাই হরাওরবা খুলগী মীশিংছু বিষ্ণুগী মন্দিরদা পুরক্লগা লাইগী মখোং শোক-হন্দুনা মচাগী মশীংদা চলহল্লি। মী পুন্নমক মচা ওইরগা কান্নবা ফংই হায়বসি উনরক্লে। অছুগী মথক্তা মুসলমান্না পানবদা লৈপাক কাং—থোং চাইবা অমসুং লৈতাক্লোন লৈতবছুদা মন্নাক্ক মুসলমানবু য়াম্না শাওনরম্মি। হিন্দু ধর্ম্মনা মাঙশিল্লকপছু উবদা হিন্দু অয়াম্বা ধর্ম্ম ভাক্লনবা য়াম্না থোয়রাংবা পোক্লরম্মি। মরম অছুনা নোংমা নোংমগী মচাগী মশীং অম্নুম অম্নুম হেনগৎলক্লে। নোংমা নোংমগী চাম-চাম, থা থাগী লিশিংগী চাংদা মচাশিং লাক্কুনা ভবানন্দ জীবানন্দগী মখোংদা খুরুম্নগা, কাংলুপ কাংলুপ ওইনা অনকপা অরাম্নদা লৈবা মুসলমানশিংবু লাকথুবা চংথোক্লরক্লে নিংথৌগী থবক-তৌবা মীশিং উনবা থোক্লগা, কাছুনা ফু-চৈ, করি করি-গুবদসু হেক হাত্তোকই; সরকারগী শেল-থুম থেংনবা থোক্লগনা, লুট তৌদুনা ময়ুমদা পুরকই; মুসলমানগী খুল লৈরমদুনা, মৈ থাদোক্কুনা উং ওলহল্লি। মকম অছুগী অতম-মথৌশিংনা মচাশিং অছুবু লাকথুনবা লাম্বী মশীং নাইদনা থাবা হৌরক্লে; অছুবু [illegible] মচাশিংদি কাংলুপ-কাংলুপ নাইরে, খুৎলাই পায়রে অমসুং [illegible] মতিক [illegible] লৈরে। মখোইগী মতাংদা মমাংদা মুসলমান-[illegible] থোক হায়দিনবা ওয়ে। চংশিনুবা থোক্লবসু, থিংজিনবা [illegible] [illegible] মচাশিংনা মথোইবু [illegible] মথোইবু [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible]-মিয়ুলেন শোন্দুনা লাওথোংলকই। করিংহো মতমদা মচা[illegible] কাংবু অমবু ববনগী লাখীনা মাইথিবা পিরবগদু, খুদেক খুদকমক্তদা কদাইদগীনো মচাগী কাংবু অমা থংহৌদনা থোং- [illegible]না ম্যান-ওয়রিবাশিংহবু মঙক করগা হরি হরি শোরকনা হেক্তমক চংখি। মতম অসিদা লাওগৎলক্লিবা আরত্তা-খুনাইকপা ইংরেজ লাংবী মাকাই-ক্লোয়ৌ-শক্তমবা ওয়ারেন হেষ্টিংস্ সাহেবনা ভারতকী গবর্ণর জেনেরেল ওইরি। কলিকাতা কয়া কয়া য়োম্বিলং- কোম্লো-শারহনা, মহক্লা, মঙাল চাওরবা সুমুত্রনা, কোইশিল্লবা ভারত ভূমিবু য়োম্বিলং ফলাং চনগে হায়না মপুক্লিংদা য়াথল তৌরি। নোংমা তাইবং মপুনা তাংবলথক্তা লেংশিন্নহনা চিংনবা লৈতনা তাকপিংলে—'তথাস্তু'। অহুবু মতমহ হৌজিক্তি কনা য়াংলে। হৌজিক্তী মতমদদি মচাশিংগী হৌরবা হরিধ্বনিদা ওয়ারেন হেষ্টিংসমু থক থক নিল্লি।

ওয়ারেন হেষ্টিংসনা অহানবদা ফৌজদারী লাশ্মীনা লালহৌবা কাংবু নমথনবা লাক্লরকই। অহুবু ফৌজদারী সিপাইশিংহুগী কীতমদি, কনাগুম্বী হনুবী অমগী মচিন্দা হরিনাম শোনবত্তং ভাবদা পংচেনদমক চেনখি। মরম অহুনা উপায় লৈত্রহনা ওয়ারেন হেষ্টিংসনা কাপ্তেন টমাস কৌবা হৈশিংলবা লাশ্মী অমবু লুচিংবা হাপ্তুনা কোম্পানীগী লাশ্মী কাংবু অমা লালহৌবা মরাম লাক- [illegible] থারক্লে।

কাপ্তেন টমাসনা লাক্লবা লালহৌবা নমথনবা য়াম্না [illegible] শেম শারক্লে। নিংথৌগী লাশ্মী, জমীদারশিংগী লাশ্মী থোমজত্তুনা [illegible], কোম্পানীগী নিংথিনা [illegible] খুংলাই পারবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাশ্মী কাংবুগা তিনশিনহল্লে। [illegible] তিনশিন্নবা লাশ্মী মপেম্বু [illegible]-কাংলুপ থাইনোত্তুনা [illegible] [illegible] লানহৈকা [illegible] [illegible] ওইনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]— [illegible] [illegible]

লৈপাক্কুন্দা ইন্ খোরবগুম ইন্ চিংশা-চিংবা চংকদবনি । লাল-ফৌবা হেক থেংনবা ককচে হাংপগুম্বা হাত্তোকপবনি । কোম্পানীগী লাম্মীশিংছু কনাবা গন্না কাম্বুনা, কনানা রম থকুনা নোংমৈ মতোংদা মরীন খেংচিল্লকনা মচাশিং হাংদনবা খোঙকাপ কল্লা থাংনরক্লে । অদুবু মচাশিংদি হৌজিক মশীং থিডমত্রে, পাবিনিঙাই লৈত্রে, কাপ্তেন টমাসকী লাম্মীশিংছু লৌমীশিং চৈরোং মমাংদা কেজকপা মহৈ-মরোংগুম প্রোপ-প্রোপ কেল্লক্লে । হরি হরি হায়রগা খোল্লাওনা কাপ্তেন টমাসকী মনাছু পঙশিনদ্রে ।

# অনিশুবা মতাং

মতম অদুদা কোম্পানীগী রেশমগী কুঠী য়াম্না লৈ । শিব-গ্রামদসু হায়রিবা কুঠীসি অমা লৈ । ডানিওয়ার্থ সাহেবনা কুঠীসিগী কাপ্তার হায়রবদি মকোনি । মতমঅদুগী কুঠী পুরা ডাক-শেনবা য়াম্না নিংথিনা শীনাওই । মরম অদুদগী ডানিওয়ার্থ অদু উচিন-খাচিনা মথৱাইদি মাঙথিদে, অদুবু মাগী মুপী-অডাংদি কলিকতায়দা । মাক্না তাথি অদুনা মহাক মশাবুদি মচাগী কান্বুনা য়াম্না ওং-লৈথি । লৈপাক অদুদা তাওদুনা কাপ্তেন টমাস সাহেবনা লাম্মী কোইজ অহুম মনি পুরদুনা য়েংবা লাকই । হৌজিক মচাগী কাংবুনা মন্তিক-মঙার লৈরকপাছু উবদা, চোখাড়, হাড়ি, ডোম, বাগ্দী, বুনোনচিংবী মীওয়া থবা মীগী মশোং মচৈ বুলবদা মীবাই লাক-রকনি । মখোইনা কাপ্তেন টমাসকী চান-থবা [illegible] লাকরক্লে । কাপ্তেন টমাসকী লাম্মীশিংদুগীমথক য়াম্না পান্নবা মাগী মতমদা সি. আর. ব্রেক হেক পঙনা হেক হেক চাইনবা-থাবা উবনা

ডোম-বাগদীগী কাংবুদু করা থিরোবা পোক্রে । মখোইনা খাড়ী-শিংদু মুনগে হেৎখিক্রে ; অদুবু কাপ্তেন টমাসকী সিপাইশিংনা পায়রিবা নোংমৈদুগী চৈনাখোল অদুম মরিরকুং কংবদা চঙ্লা হন্দুনা চেনখ্রে । কাপ্তেন টমাসনা খুদক্তুমক্তদা কালিকাতাদা য়রোল অমুম্না রিপোর্ট থাখ্রে,—ওসি সিপাই ১৫৭ থক্লা লালহৌবা ১৪,৭০০ থক মাইথিবা পিরে । লালহৌবশিংগী মরক্তা ২১৫৩ থক শিরে, ১০২৩ থক হাংলে, ৭ থঙ্লা বন্দী ওইরে । হায়রিবসিগী মমুংদা অরোইবগী অসিমতং চুম্মি । কাপ্তেন টমাসনা অনিশুবা ক্লেনহিম নত্রগা রসবাকী লানকম ওন্মে হায়না য়াথল তৌরদুনা মকোই থক-থা নাম্ল-নাম্লদুনা অকিবা লৈতনা কোইচং চংপা হৌরক্লে অমসুং ডানিওয়ার্থ সাহেবতা, করিস্নু কিকম লৈত্রে, হৌজিক্তি লালহৌবা পুম্নমক নমথরে, নহাক মুপী অডাংশিংবু কলিকাতা-দগী লৌরগো হায়না পাওতাক পিরক্লে । মহুদা ডানিওয়ার্থ সাহেবনা হায়রকই, “লৌক্ররনি, নহাক মুম্বিং তরানিমুক্তুং মকমসিদা লৈবিথো, লৈরাং ইরাং অসি থরদংদগা নেমথখিসনু, অদুগা মুপী অডাং লৌরগে ।” ডানিওয়ার্থ সাহেবকী মুমদা মটন-মুরগী তত্তনা লাত্তই । থকবসু অক অকব মথল করাগী লমলকী উচেক্লা মহাক্তী টেবিলদু লৈত্তেংই । মকোইচোম্লবা বার্বুচ্চিদু অনিশুবা ক্লোবদীনি, অদুনা য়া মথা অমুক তাদনা কাপ্তেন টমাস্ মকমদুদ্রা অদুমক লৈরক্রে ।

অদোমমনা ভবানন্দগী মপুম্বিংদু ওং ওং ওলক্লে , মহাক্তা থক্তি, করম্বা মতমদা কাপ্তেন টমাস সাহেব বাহাদুরগী মতক অসি কত্তুনা অনিশুবা মক্মানি হায়বা মিৎখোল কংথদগে , ইংরেজ-শিংসি তারতনু করম্বা [illegible] হায়থদি মচাগী কাংবুনা মতমদুদা থক্তে । করম্নু [illegible] কাপ্তেন টমাসকী মতমগী ইংরেজ অদু [illegible] হায়রিবসি [illegible] [illegible] [illegible] লোনদগী [illegible]

হাত্নরিঝ্র হাকমুসিং নৈরম্বি। ভবানন্দনা থন্নকই, হিতোপনী শাদে অসি নোংমা শোইদনা মাঙহনগনি, মরাম্মক পূনখিসল্ল, থরাং কোমথোকখিসন্থ, ঐখোয় হৌজিক থাম্বপ অহক নৈখিদে। অম্বুম্মা থন্নহুনা মখোই থরা থাম্মা নৈরে। কাপ্তেন টমাস সাহেবস্থু মৈথাই খিনগাই নৈজনা দ্রৌপদীগী মগুল্দা লুপ্তুনা নৈরে।

সাহেব বাহাদুরন্থ শীকার য়াম্না পাম্মি, মরম মরক্তা শিবগ্রামগী মনাক অছুবাইদা নৈবা উমংদা শা-তানবা হেক হেক চংলি। নোংমা ডানিওয়ার্থ সাহেবকা লোইননা শগোল তোংলহনা শীকারী থন্না পুহনা কাপ্তেন টমাসন্থ শীকার তৌবা খোক্লকই। অওইব-মক্তি, টমাস সাহেবসি মরিংজেল য়াম্না নৈ, মপাঙ্গল-মথৌনাদা ইংরেজ জাতিগী মরক্তকাও অতাঙবা অমা ওইনা তৌই। ওক্লবা উম্নুংহ্র কৈ-হৈরোই শওমনচিংবগী য়াম্না কিনব: মকাম্নি। কনা থাম্না চংশিন্নরবা মহুংদা শীকারীশিংন্থ অমুক চংশিনসি য়াম্রে; মখোইনা হায়রকই, "মমুংসিদা অমুক লম্বা নৈরে, ঐখোই অমুক চংপা ঙম্মরোই।" ডানিওয়ার্থ সাহেবস্থ উম্নুংহুদা শাথিরবা কৈ অমথকা থেংনখিবগী অমুক চংশিন্নিংবগী মতৌ উৎরে। মখোই পুম্নমক হন্নসি হায়নরে। মহুদা কাপ্তেন টমাসনা হায়রকই, "নখোই হন্নো, ঐদি হনখিরোই।" অসি হায়রহুনা কাপ্তুন সাহেবন্থ ওক্লবা উম্নুংহুদা অছুম্বক চংশিন্নরে।

থাজৈশেংবমকস্থ উম্নুংহ্ লম্বী নৈরমদে। শগোল থৌজিনবা য়াত্রে। অছুবু সাহেবন্থ শগোল থনম্নপা মরে, বান্দা লোংবৈ থোক্তুনা মথক্তা উম্নুংদা চংলক্রে। মহুং য়োমক্লগা মাইকৈ মরি নৈহুনা কৈ খিরকপদা কৈ অমতা থেংনরে। মহাক্না কনিদি উরকই ? চাওরবা উ অমগী মথাদা কন্না শাংলবা, নৈরাংজনা কোম্নবা উম্নিশিংনা কোইশিল্লহনা কনাগো অসে কন্নিরা ? তনৌ-তনৌরিবা সন্ন্যাসী অমবনি, লিংজিং শণ্ডনা উমুংহ্ন্থ তানবনি। শাকাইরবা নৈরাংশিংন্থ

মাইরম্‌গেনগী হকচাং অসিগা তাইনবদা থোইনা হেন্না কনম খুৎশিন্নি। কাপ্তেন টমাস পুমণক ওকখ্রে, অহুম্ হেক থংনবা মিকুপ্তা শাওনিংবা পোক্লে। কাপ্তেন সাহেবতু নৈবাকসিগী লোল কনা নিংথিনা খঙই, মানা হায়রকই, "নঙ কনানি ?"

সন্ন্যাসীনা হায়রকই, "ঐ সন্ন্যাসী অমনি।"

কাপ্তেননা হায়রকই, "নঙ rebel নি"

সন্ন্যাসী। করি হায়রিবনো অহুদে ?

কাপ্তেন। ঐ নঙবু গুলি কাপলেগা হাৎকেনি।

সন্ন্যাসী। হাৎলু।

কাপ্তেন্দু গুলি-কাপসিন্না কাপকদ্রুসিন্না হায়না ওাহাক্তং থঙান-হনা নৈরিডৈগী চৈরক্কু দ', নোংথাংগুম নহা সন্ন্যাসী অহুনা থংহৌদনা হোংচিল্লকুনা মাগী মথুক্তগী নোংমৈহু মুনখ্রে। সন্ন্যাসীহু মশাদা কুপ্নিবা শক্তি মউন্দু লৌথোক্কুনা সংথোকখ্রে। খুৎচিং অমুক্তদা অটা অহু থুগাইরক্লে। মতমহুদা কাপ্তেন টমাস সাহেবনা উরক্লে, চাইদক্লিংঙাই নৈত্রবী নুপীগী শকম। নিংথিজরবী অহুনা নোক্ল নোক্লহুনা হায়রকই, "সাহেব, ঐহাক নুপীনি, কনাবুম্ন হাৎপা থোৎপা তৌদে। ঐহাক -রা অনা হংগে, হিন্দু—মুসলমান হাথন গুনজবনি, অহুগা নথোইনা মরক্তা চংলক্লিবা করিগীনো ? নমুখদা তুমিন্না হনখ্রো।"

সাহেব। কনানি নহাক ?

শান্তি। উত্রিবম্না, ঐ সন্ন্যাসীগীনি। নংনা লাম্বেংমবা লাক্লিবা মথোইশিং অহুগী, কনা গুবা অমগী নুপীনি।

সাহেব। নঙ ঐগী [illegible] নৈবিসিন্না ?

শান্তি। করি ? নংগী [illegible] নুপী ওইনা ?

সাহেব। ঐগী নুপী [illegible] মাই, [illegible] ।

[illegible] ঐহীনু [illegible] নৈরনিং [illegible]

শিল্লে ; মাগী মকোনদু অদুমক হাৎলি । নখাংদা য়োক্লিং থাং-জিনবিরগা নং অদুদা লৈমুদনা ? ঐথোইগী ইংথোলদা হাওর-হাওরবা লকোইসু পালি ।

সাহেব । নঙ য়াম্না Spirited woman ওইবিরে, নঙগী Courage দা হরাওবা মুঙ্গাইবা পিরে । নঙ ঐগী য়ুমদা চৎপিসি । নঙগী মুপা আন্দা হাৎপিগেনি । অদুগেদি নঙ কমদোগেনি ?

শান্তি । অদুদি নংগা ঐগা য়া অমা লেপ্পরসি. লান্দি নিনি হমনিসিগী মতুংদা শোইদনা মতৌরগনি । নখোইনা ভন্না থোক্লবদি, নংগী লোয়বী ওইনা লৈবদু ঐ য়ারে, করিগুম্না ঐনা হিংবা থোক্লবা অদুগা ঐথোইনা ভন্না থোক্লগনা. নং লাক্লুনা ঐথোইগী য়োং মকোন্দা য়োং শাদুনা লকোই চৎবতাইদো ?

সাহেব । লকোই হাওরেনা । য়াওবিরেরা ?

শান্তি । সে লৌজরোসে নংগী নোংমৈ । অমুক পঙবা জাৎসিবু কনাবা য়া ভাংনজরুগবনো ?

অসি হায়রগা শান্তিনা নোংমৈদু হুজিনবিরমদুনা নোক্লা নোক্লা চংখ্রে ।

## অহুমগুবা মতাং

শান্তিনা সাহেবতুবু হন্দোক্লমগা শান্তি অমোমগুম থোংথাং য়াওনা উন্দুংদুদা মকম থওদনা চংখ্রে । সাহেবতুনা ভহাক লৈরগা ভাবা কংলকই-মুণীগী খোঞ্জলনা ইশৈ শান্তি—

পুলি-ইনৌগী ইহন থিংদোবা কনানোনে ?

হরে মুরারে ! হরে মুরারে !

অদুবগী কদোমদগীনো সাকনগী মুংশিমবা খোলহৌরো খোংদ্রুমগী

"পুন্সি-ইনৌ-ইহুন থিংদোবা কনানোনে '
হরে মুরারে ! হরে মুরারে !"

মহুপা লোইনবা নিপাগী খোঘাং অমগু শক্লে—

"পুন্সি-ইনৌ ইহুন থিংদোবা কনানোনে ?
হরে মুরারে ! হরে মুরারে !"

খোঙ্লেন অহমহুমা পুরুপ পূনশিন্দুনা শক্লকপা ইশৈনা উমংগী ঊরি পুরুহ্ ভনিক ভনিকহনখ্রে। শাক্তিনা শক্ল শক্ল চংলকই—

"পুন্সি ইনৌ ইহুন থিংদোবা কনানোবে ?
হরে মুরারে ! হরে মুরারে !
লাইজদা ইথক হোরে,
ঐগী নৌরবা হিরেন হয়াওনা তাওরে,
হিরোইনা নৌরেন পারথরে !
হরে মুরারে ! হরে মুরারে !
নমথেক্কুনা লৈঙোইগী পল, থুংজনিংই পুক্লিংগী মাথল,
ইপোম চাওনা ইহৌরক্লে লাইজ থিংদগে কনানা ?
হরে মুরারে ! হরে মুরারে !

সারজহুন্ অমুমা খোংলি—

"ইপোম চাওনা ইহৌরক্লে লাইজ থিংদগে কনানা ?
হরে মুরারে ! হরে মুরারে !"

শাথীনা গুকথুবা উমুং, মমুংদা করি লৈবা, মপান্দগী করিমতা উবা ফংদ্রবা মকম অমদা, শাক্তি চংলক্লে। মকম অহুদা উপাল্‌ হাপা উরি-মারিশিংগী মরক্তা লোংতুনা পিক্লবা থাংপোকশঙ অমা লৈ; উশানা মথোং ওই, উবানা কুমি, উপাকা লৈমাই থাই, মমুগী মথক্তা লৈপাক থী। মমুগী উরিগী খোঙহ্ হাংদোক্লগা শাক্তিনা মহুংদা চংলক্লে। মকক অহুক্তা জীবানন্দ কয়না সারজ

জীবানন্দনা শান্তিবু উবদা হংজকই, "অমুক কুইরবগী মতুংদা ইপোম চাওনা লাইজ ইহৌরক্লবরা ?"

শান্তিনা নোক্লহন খুমকই, "তু-খোংদবু ইপোম চাওনা ইহৌবা হৌনবরা ?"

জীবানন্দহ মাইথোং লাংশিন্নহনা হাইরকই, "য়েংউ শান্তি! নোংমা ঐগী ব্রত কাইথিবদগী থন্নাইসি কৎথোক্লনা অহুম্মক লৈখ্রবনি। তৌথিবা পাপকী প্রায়শ্চিত্ততি শোইদনা তৌবগদবনি। নহান্না প্রায়শ্চিত অসি তৌরগদবনি, অদুবু নংনা হায়বদগী ওসি ফাওবা তৌদ্রি। অদুবু শাথীরব' লানফম অমা থেংনগদবা কুইদ্রে। লান্ফমদুদা ঐ প্রায়শ্চিত অদু তৌবা তাই। থন্নাইসি লেপ্পমক থারগনি। ঐগী পুন্সি লোইবগী মুমিৎ ওইবগনি।"

শান্তিনা ন্না মথা-অমুক তাহন্দনা হায়বকই, "ঐগাক নংগী মুপীনি,—ধর্ম্মগী লোইনবীনি, ধর্ম্মদা তেংবাংবীনি। নহাক য়াম্না লুরবা ধর্ম্ম-অমা চংলে। ধর্ম্মদু তেংবাংগে হায়বগীদমক ঐহাক য়ুম থাদোক্লক্লিবনি। ইবানিমক পুন্ন ধর্ম্মদু চংননব যুম থাদোক্লনা বন্দা লৈররিবনি। নংগী ধর্ম্মবু চাওখৎহনগনি। ধর্ম্মগী থোংলোই ওইরগা নংগী ধর্ম্মদা করিগী অকায়বা থোকহনগদগে ? লুহোংবা হায়বসি হন্দকী মপোকীগুনি, অদুগা হয়েংমুকী মপোকীস্নুনি। হন্দকী মপোকী লুহোংবা হায়বদু, ঐথোইগী ওইথিদে হায়না থল্লে। ঐথোইনা লুহোংবদি হয়েংমুকী মপোকীদমক্তনি। হয়েংমুকী মপোক্তা শরুক অনি হেন্না মহৈ ফংগনি। অদুগা প্রায়শ্চিতকী ন্না হান্নরিবসিনা করিগীনো ? নহাক করি পাপ তৌরবগে ? নংগী ন্নাশক্তি মুপীগা ফম্ফম অমতদা ফমিন্নরোই অসিনি। কদাই, নোংমতম্নু নহাক ফম্ফম অমতদা ফমিন্নথিদে। অদুগা প্রায়শ্চিত করিগী তৌগনি ? ওয়াোকপনি প্রভু! নহাক্তি ঐগী গুরুনি, নংডোন্দা ঐনা ধর্ম্ম অমুক তাকিফম লৈরিব্রা! নহাক্তি অথোবনি, ঐনবু নংডোন্দা অথোবগী ব্রত অমুক তাকথিগব্রা ?"

জীবানন্দ মুংঙাইবনা লুতোন কাথিল্লনা হায়রকই, "ভ.ম্বিরি-বসিনিদনা !" শান্তিনা মথম্নাই হরাওনা হায়রকই, "অদুগা অসিমম্ন য়েংউ গোঁসাই, হন্দক্কী মপোক্লা ঐথোইগী লুহোংবসিবু অরেম্বদা তারবরা ? নংনা ঐবু মুংশিবি, ঐনম্ন নংবু মুংশিজে, মসিদগী হেনবা হন্দক্কী মপোক্কী অতৈ করি অমুক মহৈ লৈরিবগে ? শোনবিয়ু বন্দে মাতরম !" অদুদগীদি মবানিমক খোঞ্জেল অমত্তা ওইনা "বন্দে মাতরম" শক্লক্লে।

---

## মরিশুবা মতাং

ভবানন্দ গোস্বামী নোংমা নগরদা থুংলরে। পাক্লবা শোরোক্তু চত্তুনা মম্নবা লৈরক অমদা চংলক্লে। লৈরক্কুগী নাকল অনিদা য়াংলবা দোলালগী পরেং লৈ; মুমিৎ কোবা লাইনা মুমিৎ মুংবা মতমদা অমুক অমুক্কুং লৈরক মনুংতুদা মূনা মূনা য়েংবিরম্বা অদু মঙাই। অদুদগীদি অমম্বনা অতুম্মক কুপ্পুনা লৈ। লৈরক্কী নাকন্দা লৈবা য়ুম দোতলা অমদা ভবানন্দ ঠাকুরদু চংলক্লে; মথাগী ইমুংদা কা অমদা মীয়াই ওইরপ তৌরবী মুপী অমন' চাক থোংতুনা লৈবা অদোমদা ভবানন্দ মহাপ্রভু ফাওরক্লে। মুপীদু মীয়াই চম্লে, হাই-ফেৎ নোয়, মৃদরং তৌই, পুমঙৌ-ঙৌবা ফীজোন শেংলি, মরাইবক্তা অমুবা নম্মী, লম্নাই লুতোন্দা শম চবুম্না চুড়াগুম লৈতেংলি, টক-টক হাইনা ইরান মপান্দা থাবৈনা য়ৈরি, ফর ফর লাওনা শমম্বাম চবুন্দু হাইরি, ত্রেং ত্রেং লাওনা করি করিনো মথম্তা ঙাংলি অদুগা মাগী মঙক্তু হাই-হুম্বদা মকোক্কী চুড়াদু ওম্মোক ওম্মোকপা মঙংলা থেকথ-পৈথরি। তাঙাম্নিদা ভবানন্দ মহাপ্রভুদু ইমুংদুদা চংলক্তুনা হায়রকই, "ইচে থৌরানী, খুরুমজরি।"

থোৌরানীহু ভবানন্দবু উবদা তফীং তফীং ফী-রোল শেমজিল খোমজিনবা লাক্লরক্লে। কোকথক্কী নিংথিরবা চূড়াহু লোথোকে হায়নদি থল্লি, অহুবু তাঙ্গা চাদ্রে, মরমদি মথুক্তু চাকঙাক্কা তৈরে। থাওনা লংলবা শম চবুন্দু—অঙকপনি! কবোকলৈ অমথকস্থু পুক্সা তৌরুবদগী থেংচিল্লে। ফীজিনা হাইগত্তুনা খুমজিনগে লাক্লে; অহুবু ফীজিহু মহু য়েবা ঙমদ্রে. মরমদি থোৌরানীহু খুহুপ মঙাগী ফী অমা শেংলি। খুহুপ মঙাগী ফীহু অহানবদা নোয়-চাওরবা খ্যাংহু কোৗইরম্মপা হাইগংলকপদা লোইনিং লোইনিং তৌরে। অহুদগী পুঙমদনা য়ারবা মথা অহু হাইফেৎ ইজং ঙাক্লবা ফীজংস্থু শুইনরি। অহুদগীদি লেংজুম য়েরকপদা ফীজিহু থমদ্রে। নাকোং মপাদা ভুং ভুং ঙংলক্লে, অমুক হাইগংপা ঙমদ্রে। মরম অহুনা য়াম্না ইকামবা নংলবী থোবানী গোরীহু হায়রিবা ফীনা নাকোং ময়াদা পায়রহুনা লৈরে অমস্থুং মহুৎদদি খুহুপ নিপালগী ফী লৈগে হায়না মপুক্লিংদা কন্না য়াশক্লহুনা হায়রকই, “কনানো, গোঁসাইঠাকুর? লাও লাও চংলকউ। ঐবু অমুক খুরুম-থাজংবা হায়না তৌরিবসিবু করিগীনো?”

ভবা। নহাক্তি অবোক্লি।

গৌরী। হোই, মুংশিহুনা পংহাই-হায়বা হায়বহুনি। নথোইদি গোঁসাই ওইরবনি. লাইগুম্বনি! ফরে, খুরুম্মবদি খুরুম্মেদনা, পুন্সি-তোলোইবা ওইয়ু। খুরুম্বস্থু ময়াই, ফনা ওইহুনস্থু ঐনা চহি অহল্লি।

ভবানন্দদগী গৌরী দেবীনা চহি কুনমঙারোম হল্লি, অহুবু য়াঙাং হৈরবা ভবানন্দনা খুম্মকই, “কদাইদগীনো অবোক! ইরাং হৈবীনি হায়হুনা অবোক হায়না অহুক কোবনি। নহাল অমুক চহি পানবদা ঐঙোন্দগী নংনা চহি তকক নোই হায়বহু নিংশিং-অবরা? ঐথোই বৈষ্ণবকীদি হিরম পুম্বা য়াদবা লৈত্তে, অহুনা

ঐনা অস্সুম খনবদা, মঠগী মপু ব্রহ্মচারীদা হায়জরগা নংবু অমুক লুহোংলসিরা হায়না খল্লি। মসিগী য়ারোলসি ডাংনগে লাক্লি-বনি।"

গৌরী। চরোদা করি য়ানো ?—অদুগুম্বা য়াগু হায়হৈদে। ঐদি লুখ্রাবীনি।

ভবা। অদুদি লুহোংনিংব্রেদনা ?

গৌরী। নখোইনা কনি খনবগুদ অদুম্বক তৌ। নখোইদি পণ্ডিতনি, ঐখোই মুপীনবু করি খঙগনি ? কৈদৌঙৈশিংদি পাং-খোকদৌরিবা ?

ভবানন্দন্থু য়াম্না য়ানা নোক্লিংবা থিংলদুদা হায়রকই; "ব্রহ্ম-চারীদুগা অমুকুং য়াসি ডাংনরগা লোইরে। অদুগা মহাক্তি করম তৌরি ?"

গৌরী শুকথখ্রে। মপুক্লিংদা লুহোং—খোংদোংবগী য়াকমসি কাগী ওইরমাক্লে চিংনরক্লে। মহাক্না হায়রকই, "কমদৌদগে, হায় নৈরিবা মতৌ অদুমডাইদনা।"

ভবা। নহাক অদুক চত্নুনা ঐনা হংডকই, ঐগা অমুকুং উমনিংই হায়রুচো।

মহু ভাবদা গৌরী দেবীনা খাবৈ লংখোক্লুনা মখুং হাম-দোক্লগা অরনবা সিড়িহু চাওনা চাওনা কান্দুনা দোতলা মথক কাখ্রে। মকমদুদা শেগাইরবা কক অমদা চাংদমনিঙাই নৈতনা নিংথিজরবী অমা কয়ুনা নৈরি। অদুবু কজবগী মথক্তা শাথীনা মরুবা মমি অমদি তারি। নুমিৎ য়ুংবা মতমদা চাংজো পানা চেক্লবা মাইথোং মকা লাম্না ইরাওথোন ইরোয়নরবা তুরেলগী লাইজথক্তা শুরুবা নোংগী মমি তাবগুম করিগুম্বা অমগী মমি হুকেচিন্না তারি। তুরেল-ইচেলথক্তুদা ইথক্লা ইপোম হৌরি, খোকু্ন্দা মপাল শাংলুবা উপালুশিংনা হুংশিন্না হাই-খৎলি,

লৈরাং কুণ্ডনা শাংৎপনা মণ্ডক নোম্লি, দোলাপ পরেংস্থু ফজবা শক্তমদা লৈত্তেংলি । হি-য়াম্না লেংলকপদা ইশিংথু তনিক তনিক্লি । ঙ্গুমিৎ য়ুংবা মতম্নি, অত্থুবু কুণ্ডলবা নোং পরেংগী অমম্বা মমিরক্তা নিং-থিবা পুম্নমক্কু ইমক-মকপগুম তৌরি । মতৌ অত্থুগুম্নি হায়রিবা অসিস্থু । মমাংঙৈগুম থোংলবা লংলবা খোইরপ তৌবা কুণ্ডলবা শম্নাং মপৈ, মমাংঙৈগুম পাক্লবা চিক-লেম্নবা লাইবক্তা হাম্নগুম চাংদম্ফম লৈত্রবা তুরিনা য়েকপগুম্নবা খোই-খোইবা পিগুম, মমাংঙৈগুম কোইরাওনবা লুরবা লংলবা অমুবা মিংনহানা লৈতেংবা মিং অত্থুবু মতুদা হাম্নগুম মিংচিগী লাংলোন্দি পক্কে, হাম্নগুম তথকপদি নত্রে, হাইফেং লুরক্করে । চিনবান্দা হাম্নগুম ঙাঙ্গানবা মচু পক্লি, থিক-থাস্থু হাম্নগুম স্বর হোন্দোক হোঙ্গিন্দা মপুক মরৈ ফাবগী তনিক তনিকপা মতৌ লেংত্রি, পাম্বোমস্থু অত্থুম হাম্নগুম লমলক্কী উরিনা ফংঙমত্রবা তথোং তথোংপা ফীভম কায়ত্রি । অত্থুবু ঙসিদি হাম্নগী মঙালথু পক্কে, অরংবথু লৈত্রে; অকনবা মৈশা লাংত্রে, তথক তথকপা লৈত্রে, পুক্লিং টহোবা পোক্কে । চম্না হায়রবদা, মথোক কারকপগী মতম লোমখ্রবগুম নিংই । লেংদনা লৈরিবা হায়ববু ফজবগা নিংথি পুকচেনগা মঙাইরে । থাঙহৈব-চিংলেম্বগী অনৌবা শক্তম ওনখ্রে । মহাকপু হাম্না উথিবদদি মীওইবা মরক্তা চাংদম্ফম লৈতনা ফজবীনি থম্লম্মি, হৌজিক উবদনা লাইরৈবাক্কী শাপ-ফংলবী দেবীগুম্না থল্লে । মাগী মাইকৈ মরিদা মোংলবা লাইরিক অহুম মরিথক তাক্থুনা লৈরি । ফক্লাংদা হরিনামগী মালা য়াম্লি, অত্থুগা মরক মরক্তা জগন্নাথ-বলরাম-সুভদ্রাগী অয়েকপা মুর্ত্তি, অত্থুগা কালিয়দমন, নবনারী কুঞ্জর, বস্ত্রহরন, গোবর্দ্ধনধারন অসিনচিংবা ব্রজলীলাগী লাইশিং থেংলি । ম্লাইশিং অত্থুগী মথাদা ইত্থুনা লৈ; "অয়েকপরা অঙকপরা ?" হায়রিবা ক্না অম্নিদা ভবানন্দ চংলক্লে ।

ভবানন্দনা হংলকই, "করমদৌরি কল্যানি, হকচাং না-য়েকপা তৌত্রা ?"

কল্যানী। অসিগুম্বা য়াহং হংবসি নং তোক্লরোইত্রা ? ঐগী হকচাং য়াইকবা য়াইফদবনা নংগী করি কান্নকম লৈ, ঐগীনা করি কান্নকম লৈরি ?

ভব। উ থাবা মীতুনা, থারিবা উতুদা নিত্তিগী ঈশিং চাই। উতুনা অস্নুম অস্নুম চাওথংলক্লগা মাগী মুংডাইবনি। নংগী অশিবা নশাদা ঐনা পুন্সি পাম্বী থাখিবনি, চাওথংলকপ্রা চাওথংলক্তত্রা হায়বসি করিগী হংলোইদৌরিবনো ?

ক। হু পাম্বীগীবু করি অমাঙবা লৈগদগে ?

ভব। পুন্সিসিবু হুরনে ?

ক। নত্রবদি অমৃত-হৈজিন্দুনা ঐনা মতুবু মাঙহন্নবা লাক্ল-ক্লরিবসি করিগীনো ?

ভব। মতু ঐসু হংগে থল্লকপসি কুইরবনি, অতুবু পাক হংবা ভমদতুনা লৈরবনি। কনানা নংগী পুন্সিতুবু হু ওলহনখ্রি-বনো ?

কল্যানীনা পুক্লিং ভপথনা খুম্নকই,—"ঐগী পুন্সিসিবু কনানস্থ হু ওলহনবা লৈত্তে—পুন্সি হায়বসিমক্তবু হুনি। ঐগী পুন্সিস্থ হুনি, নংগী পুন্সিস্থ হুনি, মন্নাম্মকী পুন্সিসি হু ভাক্লি।"

ভব। অচুম্বনি-কল্যানি, ঐগী পুন্সিসি হু ওইরে। হুমিং অতুদগী হৌনা,—নহাক ব্যাকরন নৈনবা লোইরবরা ?

ক। লোইদ্রি।

ভব। অভিধানদি ?

ক। পাবা কয়া হৈনদে।

ভব। লাইরিক য়াম্না তম্লিংবগী মতৌ অমা উরমনি। অদুবু যৌগিক হৈনিংদবা পোক্লিবসি করিগীনো ?

ক। নংগুম্বা পণ্ডিতনকাও মহাপাপী ওইরবসিদা, লাইরিক লাইশু হৈভবনচুম হেন্না করে। ঐগী ইপুরোইবগী করি মপাও তাবগে প্রভু?

ভব। হন্না হন্না য়াহংচু হংলিবা করিগীনো? নহাক্তি নংগী নকমদা শিরবনি।

ক। ঐনি মাগী মকমদা শিরিবদি, নহাক ঐগী ইকমদা শিবা নত্তে।

ভব। মহাক্ত নংগী নকমদা অশিবগুম থোকহল্লগে হায়রুনা নহাক শিরিবনি, অতুগা করিগী য়াহংচু তোয়না হংলি কল্যানি?

ক। শিরগবু মরী হেক তংনব্রা? মহাক করমদৌরি?

ভব। য়াইফরি।

ক। কদাইদা লৈ? পদাচিহ্নদা লৈব্রা?

ভব। হোই, মকমচুদা লৈ।

ক। করি থবক তৌরি?

ভব। হান্না তৌবচুনি, লানবল শাবা, খুংলাই শাবা; মহাক্না শাবা খুংমু-খুংলাইনা হৌজিক মচা লিশিং লিশিং লৈ-তেংলে। মহাকী মপান্দগী বোম, তোপ, নোংমৈ, গুলি, নোংমৈ হিদাক ঐখোইগী অমুক অন্নাংপা লৈত্রে। মচাশিংগী মরক্তা মানা মকোক্নি। মহাক্না ঐখোইগী য়েং-থংবা পাম্বোম্নি।

ক। ঐনা থন্নাই থারমত্রবদি পুন্নমকসি থোকত্রা? মখাংদা লৈনাং য়াওরবা চকু য়াল্লবা মীচুনবু, তাইবং ইপাক করন্না ইরোইবা ওমগনি? মথোংদা য়োহ্লিং থাংলবা মীচুনবু চেনব উক্তম থোকপ্রা? করিগীদমক্তা সন্ন্যাসী, নংনা কান্নত্রবা পুন্সিসিবু কন্নুরিবনো?

ভব। মুপীদি ধর্ম্মগী থোংলোয়নি, ধর্ম্মগী তেংবাংবীনি।

ক। ধর্ম্ম মচাদতনি। অচৌ অচৌবা ধর্ম্মদদি তিংথংনি। গুম্বোকপনি; লমচং চুমত্রবা তোল্লবা ব্রহ্মচারি! থন্নাইসি নংনা অমুক কনবিকরিবা করিগীনো?

ভব। করে, কল্লুব্রিবক্ত, ঐগী ওইজরেদনা। কল্যানি! নংঙোন্দা ঐনা পিবা থল্লাইছ্ক, নঙাক ঐঙোন্দা পিথোকপা ঙমত্রা?

ক। নহাক ঐগী স্নকুমারী করম তৌরি হায়বা পাও থঙবি লাকপিত্রা?

ভব। কনা কুইরে মহুগী পাও ফংদবা। জীবানন্দ মাই-কৈদোমদা চত্তবা ওস্থোক্না কুইরে।

ক। পাওত্থ্ ঐঙোন্দা তাহন-লাকহনবিবা থক ঙম্মোইত্রা? ইপুরোইববুদি থাদোকপদা মতারে, হিংলবনিনা ইচান্নুপীবু করিগী দমক থাদোকলুথিদগে? হৌজিক স্নকুমারীবু ইনাক্তা ফংজরবদি পুম্মিসি হাইকেত্তং মুংঙাইবা ফংগত্রা থল্লি। অত্থবু ঐগীদমক্তা নংনা করিগীদমক অস্নুক ব্রাবিগদগে?

ভব। মহ্ন করিস্নু লৈতে কল্যানি! নচান্নুপীহ্ ঐনা নঙোন্দা শিন্নবিগনি, অত্থবু মত্থগী মতুংদদি?

ক। মতুং হায়বদি করিনো ঠাকুর?

ভব। নপুরোইবদি?

ক। ইশানা য়ানা থাদোক্লবনি।

ভব। মহাক্কী ব্রতসি মপুং ফারবা তুংদদি?

ক। অত্থ ওইরবদি মাগী অত্থম্মক ওইগনি, ঐ হিংলি হায়রবসি মহাক থঙলবরা?

ভব। থঙদে।

ক। নহাক্কা মহাক্কা থক উনত্রা?

ভব। উনৈ।

ক। ঐগী ব্রা করিমতা হংত্রা?

ভব। হংদে, শিত্রবী মুপীত্থবু মপুরোইবগা করি অমুক [illegible] লৈরিবগে?

ক। করিনো হায়রিবহুবো?

ভব। নহাক অমুক হন্না লুহোঙবদা করিমতা অকায়বা লৈতে, নহাক মপোক অমা পোক্লবনি ।

ক। ঐগী ইচামুপীহু পুবিরক্লে' ।

ভব। পুরক্কনি, অদুবু নহাক অমুক লুহোঙবা য়াই ।

ক। নংগরা ?

ভব। হোঙগে হায়বরা ?

ক। অদুবু নংগরা ?

ভব। হোই, মদুম তৌরবদি ?

ক। মচাগী ধর্ম্মদি কদাইদ' থমখ্রদবা ?

ভব। মপাল নাইত্রবা ইরোনমুংদা ।

ক। হয়েংমুক্কী মপোক্তি ?

ভব। মপাল নাইত্রবা ইরোনমুংদা ।

ক। মহাব্রত'সদি ?

ভব। মদুস্মু মপাল নাইত্রবা ইরোনমুংদা ।

ক। করিগীদমক পুন্নমক মপাল নাইত্রব ইরোনমুংদা লুপহনগদৌরিবা ?

ভব। নংগী দমক । য়েংউ, মী থঙদে, ঋষি থঙদে, সিদ্ধ থঙদে, লাই থঙদে, পুক্লিং লাকশিনবা ওম্বা লৈতবনি; মচাগী ধর্ম্মনা ঐগী থন্নাইনি, অদুবু ওসি নঙোন্দা ইহান-হান্না ফোংদোক্কে, নং অসিনা ঐগী থন্নাইদগী হেন্নবা থন্নাইনি । নংগী নথন্নাই কনখিবা মুমিত্তুদগী হৌন, ঐহাক নংগী খুন্নাদা ইশা য়োম্থোক্লবনি । ঐহাক তেংবান্দা অস্তুক ফজবা শক লৈ হায়বসি থঙলুদে । অস্তুক ফজবসি ইমিৎসিদা উবা ফংলক্কনি থঙলম্লবদি, ঐ কৈদৌনুংদা মচাগী ধর্ম্ম লৌজরম্মোইদবনি । মসিগী ধর্ম্মসি মৈ অসিনা চাকথেকপদা উৎওনথি । ধর্ম্ম চাকথেকখ্রে । থন্নাইদি লৈ । অদুবু ওসি

চহি মরি চুপ্পা থরাইস্সু চাকথেক্লক্লে, অমুক লৈরক্তে । চাকথেক্লে । কল্যানি । চাকথেক্লে । ঙৌরে মৈশানা ! অতুবু চাকদৌরিবা শীঙতুদি অমুক লৈত্রে । থরাই লাল্লক্লে । চহি মরি থাওলক্লে, অমুক ঙমশিল্লক্তে । নং অস্লুবু ঐগী ওইবা ঙমগদ্রা ?

ক । নংগী নচিন্দগী তায়, মচা ওইবশিংগী নিয়মদি, ইন্দ্রিগী মথা পোল্লবশিংগী প্রায়শ্চিত্ত শিবনি । হায়রিবসি অচুম্বরা ?

ভব । অচুম্বনি ।

ক । অতুদি নংগী প্রায়শ্চিত্ততি শিবা তারেদো ?

ভব । ঐগী তঙাইফদ্রবা প্রায়শ্চিত্ত হায়ববু শিবনি ।

ক । ঐহাক নংনা নিংলিবতু থুংহল্লবাদ নহাক শিগদ্রা ?

ভব । শোইদনমক শিগনি ।

ক । অতুগা নংগী অনিংবতু থুংহন্দ্রবদি ?

ভব । অতু ওইরবস্নু শিবনা ঐগী প্রায়শ্চিত্তনি ; মরমদি, ঐগী থম্মোইসি ইন্দ্রিগী মথা পোল্লে ।

ক । ঐহাক নংনা নিংলিবতু থুংহনবা ঙম্মোই নহাক করম্বা মতমদা শিগনি ?

ভব । হন্দক শোক্লগদৌরিবা লালসিদা ।

ক । অতুদি নং চৎখ্রো । ঐগী ইচাম্নুপীতু থাদি থাবিরকদ্রা ?

ভবানন্দনা মমিত্তা পিগী ইরা চেন্না চেন্না হায়রকই, "থারকনি ঐহাক শিখ্রবা তুংদা ঐবু নিংদি নিংশিংগনিদনা ?"

কল্যানীনা হায়রকই, "নিংশিংগনি, ব্রত কায়রবা ধর্ম্ম লৈতবা অমনি হায়না নিংশিংগনি ।"

ভবানন্দ বিদায় লৌহুনা চৎখ্রে, কল্যানীনা অমুক লাইরিক পারহুনা লৈখ্রে ।

# মঙাশুবা মতাং

ভবানন্দহ্ রাখল তৌনা তৌনা মঠ তাম্না লাক্লে। লম্বীদা স্নুম্নিং তাথোকখ্রে। মথন্তমক চৎলি। উমং মনুংদা মথন্তা চংলক্লে। মতমহুদা মানা মী অমথক মাগী মমাং থানা চথলি হায়বা উরক্লে। ভবানন্দনা হংঙকই, "কনানো চৎলিবা?"

মাংদগী নিপাহুনা হায়রকই, "মহ্ খঙনিংলবদি তাকে- ঐ লংকৈ চৎপনি।"

ভব। "বন্দে।"

মাংদগী নিপাহুনা হায়রকই, "মাতরম।"

ভব। ঐহাক ভবানন্দ গোস্বামীনি।

মাংদগী নিপা। ঐ ধীরানন্দনি।

ভব। ধীরানন্দ, কদাইদা চৎলুই?

ধীর। গোঁসাইবু থিবা।

ভব। করিগী?

ধীর। য়া অমতা হায়গে হায়দনা।

ভব। করি য়ানো?

ধীর। অচিকপদা হায়জগে।

ভব। মফমসিদা অস্নুম্মক হায়য়ু কৈদোগে, মসিস্থ মায়া চিকখ্রবা মফমনি।

ধীর। নহাকপু নগরবু চৎলুব্রা?

ভব। চৎলুই।

ধীর। গৌরী দেবীগী য়ুমদা?

ভব। নহাকস্থু নগরদা চৎলুবরা?

ধীর। মফমহুদা য়ামনা কজবী মুপী অমা লৈবরা?

ভবানন্দহ্ হাইকেৎ ঙক্লে, হাইকেৎস্থু ফিরে, মহাক্না

হায়রকই—"হায়রিবশিংসিবু করিনো ?"

ধীর। নহাক মাগা উনবিক্করিবনি।

ভব। অদুদগীদি ?

ধীর। নহাক মুপী অদুবু নপুক্লিংদা ওম্ভোক্লা থোইদাই।

ভব। (ভহাক থল্লগা) ধীরানন্দ, নংনা মসি খিরিবসি করিগীনো ? য়েংউ ধীবানন্দ, নহাক্লা হায়খ্রিবা পুমনমক্কু অচুম্বা হাক্কনি। নং নত্তনা অতৈ কনা কনা ব্লা অসি থঙই ?

ধীর। অতৈ কনামত্তা থঙদে।

ভব। অদুদি নংবু হাৎলবদি ঐহাক মিংচৎ-খিবসিদগী কোকপা ভমগনি।

ধীর। চুম্মি ভমগনি।

ভব। লাকও অদুদি, চিক্লবা মক্কমসিদা ঐথোই অনি লান-থেংনবদা তাবে। নংবু হাৎলগা ঐ খুবৌ চেন্দবা হায়বদু ওই-রগে, নত্রগা ঐবু নংনা হাৎলগা ঐগী মৈচাক পুম্বা কোকথিবা ওইরসন্নু। খুৎলাই য়াশুরিব্রা ?

ধীর। য়াওরি—খুবাক ময়িদা ইচম চমনা কনানা নডোন্দা ব্লাক্কমশিংসি ভাংবা ভমগদগে ? লাল থেংনবা হায়বসি নংগী নপুক নিংগী অপাম্বা ওইরবদি, শোইদনমক থেংনগনি। মচা মশেল খুল্ল চৈনবা হায়বসি খিংই, অদুবু ইশ-কম্নবা-কনাগুম্বগা ফুন-চৈনবদি খিংবা তৌদে। এনা হায়গে হায়রুনা নংবু কোইখি-খি-ক্লবা ব্লাকমহু, অমুক্কং লোইনমক তাদ্রগা লাল থেংনরবদি অকায়বা লৈত্রা ?

ভব। কায়দে, হায়মু তাসি।

ভবানন্দনা থাংশাং শত্তোক্লগা ধীরানন্দগী মরেংবান্দা থম্লে। ধীরানন্দ চেনখিবা ভমদনবনি।

ধীর। এনা হায়গে নিংবদি—নহাক কন্যাকীবু মুক্লাংলো-

ভব। কল্যানী, মহুস্মু খঙলবা ?

ধীর। করিগী লুহোংত্রিবনো ?

ভব। মাগী মপুরোইবা লৈরিবসিদি ?

ধীর। বৈষ্ণবকীদি মহুগী মকুহোংহু য়াই ।

ভব। মহুদি লুকোকপা বৈবাগীশিংগী নি— মচাশিংদি য়াদে, মচাশিংগীদি লুহোংবা শুকয়া য়াদে ।

ধীর। মচাগী ধর্ম্ম সিবু থাদোকহৈত্রবরা— নংদি নথন্নাইহু পুবা ডমশিল্লক্করে । এঃ এঃ ! ঐগী ডক অসি থিনবাংলে ! ( থাঙ্গৈশেং-নমক হন্দক্তি ধীবানন্দগী মবেংবান্দগী ঈ চেম্থবক্লে )

ভব। নহাক কবি থন্দুনা ঐবু ধর্ম্ম নত্তবদা পুক্লিং লুপ্নবা ম্না ডাংলবিবনো ? লেপ্পমক নংগী কবিগুম্ব। কান্নবা অমাদি লৈবা তাই ।

ধীর। মহুস্মু হায়গে নিংলিবনি— থাং শত্রোকউ, হায়গে । মচাগী ধর্ম্ম অসিদা ঐহাক থন্নাই পোক প্রোক চাক্লে, ঐহাক মসি থাদোক্লগা মুপী- অডাংগী মশক য়েংজহুনা পুন্স লেপ্পরুনবগী দমক্তা পুক্লিং ওস্থোক্লা লাংতক্লববনি । ঐ মচাগী ধর্ম্মসি থাদোক্ল-গনি । অহুবু ঐহাক যুমদা কবম্না নীং- তানা লৈকবা ডমগদো-রিবনো ? লালহোবা মীশক্তি হায়হুনা ঐবু অয়াম্বনা খঙই, যুমদা হেক লৈবদা নিংথৌগী মীশিংন ঐবু ইডক কল্লবা অমা, নত্রগা মচাগী কাংবুনা লৌনম্বা মীনি হায়হুনা হাংথিবা অমা শোইদনা তৌগনি; মরম অসিনা নংবুস্মু ঐগী মাইকৈদা চংনবা পুনিংই ।

ভব। করিগী ঐবুদি ?

ধীর। মহুদি ইচ চম্বা য়ানি । মচা পুম্নমক নংগী নয়াথং মথ পোল্লি— সত্যানন্দ হৌজিক মফমসিদা লৈতে । নংনা হৌ-জিক লুচিংবনি । নহাক লাম্মীশিংসি পুহুনা লাল থেংনবদা নংনা জয় ওইগনি হায়বসি ঐহাক কন্না থাজে । লালডল্লগা নং করিগী

নশাগী ওইনা লৈপাক শেমগৎলোইদৌরিবনো, লাম্মীপুম্বা নংগী য়াথং ইনবা ঙাক্নি । নহাক নিংথৌ ওইয়ু কল্যানিবু নংগী মন্দো-দরী হাপপু, ঐনা নংগী ননাই ওইতুনা মুপী অঙাংগী মশক য়েংতুনা পুন্সি লেনজবে; অতুগা নংবু আশীর্ব্বাদ তৌগে। মচাগী ধর্ম্মসি লেপ-মুং ফংত্রবা ইরোনমুংদা লূপহনখ্রো ।

ভবানন্দনা ধীরানন্দগী মরেংবান্দগী থাংশাংতু তপ্না তপ্না লৌ-খোরক্লে । অতুগা হায়রকই, "ধীবানন্দ! ঐগা লাম্থেংননবা শেম শাও, নংবু ঐ হাৎলগদবনি । ঐহাক ইন্দ্রিনা লাকথুতুনা অস্ত্রস্মক লৈজগে, অতুগা লৌনম শাজক্তি থক চংলোই । নংনা ঐবু লৌনম্নবা ইনশিল্লি, অতুনা নং নশামক লৌনম্বা মীনি, নংবু হাৎপদা ব্রহ্ম-হত্যা করিস্মু ওইবোই । নংবু হাৎলগনি ।" ধীরানন্দতু য়্না ঙাংবা লোইরম লোইফাংত্রিদ্রৈদা তিংখত্তুনা চেনখ্রে । ভবানন্দদি অমুক তান্নকবা তৌদ্রে । মহাক ওহাক্তং য়াখল-লঙ্ক্ষে চংলুরে, মহাক্না থিরকপা মতমদ'দি মাগী মশক অমুক উবা ফংদ্রে ।

---

## তরুকশুবা মতাং

মঠ য়ৌরগা ভবানন্দতু শুক্লবা উমুংদা চংলক্লে । উয়ক্ত্দা থাইনগী দোলাপ অমথক্কী অতেক-অকাই থরা লৈ । চোইনা তারবা চেকশিং অতুগী মথক্তা উরি-য়ারি-তিংথংপাম্বীনচিবা ময়াম য়াম্না কুণ্ডনা হৌরি । মকমতু মশিং লাকওমত্রবা লিল লৈ। অকাইবা দোলাল অতুগী মমুংদা থোইনা পণ্ডনিন-নিম্মত্রিবা তরু-তরুবা মাঙোল অমথক লৈ, ভবানন্দনা চত্তুনা মকমতুদা ফমলুরে । ফম্না ফম্না ভবানন্দ য়াখল তৌবা হৌরকই ।

অহিংচু শাথীনা শুক্লা মশি । অতুগী মথক্তা উমংতু য়াম্না পাক চাওই, মীনিনখোন শুক্তা তাদে, য়াম্না শুকই, উপাল য়াপালনা কুক কুক ইরৈ, লমলক্তী শা ফাওবা চংখোক চংশিন তৌবদা য়াই । পাকই, মীতাদে, মশি, চংবা ঙমদে, চিকই । মখোল অতুক তারিবা হায়ববু অথাম্নদা কৈনা ঙংলকপগী অমদি লমগী শাহিং- চাব- শাশিংগী অরাম খোৌরাংবগী, অকিবা পোকপগী নত্রগা মথৌনা উংলকপগী অকিবা খোঞ্জেল তারকপতু মঙাই । করিগুম্বা মতমদনা উচেক অচৌবা অমনা অতুক মশা কল্লকপগী মখোল, করিগুম্বদনা তাম্নরিবা অমম্মুং চেল্লিবা, হাংকদৌরিবা অমম্মুং অহাংপা শাশিংগী কম্না চেনবগী মখোল, অসি মঙাই । চিক্লবা মম্নবা অকাইবা গোসাল অতুগী মথক্তা ফম্নহুনা ভবানন্দ মথম্ভমক লৈ । মঙোন্দদি মতমতুনা পৃথিবী অসি লৈতবগুম তৌখ্রে, পোং-খোক চ-খোকফমতা ওইবী অমগুমখ্রে । ভবানন্দহু মরাইবক্তা মখুংনা শৌরহুনা য়াথল তৌরি; লেঙ- খোক্তে, মুংশাম্বর-ফাও হোন্দবগুম তৌই. অকিবা পোক্তে, হকচিনবা য়াথল অমদা লুপ্তুনা লৈ মথম্ভমক শোঞ্জরকই, "তম্নকপতুদি শোইদমক খোকনি । ঐহাক ভাগরথীগী মফমদা পিক্লবা শামু অমগুম ইন্দ্রিগী ইচেলদা তাওথক্লরে, মসিনি ঐগী খাইদগী অম্নাবা । মিকুপ অমদা হকচাংসি মাংথিবা য়াই— হকচাং মাঙলবদি ইন্দ্রি মাঙবনি— ঐহাক অম্ব-গুম্বা ইন্দ্রিহুগী মথা পোল্লুরে । ঐহাক শিথিবনা হেম্না কৈ । ধর্ম্ম থাদোক্লবরা ? তুকচফম্নি, শিথ্রগে ।" তাঞ্জাসিদা মকুনা কোক্তোন্দা থুক্লবা খোঞ্জেলনা খোংলকই । মহু তাবদা ভবানন্দনা খোল খোক্লা হায়রকই "ও করিগী খোঞ্জেলনো ? নাকোংসিদা তাবগুম তৌরে, যমনা ঐবু কৌরে, কনানো অমনা খোৌরম তাক্লি, ঐবু শিননবা হায়রে; পুম্ন- শকওইবী মালং ! নংদি খোঞ্জেলগী মশক্লি, অহুবু নংগী খোঞ্জেলগী মম্নুং হুনবা য়ারোলদি ঐ থকবা

ভমদ্রে। ঐবু ধর্ম্মদা থন্নাই লুপ্না পিনবিয়ু, ঐবু পাপ্তগী নাম্থোকহনবিয়ু ধর্ম্মদা— হে গুরুদেব ! ধর্ম্মদা ঐহাকপু থন্নাই লুপহনবিয়ু ।"

মতম অদুদা অকিবা মশক ওইরবা উনুংতুদগী য়াম্না থোই-থুম্নবা অদুম্নদি ওইরগা চীং-লেম্নবা, থম্মোই শোন্নবা মীগী খোঞ্জেল অমা তারক্লে; কনাগুম্বা অমনা হায়রকই, "ধর্ম্মদা নহাক নথন্নাই লুপকনি— আশীর্ব্বাদ তৌরবনি ।"

ভবানন্দগী মশাপুম্বা তু-থ্যাও- চুংখ্রে । করিনো মসিদে ? মসিদি গুরুদেবগী খোঞ্জেলনি ! " মহারাজ, কদাইদনো নহাকপু ? মতমসিদা দর্শন পিনৌবা ।"

অদুবু কনামতা মশক উদ্রে— কনামতা থুম্মক্লে । ভবানন্দনা হন্না হন্না কৌরকই— পাওখুমদি ফংদ্রে । মাইকৈ থুংনা কোইচং চংত্তুনা য়েংলে, কনামতাস্মু মফমকৈদা থেংনদ্রে ।

অহিং লোইখিদুনা অয়ুক অঙনবগী কুমিংকী মঙালনা চাওরবা উমংতুগী কোকতোন্দা লৈবা শংবাম্নব উনাশিংদা তরং তরং য়ৈরক্লবা মতমদা, ভবানন্দ মঠদা লাক্তুনা থুংলরে। মনাকোংদা তারক্লে— " হরে মুরারে ! হরে মুরারে !" খোঞ্জেলদু মহাক খঙলে: সত্যা-নন্দগীনি । মহাক ভাব তারে, প্রভু হল্লক্লে ।

———

## অরেৎশুবা মতাং

জীবানন্দনা খাংপোক শগদগী মপাল থোকখ্রবা তুংদা, শান্তি দেবীনা অমুক সারঙ্গ পাইথংলদুনা তপ্পবা খোম্বাংদা ইশৈ শকলক্লে:—

"প্রলয়পয়োধিজলে ধৃতবানসি বেদং
বিহিত- বহিত্র- চরিত্রমখেদম্,
কেশব ধৃতমীনশরীর
জয় জগদীশহরে !"

গোস্বামীনা লেংবা মুংশিরবা স্তোত্র অসি শান্তিদেবীগী মথনাগদগী থোক্লক্লুনা রাগ- তাল- লয় মপুং ফানা, পাক্লবা উমং- দুগী চাংদম্ফম লৈতনা ইচিক হুনবদু থুগাইক্লনা, ইশিং ইমাই চোম্লবা মতমদা বসন্তগী নামিবনা যৈবদা ইথক ইপোম লাংবগুম মুংশি- খোন্থাংদা তাবক্লবদুদা মহাকপু শক্লক্লে,—

"নিন্দসি যজ্ঞবিধেরহহ শ্রুতিজাতম
সদয়- হৃদয় দর্শিত পশুঘাতম্
কেশব ধৃতবুদ্ধশরীর
জয় জগদীশ হরে !"

মতমদুদা মপাল্লোমদগীসু কনানো অমনা য়াম্না চীং- লেম্বা খোঙ্ফমদ নোং- খোংগুম শক্লক্লে:—

"ম্লেচ্ছ- নিবহনিধনে কলয়সি করবালম;
ধূমকেতুমিব কিমপি করালম;
কেশব ধৃত কল্কি শরীর
জয় জগদীশ হরে ।"

শান্তিনা ভক্তিগা লোইননা খুরুম্নগা সত্যানন্দগী খুয়াগী উফুল লৌরদুনা হায়রকই, "প্রভু, ঐগী ইবাইবক কয়া ফখ্রদুনা প্রভুগী শ্রীপাদপদ্মনা মফমসিদা থোংদাবিররিবা— নয়াথং পিনবিয়ু, ঐবু করি তৌজো হায়বগে ?" অসি হায়রগা সারঙ্গদা স্বুর পাল্লদুনা

শান্তিনা অমুক শক্লকই,—

"তব চরন- প্রণতা বয়মিত্তি ভাবয় কুরু কুশলং প্রণতেষু।"
সত্যানন্দনা হায়রকই, 'ইমা, নংগী য়াইফবা ওইগনি ।"

শান্তি। করম্না ঠাকুর— নংগী নয়াথং পিথি— ঐহাক্তি লুখ্রা ওইগনি ।"

সত্য। ঐহাক নংবু মশক খঙলুব্রে। ইমা! থৌরিগী অকন-কন্দা খঙদনা ঐহাক পংচিংদা চিংলুরে, নহাক্তি ঐঙোন্দগীম্সু হেন্না খঙ- হৈ. নহাক মতুগী উপায় তৌ. জীবানন্দদা ঐ লোইনমকসি খঙই হায়বা তাকথোকউম্মু। নহাকপু মিহৌবদগী মহাক মথন্নাই মাঙহন্দবা য়াই, ঙসি ফাওবসু মাঙহন্দ্রি, অতুম তৌরবদি ঐ থবক পাঙথোক্লবা লম্বী লৈগনি ।

কোইবাওনববা মুবপ-তৌবা নিংথিববা মিত্তুদা নোংজুথাগী নোংলক্তা কুপ্না নোংথাংগুম শাথীনা শাওবগী মিৎয়েং য়েংলতুনা শান্তিনা হায়রকই, " কবিবো ঠাকুব! ঐগা ঐগী ইপুবোইবগদি থন্নাই অমতনি, নংগা হেক ঙাংনখিব' পুম্না চিথদনা তমগনি । শিরবা ভারবসু মহাক শিখিনি. মতুনা ঐগী কন্নি অমাংবা লৈ? ঐহাক্তি অতুম্মক লোয়ননা শিখ্রগদবনি। মাগীদি স্বর্গ লৈ, ঐগীদি লৈত্তে হায়না খনব্রা?"

ব্রহ্মচারীন হায়বকই. "ঐ কৈদৌম্নংদা মায়থিরক্লিবনি, অতুবু ঙসিদি নংগী নফমদ মায়থিরে। ইমা, ঐহাক নংগী নচাবু মুংশিবিয়ু জীবানন্দগী মথন্নাই কল্লু, নংগী নথন্নাই কল্লু, মতুনা ঐগী থবক পাংথোক্লনি ।"

নোংথাং কুপ্নক্লে। শান্তিনা হায়রকই,— " ঐগী ইপুরোইবগী ধর্ম্মদি ইপুরোইবগী মখুত্তা অতুম্মক লৈ; মাগী ধর্ম্মদা খুৎ থিং-জিনুনবা ঐগী করি হক লৈফম থোকই? হন্দক্তী মপোক্তদি দুপীগীদি মপুরোইবনা লাইনি, অতুগা হয়েংমুক্তী মপোকীনা পুন্নমক্তী

ধর্ম্মনা লাইনি— ঐগী ইফমদা ঐগী ইপুরোইবনা চাওই, অদুদগী ঐগী ধর্ম্মনা চাওই, মদুদগী অমুক ঐডোন্দা ঐগী ইপুরোইবগী ধর্ম্মনা হেন্না চাওই। ঐহাক ঐগী ধর্ম্মবু অপাম্বা মুমিত্তা মাঙহনখিবদি ঙম্মি; অদুগা করিগী ঐগী ইপুরোইবগী ধর্ম্মবুদি মাঙহল্লুনি? মহারাজ! নংগী নয়াথংদা ঐগী ইপুরোইবনা শিখিবা তারবস্নু শিখিসনু, ঐহাক কৈদৌনুংদা খিংবা তৌরোই।"

মদু তাবদা ব্রহ্মচারীনা মুংশাস্বর মপী হোল্লদুনা হায়রকই, "ইমা, লুরবা ব্রতসিদা ইশা কৎথোকপা নিয়ম লৈ। ঐখোই ওয়মক ইশা কৎথোকদৌরিবনি। ঐ শিগনি, জীবানন্দ ভবানন্দ লোইনমক শিগনি, নংসু শিরগনি হায়না নিংই; অদুবু য়েংউ, থবক তৌরগা শিগদবনি, থবক তৌরমদনা শিবসি কব্রা?— ঐহাক ইরৈবাক্তবু ইমা হায়না কৌই, কনামতবু ইমা কৌদে, মরমদি, চায়োকক্কবী চাথোকফবী মালেম লৈমসি নত্তনা ঐখোই পুম্নমক্কী তোঙান তোঙানবা ইমা লৈ। অদুগা অতোপ্পা অমনা নংবু ইমা কৌরবনি। নহাক মমা অমা ওইনা মচাগী থবক তৌ, থবক পাংথোক্লবা পোরম শিল্লু, জীবানন্দগী মথল্লাই কল্লু, নংগী নথল্লাই কল্লু।"

অসি হায়রগা সত্যানন্দনা "হরে মুরারে মধুকৈটভারে" হায়না শক্ল-শক্লদুনা মফমদুদগী মপাল থোকখ্রে।

---

# নিপালশুবা মতাং

মতুংদা মচাশিংগী মরক্তা, সত্যানন্দ লাক্লে, মানা মচাশিংদা করিগুম্বা য়্রারম থরা হায়গদৌবি, অতুগী দমক মচা ময়াম্বু কৌরি হায়বা পাওসি শন্দোরক্লে। অতুদগীদি কাংলুপ ওইনা মচাগী কাংবু লাক্কুনা তিল্লবে। থাবল ফরবা অহিংদা তুরেল মপালগী লৈঙোই মনাক্তা চাওরবা উমং মনুংদা হৈনৌ, তাল, মঙ্গে, খোং-নাং, হৈথাগোক, বট, অসিনচিংবা উপাল কয়ানা লৈতেংলবা শাখীনা শুক্লবা মফমতুদা মচা লিশিং তবা পূল্লরে। মতমতুদা ময়াম্মক্কু অমগা অমগা সত্যানন্দ হল্লকপগী পাও ডাংন-রকপদা হাইফম খডদনা নিন-খোংলক্লে। সত্যানন্দনা করিগী-দমক কদাইদা চংসুরিবা হায়বসি ময়াম অতু খঙনদে। পাওনিন-খোল অতুক খোকপদি, মহাক মচাশিংগী মঙ্গল ওইনবা তপশ্যা তৌবা হিমালয়দা চংলুবনি। ঙসিদি ময়ামতু মুকম মুকম ডাংন-রক্লে, "মহারাজগী তপ সিদ্ধি ওইবে—ঐখোইনা লৈপাকসি পাল্লগনি।" অতুদগীদি য়াম্না লাংবা হৌবক্লে, কনান লাওবক্লে, "হাংলু হাংলু কোক্কুম্বা হাংলু," কনানা হায়বক্লে, "জয় জয়! মহারাজগী জয়।" কনা কনাগুম্বনা শক্কংলক্লে, "বন্দে মাতরম।" কনানা হায়, "ইচিন ইনাওশ, কবম্বা মতমদা কম্সু লৈত্রবা বাঙ্গালীগী মপোকসি লানফমদা থরাই থাজবা ফংলগবা?" কনানা হায়, "মরুপশা করম্বা মতমদা মসজিদ থুগাইরগা বাধা মাধবকী মন্দির শারগবা?" কনা অমনা হায়, "লৈবাকমচাপুম্বা, করম্বা মতমদা ইশাগী ইবল ইশানা চাজবা ফংলগবা?" মী লিশিং তরাগী ডুং ডুং ডংবা খোম্থোক, তপ্পবা নামিবনা হুম্বদা উনাশিংগী শ্রো শ্রো লাওবা খোন্থাং লৈঙোইথক্তু চেল্লিবী তুরেলগী মংলবা ত্রোং ত্রোং হায়বা খোঞ্জেল, শংবান্নবা আতিয়াগী থাজ, থরান-চাক, অঙৌবা নোংমৈপ, শংলবা মালেমথক্তা অশংবা উমং,

লৃরবা তুরেলগী অভৌবা লৈভোইথক্তা মকা ফল্লা শাংলবা লৈরাং মপৈ, অদুগা মরক মরক্তা মীপুম খুদিং পুক্লিং হুরবা "বন্দে মাতরম।" হায়রিবাশিং অসিগী মরক্তা সত্যানন্দ লাক্কুনা লেপ্লরে। মতম অদুদা মচা লিশিং তারাগী মকোকশিংদু উপাল্লক্তা ফাও-জিল্লকপা থাজমডালনা লৈতেংলদুনা শংবাম্লবা নাপীথক্তা নোনথ-রক্লে। য়াম্লা ৱাংলবা খোম্থাংদা মমিত্তা পিগী ইরা চেল্লদুনা মখুৎ অনিমক ৱাংনা থাঙ্গৎলগা সত্যানন্দনা হায়রকই, "শঙ্খ চক্র গদা পদ্ম পায়বা, বনমালা খোনবা, বৈকুণ্ঠগী মপু, কেশি নৈহৎপা, মধু-মুর-নরকপু মাঙহনবা. তাইবং য়োকপিবা মহাক অদুনা নখোইবু মঙ্গল পিনবিসনু, মহাক অদুনা নখোইগী হকচাংদা পাঙ্গল হাপ্লিসনু, থম্মোইদা ভক্তি থলহনবিসনু, ধর্ম্মদা থরাই লুপহনসনু; নখোই ময়াম্মক মাগী মঙুন শকউ শোল্লু।" মদু তাবদা খোঙ্জেল লিংশংনা হৌববা খোম্থাংদা ইশৈ শক্লক্লে,—

"জয় জগদীশ হরে!  
প্রলয় পয়োধিজলে ধৃতবানসি বেদং  
বিহিতবহিত্র চরিত্রম খেদম্  
কেশব ধৃত মীন শরীর  
জয় জগদীশ হরে!"

সত্যানন্দনা মখোইবু অমুক হন্না আশীর্ব্বাদ তৌরগা হায়রকই, "তাও মচা পুন্নমক! ঙসি ঐহাক নখোইদা হায়গদবা অরুবা ৱাফম অমা লৈ। টমাস কৌবা ধর্ম্ম তোঙানবা ফত্রবা নিপা অমনা মচাগী কাংবু মশিং লাকঙমদনা হাংলে। ঙসি অহিং ঐখোই মাবু মাগী তেঙ্গোলগা কোম্লনা হাংকদবনি। মসি জগদীশ্বরগী ৱাথংনি—নখোই করি হায়রি?"

অকিবা ফংলবা হরিধ্বনিনা উমংদু পোকথাইগদগুম তৌরে। "হৌজিকমক হাংকনি, কদাইদনো মখোইনা লৈরিবা, তাকউ

মকমতু ।" হাৎলো ! হাৎলো ? য়েক্লবা তুমহল্লো ।" অসিন-চিংবা খোল্লাওনা অথাপ্পদা লৈরিবা চিংমাইদা হৌরবা খোম্থাং য়ৈরক্লে । মতম অতুদা সত্যানন্দনা হায়রকই, "মতুগীদমক্তি ঐখোই পুক্লিং থরদং কাথখিবা তারি । য়েক্লবশিংগী টোপ য়াওরি—টোপ য়াওদনদি মখোইগা লাম্থেংনবসি ওইথোক্লোইদৌরি । অতুগী মথক্তা মখোইদি মখোনা ফবা জাতিনি । পদচিহ্নগী লানবলদগী টোপ ১৭ থক থুংলরগনি— টোপ হেক য়ৌরবগা ঐখোই লানগী যাত্রা তৌরগদবনি । য়েংউ অসে, নোং ডানশিল্লক্লে— মুংথিল য়ুথক মরি হেক য়ৌরকপদা— করিনো করিনো অসে— গুডুম গুডুম-গুম ।" থংহৌদনা মাইকৈ মরিদা চাওরবা উমংতুদা টোপকী মখোল তারক্লে । টোপ অতু ইংরেজগীনি । ইন্দা লক্লবা ডা-য়ামগুম কাপ্তেন টমাসনা মচাশিংগী কাংবুবু হৈনৌ বন অসি মাইকৈ মরিদগী থংচিল্লক্লগা হাৎনবা পৌরাং তৌরক্লে ।

---

## মাপলগুবা মতাং

"গুডুম গুডুম গুম" ইংরেজগী টোপ্পা ডংলক্লে । মখোলদু শাক্লবা উমংদু থক থক নিকপমখৈ হৌনা খোম্থাং য়ৈরক্লে, "গুডুম গুডুম গুম ।" তুরেলগী লৈরাই পরেংদগী য়ৈখোরক্তুনা খোঙ্গেলদু অথাপ্পদা লৈবা আতিয়াগী চিদাইদগী মালং শীন্না চাইথোরক্লে, "গুডুম গুডুম গুম ।" তুরেল য়াংমা লান্না অরাপ্পদা লৈবা উমং মম্মুং তান্না চংথিন্নুনা খোঙ্গেলদু অমুক্তা নিল্লক্লে. "গুডুম গুডুম গুম ।" সত্যানন্দনা য়াথং পিরকই, "য়েংউচো কনাগী তোপনো ।" খুদক্তুমক্তদা মচা থরা শগোল তোংথক্তুনা

য়েংবা চৎখ্রে ; অদুবু মখোইনা উমংদুদগী খোল্লক্কুনা থরদং চৎ-খোল্লকপদা ভাইরিডেদা, ইডেল থাগী কুডলবা নোং মরিগুম্না মখোইগী মথক্তা নোংমৈ গুলি তাররে, মখোইদু শগোলগা লোই-ননা পুল্লপ অদুম্মক মথন্নাই মাঙখ্রে । অরাপ্পদগী সত্যানন্দনা খোল্লিবা খৌদোকসি উই । মহাক্না হায়রকই, " অন্নাংবা উ অমদা কাও, অদুগা করিনো য়েংউ ।" মহাক্না হায়দ্রিডেগী মমাংদা জীবানন্দনা উথক্তা কাখিদুনা অমুক্তী মুংশা মভালদা য়েংবা লাক্লম্মী, মহাক্না উতোন্দগী লাওথরকই, " তোপসি ইংরেজগীনি ।" সত্যা-নন্দনা হংলকই " শগোল-তোংবা-লাম্মীরা খোঙমীরা ?

জীবা । অনিমক য়াওরি ।

সত্য । কয়ামুকনো ?

জীবা । লাকশিনবা ভমদ্রি, হৌজিক কাওবা উমংগী মরুমদগী খোল্লক্লি ।

সত্য । গোরা য়াওরিব্রা, সিপাই ভাক্তা ?

জীবা । গোরা য়াওরি ।

মদুদগী সত্যানন্দনা জীবানন্দদা হায়রকই, "নহাক উদগী কুমথরক্লো ।"

জীবানন্দ কুমথরক্লে ।

সত্যানন্দনা হায়রকই, " মচা লিশিং তরানি ভিল্লিবসি ; নং করি তৌবা ভম্বগে য়েংউ । নহাক ভসিগী সেনাপতিনি ।" জীবানন্দদু খুৎস্মু খুৎলাই য়ানশিল-খোৎচিন্নদুনা শগোল মথক্তা চোংথৎখ্রে । অদুদগী অমুক্কং নবীনানন্দ গোস্বামী তম্না য়েংলক্কু-না মিৎচিনা করি ইঙ্গিত তৌরম্বা, মদুময়ামদি খঙনখিদে । নবীনানন্দসু মিৎচিগী ইঙ্গিতনা করি পাউথুম পিখিবা, কনামতনা খঙনখিদে, মখোই অনিতমক মপুল্লিংদা, হন্দক্তী অসিনা পুন্সিগী বিদায় ওইবা য়াই হায়বা য়ারোলসি খঙনথি । অদুদগী নবীনা-নন্দনা মখুৎ য়েত্তু থাজৎলদুনা ময়ামদা হায়রকই, " ইচিন-ইনাও

পুম্বা ! হৌজিক্তি শক্লো 'জয় জগদীশ হরে' ।" মহু তাবদা মচা লিশিং তরা অহুনা খোঞ্জেল অমতা ওইন, তুরেল উমং, আত্তিয়া, পুম্নমক খোম্থাং য়ৈহন্না, তোপকী মখোল নমহত্তুনা, পান্ধোম লিশিং লিশিং থাঙ্গত্তুনা শক্কৎলক্লে—

" জয় জগদীশ হবে !

ম্লেচ্ছ নিবহনিধনে কলয়সি-করবালম্ !"

তাঙ্গাসিদা ইংরেজগী নোংমৈ মকনা নোংগুম কুডনা পাইবক্তুনা উমং মনুংদা মচা কাংবুতুগী মথক্ত' তাবক্লে । কনা কনাগুম্বনা ইশৈ শক্লা শক্লা মঙক কেন্দুনা, মপান্থোম তত্তুন, মথবাক হো-পাইত্তুনা লৈমাইথক্তা তুথনখ্রে, অদুবু কনাম্থ ইশৈ শকপ দ লেপ্পা তৌদে । ময়াম্মক লেপ্তুনা শক্লক্লে, " জয় জগদীশ হবে !" ইশৈ লোইরবা তুংদা ময়াম্মক্তু তুমিন-তুমিন্না লৈনখ্রে । গুল্লবা উনুং, তুরেল মপালগী লৈঙোইলম, হাংলবা লমহাং পুম্নমক্তু চেক-মোক লাওত্রবা পুমচিক চিকপা মতৌ অমা ওনখ্রে, মতুদা তাবিবা হায়ববু, অকিবা ফংলবা তোপকী মখোল অতুগা অবাঙ্গদগী তা-রকপা গোর'-কাংবুগী খোম্থোক মান্নরব খুৎলাহগী অমসুং খোঙ-থাংগী মখোল অন্নতা মঙাইরে ।

মতমতুদা সত্যানন্দন চিক্লব অতুগী মবক্তা খোঞ্জেল য়াংনা লাওরকই, " জগৎকী মপু হরিনা নখোইবু থৌজানবিরে—হৌজিক তোপ কয়া থাপ্পা লৈবি ?"

উথক্তগী অমথক্লা হায়বকই, " উমংসিগী মনাক য়াম্না নক-শিল্লক্লে, পিক্লবা লৌবুক অমগী হেক য়াংমদা লৈরে ।"

সত্যানন্দনা হায়বকই, " কনানো নহাক ?"

উথক্তগী খুম্নকই— " ঐ নবীবানন্দনি "

মতমতুদা সত্যানন্দনা হায়রকই, নখোই মচা লিশিং তরা অসিনা ঙসিদি জয় ওইগনি, তোপ মুল্লু ।" মতু তাবদা মাং থারিবা শগোল তোংবা জীবানন্দনা হায়রকই, "লাক্লো তুং ইল্লক্লো ।"

মচা লিশিং তরা— শগোলগী অমস্থং খোঙগী লাম্মী পুম্নমক্তু য়াম্না য়াংনা জীবানন্দগী মতুং ইন্নরক্লে। খোঙম্নীশিংত্থু মরেংবান্দা নোংমৈ, খাংদা থাংশাং, মখুত্তা তা পায়। উমংত্থুদগী হেক খোক্লকপগা মশিং লাকচমম্রবা নোংমৈ মরু পাইশিন্নক্তুনা ময়াম্মক্তু ইচাই-চাইথাইবক্লে। মচা য়াম্না লান-থেংনন্রিবৈনা মথন্নাই লান্দুনা লৈমাইদা তুনখ্রে। নিপা অমথক্না জীবানন্দদা হায়রকই, "জীবানন্দ, অরেম্বদা থন্নাই মাঙহনবগী করিমুক কান্নফম লৈ ?"

জীবানন্দনা লৈদ্রনা হন্না য়েংঙকই, ভবানন্দনি। জীবানন্দনা খুম্মকই. "অতুদি করি তৌ হায়বগে ?"

ভব। উন্নুংদা লৈশিন্দুনা লৈরগা উরক্তা থন্নাই হিংনবা হোংনসি,—তোপকী মমাংদা, ইহাঙ-হাঙবা লৌবুক্তা, তোপ য়াওদনা মচাগী লান্মিশিংসি দগু অমফাওবা লেপ্পা ঙম্মোই, অদুগা মোংশোং মরক্তা লৈরগনা-মতম শাংনা লান্থেংনবা ঙমগনি।

জীব। নংনা হায়বিবত্থু চুম্মি, অদুবু প্রভুনদি তোপ মুন্নু হায়না য়াথং তৌরক্লে, অদুনা ঐখোই তোপ মুনবা চংশিন্দবা য়াদে।

ভব। কনাগী মতিক্না তোপ মুনবা ঙমগদৌরিবনো ? অদুবু চংপদা মতারবদি, নহাক তোক্লো ঐ চংকে।

জীব। মত্থু য়ারোই—ভবানন্দ! ঙসি ঐগী শিবা নুমিৎনি।

ভব। ঙসিদি ঐগীনি শিবা নুমিৎ।

জীব। ঐহাক প্রায়শ্চিত তৌগদৌরিবনি।

ভব। নংদি নশাদা পাপ পক্তে—নহাক প্রায়শ্চিত তৌকম লৈতে। ঐগী থম্মোইদি মক্লবনি—ঐদি শোইদনা শিবা তারবনি। নহাক লৈহোরো, ঐ চংলগে।

জীব। ভবানন্দ! নহাক করি তৌরুবনো খঙদে; অদুবু নং লৈহৌরবদি, মচাশিংগী থবক পাঙগনি। ঐ চংকে।

ভবানন্দচু ঙহাক তুমিন লৈরগা মমৈথংদা হায়রকই, "শিবদা তারবদি ঙসিমক শিগনি, শিবনা কান্নগদবা লাকপা মুমিত্তু মক্তদা

ঐ শিগনি। শিবগী দমকপু মতম নাইবা নাইদবা করিমুক লৈবগে ?"

জীব। অদু ওইরবদি লাক্লো।

ৱা অসি লেপ্লরবা তুংদগীদি ভবানন্দনা ময়াম্মকী মমাং থানা চংশিল্লক্লে। অতুদগী মপৈ মপৈ চোম্লপ চোম্লপ তোপকী গুলি পাইশিল্লকুনা মচাগী লাম্বিদু মচোই মচোই তাহল্লক্লে, মশা পুম্বা মচেৎ মচেৎ কেলহল্লক্লে, থক-খা ওল্লহল্লক্লে, অদুগী মথক্তা য়েক্লবগী নোংমৈ পায়বা সিপাইশিংনা শোইদ্রবা পান্দমকম লা-কতুনা পরেং পরেং ওইনা মচাশিংবু লৈমাইথক্তা তাহল্লক্লে। তাপ্তাসিদা ভবানন্দনা হায়রকই, "ইথক অসিদা ওসি মচা পুম্বা চাংথরগদবনি, ওমগদবা কনা কনানো ? মতমসিদা শক্কৎলু 'বন্দে মাতরম'!" মদু তাবদা হৌরবা থোম্থাংদা মেঘমল্লার রাগদা থোঞ্জেল লিশিংনা মচাশিংনা তোপকী তালগা ইরোইননা শক্কৎলক্লে, "বন্দে মাতরম।"

## তরাগুবা মতাং

মচা লিশিং তরা অদু 'বন্দে মাতরম' শক্লা শক্লা তা চীংলতুনা য়াম্না য়াংনা তোপ পরেং লৈরিবদু তম্না ফুজিল্লক্লে। কুণ্ডলবা গুলিনা ইচোই-চোইরে, শোক-পল্লে; মথম্বাই-লাম্নরে, মথোং-মরাং ইখণ্ড খণ্ডনদ্রে, অদুমকপু মচাগী লাগ্নিশিংদু হনবা লৈতে। তাপ্তাসিদা কাপ্তেন টমাসকী হুকুম্না সিপাই কাংবু অমা নোংমৈ মতোন্দা সঙ্গীন থেৎলদুনা থোংথাং য়াংনা মচাশিংগী য়েৎ-ওইনবা মাইকৈরোমদগী তকশিল্লক্লে। অস্নুম্না মাইকৈ অনিদগী কল্লবা শাফুগা লোইননা তকশিল্লপদুদা মচাশিংদু নিঙবা পুমকায়

কায়খ্রে । মিৎন-কুপ্পদা মচা চাম চাম মাঙশিল্লক্লে । মতমহুদা জীবানন্দনা হায়রকই, " ভবানন্দ, নংনা হায়বা চুম্মি, অমুক বৈষ্ণব মরুফংনা মাঙহনবগী কান্নবা লৈত্রে, তপ্না তপ্না হন্দোক্লসি । "

ভব । হৌজিক করন্না হন্দোক্কদগে ? হৌজিকসিদা তুং হল্লুরো অত্নুমা, অত্নুম্মক শিরগদবনি ।

জীব । মাংগা য়েংলোমদগীগা তকশিল্লকপনি । ওইরোম-দদি কনাস্মু লৈতে, চৎসি, খজিক খজিক লৈ-তুনা ওইরোমদা হন্দোকখিনবা তৌসি ।

ভব । কদাইদনো হন্দোক্কদবা ? অদোমদস্মু তুরেল লৈ— ইচিল্স থাগী নোংনা তুবেলতু ইচেন য়াম্না কল্লি । নহাক ইং-রেজগী তোপতগী চেলহল্লগা মচাপুম্বসি তুরেলদা ইরাক্লহল্লগেরা ?

জীব । তুবেলতুদা থোং অমা শাই, ঐ কায়দ্রি ।

ভব । লাম্মী লিশিং তরা অসি থোং অত্নুমতদা লানগে হোৎনরুরবদি, অস্মুক্কী মতিক কুক কুক ইন্নখ্রনি, তোপ অমতনা ময়াম্মক অমুক্কদা পুল্লপ থরাই লানখিবক্কাও য়াই ।

জীব । অর্হুদ থবক অমা তৌরো, লাম্মী থরতমক নহাক শাগোন্নহোরো, লানফমসিদা নংনা উৎলিব নথোনা নরোশিং অসিনা তাকপদি—নংনা ভমদবা থবক অমুক লৈরোই । নহাক লাম্মী থরদং পুহনা তকশিল্লকপসি ঙাক্লবা হোৎনৌ । ঐনা নংগী লাম্মীশিং অহুগী মরুম থুপ্তুনা লেমহৌরিবা মচাশিংবু থোং অহু লাস্থোক্লবা হোৎনরুগে । নংগা লৈমিন্নহোবা কাংবুতুদি শোইদন-মক মথরাই থারগনি, অহুবু ঐগা লোইনরিবা কাংবুতুমদি হিং-হোবস্মু য়ানা লৈ ।

ভব । ফরে, ঐ মহু তৌরগে ।

অহুদগী ভবানন্দনা মচা লিশিং অনি পুরহুনা অমুক হন্না "বন্দে মাতরম" হায়বা খোল্লাও লাওরগা য়াম্না থৌনা ফবা উত্তুনা ইংরেজ নোংমৈ পাইবা লাম্মীশিংগী মথক্কা লান্দারক্লে ।

মাইকৈ অনিমক অকিব' ফংনা লাল শোক্লরক্লে, অদুবু তোপকী মচিন্দা পিক্লবা মচাগী লান্মীদু কয়া কুইনা খাঙখিনি ? লৌ খাওবগুম মখোইদু ইংরেজ লান্মীনা লৈমাইথক্তা তুহল্লক্লে ।

তাল্লক অসিদা জীবানন্দনা লেমহৌবা মচাগী লান্মিশিংদু হাইফেৎ লৈহল্লগা ওইবোমদা উমংগী নাকন ওইন-তপ্পা তপ্পা পুখোরক্লে। কাপ্তেন টমাসকী মতেং পাংলিবা লেপ্টেনেন্ট ওয়াটসন কৌবা নিপা অমখক্তা, অথাপ্পদগী, মচাগী কাংলুপ অমা তপ্পা তপ্পা চেনখ্রে হায়বসি উবক্লদুনা, থানাগী নোংমৈ পাইবা সিপাই কাংবু অমগা অশেংবা লান্মী কাংবু অমগা পুরদুনা জীবানন্দবু তান্নরক্লে।

তৌবিবা মতৌদু কাপ্তেন টমাস উবক্লে । মচাশিংগী অয়াম্বা শক্লক চেনখিবদু উরদুনা মহাক্তা কাপ্তেন হে কৌবা মাগী খোং-লোই অমদা হায়বকই, "ঐহাক লান্মী চনি চদুমগা লোইননা লানজংলক্লিবা মচোই তাবব য়েক্লবশিং অসিবু হাংগৈরগে, নহাক তোপকা অতৈ লেমহৌবা লান্মীশিংসিগা পুবদুনা মখোই অসিবু তান্নৌ, ওইবোমদগী লেপ্টেনেন্ট ওয়াটসন চংশিনখ্রে, য়েংলোমদনা নং চংউ । অদুগা য়েংউ, হান্না মা জৌননা থোং অদু থক্তুনা থমগদবনি অদুম তৌরবদি মাইকৈ অদুমদগী মখোইবু কোই-শিল্লগা লাংলক্ত' তারবা উচেকুম হাংপ য়াগনি । মখোই অসি খোংথাং য়াঙবা লৈবাকসিগী তেঙ্গোলনি, পুম্নমক্কী মথক্তা চেনবগী লমদদি য়াম্না হৈ-শিংবনি, মরম অদুন' নহাক ইশাই লাইনা মখোইবু ফাবা ফংলোই, নহাক শগোল তোংবা লান্মীশিংদুব লম্বেল নাকোইনা লোম্না চংহন্দুনা খোংগী মচিন্দা লেপ্তুনা লৈয়ু হায়রু অদু ওইরবদি হ ন্নরিবা থবকসি থোক্কনি । হায়রিবা থবকসি কাপ্তেন হে পাঙথোক্লবা চংখ্রে ।

"লুতোন রৌবা নাপন্না লক্কা তুম্মি।" কাপ্তেন টমাসনা মচাশিংবু তোম্বনা থনমনবদগী, খোঙমৌ চনিতমক ভবানন্দগ মাইয়োক্লনবা মহৌরগা অতৈ লোহনমক হেগা লোইননা থাখ্রে । হৈ-শিংলবা

ভবানন্দনা, ইংরেজগী তোপ পুম্বা পুখ্রে, লাম্মী পুম্বা চংখ্রে, লেমহৌরিবা থরদং অসিদি ইরাই লাইনা হাংপা ঙমলগনি হায়বত্থু উরক্লত্থুনা, মাগী হিংহৌরিবা কাংবুত্থু কৌরত্থুনা হায়রকই, "মখোই থরদং অসিবু হাংলগা জীবানন্দগী মতেং পাংবা ঐখোই চংকদবনি। হৌজিক নখোই অমুক হন্না "জয় জগদীশ হরে" হায়বা খোল্লাও লাওরে।" মসি হেক তাবদা মশাং থজিক্তুমক ডাহরব মচাগী লাম্মীত্থু 'জয় জগদীশ হরে" হায়না লাওরত্থুনা কৈগুম কাপ্তেন টমাসকী মথক্তা চোংশিল্লক্লে। অকনবা শাফুগা লোইননা লানদারকপত্থুদা মশাং য়ামদ্রবা তৈলঙ্গীগী সিপাই কাংবুত্থু থাডবা ঙমদ্রে, মাইথিরে। মতমত্থুদা ভবানন্দ মশামক্ল হোংচিল্লকতুনা কাপ্তেন টমাসকী মশম পায়ররে। কেপ্তেন্দু অবোইবা ফাওবা লাম্ন্থেংনরম্মি। ভবানন্দনা হায়রকই, "কাপ্তেন সাহেব! নংবু ঐ হাংলোই ইংরেজদি ঐখোয়গী য়েক্লব নত্তে। অত্থুগা করিগীনো নংনা মুসলমানশিংগী তেংবাংবা লাক্লবা? লাও, নহাকপু কনবিরবনি, অত্থুগা বন্দীদি তৌরবনি। ইংরেজশিংনা মাই পাকসন্নু, ঐখোই নখোইগী মরুপ্নি।"

কাপ্তেন টমাসনা মতম অত্থুদা ভবানন্দবু হাংননবা সঙ্গীন যেৎপা নোংমৈ থাঙ্গৎকে লাক্লরকই, অত্থুবু ভবানন্দনা মহাকপু অস্তুক্তা মতিক চেৎন কৈগী থুৎপায়দা পায়খ্রে মত্থুদি মহাক লেঙলকপা ঙমথিদ্রে। অত্থুদগী ভবানন্দন মাগী মত্থুং ইল্লিবশিংত্থুদা হায়রকই, "মসিবু পুন্দুনা থম্মু।" মত্থু তাবদা মচা অনি অত্থুম চংলক্তুনা কাপ্তেন টমাসপু পুল্লরে। ভবানন্দনা হায়রকই, "মাবু শগোল অমগী মথক্তা থাঙ্গৎলু, অত্থুগা চংসি, ঐখোই মাবু পুত্থুনা জীবানন্দ গোস্বামীগী মতেং পাংলুসি।"

অত্থুদগীদি লাম্মী থজিক্তুং অত্থু কাপ্তেন টমাসবু শগোলথক্তা পুন্দুনা পুরগা "বন্দে মাতরম" শক্ল শক্লত্থুনা ওয়াটসন তম্মা চেল্লক্লে।

জীবানন্দন পুৱিবা নিংঙবা কায়ববা লাম্মী কাংবুদু চেন্নবা কন্না লাক্লবন্মী। জীবানন্দগা ধীবানন্দগনা মখোইদুবু নিংথিনা ভাব তাহন্দুনা ফাজিনবা হোৎনবম্মি, অদুবু পুন্নমক্তু লোইনমক ফাজিনবদি ওয়েন্নমদে, খবা অমদি চেন্দুনা হৈনৌবন্দা লোৎখ্রে। লেমহোৱা লাম্মীশিংদু জীবানন্দগা ধীবানন্দগনা থোংগী মচিন তান্না পুবক্রে। অদুবু মফমদুদা হে অমস্তুং ওয়াটসন্না মখোইবু মাইকৈ অনিদগী কোইশিল্লক্রে। মখোই হিংফম লৈত্রে।

## তরামাথোইশুবা মতাং

হায়রিঙৈ মতম অসিদা টমাসকী তোপশিং অদু খারোমদগী পুরকতুনা য়ৌবক্লে। মতমদুদা মচাগী কাংবুদু পুমচোই চোইরক্লে, কনামতা হিংবগী আশা লৈত্রে। মখোই পুন্নমক অফং অফংবা মাইকৈদা চেন্নরক্লে। জীবানন্দগা ধীবানন্দগনা মখোইদুবু মপুক্লিং ফাথনবা অমস্তুং পূনশিন্নবা য়ান্না কন্না লাক্লবকই, অদুবু করিমতা ঙমদ্রে। তাঞ্জাদুদা হৌরবা থোনফম অমা লাওবক্লে, থোংলোমদা চৎলু, থোংলোমদা চৎলু, ব্রাংম লাম্থোকউ। নত্রবদি তুংবন্দা ইরাক্লদুনা শিবগনি, তপ্না তপ্না ইংবেজ লাম্মীবোমদা নমাই ওন-শিন্দুনা থোংলোমদা চৎলু।"

জীবানন্দনা লৈ-দুনা য়েংঙকপদা উরে, মমাংদা ভবানন্দ। ভবানন্দনা হায়রকই, "জীবানন্দ! থোংলোমদা পুদুনা চৎলু নত্রবদি হিংফম লৈত্রে।" মদু তাবদা তপ্না তপ্না তুং শুল্ল হল্লদুনা মচাগী লাম্মীশিংদু থোংগী মচিন য়ৌনা চংশিল্লক্লে। থোং হেক য়ৌবগা মচাশিংদু পুল্লপ ওইনা অমুক্তদা লান্নবা থোংথক্তা তকশিন্নরকপনা

ইংরেজগী তোপতু খুদোংচাবা ফংলতুনা থোংত্থ থক থক নিকহনবা হৌরক্লে। মচাগী কাংবু মথব্রাই লাম্নরক্লে। হৌজিক ভবানন্দ, জীবানন্দ, ধীরানন্দ পুল্লপ পূল্লে। তোপ অমথক্তুংনা লৈবদা শাথীনা মচা ময়াম মাঙশিল্লক্লে। ভবানন্দনা হায়রকই, "জীবানন্দ, ধীরানন্দ, লাও, থাং হায়ত্রুনা ঐথোয় অহুম তোপ অসি মুল্লুসি।" অতুদগী মখোই অহুম্না থাং হায়র-হায়রত্রুনা তোপ অতুগী মনাক্তা লৈবা সিপাইশিংত্থ হাংলক্লে। মতমতুদা অতৈ মচাশিংস্থ মখোইগী মতেং পাংবা চেনশিল্লক্লে। তোপ অতু ভবানন্দগী মখুং চল্লে। তোপ লৌরবতুংদা ভবানন্দনা মতুগী মথক্তা কাখত্তুনা লেপ্লরে। অতুগা খুবাক খুরত্রুনা হায়রকই, "শোল্লু বন্দে মাতরম!" ভবানন্দনা হায়রকই, "জীবানন্দ, তোপ অসি মমাই লৈরগা হৌনবা-থংদবা কাংবুশিং অসিবু উৎ ওলহল্লসি।" মচাশিং হোৎচিল্লক্তুনা তোপতু মমাই লৈথোক্লে। অতুদগী তোপতু থোঞ্জেল হৌনা বৈষ্ণবশিংগী নাকোংদা হরি শোনবগুম ভংলক্লে। সিপাই য়াম্না য়াম্না মতুদা মথব্রাই মাঙনরে। ভবানন্দনা তোপতু চিংলক্তুনা থোংগী মচিন্দা থম্নগা হায়রকই, "নথোয় অনি মচাশিং অসিবু পরেং লেংহল্লগা থোং লাম্থোকহল্লু, ঐহাক ইথন্তা লালমাং অসি ঙাকে, তোপ কাপ্লবা ইনাক্তা লাম্নী থরদমক থনম্মু।" মসি তাবদা অথন্নবা মচা কুনথক্তুং ভবানন্দগী মনাক্তা লৈরে।

অতুদগী মশিং লাকডমদ্রবা মচাশিং থোং অতুদা জীবানন্দ অমস্তুং ধীরানন্দগী য়াথং মতুং ইন্না পরেং লেংলত্রুনা লাম্থোকপা হৌরক্লে। ভবানন্দ মথন্তনা মচা কুনথক্তুংগী মতেংনা তোপ অতুমতনা মশিং লাকডমদনা লাম্নী হাৎপা হৌরক্লে অত্থবু যবনগী লাম্নীদি ইহৌরকপা ঈশিংগী ইথককুমখ্রে। ইথকী মথক্তা ইথক ইথকী মথক্তা ইথক!— ভবানন্দবু কোইশিন্দুনা মকম মরাং

থংহন্দনা লুপহনগদগুম তৌরক্লে। ভবানন্দদি অরাবা থংদবা, লাক কান ঙমদবা, অকিবা লৈতবা মীনি—তোপ অমুক অমুক কাপ-থোরকপদা লাম্মী কয়া কয়া মথরাই লৌরক্লে। যবন্না মুংশিংকী শউমদা ইনোৎ হাপ্নবা ইথকুম মাগী মথক্তা তকশিল্লক্লে, অদুবু মচা কুন্দুনা তোপকা লোইননা থোংগী মচিন্দু থিংদুনা থমখ্রে। মখোইশিংদু শিরবস্থু শিদে—যবনশিং খোংদা লৎশিনবা ঙমদ্রে। অথৌবশিং অদু মাহথি-পিঙমদ্রবা ঙাক্লি-অমাঙ-অতা লৈত্রবা পুন্সি-নি। খুদোং চাবসি ফংলদুনা মচাগী লাম্মী কাংবু কাংবু রাংম লাম্থোক্লক্লে। মতম থরদংদগা থোং অদু অস্থুম্না ঙাকপা ঙমল্লবদি হায়না উরক্লবা ভাঙ্গাদুমক্কন্দা, কদোমদগীনে। অনৌবা তোপ্ন ঙং-লকক্লে "গুরুম গুরুম গুম।" কাংবু অনমক ঙহাক লাল লেপ্তুনা কোইয়েং য়েংদুনা লৈরে-অমুক কদোমদগী তোপ্নো! মখোইনা উরক্লে, উমংগী মমুংদগী তোপ কয়ামুক লৈবাকসিগী খুংলাই পায়রবাশিংনা কাপ্ল-কাপ্লদুনা থোরক্লে। মপাল য়োরক্লগা চাওরবা তেপকী পরেংদুগী মচিন কয়াদগী মৈখুগা কোম্ননা হে সাহেবকী কাংবু মথক্তা কুঙন কাপশিল্লক্লে। অকিবা ফংনা ঙংলবা মখোলনা উমং, চীং পুম্নমক্ক থোম্থাং য়ৈরক্লে। মুমিৎ চুপ্পা অমা লাল থেংনবদা চোকথরক্লবা যবনগী লাম্মীশিংদু মথরাই থারগনি কিবনা তনিক তনিক্লক্লে। মৈগী নোং চুথরকপদুদা তৈলঙ্গী, মুসলমান, হিন্দু-স্থাণী পুম্না কোইচেন-চেম্নবা হৌরক্লে। গোরা অদুম মরিদং শুক্লেং লেংদনা লেপতুনা অশিবগা মাহয়োক্লদুনা লৈরক্লে।

ঙসাইমথৈ ভবানন্দনা কুম্মৈদু য়েংলম্মী। অদুদগী মহাক্না হায়রকই "ইচিন ইনাওশা, লুকোকপা ময়ামসি চেম্নরক্লে, চৎসি ঐখোই হৌজিক মখোইগী মথক্ত লান্দারসি।" মদু তাবদা ককচেংগী মপেগুম মচাগী কাংবুনা অনৌবা থৌনাগা লোইননা থোং রাংমদা হাজিল্লক্লুনা যবনশিং অদুবু তকথাইবা চেনশিল্লক্লে। থংহৌদনা মখোইনা যবনগী মথক্তা লান্দাররে। যবনশিংদু মাই-য়োক য়ানবা তাঙ্গা ফংখিদ্রে—ভাগীরথীগী ইচেলনা নাপল তৌম্নবা

চাওরবা চিংগুম্নবা শামুবু চেম্থুতুনা পুখিবগুম, মচাশিংনা যবনগী কাংবুহুবু চেম্থুতুনা পুরক্লে। যবনশিংনা উরক্লে, তুংদনা ভবানন্দগী খোঙমী, মাংদনা মহেন্দ্রগী তোপ। হৌজিক হে সাহেবকী মাঙনা-তাক্লবা মতম য়ৌশিল্লক্লে। থাঙবা ঙম্বগী উপায় অমতা লৈত্রে— মপাঙ্গল, মথৌনা, মবৌশিং, মহৈ, নাপল পুম্নমক অরেম্বদা তাখ্রে। লৈবাক্কী, নিংথৌগী, ইংরেজগী, তঙৌবা, অমুবা, গোর লাম্মী পুম্নমক মথন্নাই থাদুনা লৈমাইথক্তা তুনরক্লে। ধর্ম্ম তোঙানবগী কাংবু চেন্নরক্লে। হাংলে-হাংলো হায়বা খোল্লাওগা লোইননা জীবানন্দ, ধীরানন্দ অনমক্না ধর্ম্ম তিন্নদবা লাম্মীশিং অতুগী মতুংদা তান্নরক্লে। মখোইগী তোপস্তু মচাশিংনা মুল্লে, ইংরেজ অমস্তুং সিপাই মশীং য়াম্ন শির। মাঙবা তারে হায়বদু উরদুনা কাপ্তেন হে অমস্তুং ওয় টসন্ন। ভবানন্দগী মফমদা পাও থারক্লে, "ঐখোই পুম্নমক নখোইগী বন্দী ওইরে, অমুক থন্নাই মাঙহনবা তৌরগনু।" জীবানন্দনা ভবানন্দ তম্না য়েংলকই। ভবানন্দনা মপুক্লিংদা মথন্তা খল্লকই, "মদু ওইবা য়ারোই, ঐ ঙসি শোইদনমক শিগদবনি।" অদুদগী ভবানন্দনা মখুৎ থাঙ্গৎলদুনা খোঙ্গল ন্নাংন হরিবোল শোল্লগা হায়রকই, "হাংলু, হাংলু।"

মী অমক্তাও হিংদ্রে— কাইনথংদা মফম অমদা গোরা ২০ ৩০ থক পুল্লপ পুনসিল্লহুনা মথন্নাই থাবগী পোম্থাগা লোইননা অকিবা ফংনা লাম্থেংনবা হৌরক্লে। জীবানন্দনা হায়রকই, ভবানন্দ, ঐখোইনা লাল ঙম্লে, অমুক শোক্লকুবগী কান্নফম লৈত্রে, মখোই খজক্কুং অসি নত্তুনা অতৈ কনাস্তু অমুক হিংদ্রে, মখোইবু মথন্নাই কনবরম্নগা চৎসি চৎলো ঐখোই হল্লসি।" ভবানন্দনা হায়রকই, "মী অমতং হিংলিভৈ ফাওবদা ভবানন্দদি অমুক হল্লরোই— জীবানন্দ, নঙোন্দা ঐনা ন্নাশকপগা লোইননা হায়রিবাসিনি, নহাক থরদং চখোক্লা য়েংউ, ঐ ইথন্তা ইংরেজ থরদং লেমহৌরিবসি হাংকে।"

কাপ্তেন টমাসতু শগোল মথক্তা পুন্দুনা লৈ । ভবানন্দনা য়াথং পিরকই, “মহাকপু ঐগী ইমাংদা পুশিল্লকউ, অহানবদা শাজৎ চুমদবসি মথল্লাই লৌথিগে, অতুগী মতুংদা ঐ শিগে ।”

কাপ্তেন টমাস বাঙ্গালা লোল খঙই. মহাক্না ল্লাতু তাবদা ইংরেজ লাম্মীশিংদা হায়বকই, “ইংরেজ ! ঐহাক্তি শিরগদবনি, থাইনগী ইংলণ্ডগী মিংচৎ মাঙদনবা নখোইনা হোৎনৌ, ঐহাক খৃষ্ট পন্দুনা ল্লাশক্কুনা হায়রিবসিনি, অহানবদা ঐবু হাৎলু, অতুদগী য়েল্লবশিং অসিবু হাৎলু ”

দং হায়তুনা নোংমৈ-গুলি অমা পাইরক্লে, আইরিসম্যান অমথক্লা কাপ্তেন টমাস তমতুনা নোংমৈ কাপ্লকপনি । মরাইবক্তা পান্দুনা কাপ্তেন টমাস মথল্লাই লানখ্রে । মতু উবদা ভবানন্দনা লাওরকই, “ঐগী ব্রহ্মাস্ত্র অরেম্বদা তাখ্রে, হৌজিক কনা করম্বা পার্থ বৃকোদর নকুল সহদেব লৈ ঐবু ঙাক্লনবা ? য়েংউ, তেম্না পাল্লবা কৈগুম গোরাশিং ঐ তম্না ফুজিল্লক্লে । ঐদি শিরগে হায়তুনা লাক্লবনি, ঐগা শিমিন্নিংবা মচা কনা কনা য়াওরি ?

অহানবমক্তদা ধীরানন্দ চংশিল্লক্লে, অতুগী তুংদা জীবানন্দ— অতুদগী মচা ১০ | ১৫ | ২০ | ৫০ মথং মথং য়াওশিল্লক্লে । ভবা-নন্দনা ধীরানন্দবু, উবদা হায়রকই, “নংস্থু ঐখোইগা লোইনন শিমিন্নবা চংলক্লবা ?”

ধীর । “কৈদৌরবগে অতুবো, শিবা হায়বসিবু মী অমভগী মরল্লা ? অসি হায়না হায়ন ‘ধীরানন্দনা গোরা অমবু য়াম্থুক্লে ।

ভব । মতুবুদি নত্তে । অতুবু শিখ্রবদি মুপী অঙাংগী মশক য়েংতুনা পুন্সি লেনবদি ফংলরোই ।

ধীর । ঙরাংগী ল্লাকমতুল্লা হায়রিবদো ? হৌজিক ফাওবা নং খঙদ্রিবরা ? (ধীরানন্দনা শোক্লবা গোরাতুবু হাৎলে)

ভব । খঙদে— (তাঙ্গাসিদা গোরা অমনা থাংনা য়াম্থুরক্লুনা ভবানন্দগী মখুৎ য়েং থংবতু ককখ্রে ।)

ধীর। নংগুম্বা থম্মোই শেংলবা মীগী মকমদা য় পুম্নমক্তু হায়নবা ঐগী করি ইতিক লৈগদগে ? ঐহাক সত্যানন্দনা লোম্না থাব মী অমা ওইনা চৎপনি।

ভব। করি হায়বা ? মহারাজনা ঐবু থাজদ্রবা ? (ভবানন্দদি মতমত্তুদা মখুৎনামতনা লাল শোক্লরি) ধীরানন্দনা মাবু কম্না কম্না হায়রকই, "কল্যানীগা নংগা লাংনবা য়া পুম্নমক্তু মহাক মনাকোংমক্লা তাখ্রবনি।"

ভব। করম্না ?

ধীর। মহাক মশামক মক্ষমত্তুদা হাম্লনা লৈরম্মবনি। নশা কম্নবা অমুক্তা হাম্না চেকশিনখো। (ভবানন্দদা গোরা অমথক্লা থাংনা য়াম্থরকপদা মহাক্লা ডাকথোকই) মহাক্লা কল্যানীবু গীতা তম্বিরিভৈদা নহাক মক্ষমত্তুদা লাকপনি। অমুকস্ু চেকশিল্লু ! (ভবানন্দগী শেইথংবা খুক্তু ককখ্রে।)

ভব। ঐহাক শিরে হায়বসি মডোন্দা তম্মু। অত্তুগা থডহল্লু ঐহাক লোনস্বা মী নত্তে হায়বদি।

ধীরানন্দনা মমিতা পিগী ইরানা থম্না লাল শোক্ল শোক্লনা হায়রকই, "মত্তু মহাক থডই। ডবাং অহিং পিখিবা আশীর্ব্বাদকী য়ারোলত্তু নিংশিংউ। অত্তুগা ঐডোন্দা তাকপিরকই, 'ভবানন্দবু থাদোক্লম্নু, ডসি মহাক শিরগনি। শিরমদাইদা মডোন্দা হায়্, ঐনা আশীর্ব্বাদ তৌরি, শিরগা মহাক লেপ্পমক বৈকুণ্ঠ কংসম্নু।"

ভবানন্দনা হায়রকই, "মচাশিংনা জয় ওইবা ওইসম্নু। ঐগী শিরমদাইসিদা অমুতং "বন্দে মাতরম" হায়বত্তু ইনাকোংসিদা তাহল্লু।"

মত্তুদগীদি ধীরানন্দগী য়াথং মতুং ইম্না লান্দা মথম্বাই লুপ্লিবা মচা পুম্নমক য়াম্না হৌনা "বন্দে মাতরম" শক্লৎলক্লে। মত্তুনা মখোইগী মপাম্বোমদা মপাঙ্গল শক্লক অনি হেম্না হাপকৎলক্লে। হায়রিবা অকিবগী মশক ওইরবা তানফমসিদা লেমহৌরিবা গোরাশিংত্তু মথম্বাই ডম্নমক লৌরে। লানফমত্তু চেক-মোক লাওথিদ্রে।

তাঞ্জাত্তুদা ভবানন্দত্তু মচিন্দা "বন্দে মাতরম" শক্ল-শক্লত্তুনা থম্মোই-দদি খিক্তুগী খুয়া থম্বাল তত্তুনা নিংশিংলত্তুনা মথম্বাই থাখ্রে।

ওম্মোকপনি ! মুপীগী অহেনবা চেংলৌ। তাইবংসিদা নহাম্নিমক্তি অরাবনিদা !

---

# তন্নানিথোইশুবা মতাং

লাল-চম্লবা তুংদা অজয় তুবেল মপান্দা সত্যানন্দবু কোয়-শিল্লতুনা মমাই পাক্লবা অথোবাশিংনা হরাও-তয়াম কয়া তৌবক্লে। সত্যানন্দদমক মাইথোং মকশিল্লি ভবানন্দবু থল্লুবদা ।

নহালমথৈ বৈষ্ণবশিংগী লালগী পুং-শেল থোইনা পংলৈ লৈবমদে, অদুবু মতম সদ দ কদাহদগীনো পুং-শেল কাংসি, ঢোল, সানাই, পেবে-সিঙ্গা অসিনাচিংবা মথল মথল মশিং নাইদনা পুবক্লে। লানগী খুদমগী যন্ত্র-মথোলনা উমং লমহাং, তুবেল পুম্বা থোম্বাংগী থোম্বাংমক্তনা থনখ্রে । অস্মা মচাশিংদু মতম শাংন মথল মথেল কয়াগী কুম্মৈ তৌববা তুংদা সত্যানন্দনা হায়রকই, "জগদীশ্বরনা ঙসিদি থৌজানাংবে, মচাগী ধৰ্ম্মনা মাহপাক্লে, অদুবু থবক অমদি য়াংলি ঐথোহনা তৌ বিবা হরাও-তয়ামসিদা য়াঙবা চমত্রবা, ঐথোই-না কুম্মৈসি তৌননবগীদমক মথয়াই থাখ্রবা, মথোহশিং অদুবু ঐথোহনা কাওথোকপদি চুমদে । চৎসি চৎলো, মথয়াহ থাদুনা লানকমদা তাদুনা লৈরিবা মথোইশিং অদুগী সংস্কার তৌকাস। মরু ওইন, ঐথোইগীদমক লানফম অ স চম্লগা মথয়াই থাখিবা মহাত্মা ভবানন্দ অদুবু য়াম্না হকাইখুম্লবগা লোইননা সংস্কাব তৌনবা থৌরাংলুসি ।" মদু তাবদা মচাশিংদু "বন্দে মাতরম" শোল্ল-শাল্লদুনা অশিবশিং অদুবু সংস্কাব তৌবা লাক্লে । মীময়াম পুল্লপ পুম্না হরিবোল হায়না লাওর-লাওরদুনা চন্দন পাম্বা মপৈ মপৈ পুবক্তুনা ভবানন্দগী শীঙ শেম্লে, অদুগা মথকুদা ভবানন্দবু হিপহল্লগা মৈ চুদুন ময়াম্না পুমকোই কোয়বদুনা "হরে মুরারে" শক্লক্লে । মথোইদু বিষ্ণুভক্তন, বৈষ্ণব-সম্প্রদায়গী মনুং চন্দ, অদুনা মৈ থাই।

অদুগী মতুংদা উমং মমুংদা সত্যানন্দ, জীবানন্দ, মহেন্দ্র, নবীনানন্দ, ধীরানন্দ সিতমক ঙাইরে; লোম্না মথোই মঙা য়া তান্নরি । সত্যানন্দনা হায়রকই, হৌজিক্তি ঐথোহনা থবক পুম্বা

ধর্ম্ম পুন্বা, মুংঙাইবা পুম্বঃ থাদোক্তুনা পাংথোক্লবা চংলকপা ব্রত অহু মহৈ য়ান্নে, লৈবাকসিদা যবনগী লাম্মি অমুক লৈব্রে. থরদং লেমহৌরিবসিদি, দণ্ড অমফাওবা ঐখোইগী ইমাংদা লেপ্পা ভন্মরোই, নথোই হৌজিক করি তৌথিসি হায়রিবগে ?"

জীবানন্দনা হায়রকই, "হৌজিক্তি ঐখোই কোন্নুং লৌশিন্নবা তৌরসি ।"

সত্য । ঐস্মু মহু পাম্মি ।

ধীর । লাম্মিদি কদায় ?

জীব । কৈনো লাম্মিশিংসিদি ।

ধীর । কদাই মখোইহু অম ফাওবা উবা ফংলিবরা ?

জীব । মফম অতোপ অতোপ্পদা মখোই পোথানরম্নগনি, লালবুং য়ৈরবদি শোইদনমক লাক্কন ।

ধীর । অম ফাওবা লাক্লোই ।

সত্য । করিগী ?

ধীর । ময়াম্মক লুট তৌবা চংনখ্রে । খুল পুম্ব হৌজিক্তি ভাকশেনবিনবা লৈব্রে । মুসলমানশিংগী খুল অদুগা রেশমগী কুঠী লুট তৌরগা মখোই ময়ম ময়মদা হনখ্রগনি । হৌজিক মখোই কনামতম্মু ফংলরোই, ঐ কোইথি-থিরুরবন ।

সত্যানন্দ মাইথোং লাংশিনখ্রে ; মানা হায়রকই, "অহু ওই-হুনস্মু, লৈপাক পুম্বসি হৌজিক ঐখোইনা খুহুম চনখ্র । মফমসিদা ঐখোইগা মাইয়োক য়াবিনবা কনামতস্মু লৈব্রে । মরম অদুনা বরেন্দ্রভূমিদা নথোই মচাগীশিংগী লৈবাক শেমগংলো । হিন্দুগী লৈবাক ওইরে তারবদি, মশীং লাকভমদবা লাম্মীনা মচাশিংগী ফিরাল পায়নরগনি ।"

মহু তাবদা জীবানন্দনচিংবনা সত্যানন্দবু খুরুম্নগা হায়রকই, "ঐখোইনা খুরুমজরি— হে মহারাজাধিরাজ ! য়াথং পিনবিরবদি ঐখোই উমং অসিমক্তদা নংগী সিংহাসন লিংখৎচগে ।"

সত্যানন্দহ্ন পুলিসগী অকানবা ওইনা হন্দক্তি অশাওবা উৎলক্লে। হায়রকই, “করি! ঐবু অহাংবা-চফু ওইনা উরুরব্রা? ঐখোই কনামতা নিংথৌ নত্তে—ঐখোই সন্ন্যাসীনি। হৌজিক লৈবাক-সিগী নিংথৌদি বৈকুণ্ঠনাথ মশামক্তি। নগর লৌশিন্নবা তুংদা নখোইনা অপাম্বা মীহুগী মকোক্তা, রাজমুকুট উপ্পিয়ু, অহুবু মসিমদি লেপ্পমক থংউ, ঐদি ব্রহ্মচর্য্য অসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা আশ্রম অমতা কৈ:দৌনুংদা চৎপা থক তোবোই। হৌজিক্তি নখোই নংগী নংগী নথৌ তৌকনবা চৎলো।”

অহুদগী দি মখোই মনিহু ব্রহ্মচারীবু খুরুম্মগা হৌগৎলক্লে। সত্যানন্দনা মতমহুদা ময়ামদি উৎন্দনা ইঙ্গিত তৌহুনা মহেন্দ্রবু থামহৌরে। মখোই অহুমদি চৎখ্রে, মহেন্দ্র লৈহৌরে। মতম-হুদা সত্যানন্দনা মহেন্দ্রদা হায়বকই, “নখোই লোইনমক বিষ্ণুমন্দিরদা রাশক্তুনা মচাগী ধর্ম্মসি লৌখিবনি। ভবানন্দ অমসুং জীবানন্দ মখোই অনিমক রাশক কায়রে। ভবানন্দদি ওসি মশানা য়াথিবা প্রায়শ্চিত অহু তৌখ্রে। ঐহাক মতম চুপ্পদা, জীবানন্দসিসু নোংমা প্রায়শ্চিত তৌনবা মথৱাই থাবগত্রা হায়না কি। অহুবু ঐনা থাজবা অমথক্তি, করিগুম্বা অবোনবা মরম অমগীদমক মহাক হৌজিকমক শিবদি তৌখিরোই। নহাক নথন্তমক রাশক কায়দবা হায়বহু ওইরে। হৌজিক্তি মচাশিংগী থবক পাঙথোক্লে; নহাক্না রাশকখিবদি, মচাশিংগী থবক পাঙদ্রিবা মথৈ নহাক মুপী অভাংগী মশক হন্না য়েংলোই হায়বসিনি। হৌজিক্তি থবক পাংথোক্লব-নিনা নহাক অমুক হন্না য়ুম-পানবা য়ারগনি।”

মহেন্দ্রহু মমিত্তা পিগী ইরা মরী-মরী শিন্থবক্লে। মহেন্দ্রনা হায়রকই, “ঠাকুর, কনাগা লোইননা য়ুম পানগদগে? মুপীসু মথন্তা মথৱাই থাজখ্রে, ইচামুপীহুনা কদাইদা লৈবা, মহুসু থগদে, করম্মা কদাইদা থিরনি? নংনা তাকপিখি, হিংলি, মহুমতং থগই, অতৈদি করিমতা থগদে।”

সত্যানন্দন মতমতুদা নবীনানন্দবু কৌরগা মহেন্দ্রদা হায়রকই, "মহাক অসি নবীনানন্দ গোস্বামী হায়বতুন, য়াম্না মপুকপেল শেংবা, ঐগী মুংশিরবা শিষ্যনি। মহাক্না নংগী নচামুপীতু কদাইদা লৈ হায়বা তাকনি।" অসি হায়রগা সত্যানন্দনা শান্তিদা ইঙ্গিত থরা তৌরকই। শান্তিনা মতু ভাব তারতুনা খুরুম্নগা চংলগে থৌবাংলক্লে, মতমতুদা মহেন্দ্রন হায়রকই, "কদাইদা নহাক্না ঊনবা ফংগদগে ?"

শান্তিনা হায়রকই, "ঐগী আশ্রমদা লাকপিয়ু।" অসি হায়রগা শান্তিনা মাং থাতুনা চংলক্লে।

অতুদগী মহেন্দ্রনা ব্রহ্মচারীবু মথোং শোক্লা খুরুম্নগা হৌগংলক্লে অতুগা শান্তিগা লোয়ন-লোয়ননা মাগী আশ্রমদা লাক্লে। মতমতু অহিং য়াম্না থেংজিনখ্রে। অতুমকপু শান্তিনা অমুক পোত্থাবা তৌদনা নগরগী মাইকৈ পাংনা থোংশাল্লক্লে।

ময়াম্মক চংনখ্রবা তুংদ, ব্রহ্মচারী মথক্তা লৈবাকথক্তা কুম্থরতুনা মকোক্লা লৈবাক শোক্লতুনা, মপুক্লিংদা জগদীশ্বরবু ধ্যান তৌবা হৌরক্লে। অস্মুম্না নোং ভানফুং-ভানফুং তৌশিল্লক্লে। মতমতুদা কনানো অমা লাক্লুনা মাগী মকোক্তু শোক্লতুনা হায়রকই, " ঐ লাক্লে।"

ব্রহ্মচারীনা ভক্লা ফীংনা হৌগংলক্লুনা য়াম্না থোইরাংবগা লোয়ননা হায়রকই, " নহাক লেংলক্লে ? করিগীনো ? " লাক্লিবা অতুনা হায়রকই " মুমিৎ শুরে।" ব্রহ্মচারীনা হায়রকই, " হে প্রভু! ভসিদি ভাকপিয়ু। লাক্লিবা য়াকচিংগী পুর্নিমাদা ঐহাক নম্নাথং শোইদনা ভাকচগনি।"

# মরিশুবা শরুক

## অহানবা মতাং

অহিং অতু হরিধ্বনিনা লৈপাক অতু শীন্ন' পুমলাঙ-লাঙখ্রে। মচাগী কাংবুশিংনা মকম মকম খুদিংদা খোঙ্জেল ৱাংনা কনানা "বন্দে মাতরম" কনানা "জগদীশ হরে" হায়না শক্লতুনা কোইচং চংপা হৌবক্লে। কনানা য়েক্লবা লান্মীগী খুৎলাই, কনানা মফী মরোল মুন্দুনা পুনবক্লে। কনানা অশিবা মশাগী মমাইদা খোং-পাক্লা কাওশিনবা, কনানা অতৈ মথল কয়াগী ওৎ-নৈবা শাজং চংপা হৌরক্লে। কনানা খুললোমদ, কনা অমনা নগরলোমদা চেন্দুনা লম্বী চংপা নত্রগা য়ুম লিংলিবা মীশিংবু কারতুনা হায় "হায় বন্দে মাতরম। নত্রবদি নথল্লাই লোগান।" কনানা অথুম অহাও য়োনবা দুকান লুট তৌতুন চাহ, কনানা গোয়ালাগী ইমূং চংতুনা চফু মুন্দুনা দোই দধিন চংবা থক্লোকই। কনানা হায়, "ঐখোই ব্রজগোপ লাক্লে, গোপিনীদি কদাই?" অহিং অতু খুল খুল খুদিংদা নগর নগর খুদিংদা পুমলাঙ-লাঙনখ্রে। ময়াম্মক্লা হায়রকই, "মুসলমানশিং মাইথিবা ফংলে, দেশসি অমুক হিন্দুগী ওইরে। ময়াম্মক হৌজিক্তি খোঙ্জেল লাওনা হরি হরি শোল্লু?" খুঙ্গংগী মীপুম্বা মুসলমান হেক উবদা কোইতান তান্ন-রক্লে। কনা কনাগুম্বনা অহিং অতুদা কাংবু নাইনা মুসলমান-শিংগী খুলদা চত্তুনা মথোংগী মযুমশিংতু মৈ থাদোক্লগা অরৈবমথৈ লুট তৌতুনা পুনরক্লে। যবন য়াম্না মথল্লাই ল্লারে, মুসলমান য়াম্না মকোই কোক্তূন মশাদা চন্দন তৈশিল্লগা হরিনাম শোনবা হৌরক্লে। হংসুরগা খুম্নকই, "ঐ হেঁতুনি।"

মপৈ মপৈ ওইনা মুংশা থিরবা মুসলমানশিং নগর তম্না চেম্নরক্লে। মাহকৈ মরিদা অঙম অথৌ পুম্বশিংসু কোইচেন চেম্ন-রক্লে, লেমহৌরবা সিপাইশিং অত্তুনা নিংথিনা শেম-শারতুনা নগর ভাক্লবা পুল্লপ পরেং লেংতুনা লৈখ্রে। নগরগী লানবলদা শক্তি

থক্ষম খুদিংদা চেকপলগী অকোইবদা সিপাইশিংনা খুৎলাই কোম্না য়াম্না চেকশিন্না থোঙ ঙাক্তুনা লৈখ্রে । মী পুম্নমক অহিংচুপ্পা মিৎশেঙ থাংদুনা করি তৌরক্লদগে হায়না খাথল ভৌনদুনা লৈখ্রে । হিন্দুশিংনা হায়নরকই, "লাক্লসনু, সন্ন্যাসীশিং লাক্লসনু, ইমা দুর্গানা খোজানবিসনু, হিন্দুগী মরাইবক্তা অদুগুম্বা মুমিত্তু অমুক থোক্লক্লসনু । মুসলমানশিংনা হায়নরকই, "আল্লা আকবর ! অসুক কুইরবগী তুংদা কোরানসরিফ কী রা অরেম্বদা তারবরা, ঐখোইদি মতম মঙাদা নমাজ তৌই, অদুগা চন্দন থিনবা হিন্দুশিং অসিবু নমহৎপা ঙমদ্রবা । দুনিয়াসি মীনম্বা ঙাক্লি ।" অসুম্না কনানা কপ্পুনা কনানা নোক্তুনা ময়াম্মক য়াম্না সিপাইনবগা লোইননা অহিংদু লেম্নরক্লে ।

খারম পুম্নমকসি কল্যানীসু তারে, নহা অহল থাইদনা কনাসু থঙনদবা য়াওদ্রে । কল্যানীনা মথন্তা থঞ্জরকই, "জয় জগদীশ্বর ! ঙসিদি নংগী থবক মহৈ য়াম্লে । ঙসিদি ঐহাক ইপুরোইববু থুরুমজবা চৎলগনি । হে মধুসুদন ! ঙসিদি ঐগী ইতেং পাংবিয়ু ।"

থেংলবা অহিংদা কল্যানীনা হিপ্লম্বদগী হৌগত্তুনা, মথন্তা চেকপলগী থোঙদু হাংদোক্লগা কোইরৈ লৈদুনা য়েংঙকপদা কনামতা মকম কৈদসু লৈতবা উদুনা তপ্না তপ্না চেক-মোক লাওহন্দনা গোরীদেবীগী য়ুমদগী লমজাও-শোরোক তাম্ন' থোরক্লে । মপুক্লিংদা ঈশ্বরবু নিংশিংজদুনা হায়রকই, "থোজানবিয়ু ঠাকুর, ঙসি পদচিহ্নদা মাপা উনবা ফংহনবিয়ু ।"

কল্যানীনা নগরগী মীথুংফম য়ৌরকপদা শন্ত্রি তৌরিবদুনা হংলকই, "কনানো চৎলিবা ?" কল্যানীনা অকিব থোনফমদা হায়রকই, "ঐ মুপীনি ।" শন্ত্রিদুনা হায়রকই, "চৎপা য়াদে ।" ঙাংনরিবসি দফাদার অদু তারে । দফাদারনা হায়রকই, "মপান্দা চৎথিবদি থিংদে, চংলকপদনি থিংলিবা ।" মসি তাবদা শন্ত্রিদুনা কল্যানীদা হায়রকই, "চৎলো পেম্মা, চৎথিবদি থিংদে, অদুবু

ঙসি অঙীংসীদী য়াম্না খুদোংচাদে, কনানা থঙনী, নং ডাকুশীংগী মথুক্তা অন্নাবা নংবা য়াই, নত্রগা কোমদা তাত্নুনা নথন্নাই মাঙবা য়াই, মতু ঐখোই থঙদ্রে। ঙসী অহীংদী নং মপান্দা চংথোক্ক-বনা ফৈ।"

কল্যানীনা হায়রকই, "ইবুঙো, ঐদি চাক্রিবীনি—ইশাদা পাই অমা ফাওবা পক্তে, ডাকুনা ঐবু মুল্লগদবা লৈতে।"

শন্তিনা হায়রকই, "নশা নহা ওইরি পেম্মা, নশা নহা ওইরি; মতুনি তুনিয়াসিদা মমল য়াম্লিবদি ঐমকস্তু ডাকু ওনবা হেক ময়াই।" কল্যানীনা উরে, শাথিরবা মতৌনি, মহাক ন্না মথা তাথবা তৌদনা তপ্না তপ্না শন্ত্রি তৌকমতু হেন্দোক্কনা চংলক্লে। শন্তিতুনা থঙলে, মুপীসি ফাগী তৌবনি হায়বা ভাব তাদ্রে, অতুনা মহাক মথন্নাই মুংঙাইতনা গাঁজা কন্না চিংতুনা ঝিঁঝিট খাম্বাজদা সোরিগী টপ্পা শক্লক্লে। কল্যানী চংখ্রে।

অহিং অত্তুদা লম্বীদা কাংবু কাংবু ওইনা মীয়াম চংলি, কনানা হাংলো হাংলো লাওরি, কনানা চেল্লে চেল্লো হায়রি, কনানা কপ্লি, কনানা নোক্লি অউ অউবা অমগা অমগা কোই-তান তান্নরি। কল্যানীতু ওস্থোক্লা অন্নাবদা তাবে। লম্বীস্তু কাওথোকখ্রে, হংফমস্তু লৈতে লোইনগক লাম্থেংনতুনতা সৈখ্রে। লোৎল-লোৎলতুনা অমম্বদা অস্তুম্মক চংলক্লে। অস্তুম্না ফন লোৎপা হোৎনতুনস্তু মহাক কঙাওনববা লালহৌবা কাংবু অমগী মথুক্তা তাক্লরে। মখোইতুনা কন্না লাও-থোংলতুনা মাবু ফানবা হোৎ-চিল্লক্লে। মতৌতু উবদা কল্যানীতু ঙমজবমথৈ য়াংনা উমং মন্নুং তাম্না চেনশিল্লক্লে। মতু ফাওবদা মাগী মতুংদা ডাকু অনিথক্তি তান্নরকই। অমথক্লা মাগী ফীজি পায়খ্রে, অতুগা হায়রকই, "কৈদনো থাজ-মানবী!" তাঙ্গাতুমক্তদা অতোপ্পা অমথক্লা থঙ-হৌদনা পাইশিল্লক্কুনা ফারিবা মীতুবু থোংপাক্লা তিংথক্তুনা হেক ক্লাওরৈ। মতুদা নিপাতু শাথীনা শোক্লতুনা তুংহন্না অতুম্মক চেনখ্রে।

লাক্লিবা নিপাসি সন্ন্যাসীগী ফীজেৎ শেৎলি—শজি মউল্লা মশাতু কুপশিল্লি, চহিস্থু য়াম্মা নৌরি। মহাক্না কল্যানীদা হায়রকই, "কিগম্নু ঐগী ইভুং ইল্লকউ—কদাইদা চৎকদৌরিবনো ?"

ক। পদচিহ্নদা।

মসি তাবদা লাক্লিবা নিপাতু পুমংক ভকখ্রে; মানা হায়রকই, "কৈদোবা ?—পদচিহ্নদা ?" অসি হায়রগা লাক্লিবতুনা কল্যানীগী মকোংবান অনিদা মথুৎ থম্লতুনা মমাই অতু অমম্বা মরক্তুদা য়াম্মা কুপথনা য়েংবা হৌরক্লে।

কল্যানীতু থংহৌদনা নিপানা পায়রকপতুদা তু চুংখ্রে, অকিবা পোক্লে, শাওরক্লে, পুমভক উকখ্রে অতুগা মমিত্তা পিগী ইরাস্থু চেল্লক্লে—চেনগদবস্থু কিবনা থকথৎখিতুনা মখোং থাংবা থোক্লে। কুপ্পা য়েংলবা ভুংদা লাক্লিবা অতুনা হায়রকই, "হরে মুরারে! থওলেদনা, নং শকথিবী কল্যানী নত্রা!"

কল্যানীনা কিরতুনা হংলকই, "কনানো নহাকপু ?"

লাক্লিবতুনা হায়রকই, "ঐহাক নংগী ননাইগী ননাইনি-হে নিংথিববী! ঐবু থৌজানগী মিৎয়েংনা য়েংবিয়ু।"

কল্যানীনা তফিং তফিংনা মনাক্তুদগী চেম্থোক্লক্তুনা শাওনা য়াক্লবা থোনকমদা হায়রকই, "ইকাইবসি পিগে হায়বগীদমক্তা নহাক্না ঐবু কনবিরবিত্রা ? ব্রহ্মাচারীগী ফীজেত্তি শেৎলি, অতুগা মসিবু ব্রহ্মাচারীগী লমচৎলা ? ঐ ভসি পাম্বে লৈতবী অমা শইথিবদগী তৌরবনি নৎত্রবদি নমাইহুদা খোংপাক্না কাওরমগদবনি।"

ব্রহ্মাচারীনা হায়রকই, "চংশিল্লকউ থাজ-মানবী! ঐহাক মতম শাংনা নংগী অস্থুম্বা থোৎ-মেংলবা নশাতু শোকস্পে হায়না থৌরাংনা ভাইরক্লবনি।" অসি হায়রগা ব্রহ্মচারীতু তফিং তফিংনা চেনশীন্দুনা কল্যানীবু ফারগা চেৎনা কোনশীল্লক্লে। মতমতুদা কল্যানীতু ইশী-শীনা নোকথোক্লক্লে, অতুগা হায়রকই, "ওস্থোক্না

ডকখ্রেদা ! হাম্লনা তাকপদি কৈদোগে ঐস্নু নংগুম্বীনি হায়বা ।”

শান্তিনা হায়রকই, “নংবু মহেন্দ্র খিবা চংলিববা ?”

কল্যানীনা হায়রকই, “নহাক কনানো ? নহাক লোইনমক খওবগুম তৌই ।”

শান্তিনা হায়বকই, “ঐ ব্রহ্মচাবীনি—মচাশিংগী লাম্নীগী লুচিংবনি—হায়ফম খওদন থৌনা ফবা মীশক্তি । ঐ লোইনমক খওই । ডসিদি লম্বী-লমথাংদা সিপাইগা মচাশিংগা শাথীনা য়ৈ-খাইনবে, নহাক পদচিহ্ন তান্না চংপা খুদোং চাররোই ।”

কল্যানীহু কপ্লক্রে ।

শান্তিনা শাওনা হায়বকই, “কবিগী কিক্কম লৈবগে ? ঐখোই-দি মিংচিগী তেন্না' য়েক্লবা লিশিং হাংপা ডম্লিবনি । লাও পদচিহ্ন তান্না” কল্যানীহু অসিগুম্বী লৌশিংশিংবী মুপী অমগী মতেং ফংবতুদা মথুংনা স্বর্গ লাম্বা ফংবমুক মুংডাইখ্রে । হায়রকই, “নংনা চংসি হায়বা মক্কমতুদা ঐহাক চংকনি ।”

অন্নুদগী শান্তিনা মাবু পুতুনা উম্নুং লম্বীদা ফাওতুনা চংলক্লে ।

---

## অনিশুবা মতাং

শান্তিনা মাগী আশ্রমদগী থেংলবা অহিংদা নগব তম্না খোং-শাম্লকপা মতমতুদা জীবানন্দ আশ্রমতুদা লৈ । শান্তিনা জীবানন্দদা হায়রকই, “ঐহাক নগরদা চংপা তাবে । মহেন্দ্রগী মুপীবু লৌকগ-দোরিবনি । নহাক মহেন্দ্রদা মাগী মুপী হিংলি হায়না খরা তাকপিরম্সু ।”

জীবানন্দদি ভবানন্দগী মচিন্দগী কল্যানীবু কনখিবা থোদোক পুম্নমক্তু হান্নরা তারে—অদুগা মাগী হৌজিক্কী লৈফমস্নু লম-থুংনা

চৎপী শান্তিগী মফমদগী থঙলে । অহুনা মহু পুম্নমক্তু মথং মথং মহাক মহেন্দ্রদা তম্লে ।

অহানবদা মহেন্দ্রহু থাজদে । মমৈথংদদি নুংঙাইবনা কঙাও-নখিহুনা জ্ঞান পুম্বা পুমশুম শুমহৎখ্রে ।

অহিং অহুগী নোঙল্লকপদা শান্তিগী মতেংনা মহেন্দ্রগা কল্যা-নীগা উনরে । চিল্লবা উমং মনুংদা কুনা হোরবা শাল পাম্বীশিংগী মম্লবা মমি মরক্তা, শা উচেকশিংনা মিকপ থোক্লিদ্রবগী মমাংদা মথোই অমগা অমগা শকউন্নবা ফলে । মহুদা সাক্ষী ওইরিবা হায়রবু, শংবান্নবা অতিয়াদা শান্নরিবা মকশিল্লক্রবা নোংথক্কী থন্নান-মিচাকশিং অহুগা তুমিন্না লৈরিবা মশী শাকউনদ্রবা শাল পাম্বীশিং অহুগা অতৈনা অথাম্বদা কারগুম্বা নুংগাই-মাইয়োক্লরিবী নুংশি খোন্থাং পুরবা পিক্লব তুরেলগী ত্রোং ত্রোং লাওবা মখোল, কারগুম্বা মফমদা নোংপোক মাইকিবোমদা ফাওরক্লিবা চিংথৈ হুনবগী লললবা মশেক উবদা মথন্নাই নুংঙাইজরবা কনাগুম্বা কোকিলনা অহুক খোংলকপগী মখোল, অদুতনি ।

নুংখিল য়ুথক অমা হায়জিল্লক্লে । শান্তিনা লৈরিব মফমদুদা জীবানন্দ লক্লে । কল্যানীনা শান্তিদা হায়রকই,—"ঐথোই নংগী নফমদা মগল য়াওদনা য়েন্থোকচরবনি । ঐথোইগী ইচানুপীগী লৈফমদুতংগা থঙহনবিহুনা নংনা ঐখোইগী ইত্তেং পাংবিরিবসি মপুং ফাহনবিয়ু ।"

শান্তিনা জীবানন্দগী মাইথোং তম্না য়েংলক্লগা হায়রকই, "ঐ তুম্লগে । য়ুথক নিপাল চুপ্পা ফম্বা ফংলক্তবনি—অহিং অনি তুম্লক্তবনি—ঐ নিপানি ।"

কল্যানী মোমোন নোক্লকই । জীবানন্দনা মহেন্দ্ররোমদা য়েংলগা হায়রকই, "মহুগী থবক্তু ঐনা পাংথোক্কনি । নথোই পদচিহ্ন তান্না চৎপিরো—মফমদুদা নচানুপীবু ফংবিগনি ।

জীবানন্দনা ভরুইপুবদা নিমাইগী মনাক্কগী মুপীমচাদু লৌরুনবা লাক্লে—অদুবু মতু তবাই তবাইবা থবক ওইনদি থোক্তে ।

ব্রাহ্মসি তাবদা নিমাইদু অহানবদা ব্রানা স্বব হোৈল্পে, অদুগা কোইরৈ লৈতুনা য়েংই । অতুদগী মচিনবান মনাতোন্দু পেথোরকই ফন্দোরকই । অতুগী মতুংদদি কপথৎলক্লে । কাইনথংদা হায়রকই, “ঐ মুপীমচা পিবা ঙম্মোই ।”

নিমাইনা পুমবুম্নবা থুত্তুগী মনম্মা মমিত্তু শুরু শুরু নৈতুনা মপি তৈথোক্লবা মতুংদা জীবানন্দনা হায়বকই, “অদুবু, ইবেম্মা, কপ্লিবসিবু কবিগীনো, তদুক হাক্লা পংথাপ থাপ্লা লৈখিগদবস্থু নত্তে—মখোইগী মযুমদা নং চত্তুনা মরক মরক্তা অদুক য়েংলুবস্থ ময়াই ।”

নিমাইনা মচিনবান পোমথোক্লতুনা হায়বকই, “অদুগা নখোইগী অঙাংনি, পুতুনা অদুম্মক চৎচখো কৈদৌনি ?” অসি হায়রদুনা নিমাইনা স্বকুমারীদু পুবক্কুনা শাওনা দম লাওনা জীবানন্দগী মনাক্তা থাদবগা মখোং তিংথোক্কুনা কপ্পুনা লৈখ্রে । মতু উবদা জীবানন্দদু অতৈ ব্রা অমুক তাথবা তোদনা ফৈবেংনবা ব্রাহ্ম কয়ামরুম ঙাংবা হোৌবক্লে । অদুবু নিমাইগী অশাওবদি শুকনেম নেমদ্রে । নিমাইনা হোৌগৎখিদুনা স্বকুমারীগী শেৎনা-চানবা য়োম্বা ফীরোম, লিক-কোলগী উপু, শম পুন্নবা লং, শাম্নবা পোৎচৈশিংদু তুপ তুপ লাওনা জীবানন্দগী মমাংদা লংশিল্লক্লে । স্বকুমারীনা পুম্নমক্কু মথস্তা লোইশিনজরি । মহাক্না নিমাইদা ওনশিল্লদুনা “ইমা—কদাইদা চৎকদৌরিবনো ?” নিমাই অমুক থাঙবা ঙম-শিল্লক্করে । পরপ পরপ হোৎচিল্লক্কুনা মহাক স্বকুবু মথাম্বুংদা কোনথৎলগা কপ্লা কপ্লা অদুম্মক চৎখ্রে ।

---

## অহুমশুবা মতাং

পদচিহ্নদা অনৌবা লানবগ মনুংদা ঙসি নুংঙাইনা তিন্নররে মহেন্দ্র, কল্যানী, জীবানন্দ, শান্তি, নিমাইগী মপুরোইবা, সুকুমারী। ময়াম্মক থব্বাই ইনুং-নুংঙাইনৈ । শান্তিদি নবীনানন্দগী মীজোন্দা লাকই । কল্যানীবু মাগী থাংপোকশঙদা পুরকপা অহিংতুদা মহাক্না কল্যানীদা নবীনানন্দদি মুপীনি হায়বা ব্বারোলসি মপু-রোইবদা তাকথোকনু হায়না থিংখি । নেংমা কল্যানীনা মাবু মুপী নহাগী মনুংগী ইমুংদা চংঙক্লবা কৌই । নবীনানন্দ ইমুংতুদা চংঙকই । মীনাইশিংনা থিংবা-থোংপা মহাক করিমত থৌশাদে ।

শান্তিনা কল্যানীগী মনাক য়োরক্লবদা হংলকই, "ঐবু কৌরি-বদি করিগীনো ?"

ক । নিপা শাতুনা কয়া কুইনা লৈখিগে হায়বগে ? নশক উনবসু ফংদ্রে—ব্বা ঙাংনবসু ফংদ্রে । ঐগী ইপুরোহবদা নহাক্কী অওইবা শক্তম তাকথোক্লগনি ।

নবীনানন্দতু ব্রাখলগী ইপাক্না তাওরে, ফনা কুইনা ব্বা ঙাংদতুনা লৈরে । অতুদগী মমৈথংদা হায়রকই, "মতুম তৌরবদি য়ান্না অকায়বা লৈ কল্যানী !"

মবানিতু মসিগী মরমদা ব্বারি শারি । অসোমদনা, নবীনা-নন্দনা ইমুংদা চংলকপা মতমদা খিংখিবা মীনাইশিং অহুন, মহেন্দ্রগী মফমদা চত্তুনা, নবীনানন্দদি মথোইনা থিংবা য়াদনা নমতুনা ইমুং তান্না চংখ্রে হায়না তমলুরে । ঙকচানবা অমা পোক্তুনা মহেন্দ্রসু ইমুংদা চংলক্লে । কল্যানীগী তুক্ষম কা য়োরক্লবা মতমদা উরে, নবীনানন্দনা লময়াইদা লেপ্লতুনা লৈরি, অতুগা কল্যানীনা মঙকশম মপাদা খুং থিংজিল্লতুনা য়াম্থরিবা কৈ মউনগী কিশি অহু থোকপা লাক্লরি । মতু উবদা মহেন্দ্র ওন্থোক্লা ঙকলে, — ওন্থোক্লসু শাওনিংলে ।

মাবু উবদা নবীনানন্দনা নোক্লদুনা হায়বকই, "কবিনো গোঁসাই! মচা মশেনবু অস্থুক থাজনদবা ?"

মহেন্দ্রনা হায়রকই,—"ভবানন্দ ঠাকুরবু থাজবা য়াবা মীশক অমা ওইখিব্রা ?"

নবীনানন্দন মমিৎ লংখৎলদুনা হায়বকই, "কল্যানীনা ভবানন্দগী মশা পায়দুনা কৈ-নউন কক লৌথোকখিবা য়াওব্রা ?" অসি হায়না হায়না শান্তিন কল্যানীগী মখুত্তা কক শিক্লুনা কৈ মউলদু লৌথোকহল্লে।

ম। কৈদৌবরগে অদুবো ?

ন। ঐবু থাজদবদি যাই—অদুগা কল্যানীবু থাজবিবোইদবগী মরমদি করিনে ?

বাস মহেন্দ্রদ য়াম্না হুংনাইতবা অমা ওইনা থোক্লে। হায়বকই, "কদাই, ঐন কৈদা থাজদে হায়বরগে ?"

ন। নত্রব দ ঐগী হকচাং ইন্নদুন ইমুংদা চংলক্লিবদি কবিগীনো ?

ম। কল্যানীন হায়খিবা ব্র খবদং কৈ, অদুন চংলকপনি।

ন। অদু ওইরবদি মপান্দা অদুক লোকপিথো। ঐস্থু কল্যানীগা ব্র খবদং ঙাংনদবা লে। চংপরো চংপরো, ঐ হান্না অদুক ঙাংনথোকখগে। নংাক্লীদি নযুম্ন, ইতৎ তত্তনা উনবিবা য়াই, ঐদি অমুক্তসিফাও ওংখোকা ব্রানা লাকচবিবনি।

মহেন্দ্রদু ইপণ্ড পণ্ডংখ্রে। ভাব কবিমতা তাদ্রে। ব্রাঙাংশিং অসিদি মবাল লৈবা মনা ঙাংব ব্রাঙাং নত্তে। কল্যানীগী মতৌস্থু অঙকপনি। মহাকস্থু মবিল চুমত্রবী অমঙম্না চেনবা তৌদে, কিবা লৈতে, ইকাইবা পোক্তে—অহোইনদুম মোমোন মোমোন তৌবি। অদুগা কল্যানী অদুডে কবিমত নাচুংবা পোক্তবা উথাদা হু থকখিবী—মহাক্তুবু করম্ন মরিল চুমদবী ওইবমফম থোকপগে? মহেন্দ্রন অম্ভুম্না মণ্ডল মণ্ডল খল্লিডে তাল্লক্তা, লাইবকথিবী শাস্তিদু মহেন্দ্রগী অক্লাবা মতৌদু উবদা মোমোন

নোক্লুনা কল্যানীদা য়েংল্লুনা হুরান-মিংচিগী মিংয়েং অমা হেক তৌরুরে। মহুদা অসম্বপুম্বা পুমকোক কোকখ্রে, মহেন্দ্রনা উরে, মসিদি মুপীগী মিংয়েংনি। ইকাই-হঙ্গোই পুম্নমক লংথোক্লুনা মহেন্দ্রনা নবীনানন্দগী খদাংগী কোইহু পাক লাক্লুনা থংচিং-চিংলক্লে—মহুদদি অশেম্বা কোই পুম্নমক কেনখ্রে। খুদক্লুদা কল্যানীস্থু তাঞ্জা চারে হায়ল্লুনা কৈ মউলগী কিশিহু কোক লৌ-থোক্লে—কৈ মউলহুস্থ নাম্মখ্রে। ফাম্রবহুদা শাস্তিহু মরাই-লৈদা লুক্লুনা লৈখ্রে। মতমহুদা মহেন্দ্রনা হংলকই, "কনানো নহাক?"

শা। শ্রীমান নবীনানন্দ গোস্বামীনি।

ম। মহুদি লৌনম্বনি, নহাক মুপী নত্রা?

শা। হৌজিক্তি মহু ওইরে।

ম। অহুদি র্‌া অমা হংগে—নহাক মুপী ওইরগা মতমচুপ্পদা জীবানন্দ ঠাকুরগা লৈমিন্নরিবা করিগীনো?

শা। মহুগী র্‌াহুদি ঐ তাকথোক্লোই।

ম। নহাক মুপীনি হায়বদি জীবানন্দ ঠাকুরদি খঙব্রা?

শা। খঙই।

মসি তাবদা থম্মোই শেংলবা মহেন্দ্রহু মথর্‌াইদা ওন্থোক্লা মুংচাইতবা অমা পোক্লে।

মতৌসিদা কল্যানী অহু অমুক খাঙহুনা লৈবা ডম্মক্লে। হায়রকই, "মহাক অসি জীবানন্দ গোস্বামীগী লুহোংহুনা লৌবী মুপী শাস্তি দেবীনি।"

মিকুপমুক্তং মহেন্দ্রগী মাইথোংহু মকা লাম্মকই। অহুবু অম্না অমুক খঙলাং লাংশিনখ্রে। মতৌহু কল্যানী ভাব তারে, মহাক্না হায়রকই, "মহাকসি ব্রহ্মচারিনীনি।"

---

## মরিশুবা মতাং

অরাংথংবা-বাঙ্গালা মুসলমানশিংগী মখুত্তগী নাম্থোক্লে ; অদুবু য়াকমসি কনাগুম্বা মুসলমান অমত্তনা লৌদে—মশিংথাতমক চাংনা হায়, লুট তৌবা কাংবু থরা মওক হাইগংলক্লে,—লাকথগে থওগনি। অসুম্না মতম কয়া শাংনা লৈরমগবা মতুদি থংদ্রে । অদুবু মতম অসিদা ভগবানগী থৌশিল্লা ওয়ারেন হেষ্টীংসনা কলিকাতাগী গবর্নর জেনরেল ওইরে । ওয়ারেন হেষ্টীংসতি মশিংথাতমক চাওবা মী নত্তে—মহাক্না অদুম্বা মীতা ওইরম্লবদি ঙসি ভারত্তা ব্রিটিশকী লম করম্না লিংথংপা ঙম্লমগদগে ? থিন্দনমক মচাশিংবু লাকথুনবা মেজোর এডওয়ার্ডস (Major Edwards) কৌবা অতোপ্পা সেনাপতি অমা অনৌবা লান্মী পুরত্তুনা থুংলরে ।

এডওয়ার্ডসনা উরে, মসিদি ইউরোপলোমগী লানফমগুম্বা নত্তে । য়েক্লবশিংগী লান্মি লৈতে, নগর লৈতে, কোন্নুং লৈতে, লানবল লৈতে, অদুবু পুম্নমক মথোইগী মথাদা লৈ । ব্রিটিশকী লান্মীনা লানশও শাহুনা লৈবা নুমিত্তুদদি মফমদু ব্রিটিশকী মথাদা লৈ—অদুদগী ব্রিটিশকী লান্মীনা হেক চংখিবগা থংহৌদনা মাইকৈ মরিদগী "বন্দে মাতরম" হায়না ইশৈ শক্কংলকই । সাহেবনা থিবা ফংদে, কদোমদগীনো মথোইনা ককচেংগুম অহিং অহিংদা থোক্লক্কুনা, ইংরেজশিংনা লৌশিল্লবা খুলদু মৈ হেক থাদোকই নত্রগা ব্রিটিশকী লান্মী থরদমক থেংনরবদি খুদক্কুমক্তদা হাত্তোকই । মতুংদা অসুম হুমহুনা থিরকপদা সাহেবনা থওলক্লে, পদচিহ্নদা মখোইনা লানবল শাহুনা মথোইগী খুংস্থু খুংলাই অমস্নুং লনগৈ চেকশিল্লা থম্লি । মরম অসিদগী লানবলদু লৌশিনবনা চুম্মি হায়বসি মপুক্লিংদা লেপ্লে ।

লানজাবা থাহুনা মহাক্না মচা কয়ামুক পদচিহ্নদা লৈ হায়বসি থওদোক্লবা লাক্লরক্লে । মামা ফংবা পাও মতাহুনদি, লানবলদুদা

লান্দারুবসি অফবা থবক ওইগনি হায়বা উত্রে । অতুনা মপুক্লিংদা ঙক্লবা লৌশিং অমা তৌরগে থল্লক্লে ।

ব্লাকচিংগী পুর্নীম য়ৌশিল্লক্লে । মহাক্না লানশঙ শারিবত্তু-দগী ইথাপ-থাপ্পতা তুবেল মপান্দা মেলা অমা তৌগদৌরি । হন্দক্তি মেলাতু ফনা নিংথিনা চাওদৌরি । মেলাতুদ ইকোম কোম্না মী লাথমুক তিল্লি । হন্দক্তি বৈষ্ণবশিংনা নিংথৌ ওইরে, অতুনা বৈষ্ণবশিং মেলাতুদা লাক্তুনা য়াম্না ইবাং চাওনা থবক্তু মপুং ফাহন্ন-গনি হায়বা তারে । মরম অতুনা হেক নৈরিবা মচাপুম্বা পুর্নীমা লুমিৎসিদা মেলাদা পুল্লপ পুল্লবা য়ানা লৈ । মেজর এডওয়ার্ডসনা থল্লকই, পদচিহ্ন ঙাক্লিবা কাংবুশিংতুস্তু মেলাদা লাক্লব য়াই, অতু-নদি তাঞ্জাহুদা পদচিহ্ন তান্না চত্তুনা লানবলতু খুহুম চনগে ।

অস্তুম্না থল্লতুনা মেজরতুনা শন্দোক্লে মতুদি, মহাক মেলা তৌফমদা লান্দাগনি ; পুল্লপ পুম্না মফম অমতদা বৈষ্ণব ময়াম তিল্লবনিনা নোংমদা য়েক্লবা মাঙহন্নব শিনগনি, বৈষ্ণবশিংবু মেলা তৌহল্লোই ।

পাও অসি খুল্ল খুল খুদিংদ অস্তুম শন্দোবক্লে । মতু তাবদা মচাগী কাংবুদা য়াওবমখৈ খুংলাইগা কোম্নন মেলা ঙাকপা চেন্ন-রক্লে । মচা পুন্নমক তুরেল মপান্দা লাক্তুনা ব্লাকচিংগী পুর্নীমাদা তিল্লবে । মেজর সাহেবনা থনবা অতুম্মক থোক্লে । ইংরেজগী মরাইবক ফবনা মহেন্দ্রস্তু লান্দা থুবে । মহেন্দ্রস্তু পদচিহ্নগী লান-বলদা লাম্মী থরতমক থনম্নগা অয়াম্বা লাম্মী পুংনে মেলা তৌফম তাম্না লাক্লে ।

হায়রিবা ব্লাফমসি থোক্তিবৈগী মমাংদা জীবানন্দগা শান্তিগদি পদচিহ্নদগী চৎথোক্লক্লম্মি । মতমতুদদি লানগী মনা-মনিল অমত্তা থোক্লমদে, লান্দা মখোইগী মপুক্লংস্তু থিংজিল্লমদে । ব্লাকচিংগী পুর্নীমাদা, পূস্থ চেনবা লুমিত্তা, অফবা তাংফমদা অশেংবা ইশিংদা মথল্লাই থাদোক্তুনা ব্লাশক-কায়বগী-মহাপাপকী প্রায়শ্চিত তৌগনি

হায়বসি মত্যানিমক লেপ্পরম্মি। অদুবু লম্বীদা অস্তুম লাকপদা মথোইনা, মেলাদা তিল্লিব। মচাশিংগা ইংবেজগ লান্থেংনগদৌরি হায়বসি তারে। মতুদা জীবানন্দনা হায়রকই, "অদুদি লানফমদা থরাই থারুবসি, চৎসি।"

মথোই খোংকাপ য়াংনা লাক্লে। লম্বীদু মফম অমদা চিংতুম অমগী মথক লান্না চৎপা য়াওই। চিংতুমদু কাখৎলক্লবা মতমদা খোনা ফরবা মতৈ-মনাওনা উবক্লে—মথাক্তুদা থব থাপ্লপ ইংরেজ-শিংগী লানশঙ লৈবে। শান্তন হায়রকই, 'শিবগী রাদু ভক্তক থমথিসি—শোনসি 'বন্দে মাতরম'।"

—— ——

## মঙাশুবা মতাং

মতুং অদুদা মথোই অনি নাপচিক্লা রারোল থবা তাল্লরে, তাল্লবা লোইরগা জীবানন্দদু উমং অমদা চংতুনা লোংখ্রে। শান্তিনা অতোপ্পা উমং অমদা চংতুনা অঙকপা থোংদোক অমা তৌরক্লে।

শান্তিদু শিবা চৎপনি, অদুবু শিবা মতমদদি মুপীগী ফৌজেং শেত্তুনা শিগে হায়বসি মহাক থল্ল। মাগী নিপাগী ফৌজোন্দু লৌনম্মি হায়না মহেন্দ্রনা হায়খি। লৌনম শাজং চংনা চংনা শিগে থন্দে। মরম অদুনা মহাক্কী ফীয়োমদু পুরকই। মতুদা মাগী শেংন-চানবা য়াওরি। হৌজিক নবীনানন্দনা ফীয়োমদু থোক্তুনা ফীজোন হোংবা হৌরক্লে।

লংনা থিল্লবা চন্দোনগী মথক্তা কবোথাজ কোইরপ নমদুনা, মতমদুদা চংনবি ইপাক পাকপা থোইদ্রিং থোইদ্রাংবা চোমাই

খরনা মমাইদা য়াম্থরক্তুনা, শান্তিনা সারঙ্গ অমা পায়রগা বৈষ্ণবীগী ফীজোন্দা ইংরেজগী লানশঙদা ফাওরক্লে। মাবু উবদা মুরবা মকোই মরাং চোম্লবা সিপাইশিংত্থু মথুম মরাঙ হৌরক্লে। কনানা টপ্পা, কনানা গজল, কনানা শ্যামাগী মবম, কনানা কৃষ্ণগী মরমদা, অপাম অপাম্বা হায়ত্তুনা ইশৈ শকহল্লে। কনানা চেং পিরে, কনানা হবাই পিরে, কনানা অথুম-অহাও পিরে, কনানা পৈশা পিরে, কনানা সিকি অমা পিবস্থু য়াগবে। বৈষ্ণবীনা লানশঙ অত্থুগী ফীভম মমিৎমক্তা চংথোক্লা য়েংত্তুনা অসুম্মক কোইচৎ চৎলি-ৰৈত্তুদা সিপাইশিংনা হংঙকই, "বৈদৌঙৈ অমুক লাক্কনি ?" বৈষ্ণবীনা খুম্মকই, "হায়বা ঙমদে, ঐগী য়ুমদি য়াম্না থাপ্পি।" সিপাই-শিংনা হংঙকই. "কয়া য়াম্না থাপ্পিবা ?' বৈষ্ণবীনা হায়বকই, "ঐগী য়ুমদি পদচিহ্নদনি।" নুমিৎসিমক্তুদা মেজর সাহেবনা পদচিহ্নগী মবমদা পাও কন্না লৌবা লাক্লে হায়বসি সিপাই অমথক্তি খঙখি। মহাক্না বৈষ্ণবীবু কোরগা কাপ্তেন সাহেবকী মনাক তান্না পুত্থনা লাক্লে। সাহেবত্তুনা মাবু মেজর সাহেবকী মনাক্তা পুরক্লে। মেজর সাহেবকী মনাক য়ৌরবপদা বৈষ্ণবীনা নুংশি-মিনোক নোক্তুনা শুমংশনকপ ওইবা মিৎচি তেন্না সাহেবত্থুবু মকোক উরু উরু পৈহল্লগা, খঞ্জনীত্থু মখুৎনে খৎলত্তুনা ইশৈ শক্লক্লে—

'ম্লেচ্ছনিবহনিধনে কলয়সি করবালম্।"

সাহেবনা হংঙকই, "নংকী য়ুম কদাইতা ওই বিবি ?"

বিবিনা হায়বকই, "ঐ বিবি নত্তে, বৈষ্ণবীনি। য়ুম পদ-চিহ্নদনি।"

সাহেব। Where is that Adsin Padsin ? মহত্তা লানকী ফাল লৈরে ?

বৈষ্ণবীনা হায়রকই, ফাল হায়বা ? হোই হোই ফালবুদ্দি য়াম্না লৈ।"

সাহেব। ফাল নোত্তে— ফাল নোত্তে —ফাল—ফাল—

শান্তি। সাহেব, নংনা হায়রিববু ভাব তারে। লালগী ফাল হায়বদ লাংবল অসিরা ?

সাহেব। ইয়েস, ইয়েস, লানফাল। লানফাল।—লৈরে ?

শান্তি। লানবল লৈ—চাওরবা কিল্লানি।

সাহেব। মী কয়া শুরে ?

শান্তি। লানবলদবু মী কয়া লৈবা হৌনৈ। লিশিং নিফু ম্যাংখৈ মঙাইদনা।

সাহেব। নন্সেন্স ! লালফাল অমা মী লিশিং মোরি মোঙা লৈপা য়ারে। হুজিক লৈরে ? নত্রেগা চংখ্রে ?

শান্তি। কদাইদা অমুক চংকদগে ?

সাহেব। মেলাত'—নং মুমিং কয়া লাকপিরে ?

শান্তি। ঙরাং লাকপিবনি সাহেব।

সাহেব। ঙসি মংথোই চংপিবা ওইগনি নিংঙে।

শান্তিনা মপুক্কিংদা খল্লকই, "নপাগী শোরাং শোন্নবা পিগুবু ঐনা মলাংদ্রবদি, ঐহাক চন্দন থিনবগী কান্নদ্রে। লমহুইনা নকোক ঙস্তানা শাইরবত্ ঐ য়েংগদৌরিবনি।" ফোংনা হায়রকই, "সাহেব, মতু ওইরবস্তু য়াই সাহেব, ঙসি চংখিবস্তু ময়াই। অতুক মন্নুং হুনজিনবা পাওদি ঐ খঙদে, ঐদি বৈষ্ণবীনি, ইশৈ শক্লগা ভিক্ষা থর তৌতুনা চাজবনি, খোইনা মুমা খঙদে। য়া ঙাংমন্দুনা থনাংসি কংখ্রে, পৈশা পিরে—চংলগে। বকসিস চাওনা পিরবদি হংচিং লাক্কুনা পাও খঙহনবিরগে।"

সাহেবনা শ্রেং লাওনা লুপা ময়েক অমা লংথোরক্লগা হায়রকই,—"হাচিং ফত্রে বিবি !

শান্তিনা হায়রকই, "চংথোকউদ', বৈষ্ণবী হায়ু হায়রগা, করিগী বিবিনো ?"

এডওয়াডস । হংচিং কত্তে, ঙসি মুমিং ভারেগা ঐ পাও পান্মে ।

শান্তি । নোংমৈহু মোন-খাংনরগা য়ু থকচিন্দুনা ননাতোন্দা অচ-খাও হাপ্লগা নাঁখোক্কুনা তুম্মু । ঙসি ঐবু ক্রোশ তরা চৎপা—অমুক হল্লকপা—অতুগা পাও পিরবা ! করম্বা শকথি-বনোনে মসিবো !

এড । শকখিপা কনাবু হায়রে ?

শান্তি । অথোবা—অচৌবা জাঁদরেলবু ।

এড । Great General ঐ ওইরে—ক্লাইবকা মান্নরে। অতুবু ঐ ঙসি খবর পান্নে । চাম রুপা বকশিস পিনি ।

শান্তি । চামবু পিরবস্মু লিশিংবু পিরবস্মুবু ক্রোশ কুনদি কপলাকসিনা মতিক লৈতে ।

এড । শগোল তোংলো ।

শান্তি । শগোল তোংববু হৈরবদি ঐ নংগী কাংবুসিদা লাক্কুনা সারেঙ্গ খোংলগা ভিক্ষা তৌজরগদ্রা ?

এড । শাবলদা হাপ্লগা পুগেনি ।

শান্তি । তম্বাক্কা ফমহল্লগা পুদৌরিবা ? ঐবু ইকাইবা খঙদ্রবোই খনত্রা ?

এড । বেরা য়াম্ম তৌরে, চামডা রুপা পিনি ।

শান্তি । কনানা চৎকদৌরিবা, নং নশারা ?

সাহেব । অতুদগীদি খুদোনবী থিল্লহুনা মমাংদা লেপ্লিবা লিগুলে কৌবা নহা ওইরিবা এনসাইন অমবু উৎলগা মঙোন্দা হায়রকই, "লিগুলে, নং চৎকে ?" লিগুলেনা শান্তিগী মশক মতৌ নিংথিবহু উবদা হায়রকই, "হরাওবগা লোইননা ।"

অতুদগী চাওরবা আরবী শগোল অমা শেম-শাতুনা পুশিল-লক্লগা লিগুলেস্মু শেম শারে । শান্তিবু পল্লগা শগোলথক্কা থাঙ্গৎকে তৌরকই । মতুদা শান্তিনা হায়রকই, "চরোদহাই, অস্তুক য়াম্বা

মীগী মমাংদা ? ঐবু ইকাইবা হায়বত্থু পক্তবনে, থরা চংখো, লানশঙশিংসি লাম্থোকথিসি ।"

লিগুলেনা শগোলথক্তা তোংলে । শগোলথু তপ্পা তপ্পা চংহল্লক্লে । শান্তিনা তুংদা মখোংনা ইম্নবক্লে । অস্থুম্না মখোই লানশংথু লাম্থোরক্লে ।

লানশঙ লাম্থোবক্লগা লমহাং য়ৌবক্লথুনা শান্তিনা লিগুলেগী মখোং মথক্তা মখোংথু নেত্থুনা ফল লাওন শগোলথক্ত চোংখংলে । লিগুলেনা নোক্লথুনা হায়রকই, 'নং শগোল তোংবা য়াম্না হৈবে।"

শান্তিনা হায়বকই, "ঐখোইদি শগোল তোংবদা য়াম্ন হৈখ্রবীনি, নংন তেংমিন্নংসি ইবু ইকাই । চবোদা ! থুনেং নেত্থুনা শগোল তোংলিবসবু ইবাইত্রা ?"

মসি তাবদা লিগুলেনা মগুন উংনিংথুন খুনেংতগী মখোংথু শংত্তোক্লে । তাঞ্জাসিমক্তদা শান্তনা পঙলব হংরেজ মঙক লাক্তুনা শগোলথক্তগী ইম্থখ্রে । অত্থুদগী মহাক্না ফমফম চানা শাবলথক্তা ফম্লগা শগোল মবুক্তা থুকউনা থীন্দুনা মুংশিংমুক য়াংনা আরবীথু থোরক্লে । শান্তিদি চহি মরি চুপ্পা মচাশিংগী লাম্নীগা তোংথুনা লৈরকপনা শগোল তোংবস্থু হৈ । মথুবু হৈত্রবদি জীবানন্দগা লৈমিন্নবা করম্না ওম্ফম থোকপগে ? লিগুলেথু মখোং তেক্তুনা লৈমাইথক্তা ওন্দুনা লৈবে । শান্তি থুংশিংকুম শগোল থৌবক্লে ।

জীবানন্দ লোত্থুনা লৈরিবা উমংথু তান্না লাক্তুনা শান্তিনা পাও পুম্বা জীবানন্দদা তম্নবে । জীবানন্দগা হায়বকই, "অত্থুদি ঐ বিন্দনমক চত্থুনা মহেন্দ্রবু খঙহন্লুগে । নহাক মেলাদা চত্থুনা সত্যানন্দদা পাওসি তাকলু । পাওসি প্রভূনা থুনা ফংনবা নহাক শগোল তোংখো ।" অত্থুদগীদি মখোই অনিথু মাইকৈ তনিদা চেন্নরক্লে । হায়রক্তুনবু থোইনা কান্নদে, শান্তিথু অমুক হন্না নবীনানন্দ ওনখ্রে ।

# তরুকশুবা মতাং

এডওয়ার্ডসতি থাঙ্গৈশেংবা ইংরেজনি। লমখাঙ লমখাঙদা য়াগী মী থম্মি। খিন্দনমক মঙোন্দা, বৈষ্ণবীহুনা লিগুলে সা-হেবপু ইন্থ্রম্নগা মথন্তা শগোল তোংহুনা কদাইদনো চংখ্রে হায়রবা পাওসি য়ৌরক্লে। মহু হেক তাবদা এডওয়ার্ডসনা হায়রকই, "An imp of satan strike tents."

অহুদগীদি দোং দাং তোক তাক হায়হুনা তাম্বুগী মখোংসিংহু শীংজংনা য়াম্থরক্লে। নোংন শেম্বা অমরাবতীগুম ফীগী নগরহু মাঙখ্রে। মাল-গাড়ীদা পোংচৈ হাপকৎলে। মীশিংনা শগোল-থক্তা নত্রগা খোঙনা চংনরক্লে। হিন্দু, মুসলমান, মাদ্রাজী, গোরা পুম্নমক মরেংবন্দা নোংমৈ খোংহুনা কোদ্রোক কোদ্রোক খোঙ থাংনরক্লে। তোপকী গাড়ীনা গোদ্রোং গোদ্রোং হায়বা খোম্থাংগা লোইননা চংলক্লে।

অসোমদা মহেন্দ্রনা মচাগী লান্মিশিং পুবহুনা মেলাগী মাইকৈ-রোমদা খোংশাল্লক্লে। মুমক্তুগী মুমিদাংতাই য়োবকপদা মহাক্না মুমিদাং য়োশিল্লক্লবনিনা লানশঙ শেমহুনা পোথাবনা ফরে হায়না থল্লকই।

লানশঙ শেম্বনা চুম্নে হায়নদি থল্লি, অহুবু বৈষ্ণবশিংগীদি তাম্বু লৈতে; উথাদা থৌরিফাদা নত্রগা কাম্থ থাহুন পোথানবহু মঙাই। হরিগী চরনামৃত থরদং থক্লগা অহিং লেল্লি। মতুংদা অরাম-থৌরাংবগী মৈশা থরা লাংবহু, মমঙদা থৌরানী বৈষ্ণবীগী অধরামৃত থকচহুনা কোকচৈ। লানশঙ শেম্নবা জুগোং চাবা মফম অমা মনাক অহুরাইদা য়েংনরে। চাওরবা হৈকোলন— হৈনৌ, থেবোং, মঙ্গে, হৈতুপনচিংবা হৌরি। মহেন্দ্রনা য়াথং পিরকই, "মফমসিদা পোথাকম লানশঙ শেম্নু।" মহুগী মনাকমক্তদা চিংহুম অমা লৈ, মহু য়াম্না ঙম্মী। মথক্তুদা লানশঙ শেম্বনা

কগনি হায়বসি মহেন্দ্রনা অমুক থল্লকই। অতুনা মকমতু অমুক্তং চত্নুনা য়েংখোকউগে হায়না নিংলক্লে।

মসি থল্লহুনা মহেন্দ্রনা শগোল তাংথত্নুনা তপ্না তপ্না চিংতুম অহুদা কাথংলক্লে। মহাক্ন থরদং কাথংখ্রবদ মহা ওইরিবা বৈষ্ণব অমথক লাম্নীশিং অতুগী মরক্তা চংলক্লগা হায়রকই, "চংসি, চিংদোন তান্না কারসি।" মনাক অতুরাইদা লৈরম্বা কাংবুতুন: ঙক্লহুনা হংঙকই, "করিগীনা?"

বৈষ্ণবতুনা লৈতোং অমগী মথক্তা কাথংলগা লেপ্লতুনা হায়রকই, "চংসি চংলে, থাবল ফরবা অহিংসিদা চিংদোন্দা নৌনা খোংদারকপা বসন্তগী সুংশিরবা লৈনম নম্ন-নম্ন ঙসি এখোই য়েক্লবগা লাম্থেংনবদা তারে।" মচাশিংনা থঙনরক্লে, হায়রিবা মীতু সেনাপতি জীবানন্দনি। অতুদগীদি 'হরে মুরারে' হায়না হৌনা লাওরতুনা হেক লৈরিবা মচাগী লান্মি পুম্নমক্তু তা-দা শৌরতুনা চপ-চপ লেপথংনরক্লে, অতুগা জীবানন্দগী য়াথং তুংইন্না য়াম্না থুনা চিংদোন তন্না কাথংনরক্লে। নিপা অমথক্লা নিংথিনা শেম-শারবা শগোল অমা পুশিল্লক্তুনা জীবানন্দদা পিররে। তৌরিবা মতৌসি অথাপ্লদগী মহেন্দ্রনা উবদা পুমঙক ঙকখ্রে-। মহাক্লা থল্লকই করি মতৌনো? এগী ইন্না তাদনা মথোইনা কারক্লিবসি করিগীনো?

অসি থল্লহুনা মহেন্দ্রনা শগোল মমাই লৈরক্তুনা শাজে থাবনা উফুল য়া য়া হৌহন্দুনা চিংথক্তগী কুমথরক্লে। মচাগী লান্মি-শিংবু লমজিংলক্লিবা জীবানন্দগা উনরতুনা হংঙকই, — "করম্বা সুংঙাইবা মওংনো মসিনা অমুক?"

জীবানন্দনা নোক্লহুনা হায়রকই, "ঙসিদি য়াম্না সুংঙাইবা সুমিংনি। চিংতুমসিগী নাকল অমরোমসিদা এডবার্ডস সাহেব লৈরে। চিংদোন হান্না য়োহৌবা কাংবুতুনা মাই পাক্লগদবনি।"

অদুদগী জীবানন্দনা মচাগী লান্মিশিংদু য়েংলদুনা লাওরকই,

"মখোই খঙলেদনা ? ঐহাক জীবানন্দ গোস্বামীনি। য়েক্সবা লিশিং লিশিং মথন্নাই লৌরক্লবনি।"

মদু ভাবদা উমং-লমহাং পুম্বদু হৌনা নিলহন্নদুনা মন্নাম্মক লাওরক্লে, "খঙই ঐখোই। নহাক জীবানন্দ গোস্বামীনি।"

জীবা। শোল্লু "হরে মুরারে!"

লমহাং-উমং শীন্না খোঞ্জেল লিশিং লিশিংনা ভংলক্লে, "হরে মুরারে!"

জীব। চিংদুম অসিগী নাকল হেক য়াংমদা য়েক্সবা লৈরে। ভসিমক চিংদোনসিদা অশংবা-ফজোন-শেংপী অহিং লৈরিঙৈদা মচাপুম্বা লাল শোক্লরগদবনি। খিস্থরগম্নু, চিংদোন য়ৌবা হানবদুনা মাই পাক্লগদবনি। হায়ম্নু, "বন্দে মাতরম!"

মদু ভাবদা উমং লমহাংদু নিলহন্না ইশৈ শক্লক্লে, "বন্দে মাতরম!" লিরি লিরি মচাগী লান্মীশিংদু চিংদোনতম্না কাখৎলক্লে; অদুবু মখোইনা খংহৌদনা মিপাইবগা লোয়ননা উরক্লে, মহেন্দ্র সিংহনা য়াম্না ফিংনা-চিংদোনলোমদগী কুমথ-কুমথনা শিঙ্গা খোংলক্লি। হায়না হায়না চিংদোন্দা শংবাল্লবা অতিয়া লাইয়ুমদা তোপশিংগা কোম্নুনা ইংরেজগী খুৎলাই পায়বা লান্মীশিং মশক উরক্লে। খোঞ্জেল য়াংনা বৈষ্ণবকী লান্মীশিংনা শক্লৎলক্লে—

"তুমি বিদ্য তুমি ভক্তি,
তুমি মা বাহুতে শক্তি,
ত্বং হি প্রাণাঃ শরীরে।"

অদুবু ইংরেজগী তোপশিংগী গুড়ুম গুড়ুম গুম হায়বা খোঞ্জেলদা চংখোল্লবা ইশৈস্নু লুপখ্রে। মচা চাম চাম শোকপা শিবা য়াওদুনা খুৎস্নু খুৎলাইগা কোম্নুনা চিংমাইদুদা তুথরক্লে। অমুকস্নু হন্না গুড়ুম গুড়ুম হায়দুনা দধীচিগী শরুবু খৌশাদনা,

সমুদ্রগী ইথক-ইচাওবু থৌওইদনা ইংরেজগী বল্লনা পাইথরক্লে। লৌমীগী থাজোল য়য়াদা মুল্লবা ফৌ পাম্বীনা তুমশিল্লকপগুম মচাগী লাম্মীশিংছু মচোই মচোই তাত্থনা লৈমাইথক্তা ওস্থরক্লে। অরেম্বদা জীবানন্দগা মহেন্দ্রগা ঙমজবমথৈ কয়া মাইয়োক্লনবা লাক্লরকই। ওস্থরক্লবা মুংতুম ময়ামগুম মচাগী লাম্মী শিং চিংথকলোমদগী মমাই লৈনরক্লে। কনানা কদোমদা চেনখিবা, থডনবা লৈত্রে। মতমত্থদা কুল্লবা খোল্লাওগী "হুররে" হায়বা খোম্থাংতমক তাশিল্লক্লে। ময়াম্মক্তু তুমহন্নবা "হুররে" হায়ব খোল্লাও লাউর লাউরত্থনা গোরাগী পল্টনত্থ চিংদোন্দগী কুমথরক্লে। সঙ্গীল চীংলত্থনা য়াক্লা য়াংনা চিংদগী ইহৌরকপা পাক্লবা লাইজগী ঈশিং-চাইবিগুম লাকঙম-ফাঙমদ্রবা মশীং-লাকঙমদ্রবা পাবিনিঙাই লৈত্রবা বৃটিশকী লাম্মীশিংনা তুংহন্না চেল্লক্লবা মচাগী লাম্মীশিংবু তাম্নরক্লে। জীবানন্দনা অমুক্তং মহেন্দ্রগা উনবা ফংলত্থনা হায়রকই, "ঙসি অরোইবনি, লাক্লো, মকমসিদা শিরসি।"

মহেন্দ্রনা হায়রকই, "শিরগা লাল ঙমগদবা লৈরবদি শিদোক্লগদবনি, অরেম্বদা শিবদি অথোবগী ধর্ম্ম নত্তে।"

জীব। ঐদি অরেম্বদা শিরগনি। অত্থবু লাল শোক্ল শোক্লনা শিগনি।

অত্থদগী মতুং ওস্থোক্লক্তুনা খোঞ্জেল য়াংনা জীবানন্দনা লাও-রকই, "কনা কনানে হরিনাম শোম্ন-শোম্ন শিনিংবা য়াঙরবদি, ঐগী ইতুং ইল্লকউ।"

অয়াম্বনা হোৎচিন্নরক্লে। জীবানন্দনা হায়রকই, "তরাই তরাইনদি নত্তে। হরিবু সাক্ষী থমত্থনা য়াশকউ, থরাই লৈরিব-মথৈ মাই ওন্নরোই হায়না।"

মাং থাব্রকপশিংত্থ ঙম্না তুংহন্নখ্রে। জীবানন্দনা হায়রকই, "কনা অমত্তা লাক্লেদনা, অত্থদি ঐ ইথস্তমক চংলগে।"

থাইহনা চেম্নরক্লে, গোরাশিংসু সঙ্গীন চীংনা চীংনা লানশঙলোমদা তুংহন্দুনা চেম্লক্লে। মহেন্দ্রনা কোইরৈ লৈত্তনা য়েংভকপদা, চিং- দোন্দা মশীং লাকঙমত্রবা মচাগী লান্মী উরক্লে। মখোইহুনা অকনবা মখোনাগা লোষ্টননা চিংমাইদা হাইথরক্কুনা ইংবেজগী লাম্মীবু তকথাইরক্লে। মতু উবদা মহাক্না মচাশিংবু য়েংলতুনা লাওরকই, "মচা পুম্নমক! য়েংউ অসে, চিংদোন্দা প্রভু সত্যানন্দগী ফিরাল উরে। ঙসিদি মুরারি মধু কৈটভ নৈহংপা কংসকেশি মাংহনবা মশামক্লা লানকমদা থোংদারক্লে—মচা লক্ষানা চিংদোন্দা লৈরে। শোন্নু 'হরে মুরারে! হরে মুরারে!' হোগংল্লু, মুসলমানশিংবু নোইহংল্লু। মচা লক্ষা অম চিংদোন্দা লৈরে।"

মতু তাবদা "হরে মুরারে' হায়বা হোরবা থোন্থাংনা লমহাং উমং পুমনিল নিল্লক্লে। মচা পুম্নমক ম ভৈঃ মা ভৈঃ হায়না লাও- রতুনা নিংথরবা তলগা থোংলোইনরবা খুংলাইগী মখোল থোক- হন্দুনা মী পুম্নমকপু শুনহংলক্লে। অনৌবা থৌনাগা মহেন্দ্রগী লান্মীশিংতু চিংথক তম্না কাখংলক্লে। মুংপাক্ন থিংতুনা হরৈ হল্লবা ইফুংকুম নিংখোগী লান্মীশিংতু মুংবংননা ঙক্লা কিন লৈখ্রে। মতম অতুদা মচাগী লান্মী লিশিং কুনমঙা পুরতুনা সত্যানন্দ ব্রহ্ম- চারীনা চিংদোন্দগী পাক্লবা ইশিং চাইবীগুম মখোইগী মথক্তা শরা শম্না ফুজিল্লক্লে। অকিবা ফংনা লাল থেংনরক্লে।

পাক-চাওরবা মুংজাও অনিনা থেঙ্গাইনরকপদা পিক্লবা হয়িং চপথাইতুনা তুমখিবগুম, মচাগী লান্মী কাংবু অানননা তকশিন্নক- পতুদা চাওরবা নিংথৌ লান্মীশিংতু পুংতুম তুমখ্রে।

ওয়ারেন হেষ্টিংসকী মফমদা পাও স খঙহল্লুনব মী ফাওবা লৈখিদ্রে।

---

জীবানন্দনা শগোল মথক্তা লেপখৎলতুনা য়াম্না থাপ্না মতুংদা লৈশ্রবা মহেন্দ্রবু কৌরতুনা হায়রকই, "মরূপ, নবীনানন্দদস্থ তাক-পিয়ু, ঐহাক্তি চংলে, মখংগী লাডোন্দা উনরসি হায়না।"

অসি হায়রম্নগা অথোবতু য়োংকী নোংলক্তা য়াংনা শগোল থৌজিল্লক্লে মখুং ওইদা ত, য়েক্তা নোংমৈ, মচিন্দন হরে মুরারে! হরে মুরারে! হরে মুরারে! লাল থেংনবা ফংগনি উদে। লিংজেলসিগী করিস্থু মহৈ চাকম লৈতে। অতুমকপু হরে মুরারে! হরে মুরারে! শোঙ্গ-শোম্ন জীবানন্দতু য়েক্কবগী ব্যূহ মন্নুংদা চংলক্লে।

মমাই লৈতুনা চেল্লক্লবা মচাশিংবু মহেন্দ্রনা কৌরতুনা হায়-রকই, "য়েংউ, নখোই ভমৃক্তং নমাই লৈথোরক্তুনা জীবানন্দ গোঁসাইবু য়েংউ। য়েংবন্দি শিরোই।"

মসি তাবদা মচা কয়ামরুম মমাই লৈতুনা জীবানন্দগী তাইবং মীনা ভম্ফম থোক্তুবা মথোনা অতু য়েংলক্লে। অহানবদা পুমডক ভকই, অতুগা মখোই হায়নরকই, 'জীবানন্দনা শিবাদ ভম্নগা ঐখোইদি করিগী ভম্নেই? চংসি চংলো, জীবানন্দগা লোইননা বৈকুণ্ঠদা চংসি।"

ব্রা অসি তাবদা মচা খরা অমুক হল্লক্লে। মখোইবু উবদা অতৈ খরা অমস্থু হল্লক্লে। অস্তুম্না ময়াম্মক ইরাং লাংনরক্লে। জীবানন্দদি মতমথুদা য়েক্কবগী ব্যূহ মন্নুং চংখ্রে। মচা অমতা মাগী মশক উবা ফংখিদ্রে।

অসোমদনা লানফম শানথুংনা লৈরবা মচাশিংতুনা মচা খরদি অমুক মমাই লৈশিনথরে হায়বাস উরক্লে। ময়াম্মক্তু মচাশিং মাইপাক্লমাল্লে হায়না খন্নরক্লে, অতুদগীদি মচাগী লাম্নীপুন্বতু হাংলো হাংলো হায়না লাওরতুনা অমুক ওনশিন্দুনা ইংরেজ লাম্নীগী মথক্তা লান্দরক্লে।

অসোমদা অমুক ইংরেজ লাম্নীগী মরক্তা কাং-থোং চাইবা অমা থোক্লক্লে। লাম্নীশিংতু লালগী রাথল ভোক্তুনা শমজি

# তরেৎশুবা মতাং

পুর্নীমাগী অহিংনি ।—অকিবা ফংলবা লানফমতু হৌজিক পুমচিক চিকখ্রে । শগোলগী ক্রোক ক্রাক, নোংমৈগী দোংদাং তোপকী গুরুম গুরুম—মাইকৈ শীন্না মৈথুগী মপৈ, করিমতা অতুক লৈখিদ্রে । কনামতা হুবরে লাওদ্রে, কনামতা হরিধ্বনি তৌদ্রে । মখোল থোক্লিবা হায়ববু—সমহুই, হুই, লংজাতা মঙাইরে। অতুগী মথক্তা অশোক-অনাগী ডহাক ডহাক নাহেখোন কনানা মখুৎ তৎলে, কনানা মকোক কাইরে, কনা অমন মখোং তেক্লে, কনানা অমুক মথবাক লেংকাৎখ্রে, কনা অমনা কৌরক্লি ইমা । কনানা ইশিং কৌরি, কনা অমনা অশিববু কৌরি । বাঙ্গালী, হিন্দুস্থানী, ইংরেজ, মুসলমান পুমতোৎ তোৎনখ্রে, অহিংবা, অশিবা, মী, শগোল ইয়েৎ য়েৎনতুনা কুক কুক ইন্ননা তারি । রাকচিংগী পুনিমা অহিংগী শাথীনা ইংলবা লংলবা থাবলতুদা লানফমতু অকিবা শক্তম অমা ওইখ্রে । মফমতুদা কিবনা কনাসু লাকপা ডম্নদ্রে ।

কিবন' কনাসু লাকপা ডম্নদ্রে, অতুবু থেংলবা অহিংনা মুপী অমথক্তি চৎডৎদ্রবা লানফমতুদা কোইচৎ চৎল । মৈরা অমা পায়রতু অশিবশিং অতুগী মরক্তা মহাক করিনো অমা থিরি । অসিবা মী খুদিংমক্কী মমাই ময়াদা মৈরাতু পুশিন্দুনা য়েংলগা অমুক অতোপ্পা অশিব অমগী মনাক্তা মৈরাতু পুরি । করিগুম্বা মফমদা অশিবা মী অম শগোল অশিবা তমনা নন্দুনা লৈরম্বদা মুপী অতুনা মৈরাতু লৈপাক্তা থম্লগা, শগোলতু মখুৎ অনিনা ইস্থোক্কুনা মীগী মশাতু চিংথোক্লি । অতুদগী মানা থিরিবা মীশক্কু নৎলমদ্রবতুদা মৈরাতু পাইথক্কুনা অমুক অতোপ্পা মকম অমদা চৎলি । অম্নুম্না থির-থিরতুনা মুপীতু লমহাং কোইথুং

থুংলক্লে—অদুবু মানা খিরিবদুদি শুকথেং থেংনদ্রে। অদুদগীদি মৈরাদু লংথোক্লগা, অশিবনা থল্লবা ইঙাক্তা ঙাইরবা লৈমাইথক্তু দা ওল্লদুনা কপ্পা হৌরক্লে। মুপী অসি শান্তিনি, জীবানন্দগী মশা খিরক্লিবনি।

শান্তিনা লৈমাইদা ওল্লদুনা লৈরিঙৈ তাপ্পাদুদা মুংশিরবা, মেংলবা অন্নাবগা ইরোয়নবা খোঞ্জেল অমা মহাক তাবা ফংলক্লে। কনাগুম্বা অমনা হায়বগুম তৌরি, "হৌগৎলু ইমা! কপকনু।" শান্তিনা লৈথক্তুনা য়েংলকপদা উরে, ওক্লবা শক্তমগী চাওরবা জটাপুবা মহাপুরুষ অমা।

শান্তি হৌগত্তুনা লেপ্লে। লাক্লিবা অদুনা হায়রকই, কপ-কনু ইমা! জীবানন্দগী মশাদু ঐ থিদুনা পিগে, নহাক ঐগী ইতুং ইল্লকউ।"

অদুদগীদি নিপাদুনা শান্তিবু লানফমগী ময়াই তাপ্পা পুদুনা লাক্লে, মফমদুদি মশিং লাকঙমদ্রবা অশিবা মশানা ননশিন্নদুনা তাদুনা লৈরি। ময়ামদু শান্তিনা লোইনমক চিংথোকপা ঙমখিদে। অশিবা ময়ামদু চিংথোক্লগা কল্লবা নিপাদুনা অশিবা অমা পুথোরক্লে। শান্তিনা খঙলে, মদু জীবানন্দগী মশানি। মশাপুম্বা শাথীনা শোক্লে, ঈহিং-নাহিংনা শারে। শান্তিদু চম্লবী মুপীমচা অমগুম্না খোঞ্জেল ঋাংনা কপ্লক্লে।

নিপাদুনা অমুক হায়রকই, "কপকনু ইমা! জীবানন্দবু শিরবরা? পুক্লিং তপথনা মাগী মশাদু অমুক্তা য়েংথো। হান্না মিহুল অদুক য়েংখো।"

শান্তিনা অশিবা মশাদুগী মিহুন পায়দুনা য়েংলক্লে, করিমতা ছুনদ্রে। নিপাদুনা হায়রকই, "মথবাক্তা নখুৎ থমদুনা য়েংউ।"

থম্মোম্বী মপাদুদা শান্তিনা খুৎ থমদুনা য়েংঙকই, করিমতা চোংদ্রে, পুমইং ব্রে।

নিপাতুনা অমুক হায়রকই, "মনাতোন মপাদা খুং থমতুনা য়েংউ—মুংশাস্বর থজিক্কুং হোনব্রা ?"

শান্তিনা উরে, করিমত্তা হোন্দ্রে ।

নিপাতুনা হায়রকই, "তমুক্কা মচিন মমুংদা নখুদোনবীতু থিংজিন্নগা অশাবা থজিক্কুং ফাংবিব্রা য়েংউ ।"

শান্তিনা মখুদোনবী থিংজিন্দুনা য়েংলগা হায়রকই, "মতু থঙবা ঙমদ্রে ।" শান্তিদি ব্রাখল চনম্মখ্রে ।

মহাপুরুষতুনা মখুং ওইনা জীবানন্দগী মশাতু পায়তুনা য়েংলক্লে । অতুদগী হায়রকই, "নহাক মুংশাখিবনা চময়রে । অতুনা নহাক ভাব তাদ্রে—হকচাংসি হৌজককাওবা মনিন থবা লৈরিবগুম তৌই । অমুক্কুংগা হয় য়েংউ ।"

অতু তাবদা শান্তিনা অমুক মিহুন য়েংলকপদা য়াম্না পিক্না হুনবা থেংনরে । ঙক্লতুন থম্বোম্বদা মখুং থমতুনা য়েংলে—থজিক্কুং চোংবা ফাওরে । মনাতোন মপাদ খুদোনবী থম্লে—হাইফেৎ স্বর হোনবা ফাওরে । য়াম্নুংদসু মৈশা হাঃফেতুং থেংনরে । শান্তিনা ঙক্লতুনা হংঙকই, "শিবমন্দ্রিবনে ? নত্রগা অমুক হিংগংলক্লিবরা ?"

নিপাতুনা হায়রকই, "করম্না হিংগংলকপা য়াগদগে ! নহাক মহাকপু পুখ্রি তাম্না পুরকপা ঙমগদ্রা ? ঐহাক মাইবানি, ঐ অতুক লাইয়েংতুনা য়েংগে ।"

শান্তিনা ইকোম-কোম্না জীবানন্দবু পমথংলগা পুখ্রি তাম্না পুরক্লে । মাইবতুনা হায়রকই, "নহাক মাবু পুখ্রিদা পুথতুনা ঈ পুম্বতু শেংনা চামথোকলু । ঐহাক হিদাক শেমতুনা পুবক্লে ।"

শান্তিনা জীবানন্দবু পুখ্রিদা পুথতুনা ঈ পুম্বা চামথোক্লে । অতুদগী মাইবতুনা উরক্কী উরি-ম্নারিনা হিদাক শেম্নতুনা পুবক্লগা অশোকপা মকমশিংতু তৈররে, অতুগা হম্না হম্না জীবানন্দগী মশাদা নাম্নক্লে । মমৈথংদা জীবানন্দতু স্বরমপী অমা শাংনা হোল্লগা

হৌগৎতুনা ফম্লক্লে। শান্তিবু মুন্না য়েংলগা হংলকই, "কনানা লাল ঙমখ্রে ?"

শান্তিনা হায়রকই, 'নখোইনা ঙম্লে। মহাত্মাসিবু খুরুম্মু।"

অতুদগী মবানিমক উবক্লে, কনামতা মফমতুদা লৈত্রে। কনাদনে' খুরুম্নগদবা ?

ইনক নক্লা লাল ঙম্নবা মচাগী লান্মিশিংহু য়াম্না নিল-খোংবা তারি, অতুবু শান্তিনা জীবানন্দগা দি ফমফমতুদগী হৌগত্রে—পুর্ন-মাগী থাবলতুদা লংলবা পুখ্রিগী সিড়িহুদা অতুম্মক ফমতুনা লৈরে। জীবানন্দগী মশাহু হিদাক্কী মগুন্না য়াম্না থুনা তেকখৎলক্লে। মহাক্লা হায়বকই, "শান্তি ! মাইবসিগী হিদাকসি ওন্থোক্লা মগুণ চেনখ্রে। ঐগী ইশাসি হৌজিক করিমতা অনাবা অমদি মুংঙাই-তবা লৈত্রে—কদাইদা চৎসি হায়বগে চংলো ! অসে, মচাগী লান্মিশিংনা লানঙম্বগী হরাও তয়াম তৌবগী মখোল তারক্লে।"

শান্তিনা হায়রকই, "মফম অসিদা অমুক চংলম্নুসি। ইমাগী থবক পাংথোক্লে। লৈবাক সি হৌজিক মচাশিংগী ওইরে। ঐখোইদি লৈবাক মিহৌবা নত্তে, হৌজিক করিগী অমুক চৎলুখিনি ?"

জীব। মুন্দুনা লৌরিবসি, পাম্বোম্না ঙাকপা তাই।

শ। ঙাক্লনবা মহেন্দ্র লৈরি, সত্যানন্দ মশামক লৈরি। নহাক প্রায়শ্চিত তৌনা মচাগী ধর্ম্মগী দমক নথন্নাই কংলুরে। নৌনা অমুক ফংলবা হকচাংসিদা মচাগী হক অমুক লৈত্রে। ঐখোই মচা ওইবগী লম্বেলদা অশিবা ওইরবনি। হৌজিক ঐখোইবু উবদা মচাশিংনা হায়নরগনি, জীবানন্দস লালগী মতমদদি প্রায়-শ্চিত তৌবা কিতুনা লোৎলুরগা', মায় পাক্লবা মতমসিদা লৈবাক শরুক য়াবা লাক্লে হায়না।

জীব। করি য়ানো হায়রিবতুবো শান্তি ! মীনা ঙাংনবা কিতুনা ইথৌ থাদোক্কদরা ? ঐগী ইথৌদি ইমাবু সেবা তৌবনি, হায়নিংবনথৈ হায়জসম্নু, ঈহাক ইমাগী সেবা অতুম্মক তৌগনি।

শা। মহু নহাক অমুক তৌকম থোক্লে—মরমদি, নংগী নশাহু ইমাগী সেবাগীদমক্তা থাদোকলুরবনি। অমুক হন্না ইমাগী সেবাদা চংলবদি নহাক্কা তৌরুরিবা প্রায়শ্চিত্ত করি ওইরে? ইমাগী সেবাদা লৌনম্মুবনা প্রায়শ্চিত অসি তৌথিবগী মরুনি। নত্রবদি করিস্থু লৈত্রবা থম্নাইসি থাদোকপনবু করম্না অতৌবা থবক ওইকম থোকপগে?

জীব। শান্তি! নংতনি মরু হুন্নিনবা ব্রাকম থওলিবা। ঐ ঐগী প্রায়শ্চিত অসি মপুং ফাহন্দবদি তৌররোই, ঐগী মুংঙাই-জবদি মচাগী ধর্ম্মদনি—মুংঙাইবন্থদগী ঐহাক ইশা নাম্থোক্লবা তৌ-রগনি। অদুবু চংকদবসি কদাইদনো? ইমাগী সেবা থাদোক্লগা য়ুমদা চংপনদি মুংঙাইবা ফংগদবা লৈত্রে।

শা। ঐনা মহুম তৌসি হায়রিব্রা? ঐখোই হৌজিক অমুক য়ুম্মানবা মীশক নত্তে; অমুম্মা ইবানিমক সন্ন্যাসী ওইর-গদনি—পুন্সিচুপ্পা ব্রহ্মচর্য্য ঙাক্লগদবনি। চংসি, হৌজিক ঐখোই লৈপাক কোইচং চত্তুনা তীর্থদর্শন তৌরুবসি।

জীব। অদুদগীদি?

শা। অদুদগীদি হিমালয় মথক্তা থাংপোকশঙ শাহনা ঐখোই অনিমক ঈশ্বর নিংতুনা লৈগনি—ইমাগী মঙ্গল ওইনবা বরন্থতা নিজগনি।

অসি হায়রগা মবানিমক হৌগত্তুনা মথুং শম্নরগা থাবল ফরবা অহিংত্থদা অদুম্মক মাঙখ্রে।

ওম্থোকপনি! অমুক লাকখিগদ্রা ইমা! জীবানন্দগুম্না নচানিপা, শান্তিগুম্বী নচানুপী নংগী গর্ভদা অমুক চংলকখিগদ্রা?

---

# নিপালগুবা মতাং

সত্যানন্দ ঠাকুরদু লানফমদগী কনামতা তাক্লম্বা তৌদবা আনন্দমঠ তাম্না লাক্লে। মফম অদুদা থেংনবা অহিংদা বিষ্ণুগী মাগুপতা ফম্লদুনা ধ্যান তৌদুনা লৈরে। তাঙ্গা অসিদা মাইবা অদু মফমদুদা ফাওরক্লে। মাবু উবদা সত্যানন্দনা হৌগৎলদুনা খুরুম্মি।

মাইবনা হায়রবকই, "সত্যানন্দ, ঙসি রাকচিংগী পুর্নীমানি।"

সত্য। লেংবিরো—ঐ শেম শাজরে। অদুবু হে পুকচেল চাওরবা! ঐগী চিংনবা অমতংসি কোকহনবিয়ু। ঐহাক্না লান ঙমদুনা সনাতন ধর্ম্মগী অপনবা লৈহন্দ্রব খুদক্কুমক্তদা—ঐবু থবক্তগী পোত্থানবা থাথং পিনবিরিবসি করিগীনো?

লাক্লিবা অদুনা হায়বকই, "নংগী থবক মহৈ য়াল্লে, মুসল্মানগী লৈপাক লৈথা তারে। হৌজিক নংগী থবক অমুক লৈত্রে। অরেম্বদা থরাই মাংহনবগী কান্নফম লৈত্রে।

সত্য। মুসলমানগী লৈবাক্তি কায়বে, অদুবু হিন্দুগী লৈবাক্তি লিংখৎত্রি হৌজিক কলিকাতাদা ইংবেজনা কনখৎলক্লি।

মহাক। হিন্দুগী লৈপাক্তি হৌজিকসু লিংখৎখিরোই—নং লৈরবদি অরেম্বদা থরাই মাঙনদুনা তোক্লগনি; অদুনা চংলো।

মসি তাবদা সত্যানন্দদু ওস্থোক্না মথরাই শোক্না হুংডাইত্রে। হায়রকই, "হে প্রভূ! হিন্দুগী লৈবাক লিংখৎত্রবদি, কনানা নিংথৌ ওইগদৌরিবনো? অমুক হন্না মুসলমাননা পাল্লবা তারিত্রা?"

মহাক্না হায়রকই, "ওইরোই, হৌজিক ইংরেজনা নিংথৌ ওইরগনি।"

সত্যানন্দগী মমিৎ অনিমক পিগী ইচেল্লনা পানা চেম্থতক্লে। মহাক্না থক্তা-ডাম্থোইহিরিবী, ইমাগী শক্তম পোক্নফম লমদমগী

*মুর্ত্তি তম্মা য়েংলগা মথুং লোম্নরহুনা কপ্পা কপ্পা হায়রকই, "ওস্মোক-পনি ইমা ! নহাকপু কনবা ঙমজরমদ্রে—অমুক নহাক ম্লেচ্ছগী মথুত্তা তাবদা তাখ্রে । নচাগী ইরাল ঙাকপিয়ু । অরাবনি ইমা ! করিগীদমক্তা ঙসি ঐ লানফমদা থরাইসি থাজখি দ্রবনো ?"*

মাইবনা হায়রকই, "সত্যানন্দ, য়াগম্নু । নহাক শেরাম্নবা য়াথলনা লমজিংখিহুনা হুরান-চিন্থি তৌহুনা লল থোমজিলগা লাল ঙমখিবনি । পাপনা কৈদৌম্নুংদা অশেংবা ফল ফংদে । অহুনা নখোইগী লৈবাকসি কনবা ঙম্লোই । থোক্লকদৌরবা অসিনা অফবা অহুম্মক ওইগনি । ইংরেজনা লৈপাক্কী মপু ওইদ্রবদি সনাতন ধর্ম্ম অমুক হম্না কনবা ঙম্নিংঙাই লৈতে । মহাপুরুষশিংনা তাকপিরকপা অহুগুম্না ঐহাক নঙোন্দা অহুক তাক্কে, নপুক্লিং চংনা তাও । লাই কোটি কুন্থাহুমদোই পুজা তৌবনা সনাতন ধর্ম্ম নত্তে,—মহুদি অহুক ময়াম্না চংনবা কাম্নদবা ধর্ম্মনি ; মহাক্কী মঙাম্না থাঙ্গৈশেংবা সনাতন ধর্ম্ম ওইরিবা—ম্লেচ্ছশিংনা হিন্দু ধর্ম্ম হায়না কৌরিবদো—মহুদি মাঙখ্রে । থাঙ্গৈশেংবা হিন্দু ধর্ম্মদি জ্ঞানগী মশক্তি থবক্কী মশক নত্তে । হায়রিবা জ্ঞান অসি মথল অনি থোকই—মপালগী পোংলম অমা, মনুংগী পোংলম অমা । মনুংগী পোংলমগী ওইরিবা জ্ঞান অহুনা সনাতন ধর্ম্মগী অখোইবা শরুক্তি । অহুবু মপালগী পোংলমগী জ্ঞান্দু হাম্নুনা পোক্ত্রবদি মনুংগী পোং-লমগী জ্ঞান্দু পোক্লকপা ইঙম ঙমদে । অপোবা মশক থঙদ্রবদি অকুপ্পা মশক থঙবা ঙমদে । হৌজিক লৈবাকসিদা মত্তম য়াম্না কুইনা মপালগী পোংলমগী জ্ঞান্দুদি মাঙহুনা লৈখ্রে—মরম অহুনা থাঙ্গৈশেংবা সনাতন ধর্ম্মসু মাঙখ্রবনি । সনাতন ধর্ম্মসি অমুক হম্না মরাই হাইগংহনগে হায়রবদি, অহানবদা মপালগী পোংলমগী জ্ঞান শন্দোকখিবদা তাই । হৌজিক লৈবাকসিদা মপালগী পোং-লমগী জ্ঞান লৈত্রে—তম্বিনবা মীসু লৈত্রে ; ঐথোইসি মী তম্বি-বদা হৈ-শিংবা য়াংলি । মরম অসিনা অতোপ্পা লৈপাক্কী মপালগী

পোৎলমগী জ্ঞান্দু পুরকপদা তাই । ইংরেজশিংদি মপালগী পোৎলমগী জ্ঞান্দা য়াম্না থঙ-হৈ, মী তম্বিবদা য়াম্না হৈ-শিংই । মরম অদুনা ইংরেজবু নিংথৌ ওইহনবদা তাই । ইংরেজী তমত্তুনা লৈবাকসিগী মীশিংনা মপালগী পোৎলমচু নিংথিজনা খঙলবদি মন্নুংগী পোৎলম খঙবা ঙমগনি । মতমচুদদি সনাতনধর্ম্ম শন্দোকপদ অমুক অপনবা লৈররোই । মতমচুদদি থাঙ্গেশেংবা ধর্ম্মচু মশ মথন্তমক ফাওদোকচরক্লগনি । হিন্দুশিংনা অমুক হন্না লৌশিংশিংবা, গুন চেনবা অদুগা মপাঙ্গল কনবা ওইদ্রিমথৈদি ইংরেজনা পাল্লগা প্রজাশিং নুংঙাইবা ফংগনি । অপনবা থোক্কনা ধর্ম্ম চৎচবা ঙমগনি । অদুনা হে জ্ঞান লৈরবা ইংরেজশিংনা অমুক লাম্থেংনবা তৌদনা ঐগী ইতুং ইল্লক্নো ।"

সত্যানন্দনা হায়রকই, "হে পুকচেল চাওরবা । ইংরেজবু লৈবাক্কী মপু ওইহনবনা নথোইগী অপাম্বা ওইরবদি, ইংরেজনা পানবনা লৈপাক্কী মঙ্গল ওইগদবা লৈরবদি, করিগীদমক ঐখোইবু অম্নুম্বা নুংশি-হৈত্রবা থবক্তা খুৎ থাহল্লিবনো ?"

মহাপুরুষনা হায়রকই, "ইংরেজদি হৌজিক লল্লোনবা ওইরি লল তানবদা মপুক্লিং লুপ্লি, লৈবাক ঙাকপগী থবক্তা চংবসি পামদে । মচাশিংনা লালহৌবসিনা মখোই লৈবাক ঙাকপগী থবক লৌদবা য়াদহুনা লৌরগনি ; মরমদি, লৈবাক ঙাক্কবদি লল থোমজিনবা ঙম্ফম থোক্কে । ইংরেজপু লৈবাক পুহন্নবগী দমক মচাশিংনা লাল্ল হৌবদা তাখিবনি । হৌজিক্কি লাক্লো—জ্ঞান ফংলবা তুংদা নহাক নশামক ন্নারম পুন্নমক্তসি থংলগ ন ।"

সত্যানন্দ । হে পুকচেল চাওরবা ! ঐহাক জ্ঞান ফংনবগীদমক থৌরাংবা পোক্তে— জ্ঞাননা ঐঙোন্দা কান্নদে— ঐহাক্না চৎচরিবা ব্রত অসি কাইদনবা হোৎনজগনি । আশীর্ব্বাদ পিনবিয়ু, ঐগী ইমাগী মফমদা লৈজরিবা ভক্তিসি লেঙদবা ওইসন্নু ।

মহাপুরুষ। ব্রত মহৈ য়াল্লে—ইমাগী য়াইকনবা থবক পাং-থোক্লে-ইংরেজগী লৈপাক লিংথৎলে। লাল শোক্লবা তোক্লো, মী পুম্বা লৌউ-শিংউবগী থবক্তা মাইপুনরসনু, মালেমসি মহৈ মরোংনা চূম্লসনু, তাইবং মীওইবা মুংডাই য়াইফরসনু।

সত্যানন্দগী মমিত্তুগী মৈরিক্কী মঙাল ফাওরক্লে। মহাক্না হায়রকই, "য়েক্লবগী ঈনা চোৎহল্লগা ইমাবু মহৈ-মরোং চূমহনবী ওইহনগনি।"

মহাপুরুষ। য়েক্লবা হায়ববু কনানো ? য়েক্লবা অমুক লৈত্রে।

সত্যানন্দ। লৈত্রগনা, হৌজিকমক মফমসিদা ইমাগী মূর্ত্তি মমাংসিদা থব্রাই থারগনি।

মহাপুরুষ। অপঙবা অমগুম্না ? চৎসি চৎলো, জ্ঞান ফং-নবা হোৎনরুরসি। হিমালয়-চিংদোন্দা ইমাগী মন্দিরগী লৈ, মফমত্তুদগী ইমাগী শক্তম উহনগে।

অসি হায়রত্তুনা মহাপুরুষ অত্তুনা সত্যানন্দগী মখুদাং পায়রক্লে। কয়াদা নিংথিখ্রবা! শুক্লবা বিষ্ণু মন্দর অত্তুদা চাওরবা চতুর্ভুজ মূর্ত্তিগী মমাংত্তুদা মমিবা মঙালক্তা মগুন চেল্লবা নিপা অনগী শক্তম্না সৈতেংলত্তুনা—অমনা অমগী মখুং পায়শিন্নরি। কনানা কনাবু পায়রিবা ? জ্ঞান লাক্তুনা ভক্তিবু পায়ররি—ধর্ম্ম লাক্তুনা কর্ম্মবু পায়ররি ; লুপহনবা লাক্তুনা লিংথৎপবু পায়ররি—কল্যানী লাক্তুনা শান্তিবু পায়ররি। সত্যানন্দ অসিনা শান্তিনি ; মহাপুরুষ অসিনা কল্যানীনি। সত্যানন্দনা লিংথৎপনি, মহাপুরুষনা লুপ-হনবনি।

লুপহনবা লাক্তুনা লিংথৎপবু পুত্তুনা চৎখ্রে।

---

লোইরবা

# What the Manipur Co-op. Publishing Society Ltd. stands for

* To undertake printing, publishing, sale of books etc.
* To undertake. to print or to get printed, cause to be published and sell or supply periodicals, magazine, journals, book, etc., from such places in the area of operation of the society as the Board may decide.
* To undertake to manage on such terms as may be decided upon a printing press or a paper or a publication business of any other registered co-operative society or institution or individuals.
* To own a printing press or presses and to construct or take on hire or lease premises for the same.
* To undertake welfare activities for the benefit of members and for employees of the society.
* To elimirate the difficulties experienced by writers in getting their books published.
* To organise efficient sales of their published books.
* To stabilise literary work as an honourable and earning profession.
* To open a foundry section,
* To do all such things as are essential to the attainment of any or all the objects.

# শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ

মনিপুরগী লেখক অমসুং নাটককার অমা ওইবা মমিংচংলক্লবা শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ ইংশোক ১৯১৪ দা পোকপনি। কলাকার অসি ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা লাইরিক-লাইশু ইব অমসুং ড্রামাদা থম্লাই লুপচবা পাম্বা মীওই অমা ওইনা অহুম্মক হৌরকই। অনিশুবা পৃথিবীগী লাম্লাংগী মমাংদা লৈরম্বা মনিপুরগী সাহিত্য চেকোং—য়াকাইরোল, ললিতমঞ্জুরী পত্রিকানচিংবদা য়ারেং, শৈরেং, য়ারীমচানচিংবা কয়া ইখি। ইংশোক ১৯৩৪গী অহুম্নাইদগী ড্রামারোমদা পুক্লিং কম্লা চংলক্কুনা—ড্রামাগী লাইরিক কয়া ই, আর্টিষ্ট ওইনা ষ্টেজ কুমই, ডিরেক্টর ওই। অনিশুবা পৃথিবীগী লাম্লাও লোইশিন্নকপগী তাম্লাদা রূপমহল লিংখৎপদা ফাউণ্ডর আর্টিষ্ট অমা ওইনা য়াওই। মতম অহুদগী হৌহুনা মনিপুরগী ড্রামাশিংগী মনুংদা মশিংও নাইদনা শাম্নথুবা "মাইনু পেমচা", "শামু খোংয়েৎপা", ওসমান থম্বাল নচিংবা মথং মখং ইখি।

মতুংদা, মনিপুরী লোন্দা অতৈ লৈবাক্কী অফাওবা লাইরিক কয়া লৈতবসি উবদা অমদি বাঙ্গলা লোল অমসুং সংস্কৃতকা শমনহৌম্রবা হোৎনলক্লিবা নহারোলশিংগীদমক্তা, বাঙ্গলাদেশকী অফাওবা লেখক কয়াগী লাইরিক মনিপুরী লোন্দা হন্দোকপা হৌখি। লেখক অসিনা ইবা শুসি ফাওবদা ছাপা তৌহুনা ফোংলবা লাইরিকশিংদি (ড্রামা) মাইনু পেমচা, শামু খোংয়েৎপা, (য়ারী) শম্নপা রামায়ন, শম্নপা মহাভারত, (অনুবাদ) রবিন্দ্রনাঠকী রাজর্ষি, শরৎচন্দ্রগী দেবদাস, বঙ্কিমচন্দ্রগী-কৃষ্ণকান্তগী উইল, দুর্গেশনন্দিনী, কপালকুণ্ডলা, যুগলাঙ্গুরীয়, ইন্দিরা, দেবী চৌধুরানী, আনন্দমঠ, চন্দ্রশেখর, মৃনালিনী অসিনি। ছাপা তৌহুনা লৈরিবনা—বিষবৃক্ষ, রজনী। (রবিন্দ্র সেণ্টিনরীগী দিল্লী সাহিত্য একাদেমীনা ফোংনবা ছাপা নম্লিবা) রবিন্দ্রনাঠকী চিত্রাঙ্গদ, কর্ন কুন্তী সংবাদ, 'দেবতার গ্রাম অসিনচিংবনি। অহুপা ফোংনহুনা লৈরিবনা—জয়দেব, হরিশ্চন্দ্র, ওসমান থম্বাল, ধাত্রী পান্না, নরসিংহ, নিমাইসন্ন্যাস, রাজসিংহ অসিনচিংবনি।